লোনলী ম্যাথেং

ৱাৎমাও ৱানবা

●

মণিপুৰ অপিকপা লমদম অমা ওইরবসু মশাগী তোপ-তোপ্পা মশক অমা লৈজবা লৈবাক্নি। লমদম অসিদা লৈরিবা চীংমী তম্মী লমদমসিগী য়েলহৌভেদগী লৈবকপা মীওইশিংগী মচা-মশু ওাক্নি। মীয়ম'চা কয়ানা তিল্লরবসু লমদমসিগী মশাগী মশক্তি মাওদনা অসুম লৈজবনি। অসিগুম্বা লমদমসিগী অমতা ওইবা লোন – মীতৈলোন (লোন মথন কযা লৈববসু মীতৈলোন্না লমদমসিগীদি খ্বায়দগী মরু ওইবা অমদি মীওই ফুব্বপ অমগা অমগগী মরক্তা ওাওন শরুবগী লংদাই ৎ বা লোন্নি) সিনো-তিবেতান লোন কাওলুপকী মরু ওইবা লোনশিংগী মবক্তা অমনি। মশাগী মযেক অমদি সাহিত্য মতিক চানা লৈজবা লোন্নি। লোন অসিগীদমক কবিগুম্বা খবদি ঐখোয়না লোন অসিবু লোনবা মীশক অমা ওইকবদগী ইতিক ইপা চায় হাযনা থরুব্রবসু তৌনীংবগী ইথিল্লা থৌঔনশিন পীবদগী লাইবিক মচা অসিমা খোক-হন্নবা হোংনরুবনি। মসিমা হোংনজরুবগী মহৈদি তীন চওবা মুন্দবা কত্তবা মথৈ ছন্দোকপিথ্রগা অম্বনবা মহৈ অমা/অনীদং খুন্দুনা ইরৈবাক চাশিংনা মহাউ তংবিখিবা অদুতনা অসুম ঐগী পেঙ্গবা হায়রবদু ওইগনি।

তশেংনমক ঐগী কাওলুপ্পু অমদি ইরোনবু চাওখংহনবা হাযবসে ঐখোয ইশাদা লৈববনি। ঐখোয ইশানা ইশাবু মশক খওজগদবনি। ঐখোযগী ইরোন মীতৈলোন অসি মশক মুন্না থওবা তারকপনি। অদুনা লোন অসিগী মবমদা নৈনদবা য়ারক্তে। লোন অসিবু থওবগা লোয-ননা লোন অসিবু লোন অমা ওইনা শাগংপদা মতেং পাংলিবা অতৈ লোন (ঘুরূপবা) কয়াবুসু থরামথৈ থওনবা হোংনবা তারকই। অদুনা লোন হায়বা অসি কবম্বা পোংশক্লো, করম্মা লোন হায়বসি ওইরক্লি-বনো হায়বনচিংবা কযাদা মীৎয়েং চওবা তঞাই ফদবা ওইরকই।

মখোঙ-লোনশক থিবগী মখো তাবকই। লোনবু নৈনগে খল্লবনবা নৈননবা মচাকশু তান্দবা য়াদে। নৈনবিবতু কল্লিনো, মতৌ কবম্না নৈনগদৌরিবনো হায়বনচিংবা অমদি লোন অমগী খোঙ্হোক-খোনকমগী মশক্কচিংবা মুম্না খঙবগী তঙাই কদবা লাকপদা ঈরেনপুংগী খায়দগী লুবা মকমতু যৌনা কুমথবা ঙম্ম্রবশু ঈরেনপুংতুগী মকম অমদদি থরদা ওইরবশু লুপ্পদবা য়ারক্তে। নত্রবদি কবম্না কংবমক ঙমত্রবশু লৈ হায়বা খঙগনি? পুম্নমক অসিগী মীৎয়েংদা মপুংমক কানা মমৎ তাবা নত্রবশু মমি শাম্নিদং ওইবা হায়বগী ৱাখল্দা ৱাবেং মথন কুন্মঙানা শাবা "লোনগী ৱাবেং" হায়বা লাইরিক মচা অসিগী পরিং কয়াৎ হুল্লুবনি। মসিনা লোন হাযবতুগী মরমদা অমদি মীতৈলোনগী মরমদা নৈনবা অমদি খঙহনবা য়াবমখৈ পুথোক্লে হায়বদি ঐ ইশানা য়াবা ঙমজদে। কবিনো হাযবা অতুগী মবমদা খঙহন্নীংবদগী সোম্নদা লৈরমগনি হায়তুনা লম্বী তাকপগী মওঙদা চুম্না খুদোনবীনা থিন্দুনা তাক্কে তৌবা হৌবকপদনি। থিবা চংকদৌবিবশিংগী মতুং ইন্দুনা লম্বী তাক্কে হায়তুনা খুদোনবী থিল্লুরিব। ঐশু চুমব্রনে হায়না তশেংনা খঙনীংবা পোক্লি অমসুং খ্বায়গী মতুং ইন্দুনা থিবশু চংখিগনি। অতুবু লম্বী অতুদা চংপদা চংকদৌরিবশিং অমদি ঐমক্কী ওইনশু লাইরিক মচা অসি তশেংনা অনানবা। লমীগী চৈঙমক নত্রগা অমম্বদা মঙান পীবা মৈরামক নত্রবশু অতুক লোয়নতুনা পুশনবদা পঙকান কান্নদবদি ওইরোইদ্রা হায়বসি ঐগী থাজবনি। অতুনা লাইবিক অসি ইরৈবাক'চাশিংগী মফমদা লাম্হোকচবনি।

তাইবঙপানবদা লৈবিবা লোনশিং অমদি মাগী মাগী লমদমগী ওইবা লোনশিংগী মরমদা মখোয় মখোয়গী মবোন্দা মীওই অয়াম্বনা নৈনবা হৌনথ্রবনি। চাওখং লমজেন্দ্না মাঙজীন থাগ্রবা মীওইমুক্কপ কযাদি হীবম অসিদা মীৎয়েং চঙবা হৌখিবা ফনা কুইথ্রে অমসুং থিবা য়াবমখৈ থিনথ্রে। অতুবু ঐখোযগী মীতৈলোন্দদি অমসুং লোন

অসিগী মবমদদি মাবা হৌবদা মঙায়রি। লৈ হাযবদি খঙলগ... মুন্না খঙবা ৱাংলি। হৌজিক্কী মতমসিদদি মুন্না খঙত্রিবসি খঙ... থিবা ঐথোয়গী হীক্তোকফদ্রবা ইথৌ অমা ওইরবনি। অদুনা ... মশক মুন্না খঙনীংবদগী তৌদবা য়াদবা থৌদাং অমনি খন্দুনা লাইবিক অসি তংাই ফদনা পায়খংখিবনি। লোন হাযবদু কবিনো হায়বা চাউবাকপা মশক অমা লাক্লশিনবা ওন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মীতৈ-লোনগী মবমদা থোইদোক্লা মরু ওইবা হীরম খবদা মীৎয়েং চঙলগা লোনগী মবমদা নৈনবা লাইবিক অমগী মপুং ফাবা শক্তম্মক ওইত্রবস্থু থুংমাবা হৌবা ওইনা লাইবিক অসিগী থৌবাং মতম খবগী মমাঙদগী তৌবকপনি। মসিদা থোইদোক্লা থেংনখিবা খুদোংচাদবনা হীবম অমবু কবিনো হাযবা খঙহন্নবা তাকপদা নত্তনা মমিং মথা (Termi-nology) কযাবু মীতৈলোনগী ওইনা পীনবা হোৎনবা অসিনি। অদুবু চপমক চানদ্রস্থু খবা চানবা যেংদুনা মমিং মথা পুথোক্লবা হোৎনবনা লাইবিক অসিগী পান্দম অমস্থু ওইখি। অদুনা অদু গুম্বা অশেম্বা মমিং-মথাশিং অদু লাইবিক অসিবু নৈনবিগদবশিংগী খুদোং চানবা হাযদুনা লাইবিক অসিগী মমৈদা থোইদোকপা মমিং মথা শবা হাযদুনা মতাং অমা ওইনা হাপচবি। থোইদোকপা হীবমশিংবু বুপ্পা খঙ হন্নবগী খুদোংচাবা পীজৰা ওইনা কবিগুম্বা মতাংদা হীরম অমগী শক্তাকবা (Definition) পীবদা নত্তনা খুদম কয়া পীদুনা অমস্থা শন্দোক্লা নৈনবা মতাং কযাস্থু হাপচিন্দুনা হোৎনজবনি। অদুবু পুম্নমক অসিনা নৈনবিগদবশিংবু পেলহনবা ঙমগনি হায়বদি থাজদে। অদু ওইদুনস্থু খবা মথৈদি তেংবাংবা অমা ওইনা মতেং পীবা ঙম্নগদ্রা হায়নদি খঞ্জে।

লাইবিক অসিদা লোনগা থানবা য়াদ্রবা 'ময়েক' হায়বদুগী মবমদস্থু ৱারেং অনীথক হাপ্লি। অমনা তাইবঙপান্সিদা চৎনরম্বা অমদি চৎনৱিবা মরু ওইবা ময়েকশিংগী চাউরাকপা মৈহৌবোন অমদি শক্তম য়াম্না শমজিন্না উৎপনি। অতোপ্পনা মতম কুইনা

[illegible]না লৈবক্লিবা লমদম অসিগী ইশাগী ওইবা মীতৈ ময়েকী [illegible]দনি। ৱাবেং অনী অসিন্থ থোইদোক্লা ময়েকী মরমদা খঙবি-[illegible]ংবশিংগী মতেং খরদি ওইগদ্রা খঙ্জে।

কবিগুম্বা হীরম অমগী মরমদা নৈনবা হায়রবসি তরায়না খনবা ৱাবা থবক নত্তে। থোইদোক্লা লোনগী মরমদা নৈনবদাদি নৈনরিবা ৱাখন অচু ফোঙদোকুবগী পাম্বৈ ওইবিবা লোন অমম্তুং ময়েক অনী অসিমক লাযথোক্ল খনবা য়াদে। শীজিন্নরিবা লোনগী ৱাহৈ ৱাতা অমা খজিক তৈনখিবদা অতোপ্পা ৱাহন অমা পীখিবস্থ যাবিবনি। অচুনা ঐগী ৱাহৈ ৱাতা খরনা (অশেম্বা মমিং মথা শী-জিন্নবনা) লাইবিক অসিবু নৈনবিগদবশিংদ। করিগুম্বদা চমম্নবা ৱাখন পোকহনবা য়াওরকপস্থ যাই। অচুগা লাইবিক অসি নম্বা মতমদা ইশানা ইস্কালদা লৈচুনা শেন্নচুনা নম্বা ঙমখিদবদগী অমদি মতম শাংনা প্রেস মকম অনীদা হোং হোংচুনা নমখিবনা বানানগী অশোযব কয়া অমদি ময়েক তাদবনচিংবা কযা যাওখিবা অসিগীদমক্তি ঐনা থোইনা হেন্না নুংঙাইজদে। অচুবু মক্ক ওইবা অবানবা খবদি লাই-রিক অসিগী মমৈদা চুমথোক্তুনা হাপচবি। মসিগীদমক পুন্নমক্না ঙাকপিগনি।

অবোইবদা ঐনা হাযজনীংবদি অঙাংনা মৈ কিদবগুম পামজক্ক বদগী হৈ-হৈতে খঙদনা হোৎনক্কবা লাইবিক অসিগী মতাং কয়াদা অবান অহুই কয়া অমদি অখঙ-অহৈ কযাগা মোৎ মান্নদবা অমম্তুং অশেম্বা মমিং মথাদা খেন্ননা মোৎ কোঙ্গায় যাওবম্বা য়াই। মচু পুম্বা ঙাকপিচুনা মতুংগী খুৎনমদা চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা পীবিযু অমম্তুং মতুং তানা হীবম অসিদা খুৎ থাজবদা মতেং ওইনবা ঐবু লমজিংবিবস্থ ওইনা অখঙ অহৈ ওজাশিং অমদি মরূপ-মপাং কযানা তাকপিবক্কনি হায়বসি ঐগী থাজজবনি। মতম পুন্নমক্তা পুন্নমক্কী পাউতাক লৌজনবগীদমক ফিগাউ শানা ঙাইজরি।

চুড়াচান্দপুর
মে ২, ১৯৭৭
কালেনগী থানিন।

আই এস কাঙজম

তৌবিমন খঙবা উৎচবা

ঐগী "লোনগী বাবেং" হায়না কৌবা লাইবিক মচা অসি লাইবিক অমা ওইনা পুথোকনবা হোৎনজখিবদা থোইদোক হেন্দোক্লা মতৌ ফংজাখবাদি ৺মোইবাংথেম চন্দ্রসিং, পণ্ডিত অচৌবনি। ওজা অসি লোমাৎ-লোল্লম শবা মাযচৌ অমা ওইখিদ্রবস্থ ঐঙোন্দদি মমিং মথা শেন্দা, অবিবা ব্রাহ্মৈ বাং নৈনবদা অমদি ময়েক অমত্তুং অবিবা লাইবিক নৈনবকপা মতাংদা মতৌং যামা পাংবিখি। লোয়ননা কবিগী খংজদবা ঐনা অসিগুম্বা লাইবিক অমা ইননবা খল্লকপদা ইগদবনি হায়দুনা পুক্রিং থৌগৎপিখি। ঐহোন্দা মতেং পীবিখিবা থাগৎপা ওজাশিংনা শ্রীঅশাংবম মীনকেতন সিংহ অমত্তুং শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহনি। ওজা অনী অসিনা ইবা লাইবিকশিংদগী কান্নবা মচাশিং ফংবদা নতনা কবিগুম্বা খঙনীংবা মতাং কয়াদা ওজা অনীগী মফমদা চত্তুনা হংজকুনদা ওজা অনীনা হবাউ হবাউ হংজকুবা খুদিমক তানপিবকখি। মমিং মথা শেম্বগী মতাংদদি শ্রীমীনকেতন সিংহ ওজাগী "মৈতৈ লোঙ্গন" কৌবা লাইরিক্তগী থোকইদোকপা মতেংশু ফংজখি। মথদা ঐবু মতেং পাবিখিবা মীওই অমনা চুড়াচান্দপুরদা ওজা অমা ওইনা হাটিব অমতদা নৌমিন্নখিবা ইয়াম্বা শর্মবা শ্রীঅনৌবম বিনোদচন্দ্র শর্ম্মনি। ঐজ্ঞা মশামক লোনগী মবমদা নৈনবা পাম্বা মীশক অমা ওইরম্বদগী ঐনা থিজক্লবা অমদি লৈনক্লবা মতাং কয়াদা ঐজ্ঞা মশামক্কী ওইবা অপাম-পামদ মোং কয়া ফোংদোকপিদুনা তাথোক-তাশিন তৌনবদগী ঐগী রাবেং খবদ যাওবম্বা অবাননা অমা অনী চুমথোকচনবগী খুদোংচাবা ফংজখি

মসুং ঐগী লাইবিক অসি থাম্না থুনা ন তুনা পুথোক্নবগী থৌঔন-শিন ঐজ্ঞাগী মফমদগী ফংদখি। লাইবিক অসিগী মবমদা ঐভোন্দা খোইদোকপা মতেং পীখিবা আতোপ্পা মীওই অনী অমনা ঐগী ইমুংগী মীওইসু ওইবিবা শ্রীমতি ইবেমু দেবী অমসুং কুমারী ইবেমহন দেবীনি। মখোয অনীমক থোই দাবা লোনগী মবমদা নৈনবা পাম্বা মীওই ওইবনা ঐনা হীবম অসিদা থিজিনবা অমদি নৈনবদা মতেং যাম্না পীখি অমসুং যাম্না নকুনা লৈবা হীবম অসিগী তাথোক-তাশিন তৌনফম হায়বতু মখোয অনীনা ওইখি। লোয়ননা লাইবিক অসি যাম্না থুনা পুথোকবা মখোয অনীনা ঐভোন্দা তত্তনা তকশিনখি। মখোযদা নভুনা ঐনা অসিগুম্বা লাইবিক অমা পুথোক্নবা থৌবাও তৌবি তাবদা নৈবু পুক্নিং থৌগৎপিতুনা থুনা পুথোকবা হায়বিবকখিবা অমদি মখোযগী অবৈবা লাইবিক ঐভোন্দা পীবক্কুনা মতেং ওঙনহনখিবা মরূপ-মপাং কযাসু লৈবি অমসুং লাইবিক অসি নম্বা মতমদা ঐমব। ইস্ফালদা লৈতুনা ইশানা যেং-শিঞ্জবা ওমদবগী অবাবতু কোকইন্নবিতুনা মখোযনা ঐগী ইতুৎ শিন্দুনা যাম্না কুপ্না যেংশিনবিখিবা শ্রী কোকচাং সিংহ অমসুং শ্রী ব্রজমনি মরূপ অনীসু লৈবি। অসিগুম্বা ঐবু নুংশিবিতুনা মতেং পীবিবিবা ইকাই খুম্নদম ওইবনা ওজাশিং, মরূপ-মপাংনচিংবা মীওই পুন্নমকী মফমদা ঐনা পুন্নমক্না শিংথমজবা লমন থাগৎনশিজ্ঞনে হায়বা খঙনা তৌবিমন খঙবা উৎচবি। লোয়ননা লাইবিক অসি ইবদা মতেং লৌজবিবা লাইবিক কযাগী তাইবংশিংগী অমদি অফোঙবশিং অমসুং লাইবিক অসি নম্বদা শেনগী মতেং পীবিবক-খিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী মবী লৈনবশিংবুসু ঐনা থোই-দোক্না নুংঙাইজবগা লোয়ননা তৌবিমন খঙবা উৎচবি।

আই এস কাঙজম

য়াওফম তাকপা

১

লোন

১.০ মীওইবগী লোন হায়বসি অা-য়েলহৌবৈগী মত" লৈশেমংঙৈদগী হোনা হৌজিক ফাওবদা ভাঙনদুনা লাক্লিবা রাঙাঙগী অপূনবা শক্তম অমনি। লোনগী ঈচেং ভুরেলগী ঈচেলগুম্বনি, লেপ্পা লৈতে। মীওইবা হায়বা ঐখোযসিনা লৈরিবনখৈদ লোন হাযবা মমিং অসি নাওবা লৈরোই। মতমগী মতুং ইন্না অমদি ভাঙথোক্লিবা মীওই খেন্নবনা খোঙ্হোক, খোঙ্গায় খেন্নবদি থোকপা য়াই, অদুবু রাঙাঙ ময়ামগী অপূনবা শক্তম 'লোন' হায়বসিদি অম্নম মরৈরগদবনি। মবমদি মীওইবনা মপূক্কীংদা নীংলিবা রা-রাখল পুন্নমক মখোল থোক্কা রাইে ওইনা মপান্দা পুথোরক্লগা অপূনবা শক্তমদা লোন ওইনা ফোঙদোকই। অদুনা লোনবু মীওইবগী রাখলগী হকচাং নত্রগা মপানগী কুয়োম্মি হায়বা ফাওবা য়াই।

মীওইবগী পুক্কীংদা লৈবা রাখলবু থোঙ্হোক্লগা থোবকপা খোঞ্জেনগী অচোনবা শক্তম্ব রাঙাঙ (Speech) কৌই। রাঙাঙ অসিমক্কী অপূনবা শাগৎপা শক্তম অদুমক্কা লোন ওই। লোন অসিনা মী অমনা মী অমদা মহাক্কী মপূকীংগী রা ফোঙদোক্লিবা অমদি ফোঙদোক্লিবা রা অদু অতোপ্পনা লৌশিনবা ঙম্মবগী অমত্তা ভায়ববা পাম্বৈনি। হায়বদি ভাঙলিবা অমদি তারিবা অনীমক্কী মপূক্কীংগী রাখল পুন্নমক লোনগী নকেংনা ফাঙদারদুনা লায়না খঙনবা ঙম্মি। তৌবগীদি 'খাঞ্জেন থোক্ত্রবস্থ থূৎ শা, মীৎ-নাদনা থূদম (Sign) পীনরগা পূক্কীংগী রা ফোঙদোকবা ঙম্মি। অদুবু মমুৎ তানা অম্লোন অথুপকী মমুং য়োশিনবা রাখল কয়া লায়না ফোঙদোকপদি লোক্তনা ঙম্মি। থূৎ-শানা পীবা থূদম অসিদি লোন নত্তে, লোন কৌবা

"মসিদি পুক্নীংগী রাখলবু খোঞ্জেন থোকহল্লগা লোন ওইনা ফোঙদোকপবু হেন্না চেংশিনহনবদা অমদি মপুং ফাহনবদা মতেং পাংলবা অমসুং লোন্না ফোঙদোকপা ঙমদবা কনাগুম্বগী ফোঙদোকচনবা খুৎলাই অমনি। মসিগা লোনগা থানবদি য়াদে। খোঞ্জেন্না লোন ওইনা হায়দোরকপা ফোঙদোরকপদা হকচাং কায়াৎশিংনা খওইনা শেমদুনা খূদম উৎকে হোৎনরবা তৌদনা মশা মতোমতা থোম্থোক্কুগী খোঞ্জেন মতুং ইন্না মায়থোঙনচিংবা হকচাং কাযাৎকী করিগুম্বা শরুক অমনা হেক্কা খূদম পী। অস্থুম্না লোন্না করিগুম্বা রাখল অমা মপুং ফানা ফোঙদোকপদা খূদম উৎপা অসিনা মতেং পাংডি। অদুগা লোন্না ফনা হোৎনদুনস্থ খূদম উৎপা অসিনবু মতেং পীদ্রবদি ফোঙদোক্লিবা সুংগী রাখল খূদিংমক মপূং ফারে হায়বা য়াদে। করিগুম্বা হীবম অমদা শোয়দনা অৱাৎপা লৈগনি। মরম অসিনা মরু ওইবে হায়না লৌরিবা লোনগী শক্তম অসিদা খূদম উৎপা অসিমক নপ্তুনা লৈগনি। খূদম উৎপা অসিমক য়াওদ্রবদি লোনগী মপূং ফাবা শক্তম ওইদে। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না লোনগী খোম্থোক অমদি খোঞ্জেন্না রাহায় অমবু অশোনবা অকনবা, অশাংবা-অতেনবা, অরুম্বা-অযাংবা অসিনচিংবা শক্তম পুথোক্কুনা খূদম উৎলিবা অসিমকী মহুৎ শিন্নবা হোৎনরি। মসিমক লোনগী মশা মতোমতনা মপুং ফাজনবগী হোৎনজপা অচৌবা য়াওন অমনি।

লোন লনাইগী ওইবা পোৎশক অমা নত্তে। মসি থনায় পানবশিংগী মরক্তা অথোইবা ওইরিবা মীওইবা হায়বা ঐথোয়গীনি। মীওইবা হায়বা ঐথোয়সি অপুনবা যাম্না পাম্মি। কনাস্থ তোথাইনা নাইতোম হিংবা পামদে। অদুনা পুনশিন্নবা হোৎনৈ। পুনশিন্নবগা অমতা ওইবা অপুনবা শক্তম অমা শেম্মি। অসিগুম্বা অপুনবা শক্তম অসি তাইবঙ মীওইবগী খুনাই (সমাজ) নি। মীওইবনা পুন্না হিংবনা মীওইবগী লোনস্থ ময়ামগী ওইবা অপুনবা শক্তম হায়নদি খুনাইগী ওই। খুনাইগী থোঙচৎ মতুংইন্না লোনগী থোঙচৎস্থ হোংডি।

খুনাইদা হোংলিবা অসিমক মীওইবগী পুনশি-খোঙচৎ হো[illegible] অতুনদি লোল লেঙদবা পোৎশক অমা ওইকম থোক্তে মী অ[illegible] খুনাইগী য়াওনগা ঈরোয়ননা লোনসু হোংবা তাই। মমাঙ[illegible]দা ওইবস্বা মীওইবগী পুনশি অমদি খুনাই হৌজিকীগা য়াম্না খেন্নে। হৌজিক্কী মীওই চাওখৎলবা মীওইনি; হৌজিক্কী খুনাই চাওখৎলবা খুনাইনি। অনী অসিগী খোঙথাং মতুং ইন্না লোনসু য়াওফম থোকই। হৌজিক্কী লোন থাযনগী লোনগা মান্নদ্রে। চাওখৎলবা লোন অমা ওইবে। মসিদসু লেপখিরোই, মসিনা পুংফম ওইদ্রি। লোনগী ঈচেল অরেপ্পা লৈতনা চেন্থখিনি, লোনগী পুংফম লৈতে।[1] অহোংবা অমসুং লেপ্তবা হাযবসি লোনগী অশেংবা পুনশিগী শক্তম্নি।

১১ চাউবাকপা অমদি অপুনবা মীৎয়েংদা লোন হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী পুগী রাখল ফোঙদোক্লবা অমতা ঙায়ববা পার্ম্বেনি। তাহবঙপানসিদা লৈরিবা মী পুম্নমক হৌরকফম-চাফম, মশক-মওঙ তিন্নদবা অসিনা লোনগী শক্তমদসু মান্নদবা কযা লৈ। তশেংনা হায়রবদা মীওই শখল কয়া লেবনা লোনগী মশক মওঙ অমদি হৌরকফম তোঙান-তোঙানবা কযা উবা ফংলি। অতুনা মালেমসিদা লৈরিবা লোনশি অসি লোন-কাঙলুপ (Language family) কয়ামক্কম থোক্লা থায়দোকই। লোন-কাঙলুপ অমমসু অমুক কাঙবু কয়ামক্কমদা; কাঙবু অমবু মশা কয়াদা, মশা অমবু অমুক মশা-মচা কয়ামক্কম থোক্লা থায়দোকই। অদুনদি লোন-কাঙলুপ অমগী মনুংদা

---

১ অপুনশিগী মতুং ইনা লোনদ অহিংবা লোন (Living language) অমসুং অশিবা লোন (Death language) হায়না অনী থাক্ত থায়দোকই। মশক হোংলবসু ঈচেল লেপ্তনা শক্তম অমা নাইনা চথরক্লিবা অমদি চংনরিবা লোন অত্তু অহিংবা লোন্নি। চংনদ্রবা তঃদি অহাংবা নাইবা ঈচেল লৈত্রবা লোন অশিবা লোন্নি। অশিবা লোনগী পুংদি লোন্দুনা শিবা মতমদা ওই।

কাওবু কয়ামক্রম লে। লোন-কাওবু অতুদা লোন কয়ামক্রম য়াওরি। ...ন অমগী মনুংদা অমুক লোন অমা ওইবগী থাক য়োক্রিবা ...-ফূরূপকী ওইবা ফূরূপ-ৱা কয়া যাওরি। ফূরূপ-ৱা অমগী মনুংদা অমুক ফূরূপচুদা য়াওরিবা মীয়ামগী ওইদবা মী অমমমগী ওইবা লনাই-ৱা কয়া অমসু য়াওরি। অসুম্না মপূং ফাবা লোন অমা ওইবদা ফুরূপ-ৱা অমদি লনাই ৱা কয়া লোন অতুগী মনুংদা য়াওই।

১.১.১ লোনগী মরমদা নৈনবা তারবদি মপূং ফাবা লোন অমা ওইবদা যাওবিবা ফুরূপ-ৱা অমদি লনাই-ৱা হায়বসি করিনো হায়বা মুম্না খঙদবা য়াদবনি। লোনগী অশেংবা যুম্ফমদি অনী অসিনি। মীওইবনা ইহান হায়্না খোস্তোক থোক্না ঙাওবা হায়বসি মাগী ইমুং-মনুং অমদি নক্কবা মীশিংগী মরক্তনি। মতমচুদা মাগী মাগী ওইবা খোস্তোক তোঙান্না লৈ। ... মীতুগী মশাগী ওইবা হৈনবী ৱাঙাঙনি। খুদম ওইনা ঐহাক হায়গদবদা যাক, কদাযদনো হায়গদবদা কায়নো, নখোয় হায়গদবদা নোই হায়না কনাগুম্বনা খোস্তোকপা যাওই। অসিগুম্বা ৱাঙাঙসি মযামগী ওইবা চৎনবী অমদি সাহিত্যগী থাক্তা কাবা যাবা ৱাঙাঙ নত্তে। মী মীতুগী হৈনজবী ৱাঙাঙ ওইনা লৈবনি। অতুনা মী মীগী মশাগী হৈনজবা খোস্তোক্তা হায়দোরকপা মতুনা মীয়ামগী ওইবদি যাদবা অতুগুম্বা ৱাঙাঙ অতুবু লনাই ৱা (Idiolect) কৌই।

১.১.২ মী অমগা মী অমগা ঙাঙন শানবা, মুংগী ৱাখল ফোঙদোক্নবা মাগী মাগী হৈনবী লনাই-ৱাঙাঙতনা য়াবক্তে। ৱাঙাঙ মাম্নবমখৈ পূনশিল্লগা অপূনবা ৱাঙাঙগী ওইবা শক্তম অমা শেম্লকই। অসিগুম্বা অপূনবা ৱাঙাঙগী শক্তম অসি মীওই-ফুরূপ তিন্নবা, ৱাঙাঙ মান্ননশিংগীনি। অসিগুম্বা মীওই ফুরূপ অমগী ৱাঙাঙ কয়ামক্রমগী ওইবা খোস্তোক্কী অপূনবা শক্তম অসি গুপ্পগী ফূরূপ অতুগী মনুংদা লৈবা মীওই অমগা অমগা ঙাঙননবগীদমক্তনি। শক্তম অসিদা সাহিত্যগী ওইবা শক্লোন লৈত্তে। মফম-মফমগী মীওই ফুরূপ ফূরূপকী ওইবা অপূনবা ৱাঙাঙনি। অসিগুম্বা ফূরূপ তিন্নবা,

বাঙাঙ মান্নবশিংগী ওইবা লমথে য়াম্না পিকপা সুংগা ফোঙদোক্লবা অপুনবা বাঙাঙগী শক্তম্ ফূরূপ-বা (Dialect) কৌই।

কনা-কনাগুম্বনা ইংরেজীগী "দাইলেক্ট" হায়বা ৱাহৈ অসিবু মীতৈলোন্দা "লোৈন্থ" হায়না ৱাহন পীদুনা শীজিন্নৈ।[২] তশেংনা থিজিন্দুনা অমদি নৈনদুনা যেংবদা দাইলেক্ট হায়বসি মপূং ফারবা লোন অমা নত্তে,[৩] লোন অমা ওইবগী য়াগুন শুদ্রি। শম্না হায়রবদা লোল্লেপ ফাদ্রিবা লোনগী থাক দাইলেক্টনি। ইন্সাই-ক্লোপেদিআনচিংবদা "দাইলেক্ট" পু "কনভর্সেসন" (Conversation) নত্রগা "গ্রূপ স্পীচ" (Group speech) হায়না ৱাহন তৌই। অদুনদি মীতৈলোন্দা মসিবু ফূরূপ-বা কৌফম থোকই। লোন খূদিং-মকসি হান্না লোন হেক্তা ওইদুনা লাক্তে। অহানবদা ফূরূপ-ফূরূপকী ওইবা ৱাঙাঙগী থাক্তা লেরম্মী। মতমগী ঈচেল মতুং ইন্না মাগী মাগী ওইরকপা কিবেপ্পা লোনগী থাক্তা কারকপনি। অদুনা লোন (Language) গী থাক যৌদ্রিবা দাইলেক্টতি লোৈন্থ নত্তে। লোৈন্থদি লোন্দগী থৈথব্রবা (অপভ্রংশ) হায়বগী ৱাহন পুবানি।[৪] অদুনা দাই-লেক্টকী ৱাহন মীতৈলোন্দা ফূরূপ বা হায়গদবনি, লোৈন্থ হায়গদবা নত্তে। লোৈন্থনা দাইলেক্টকী মহুৎ শিলহনবা য়াদে। লোৈন্থনা অপভ্রংশনি, ফূরূপ-বানা দাইলেক্টনি।

২ (ক) নন্দলাল শম্মা—"মৈতৈলোন", ১বা নম্বা, ১৯৬৫—লা° ১

(খ) এইচ° মদনমোহন সিংহগী—"লোৈন্থ অমসুং লোনদিল" —"সাহিত্য" অহুমশুবা মশাং সেপ্টেম্বর ১৯৬৬—লা° ৫২।

৩ মতা° অসিদা শীজিন্নরিবা মপূং ফারবা লোনগী ৱাহন যাগুন শুববা চাওখৎলবা লোন (Well developed language) হায়বনি।

৪ মপূং ফাবা লোন্দগী থৈথব্রবা লোৈন্থ (অপভ্রংশ) অসিনা মীওই-ফূরূপ অমগী ঙাঙনবা পান্থে ওইরবা মতমদা ফূরূপ-বা অমা হায়বদুদি ওই।

৫। ফূব্দপ-ৱা অমবু অতোপ্পা ফূব্দপ-ৱা অমগী মীওইনা ...বদা লুনা থোকই. থঙনদে। লোন্দি লোন্দুদা তিল্লিবা ফূব্দপ-ৱা পুম্নমক্কী মীওই অয়াম্বনা থঙডি।

৬। লোন করিগুম্বা ফূব্দপ-ৱা অমদা য়ুম্ফম ওই।

১.৩ লোন অমনা হেন্না-হেন্না মপুং ফাগৎলক্কুনা লমদম অমগী ওইনা লমদুদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ফূব্দপ-বা কয়াগী মীওইশিংনা অমগা অমগা নুংগী ৱাথল অমদি ৱাগী ৱাপ্পী মোং ফোঙদোক্নবদা শীজিন্নবদা নত্তনা লমদুগী ওইবা লৈঙাকপগী ৱাযেল-থোৗদা, মহৈ-মশিং তম্বনচিংবা লোয়শঙগী ওইবা থবক থোবম খুদিংমক্তা অতৈ লোন অমদি ফূব্দপ বা পুম্নমক্কা মন্নুং শিন্দুনা অপুনবা শক্তম অমা লৌববাদ লোয়শঙ লোন (Official language) কৌই। লোযশঙ লোনবু ৱাযেন-লোন হায়না কনাগুম্বা মীওই খরনা শাজিন্নে। অদুবু ৱাযেন-লোন হায়বদগী লোযশঙ লোন হায়বনা লোনগী ওমথৌ খরা পাকই। মমাঙদৈ নিংথৌ পাণ্ডুংদে মতমদা মীতৈলোন্না ওইরম্বা থাক ৱাযেন-লোন (Court language) নি। মতমদুদা নিংথৌগী ৱায়েনশঙদা মহৈ তম্বা, লৈবাক ডাকপনচিংবগী শিন্থা পুম্বা পুমশুপ শুপ্পী। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি ৱায়েনশঙনা পুমশুপ শুপত্রবনা ...দি তোঙান-তোঙানবা লোযশঙ লৈববনা মদুদা মযামগী ওইনা শীজিন্নরিবা লোন্দু লোযশঙ লোন কৌক্নম থোক্লে। হৌজিক্কী মতমদা ...ন্নৈ লোন্না মনিপুবগী লোযশঙ লোন ওইবি। অদুং মীতৈলোনস্থ মণিপুরী লোন হায়না কৌদুনা মণিপুরগী লোযশঙ-লোন (Official language) ওইনবা কন্না ...বি। অদুগা লৌকংশঙনচিংবা ...যশঙ খবদদি মমাঙদৈদগী চৎনবকপা অদু হৌংদনা হৌজিক যাওন, থাটা, দলিলচিংদা ইবদা মীতৈলোন শীজিন্নরি।

করিগুম্বা লোন অমনা অতৈ লোন কযামকন্দগী অহেনবা থাক্তা কাত্না লৈবাক অমগী অপুনবা লোন ওইনা শীজিন্নরবা

হায়বদি লোন কয়ামরক্নগী মীওই পুন্নমক্না মখোয় মরু-ওাওন শক্নবদা অমদি লৈবাক অতুগী লৈঙাকপগী থবক-থৌরম থৌদিংমক্তা লোন্দুদবু শীজিন্নরবদি লোন্দু "লৈবাক্কী লোন" (National language) কৌই। হৌজিক্কী মতমদা হিন্দীলোন্না ভারতকী লৈবাক্কীলোন ওইরি। অসিগুম্না লৈবাক-লৈবাক্কী ওইবা লোন কয়ামরক্নমদগী অমুক লৈবাক পুন্নমক্কী ওইবা লৈবাক অমগা অমগা মরী লৈনবদা শীজিন্নবা অমতা ওইবা লোন অদুবুনা "লৈবাক পুন্নমক্কী লোন" (International language) কৌই। হৌজিক্কী মতমদা থাক অসি ফংলবা লোন্দি পিক্নবা ইংলেন্দ লৈবাক্কী লোন ইংরেজীনা ওইবি।

অসুম্না মীওইবগী রাঙাওদগী পোক্নকপা লোন হায়বসি মশক-মওঙ থরা-থরা তৈনদুনা লনাই-রা, কুকপ-বা, লোন, লোয়শঙ-লোন নত্রগা রায়েন-লোন, লৈবাক্কী লোন, লৈবাক পুন্নমক্কী লোন হায়না চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না থাক কয়ামক্কম থোক্না লৈ।

১৪ মীওইবগী রাঙাওগী অপূনবা শক্তম্ লোন কৌরে। লোন হায়বসিনক করিদগী কৌখ্রিবনো হাযবসিমস্ লৈননীংঙাই ওই। রা ডাঙববু অতোপ্পা রাইদা "লোনবা" হায়। রাইসিগী নীংতপ "বা" অসি লোথোকখ্রগা নৈশৌবা মরু "লোন" হায়বা অসিদগী রাঙাওগী অর্পূনবা শকম "লোন" হায়বসি পোকখিবনি। রা ডাঙববু "লোনবা" হাযনা খঙনখ্রিবসি ফি লোনবা নত্রগা ফক-থুম্মোক্নচিংবা শাংগী পরম লোনবা হায়বসিদগী লাকপা ওইরম্মস্ যাই। রা ডাঙবদা যাম্না মরু ওইনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরিবদি লৈ (Tongue) অসিনি। লৈ অসিনা মওঙ চুম্না লেঙ-ওৎপা হাযবদি হাইগৎ-হাইথ, চিংথোক-চিংশিন তৌবদগী থবোক্কীদগী থোরক্লিবা হোন্দোরকপা নিংশা অদুদা তোডান-তোডানবা মখোল থোকহন্দুনা রাঙাও ওইহনকপনি। লৈনা মওঙ চুম্না লেঙ-ওত্রবদ রাঙাওনী খোম্থোক চুমদে। অদুনা ফি লোনবা, ফক-থুম্মোক্নচিংবগী পরম

লোনবগুম ৱাঙাওগী অচুম্বা খোঙ্খোক্কীদমক লৈসু মওঙ চুম্না লেঙ-ঙৎপা তাই। অস্মুনা লৈনা লেঙ-ঙৎপসিবু লোনবগী ৱাহন পীবদগী মতুদগী পোক্লকপা ৱা ঙাওববু "লোনবা" হায়না থঙনখিবা ওইরম্বা য়াই। অতুনা "লোমবা" হায়বা ৱাহৈসিগী নীংতপ 'ৱা' লোথোকথ্রগা লেমহৌবা ৱাহৈ-মরু "লোন" হায়রবসিনা ৱাঙাওগী অপুনবা শক্তম "লোন" হায়বা ৱাহৈসি ওইখিবনি হায়বদা চুমদনীংঙাই মরম লৈতে হায়নীংঙি।

২

লোন পোক্লকপা



২.০ ঐখোয় মীওইবনা ঙাঙলিবা লোন অসি মতৌ কয়ম্না পোক্লকপগে হায়বসিদা অখঙ-অহৈ কয়াগী তোঙান-তোঙানবা মোৎ কয়া লৈ। লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মোৎশিং অদুগী মতুং ইন্না লোন্না পোক্লকপগী মরম কয়া পীবি। অদুগুম্বা অরেপ্পা মোৎশিং অদুগী মতুং ইন্না লোন্না ইহান হান্না পোক্লকপগী মরম থিন্নি। মসিগী মওঙ হায়বদি অরেপ্পা মোৎ কয়া শেমদুনা লোন পোক্লকপগী মরম অমদি মওঙ থিবসি হকথেংনবা লম্বী (Direct way) কৌই। হকথেংনবা লম্বীসি নত্তবা নাকোইনবা লম্বী (Indirect way) না লোন পোক্লকপগী মরম থিনবা পাম্বৈ অমম্ম লৈ। অদুবু নাকোইনবা লম্বী অসিদি লোন পোক্লকপগী মরম অমদি মওঙ থিদনা হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা লানগী শক্তম নৈনবগা কোন্না মমাঙগী শক্তম অমুক থিগৎলে। মসিদা চাংদম্নবা অমদি মৈহৌবোনগী ওইবা মীৎয়েং চঙঙি। অদুনা লম্বা অসিনা লোন্না পোক্লকপগী অশেংবা মরম নিংথিনা উৎপা ঙমদে, অদুগা লোন্না হৌরকপা মতমদা ওইবা শক্তম অদুদি খঙবা ঙমহল্লি। হকথেংনবা লম্বীগী পাম্বৈনদি লোন পোক্লকপগী মরম অমদি মওঙ খরা মথৈদি খঙবা ঙম্মি, অদুবু মমুৎ তানা অশেংবা মরম পুথোকপদি ঙমদে। অদুম ওইনমক হকথেংনবা লম্বীগী তোঙান-তোঙানবা মরু ওইবা মোৎশিং খরা মথাদা নৈনরি, লোয়নবা নাকোইনবা লম্বীগী মোৎস্থ শন্নপা নৈনবি।

২.১ হকথেংনবা লম্বাগী পাম্বৈনা লোন পোক্লকপগী মরমদা ইহান হান্না থিগৎপা অমম্মং নৈনবা হৌবদি গ্রীকশিংনি। লৈবাক খরগী লাইনীং-লম্বীগী লাইরিকশিংদা লোন পোক্লকপগী মরমদা রারম খরা-খরা ইকম্মম্ম থেংলৈ। খুদীগী ১৮ শুবা চহী-চাগী মমাঙ

লাওবদা পুখোক্রবা মোপ্তি লাইনীং-লম্বীদা থুংফম ওই। লোন অসি মীওইবদা ঈশ্বরনা পীনবা খূদোম্নি হার্বা অহুবু খুষ্টগী ১৮ শুবা চহী-চাদগীদি থোইদোক-হেন্দোক্লা লোন্না পোক্লকপগী মরম অসিদা পূক্নীং থিংজিনহুনা খূদম-চাংদম য়াওনা নৈনবদগীদি তোঙান-তোঙানবা মোৎ কয়াস্থু পুথোক্লক্লে। মক ওইবা মোৎ খরগী মরম মথাদা পীগ্নি।

২.১.১. **ঈশ্বরগী খূদোন**—লোন পোক্লকপগী মরমদা পীবা মোৎশিংগী মনুংদা মোৎ অসিনা খ্বাইদগী লিরবনি। নৈশেন্নকপদা ঈশ্বরনা পোৎ পূন্নমক শেম্বিরকপগুম লোন অসিস্থু ঈশ্বরনা মীওইব-গীদমক শেম্বিরকপনি হায়না মী অয়াম্বনা লৌনৈ। ভারতকী থায়নগী পণ্ডিতশিংনা বেদবু লাইগুম্না খল্লি। বেদ ইরিবা সংস্কৃত লোনবু ঈশ্বরনা শেম্বিবকপনি হায়দুনা 'দেবভাষা" (লাইগী লোন) কৌনৈ। মণিপুরদস্থু মীতৈলোন অসি অতিঙা গুরু শিদবনা নৈশেন্নকপা মতমদা শেম্বিরকপা ওইনা থায়নগী মীওইশিংনা লৌনৈ। হৌজিক কাওবদা মীওই খবদি লোন্দা নত্তনা ময়েক ফাওবা অতিঙা গুরু শিদবনা শেম্বনি হায়বা য়াওরি। খৃষ্টানশিংনস্থু মখোয়গী "ওল্‌দ টেষ্টামেণ্ট" ইরিবা হিব্রু লোন অসি আদম অমস্থুং ঈভতা ঈশ্বরনা পীবনি হায়না থাজনৈ। লোয়ননা তাইবঙপান্সিদা লৈরিবা লোন পূন্নমক হিব্রু লোন অসিদগী পোকখিবনি হায। বৌদ্ধশিংনস্থু পালী লোনবু ঈশ্বরগী লোন্নি হায়। মখোয়না অঙাংশিংবু মমা-মপানা থওইনা অমুক তম্বিকদ্রবস্থু পালী লোন্দি মশা মতোমতমা অহুন হৈজগনি হায়না লৌই। অস্থুম্না লোন অসি মীওইবগীদমক ঈশ্বরনা শেম্বিরকপা খূদোন ওইনা লৌনবা য়াওই।

মোৎ অসি হৌজিকী মতমদদি কমানস্থু থাজনদ্রে অমস্থুং য়ানদ্রে। চাং য়েংবদা অচুম্বা ফংবা ঙমদ্রে। মোগল নিংথৌরেল আকবরনা চাং যেংবদা অঙাং মথৈ মরোন থোক্লে। মিস্রে নৈসা-কী নিংথৌ সেম্মেতিক্লনা চাং য়েংবদনা অঙাংহুদা মুংতিগী তল পীজবা

মীনাইচুনা শোয়দুনা অমুক্তং হায়দোকখিক্র "বেকোস" হায়বা রাং নত্তুনা অতৈ রাহৈ অমতা ঙাঙথোকপা ঙমদে। মসিনা তাকপদি লোন্না লোক্লকপসি ঈশ্বরনা মীওইবগীদমক খুদোন ওইনা পীরকপা নত্তে। লোন মীওইবনা মশানা শেমজবনি।

২.১.২ খোঙ্হোক-খুদম লেপ্পবা—লোন লোক্লকপগী অতোপ্পা মোং অমনা খোঙ্হোক-খুদম লেপ্পবা অসিনি। ইহান হান্না মীওইবনা খুৎ-শানা খুদম তৌনরগা পুক্নীংগী রাখল মুংখল পুন্নমক ফোঙদোক্ল-রম্মী। অদুবু খুৎ-শাগী খুদম অসিতনা নীংলিবা রাখল পুন্নমক লোইনা ফোঙদোকপদি ঙমদে। অদুনা য়েলহৌ-মীওইশিংনা পুল্লপ পূনশিল্লগা থম্ম-নৈনদুনা তোঙান-তোঙানবা রাখল মুংখল পুন্নমক্কী তোঙান তাঙানবা খুদমগী ওইনা খোঙ্হোক শেম্মগা শীজিন্নবা লেপ্পে। অসুম্না রাখল মথল কযাগী লেপ্পরদুনা শেম্নবা খোঙ্হোক-খুদম অসিনা অসুম পাকথোক-চাউথোরকপদগী হৌজিক্কী মতমসিদা ঐখোয়না লোন হায়না খঙনরিবা খোঙ্হোকী অপূনবা শক্তমসি ওইরকপনি।

মোং অসিসু য়েৎননীংঙাই মরম লৈ। মরমদি খুৎ-শানা খুদম তৌনদুনা অমগী রাখল অমদা খঙহন্নবা হোৎনবদা মপুং ফাবা ঙমদদুনা রানরিবা মতমদুদা পুল্লপ পূনশিল্লগা মসিনা মসি ওইসি, মদুনা মদু ওইসি হায়দুনা খোঙ্হোক-খুদম লেপ্পনা ওইথোক্কে। করিগুম্বা মথোং মশেন লেপ্পবা ঙম্নবগী পান্থ অমা লৈরবদি লোন হায়বসি পুথোক্লুবগী কান্নবসু লৈতে। অদুনা মোং অসি লোন পোক্লকপগী অশেংবা মোং নত্তে। লোন্না পাকথোক চাউথোরকপগী হৌরকপা থাক্তদি মোং অসি মত্তেং অমদি ওইনৈ।

২.১৩ খোঙ্হোক-মরু—মোং অসি জর্মনগী পণ্ডিত প্রোফেসর হেইজ (Prof. Heyse) না হৌদোকপনি। ইংরেজীদা মোং অসিবু ডিং-দোং থিওরী (Ding-dong-theory) হায়না কৌই। মোং

.শগী মতুং ইন্না ভাইবঙপান্জিদা লৈরিবা পোৎ পুন্নমকসি মশা-মশাগী মখোল অমমমদি লৈজে। পোৎ খূদিংমক থেংলু-তাক্লবা মতমদা মখোল অমদি হেক্তা থোকই। থোরক্লিবা মখোল পুন্নমক অমত্তা মান্নদে। পোৎ-পোৎকী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা মখোন থোকই। মতৌ অসিগুম হায়বদি পোৎ খূদিংমক থেংলু-তাকবা মতমদা মশা-মশাগী তোঙানবা মখোল থোরকপগুম থায়নগী য়েলহৌ-মীওইশিংনা মানা-মানা ইহান হান্না থেংনকবা পোৎ খূদিংমকী মরমদা তোঙান-তোঙানবা খোন্থোক অমমম হায়দোকই। অসিগুম্বা খোন্থোকশিং অসি পোস্তুগা মরী লৈনবা ৱাফম খঙনবা ৱাহৈগী মরু (Root) নি। অসুম্না খোন্থোকপা ৱাহৈ-মকশিং অসিদগী লোন পোকপনি।

মোৎ অসিন্থু অরেপ্পা-অচুম্বা মোৎ ওইনা লৌনম্রে। ইহান হান্না খোন্থোক্কীদমক ৱাহৈ-মরু শেম্নি হায়বসি মকম পুন্নমক্তা চুমদে। লোন থরদা ৱাহৈ-মরুগী মরু ওইবা মকম লৈরবস্থু ভাইবংপানগী লোন খূদিংমক্তদি লৈতে। ৱাহৈ-মক লৈতবা লোন য়াম্না লৈ। অদুনা লোন খোন্থোক্কী ৱাহৈ-মরুদগী পোকই হাযবসি লোন পুন্নমক্তা অচুম্বা নত্তে। অদুগা লোন অমা হায়বসি ৱাহৈ-মক ঙাক্তনস্থু শাদে। ৱাতপ কয়া য়াওই। ৱাহৈ-মরুগী মরু ওইবা মকম লৈবা লোনশিংদস্থু অখঙ-অহৈশিংনা ৱাহৈ-মরুগী মতুং ইন্না ৱাহৈ শেম্বনি হায়বসি য়াদে। হান্না ৱাহৈ পোক্লগা কোম্না খন্ন-নৈনদুনা মরু পুথোকপনি। মদুদা ৱাতপ কয়া তপশিল্লগা অনৌবা ৱাহৈ কয়া পোকহনবনি। অদুনা মরুদগী লোন পোকপনি হাযবসি অচুম্বা মোৎ নত্তে। লোম্মীৎ-লোল্লম শ্রুবা মেক্সমুলবনা মোৎ অসিবু অহানবদা য়াম্না কন্না শোগৎলম্মী, অদুবু মমৈথঙদা ওইবা য়াদবা ৱাকম কয়াসি লৈবদগী মোৎ অসি অচুম্বা নত্তে হায়না অমুক ককথৎলকই।

২.১.৪ মতৌ তম্বা—মতৌ তম্বা হায়বসি মীওইবগী হৈনবীনি। মীওইবনা ভাইবঙপান্জিদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত পুন্নমকী মহৌশাগী

খোন্থোক্কী মতৌ তম্বা অমস্তুং প্যোৎ নত্রগা খরায়পানবা [illegible] থোরকপা খোন্থোক অদুমক পোৎ নত্রগা খরায়পানবতু ওইনা খঙনৈ। খূদম ওইনা ক্বাক-ক্বাক হায়না খোংবদগী উচেক মখল অমবু ক্বাক; লোং তাবগী মখোলবু জ় জ়, চীংমুংদা ঈশিংনা চেম্থবু ত্রোং-ত্রোং নত্রগা ব্রা-ব্রা অসিনচিংবা খঙনরিবসি মহৌশাগী খোন্থোক অদুমক মতৌ তমতুনা হাযবনি। অসূম্না মতৌ তম্বদগী লোন পোক্লকই হায়বসি পণ্ডিত হার্দরনা কম্না শোগৎলি। মোৎ অসিবু ইংরেজীদা "বো-বো-থিওরী" (Bow-bow-theory) হায়না খঙনৈ।

মোৎ অসি খোন্থোক খবগী ব্রাইৎ পোক্লকবগী মরমদদি চুম্লবস্থু পূম্না লোন অমা হায়বতুগী মরমদদি অচুম্বা ওইদে। লোন অমদা যাওবিবা খোন্থোক পূম্নমক মতৌ তম্বদগী ঙাক্তা নত্তে। মহৌশাগী ওইবা অচৎ-চত্ত ময়ামসিদগী মতৌ তম্নীংঙাই লৈত্তবা খোন্থোক কয়া মীওইবগী লোন্দা যাওরি। অদুনা মেক্সমুলরনচিংবা পণ্ডিতনদি মোৎ অসিবু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকই।

২১৫ পূক্নীংগী ঈহৌ ফোঙদোকপা—মোৎ অসিবু জেস্পার্সন অমস্তুং দার্বিন্নচিংবা পণ্ডিতশিংনা কন্না শোগৎলি। মীওইবা অমদি শা-উচেক্নচিংবশিং অসিনা অব্রাবা, নুংঙাইবা, অঙকপা, অশাউবনচিংবা পূক্নীংগী ঈহৌ কয়া ফোঙদোকপদা অমদি হাকথী খনবা, লোক খুবা অসিনচিংবদা করিগুম্বা মখোল অমা থোকই। অসিগুম্বা পূক্নীংগী ঈহৌদগী থোরকপা মখোলশিং অসিদগী লোন পোক্লকই। মোৎ অসি ইংরেজীদা "ইন্টর্জেক্সনেল থিওরী" (Interjectional theory) কৌই।

তোঙান-তোঙানবা লোনশিংদা যাওরিবা অঙকপূনচিংবা ফোঙদোকপগী পূক্নীংগী ঈহৌশিং অসিগী খোন্থোক অমত্তা য়াম্নদে। অদুগা লোন খূদিংমক্তা অসিগুম্বা ঈহৌগী খোন্থোক অসি মশীং কক্লা লৈ, য়ামদে। অদুনা অসিগুম্বা অকক্নবা খোন্থোক খরসিদগী লোন ওইরকই নত্রগা পোকই হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদে, অচুম্বা মরমস্থু নত্তে। কমাগুম্বা অখঙ-অহৈ খরনদি অসিগুম্বা পূক্নীংগী

ঈহৌদগী থোৱকপা খোম্লোক অসি লোনগী মনুং চন্দে কাওবা য়ায়রে।

২.১.৬ **অরা-পোথাবগী খোম্লোক**—মোৎ অসি হৌদোক-খিবদি পণ্ডিত নোইর (Noire) নি। মসিবু "য়ো-হে-হো-থিওরী" (Yo he-ho-theory) হায়নসু কৌই। কনাগুম্বা অমনা অকনবা থবক অমা তৌবদা থবক তৌরিবদুগা তান চাননা করিগুম্বা খোম্লোক খরা চৌন্দগী হায়দোরকই মতুদা থবক্কু তৌবগী অরাবদু খরা কবগুম তৌই। খূদম ওইনা উগুম্বা করিগুম্বা অরাম্বা পোৎ অমা ময়াম চিংমিন্নবদা অরাবা খঙদনবা অমদি লিংজেল চপ মান্নবা হো-হৈ নত্রগা হো-হায়য়ো-হৈ হায়না খোম্লোকই। নত্রগা লৈপাক্ল-চিংবা তৌবদা যোথা চানা হং-হ নত্রগা হৈ-হ হাযবগুম্বা খোম্লোক অমা হায়দোকই। অসুম্না অরা-পোথানবা ওইনা খোম্লোকপা অসিদগী লোন পোকই হায়বসি মোৎ অসিবু পুথোক্লিবা পণ্ডিত নোইরনা হায়।

মোৎ অসি মথক্কী পুক্লীংগী ঈহৌ ফোঙদোকপা হায়বা মোৎ অসিগা হাইফেৎ মান্নে। অতুগা অরাবা পোথাবদা ফোঙদোকপা খোম্লোক্কী লোনগী খোম্লোক পূম্নমক পোকপসু ওইথোক্তে। অদুনা মোৎ অসিসু লোন পে কপগী অচুম্বা মরম নত্তে।

২.১.৭ **ঈশৈ ঙংবা**—য়েল্লহৌ মীওইশিং অসিনা মপুক্কীং নুংঙাইবা মতমদা করিগুম্বা মানা-মানা নীংলিবা রাথলদু ঈশৈ ওইনা ঙংবদগী লোন অসি পোক্লকপনি হায়না কনাগুম্বা পণ্ডিত-শিংনা মোৎ পী। অতুনা মসিগী মোৎ অসিবু ইংরেজীদা "শিং-শোং-থিওরী" (Sing-song-theory) হায়না কৌই। জেস্পার্সন্না মোৎ অসিবু শোগৎলি। কনাগুম্বনদি মসিবু নুংশিবগী মোৎ হায়বদি "বু-বু-থিওরী" (woo-woo theory) হায়নসু কাগী ওইনা কৌই। মরমদি ঈশৈ শায়বসি নুংশিবা রাথল ফোঙদোকপগা য়াম্না নক্কবা মরী লৈরে।

মোৎ অসিস্থ অচুম্বা মরম নস্তে। পুক্লীংগী ঈহো ফোঙ্ক্লোক-পগস্থ হাইরপ মান্নৈ। অদুগা ঈশৈ ঙংবদগী লোনগী খোঙ্লোক পুম্নমক পোক্লকই হায়বসিস্থ অচুম্বা রাফম ওইদে।

২.১.৮ মন্তুৎ শিনবা থুদম—মোৎ অসিবু ইংরেজীদা সিম্বোলক থিওরী (Symbolic theory) হায়না কৌই। মসিবু কম্না শৌ-গৎলিবনা স্বীটনি। মোৎ অসিগী মতুং ইন্না মীওইবনা শা-উচেক-চিংবা মীৎনা উবা ঙম্বা পোৎ-চৈশিং অমদি মশানা তৌবা থবক অমস্তুং থোঁদোক্তগী থোবকপা মহৌশাগী ওইবা খোম্বোক্লগী মতুং ইন্না মন্তুৎ শিনবা থুদম অমমম শেম্মি। অসিগুম্বা মন্তুৎ শিনবা থুদম অসিনা লোন পোক্লকুবগী মবম অমনি হায়বসি মীওই থবগী মোৎনি। অদুগ মোৎ অসিস্থ পুমচুম চুম্মি হায়না লৌবা যাদে।

২১৯ মরী লৈনবা—মোৎ অসি পুথোকপদি পুক্লীংলোন (Psychology) গী পণ্ডিত রেভেজ (Revesz) নি। ইংরেজীদা মসিবু কন্তেক্ট থিওরী (Contact theory) হায়না কৌই। রেভেজনা লোন হাযবসি মীওইবগী খ্বাইদগী ঙকপা থৃৎশেম্মি হায়না লৌচুনা লোন পোক্লকপগী মবম অসি পুক্লীংলোনগী মীৎয়েংদা নৈনৈ। মোৎ অসিগী মতুং ইন্না মীওইবনা অমগা অমগা নরবা মরী থম্নবা অপুনবা শক্তমগী খুনাই শেম্মি। অসিগুম্বা খুনাইসিদা মাগী-মাগী অনীংবদু ফোঙদোক্লদুনা অমুক্কা হেন্না নকশিন্ননা মরী লৈননবা মওঙ কয়া হোৎনৈ। অম্মম্না হোৎনবিবা মওঙ কয়া অসিনা খোম্বোক্লক-পদগী লোন পোক্লকপনি।

রেভেজগী মরী লৈনবা হাযবা মোৎ অসি লোন পোক্লকপগী মবম পুথোকপদগীদি মীয়ামগী অপূনবা শক্তম খুনাই অমা শেম্বা অমস্তুং খুনাইদুগী পাকথোক-চাউথোরকপগী মরমদা নৈনবা খুনাই পুক্লীংলোন (Social Psychology) হাযবদুগনা হেন্নচুম মরী নকশিন্নৈ। অদুনা মোৎ অসিদগী লোন পোক্লকপনি হায়বসি অচুম্বা রাফম নস্তে।

২.১.১০ মথক্তা নৈনখ্রিবা মোংশিংসি নত্তবা তা-তা-থিওরী (Ta-ta-theory) হায়বা মোং অমস্তু লৈ। অদুবু মসিগ্তু অতৈ মোংশিংসিগুম চপ চানা অচুম্বা মরম পীবা ঙমদে। মোং অসি মতৌ তম্বা হায়বা মোং অদুগা য়াম্না মান্নে অমস্তুং নক্লবা মরী লৈনৈ। অস্তুম্না পোক্লকপগী মরমদা তোঙান-তোঙানবা মোং কয়া লৈখ্রে। লোনগী মরমদা থিজিন-খোংচিনবা অথঙ-অহৈ মায়চৌ খরনা অমুক মোং কয়ামক্কম তিনশিন্নরগা লোন-পোক্লকপগী মরমদা অপুনবা মোং অমা পুথোকই। মোং অসিবু "য়ানশিন-তিনশিন্নরবা মোং" হায়না কৌই।

২২ য়ানশিন তিনশিন্নরবা মোং—মোং অসি স্বীট, ফর্রার গুনেনচিংবা লোম্মীং-মায়চৌশিংনা পুথোকপনি। ফর্রার অমস্তুং গুনেনা মতৌ তম্বা অমস্তুং পূক্লীংগী ঈহৌ ফোঙদোকপা হায়বা মোং অনীসি তিনশিন্নরগা লোন পোক্লকপগী মোং অমা শেম্মি। স্বীটনদি মতৌ তম্বা, পূক্লীংগী ঈহৌ ফোঙদোকপা অমস্তুং মহুং শিনবা খুদম হায়বা অহুমসি পুনশিল্লগা তিনশিন য়ানশিন্নরবা মোং শেমদুনা লোন পোক্লকপগী মরম পুথোকই। অস্তুম্না য়ানশিন-তিনশিন্নবা মোং হায়বা অসিগী মতুং ইন্না নৈনরবদি লোন পোক্লকপগী মরম অসি হাইফেং অচুম্বা মওঙ অমদি ফংবা ঙম্মি। অদুবু মসিনস্তু মপুং ফানা পুমচুম চুম্নবা মরম হায়বগ্গদি ওইদ্রি। অনৌবা মোং কয়া অনস্তু থিবা হায়বসি ওঙাই ফদ্রবা মরম ওইরি। মতমচুদা চপ চানা চুম্নবা মরম ফংলকপা য়াই। হৌজিক ফাওবদদি য়ানশিন তিনশিন্নবা মোং হায়বসিদগী ফংবা ওইবা যাব। মরম খরা নত্তনা মরম অসিদগী নত্রগা মরম অস্তুম্না তৌবদগী লোন পোক্লকপনি হায়বা চপ-চানা চুম্নবা বাক্কমদি কায়বা ঙমদ্রি।

২৩ লোম্মীং-লোল্লম স্তবশিংনা লোন পোক্লকপগী মরম অমস্তুং হৌবকফম থঙনবা নাকোইনবা লম্মীগী মোং অহুম অমস্তু পুথোকই।

মোৎশিং অতুদি—

১। অঙাংগী মরোল্দগী লোনগী মরু থিবা।

২। থায়নগী চাওখত্রিবা মেলহৌ-লোনশিং নৈনবা।

৩। লোনগী মৈহৌরোন থিজুনা নৈনবা।

২.৩.১ অঙাংগী মরোল্দগী লোনগী মরু থিবা—মী-মীগী তোঙান-তোঙানবা মওঙ থওঙলগা মৃত্যুপ অমগী মওঙসু থওবা ঙম্মি। অদুনা অঙাংগী লোন তম্বা অমসুং নৈবকপগী মওঙ থওঙলগা লোনগী মকুগী মওঙ থওবা ঙমগনি হায়বসি মীওই খরগী মোৎনি। মরমদি অঙাংনা লোন তম্বগুম থায়নগী মেলহৌ-মীওইশিংনসু লোন অসি তম্লমগনি। অদুনদি অঙাংগী লোন তম্বগী মওঙ অসি কুপ্না নৈনরগা লোনগী হৌরকপগী মরম খওবা ঙম্বা য়াই অসিনি। রাক্ষম অসি য়াম্না নোঙ্কীংনা থোকই। মরমদি অঙাংনা লোন তম্বদি মমা-মপা মচৌ-মনাও, মাগা নকুনা তোৎন তিম্লনা নৈবা মীওইশিংদগীনি। হায়বদি অঙাংনা লোন তম্বা হান্না নৈরবা লোন্দগীনি। অদুনা মোৎ অসিনা লোন পোক্লকপগী অচুম্বা মরম পুথোকপা ঙম্লোই। করিগুম্বা ওইবা য়াবা খবদং ফাওবা শুকখঙ খঙকম থোক্কে। অদুনা অসিগুম্বা মৃৎকম য়াওদবা মোৎ অসিনা লোন পোক্লকপগী লংলা-লংজীন কাঙবা ফাঙবা ঙম্লোই।

২.৩.২ থায়নগী চাওখত্রিবা মেলহৌ-লোনশিং নৈনবা—তাইবঙপান্সিদা হৌজিক ফাওবদা চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা শোংথৌরবা মীওই মৃত্যুপ যাম্না লৈরি। মখোয়গী লোন চঙী লিশীং লিশীংগী মমাঙদা, লৈবম্বা থাক অদুদগী করিমত্তা হেনগদ্রি। অদুনা মখোয়গী পোক্লকপা মতমগী থাক্কী করিমত্তা হেনগদ্রিবা লোনশিংদুগী মওঙ অমদি হৌনবা নৈনবগা লোনগী হৌরকখম অমদি পোক্লকপগী মরম খঙবা যাই অসিনি। অদুবু রাক্ষম অসিদা লুনা থোক্লিবদি চাওখত্রিবা লোনশিং অদু পোক্লকপা মতমগী থাক্কুদা অদুম মওঙ কায়দনা লৈবিরা হায়বসিনি। লোন্দুনা অতোপ্পা লোনগী হকখেংনবা

ঈথিল অমদি চৈথেং কয়া কংলম্বা য়াই। নত্রগা করি-করিগুম্বা মরম থরগী মমি তাদুনা লোন্দুগী মশক-মওঙ থরতা ওইরবস্থু হোংলম্বা য়ারি। অদুনা মোৎ অসিনা লোন পোক্লকপগী অচুম্বা মরম পুথোকপা ঙমগনি হায়বসি থাজবা য়াবা রাকম ওইদে।

২৩.৩ লোনগী মৈহৌরোন থিজুনা নৈনবা—মোৎ অসি য়াম্মদি মরু ওইবা অমনি। লোন অমগী মশক মওঙ মুম্না থঙগে হায়রবদি লোন্দুগী মৈহৌবোন থিগৎপা মশানা তাবনি, থিগত্তবস্থু য়াদবনি। মীতৈলোনবু মশক মুম্না থঙগে হায়রবদি হৌজিক্কী অনৌবা মীতৈলোন অসি থঙবতনা য়াদে। থায়নগী অরিবা মীতৈ লোনগী মৈহৌরোনস্থু থিগত্তুনা নৈনবা তাই। অস্নুম্না অরিবা লোনগী শব্দম থিগৎনবা পাম্বৈসি থায়নগী অরিবা লাইরিকশিং অমদি সুংনচিংবদা হক্তুনা থম্লম্বা কয়াগী মতেং লৌবা তাই। অদুবু মসিনদি চুম্নগী লোনগী মৈহৌবোন অমদি শব্দোন থঙবদগী হেন্না লোন পোক্লকপগী মরমদি থঙবা ঙম্লোই। মরমদি ইননবা ময়েক শেমদ্রি-দ্রৈদা লোনগী থাক কনা য়াম্না লৈত্রবনি। অদুনা মোৎ অসিনস্থু চপ চানা চুম্লবা মরম পীবা ঙমদে।

২,৪ অস্নুম্না হক্কথেংনবা অমদি নাকোইনবা লম্বীগী মোৎ কয়া পুথোক্লরবস্থু হৌজিক ফাওবদা লোন পোক্লকপগী অশেংবা মরম তাকপা ঙমদ্রি। নকোইনবা লম্বীগী মোৎশিং অসিনদি চুম্নগী লোম্না হৌরকপা মতমদা ওইবম্বা চাউরাকপা ফিভম অতুমথৈদি তাকপা ঙমগনি। অদুনা লোন পোক্লকপগী মরম অসিনি হায়না তশেংনা চপ-চানা চুম্লবা মরম তাকপা য়াম্না লুনা থোক্লি অমস্তুং পাক তাকপা ঙমখিরোই।

৩

লোনগী মহৌশা

৩০ মীওইবনা মপূক্কীংদা নীংলিবা রাকম অমযু খোঙ্হোক্‌ থোক্লা ঙাঙথোক্লিবা অমসুং মচু তারগা অত্তোপ্পনা খঙবা ঙম্মিবসি লোন্নি। ঐখোয় মীওইবা হায়বসি য়েলহৌতৈদগী হৌনা কাঙলুপ কোঙানবগী মতুং ইন্না কোঙান কোঙানবা নাৎ (Culture) লৈ। তোঙান-তোঙানবা নাৎশিং অসি মখল অনী থোক্না খায়দোকই— (১) মশক লৈবা নাৎ (material culture) অমসুং (২) মশক লৈতবা নাৎ (Non material culture)। য়ুম-কৈ, উ-রানচিংবা মীৎনা উবা পোৎশকশিং অসি হেক উবা মতমদা মসিমি হায়না খঙলিবসি মশক লৈবা নাৎনি। মীয়ামগী ওইবা উবা য়াদবশিং হায়বদি চৎনবী, লাইনীং-লম্বী, হৌন লোনচৎনচিংবা অসি মশক লৈতবা নাৎনি। মীওইবনা মপূরোংগী মতুং ইন্না ঙাঙাগানক্লিবা মীয়ামগী ওইবা অননা অমদা খঙংম্নগী পাপৈস্থ ওইরিবা মীৎনা উবদি ফংদবা অমসুং য়াদবা লোন হায়বসিসু মশক লৈতবা নাৎকী মনুং চঞ্জি।

৩১ মীওইবগী নাৎকা মনুং চন।। লোন হায়বসি মীয়ামগী ওইনা খুনাইগী মনল য়াম্না লাঙ্গ। মসি মীওইবগী পুন্সীদা চঙদবা য়াত্রবা অমনি হায়নদা হায়মনাব থোক্কে। ,অমদি লোন্না ফোঙদোক্তবদা পূবীগী নাখল মপুং ফান কনাদস্থ খঙকনব, ঙমদে। অত্তোপ্পগীসু খঙলুবা ঙমদে। খদন উৎপানা থরা খঙহল্লিবা অসিসু মপুং ফাদে। অদুনা লোন নীওইবা ঐখোয়গীদমক য়াম্না মরু ওইবমি। নাৎশিংগী মরক্তসু য়াম্না মরু ওইবা নাৎনি। মসিগী থোইদোকপা মহৌশা খবা লৈ। ব্লোক এণ্ড টেগরগী মোৎ মতুং ইন্না লোনগী মরু ওইবা মহৌশা মরি লৈ। হায়রিবা মহৌশা মরি অদু মখাগী অসিনি।

৩.১.১ লোন হায়বসি মথং-মনাউ নাইবা শক্তম্নি। (A language is a system.) মীওইবগী ময়ামগী ওইবা অপূনবা শক্তমদা চৎনবী কয়া লৈ। চৎনবী অদু হেক্তা মসিনি হায়রদুনা পুখোকপা যাদে। মথং-মনাউ নাইনা অচুম্বা মওংদা মরী লৈনননা পুখোক্লগা ফজনা শীংথাবা (Description) তাই। লোনস্থ মতৌ অসিগুম মথং-মনাউ নাইনা পুখোক্লগা শীংথাবা অমা চঙঙি। লোন অমগী লোন-কাঙলোন (Grammar) অসি মীওইবনা মা-মাগী অপূনবা শক্তমদা ঙাঙনরিবা মওং-মতৌ অমদি ফুংভম অদুগী মতুং ইন্না মথং-মনাউ নাইনা নৈনবনি অমসুং শীংথাবনি। অদুনা লোন হায়বসি মথং-মনাউ নাইবা শক্তম্নি।

৩.১.২ লোন হায়বসি মচুং শিনবা খূদমশিংগী মথং মনাউ নাইবা শক্তম্নি। (A language is a system of symbols.) মীওইবনা খোল্লোক্লুনা হায়দোক্লিবা ৱাহৈ নত্রগা ৱাফম খূদিংএক কবিগুম্বা পোৎশক অমমমগী মচুং শিনবা ঙাক্তনি। ৱাফম অদু হেক হায়দোকপদা পোৎশক অদু মসিনি হায়বসি ঙাকই। খূদম ওইনা হৌদোঙ হায়বা ৱাহৈ অসি হেক হায়দোকপদা মখাঙ মরি পানবা যুমদা য়োকপা তপিকপা শা শমনি হায়বসি ঐখোয়না খঙই। অতোপ্পা শা নত্রগা পোৎশক অমরু খঙনদে। মতৌ অসিগুম পোৎশক খূদিংমক্কী খোল্লোক খোরা হায়দোক্লবা তোঙান-তোঙনবা মচুং শিনবা খূদম ওইনা ৱাহৈ অমমম লৈ। অসিগুম্বা পোৎশকশিংগী মচুং শিনবা ৱাহৈ কয়াগী খোল্লোকশিং অসি ঐখোয় মীওইবগী লোন্নি। পোৎশক্কী মচুং শিনবা ৱাহৈগী খোল্লোকশিং অসিনা নীংথিনা মথং-মনাউ নাইনা চেংঙদোবগগা মপুং ফাবা নীংথিবা লোন অমা শক্তমনি। অদুনা লোন মচুং শিনবা খূদমশিংগী নীংথিনা মথং-মনাউ নাইরবা শক্তম্নি।

৩.১.৩ লোন অমদা [illegible]বিবা মচুং শিনবা খূদমশিং অসি মচুং শিনবা খো[illegible]-খূদম ঙাক্তনি। (The symbols

which constitute a language are vocal symbols.) মীনা উবগা খঙবা হায়বদি, থাউটৈ অঙাক্পা-থাল্লগা খুদোংথীবা, অশংবা থাল্লগনা খুদোংথীবা লৈত্রে খঙবা,; লানগী মতমদা কীয়ান অঙোবা হাইরগা চান্নরসি নত্রগা চঙজরে হায়না খঙনবা; যুমগী নুপীনা রাই-রম তৈথোক্লগা চাক-য়েঙ্গাং থাংদোক্লুনা থম্মদা চাক চাবা য়ারে খঙলিব্বা—পুন্নমক অসি মীৎনা উবা মচুৎ শিনবা খুদম (Visible symbol) ওাক্কনি। কাংশি খীংবা, সাইরেন খোংবা, হুইশেন খোংবা অসিনচিংবশিং অসি কেক তাবদা কবি হায়রিবনো নত্রগা কবি মরম্মো খঙলিবসি অতাবা মচুৎ শিনবা খুদম (Audible symbol) নি। অমনা মীৎনা উবগা খঙবনি; অমনা নাকোঙনা তাবগা খঙবনি। হায়রিবা মচুৎ শিনবা খুদমগী মথশ অনী অসি লোনগী মচুং চন্দে; লোন নত্তে। লোন্দি মীওইবগী খোনাউদগী থোরকপা মচুৎ শিনবা খোঙ্খোক খুদম (Vocal symbol) ওইগদবনি। অদুবু খোনাউদগী থোরকপা খোঙ্খোক পুন্নমক মচুৎ শিনবা খোঙ্খোক-খুদম ওইদে। লোক খুবা, হাকথী খনবা, অথিং অফাই ওইনা খল্লাউ লাউথিবা অসিনচিংবশিং অসি খোনাউদগী থোরকপা খোঙ্খোক ওইরবসু মচুৎ শিনবা খোঙ্খোক-খুদমদি নত্তে। মচুৎ শিনবা খোঙ্খোক-খুদমদি খোঙ্খোক নত্রগা পোৎশক অমমমগী মচুৎ শিনবা রাইৈগী খোঙ্খোক ওাক্কা ওইগদবনি। অদুনা মীওইবগী লোনগী খোঙ্খোবশিং মচুৎ শিনবা খোঙ্খোক-খুদম ওাক্কনি।

৩১৪ লোন অমদা যাওরিবা মচুৎশিনবা খুদমশিং অসি মনীং তম্বা ওাক্কা ওইগদবনি। (The linguistic symbols are arbitrary) মবমদি মনীং তম্বা হায়বসি লোনগী মায়া মক ওইবা মহৌশা অমনি। খুদম ওইনা ঈশিংবু হিন্দীদা পানী, বাঙ্গলাদা জল, ইংরেজীদা ৱাটর হায়বগা খঙনৈ। পোৎশক্তি অমতনি, লোন তিন্নদবনা তোঙান তোঙানবা মমিং থোনবনি। মসি মীয়ামগী ওইবা অপুনবা শরুম-শরুমগী য়ানবা মচুৎ শিনবা

[illegible] অমতনুনা হায়রুনা লোন খুদিংমক চপ মান্নবা [illegible] লোনগনি হায়বা বাকুম লৈতে। তোঙান-তোঙানবা মীয়ামগী অপুনবা শক্তম-শক্তমতুগী ওইবা পোৎশকী মহুৎ শিনবা খুদম অমমম থম্বনি। অদুনা মীয়ামগী অপুনবা শক্তম-শক্তমতুগী ওইবা লোন—হিন্দীদা ঐশিংবু পানী, বাঙ্গলাদা জল, ইংরেজীদা ৱাটর হায়রনি। মীয়ামগী ওইবা অপুনবা শক্তম-শক্তমঙ্খুনা মনীং তম্বা মাগী মাগী মানবা মহুৎ শিনবা খুদম অমমম থম্বনি। মসি লোনগী মনীং তম্বা মহৌশা (Arbitrariness nature) হায়রদুনি।

৩.২ ব্লোক এণ্ড ট্রেগরগী যোৎ মতুং ইন্না লোনগী মরু ওইবা মহৌশা মখিথক মথক্তা নৈনখ্রে। মসিগী মথক্তা লোনগী মহৌশাগী [illegible]সুং চনবা থোইদোকপা মচাক থরম্মু লৈরি। হায়রিবা মচাকশিংঙু মথাগী অসিনি।

৩.২.১ লোন মীওইবনা পোক্লকপদগী লো[illegible] নত্তে, তানশিল্লগা ফংবনি। মীওইবা হায়বা [illegible] পোক্লকপদগী [illegible] থম্লবা [illegible] [illegible] ফোংদোক্ল[illegible] [illegible] ([illegible]) [illegible]। অদুবু [illegible] অদু [illegible] থোক্লা [illegible] [illegible] ওইরিবা লোন [illegible] [illegible]রক্কে। [illegible] লোন [illegible] মীওইবনা পোকপদগী [illegible] ওইববদি তানশিন্নবা [illegible] তম্লবা লৈতনা ইশা-ইশাগী ইনালোন [illegible] [illegible]বনি। অদুবু পোকপদগী কোয়রকপা [illegible] নৈতে; হৈনবা [illegible]শিনবা [illegible] তম্বা হায়বা অমা চঙভি। [illegible] ওইনা মণিপুরদা পোকপা মীতৈগী অঙাং অমা হেক পোকপগা মত্রাজদা পুদুনা মত্রাজী [illegible] অমদা যোকখিবা [illegible]রবদি অঙাং অদু মা [illegible]মালোন মীতৈলোন হৈরোই। তমিল লোন হৈগনি। মসি অঙাংদুবু যোক্লিবা [illegible] মাগা নক্লনা লৈবা মীওইশিংনা তমিল লোন লোনবদগীনি। [illegible] অঙাংদুনা হেক লৌশিং লাকপদা ভারিবা [illegible] থেংনরিবা লোন অদু [illegible]নীংনা তানশিনবা [illegible]সুং [illegible] মীতৈ[illegible] হৈনীংলবদি

মীতৈলোন অসিবুসু হেনবা তানশিনবা অমসুং [illegible] তানশিনবা অমসুং তম্বা, অসিবু তৌরম্বদা মতৌদা [illegible] অমসুং কোংদোক্লবা পাঙ্গল লৈজরবসু খোঙ্গোক লৈবা [illegible] শমা ওইন, [illegible] তোক্তবা, মখুৎশিংদা কযা খক নীংজরবসু লোন পোক্লবা [illegible] [illegible]নি।

৩.২.২ লোন [illegible] নত্তে, মীয়ামগী ওইবা অপুনবা শক্তমগীনি। মী খুদিংমক মানী-মাগী ওইবা খোঙ্গোক্তা ভাঙথোকই। অদুসু ভাঙথোক্লবা অদুগী [illegible] ওইবা অপুনবা শক্তম অমা লে। মদুনা [illegible] [illegible] [illegible] মরম ওইরিবনি। মীওইবনা তানশিন্নবা [illegible] লোন অসিমক মীয়ামগী ওইবা অপুনবা শক্তমগী মশক খুনাই অনিদনি। অদুনা লোন ইতোম ইতোমগী ওইনা [illegible] মমসু শীজিন্নবা নত্তে; মীয়ামগী ওইনা লৈবনি।

৩.২.৩ লোন য়েনহৌডদগী অসুম মথং মথং চথরকপনি। লোন অমনা হেক পোক্লকপদগীনা হৌজিক ফাওবা হিংমিনা লৈরক্লিবসি লোন্দুবু লোনবা মীওইশিংনা পারোন-পুরোন্দগী চারোন শূরোন ফাওবা মথং-মথং অসুম লেপ্পুনা ভাঙনরকপদগীনি। লোনা লোল অমা পোকপা তারবসু [illegible]দগী মথং-মথং চথরক্লিবা লোন অমদা যুক্কম ওইগনি অমসুং লোন্দুনা হিংবা তারবদি মদুসু অদুম মথং-মথং চত্থরকপা [illegible]বসি তঙ্ তই ফত্রবনি।

৩.২.৪ লোন হৈনবগী অহানবা থাক্তি মতৌ তম্বনি।

মীনা লোনবু ওইরবসু অতোপ্পা লোন অমবু ওইরবসু হেক্তা হৈবা [illegible]বসি য়াম্না লুনা থোকই। লোন হৈনবগীদমক তানশিনবা অমসুং তম্বা চঙ্তি। তানশিনবা অমসুং তম্বগী অহানবা থাক্তি মতৌ তম্বনি। [illegible] তানশিনহু মতৌ তমদুনা [illegible] লোন হৈবা [illegible]। মনিপুরদা পোকপা মীতৈগী [illegible] [illegible] লোন হৈরিপসু [illegible]

[illegible] লোম্নিবা মীওইশিংগী লোন্দুগী মতৌ তম্লগনি। অহুগা অশিংবশিংগা অঙাংনেন্থ ইহান হানবদা মমা-মপা অমদি মাগা নক্না লৈরিবা মীওইশিংনা হায়দোকপা য়াঙাঙগী থোক্লোকশিং মতৌ তম্লগা মশাগী ওইবা লোন তম্মি। অদুনা লোন অমা মমুং তানা হৈনবগী তানশিন্নবা মরু ওইবা মচাক্তি ইহান হানবদা মতৌ তম্বা হায়বসি তৌদবা য়াক্রবনি।

৩.২৫ লোনগী শক্তম হোংবা নাই। মতম পুম্নমক্তা অমত্তা ওইবা শক্তমদা লোন অসি লৈতে। মেলহৌহৈভগী মথং মথং অতুম চংথরকপা অসিদা খব-খবদা ওইরবস্থ লোনগী মশক অসি হোংলকই। করিগুম্বা লোনগী শক্তম অসি ইহোংমক হোংজবদি অহিংবা লোন ওইরোইদোরিবনি। অংগা মীওইবগী লোন হায়বসিদি চীন্দা লৈবনি। চীম্থাঙ য়েনা চংথরকপনি। অইবা লোন্দি চীন্দা লৈবা লোনগী অডুন মহুৎ শিনবা য়াশকি। চীন্দা লৈবা লোন্দা করিগুম্বা য়াকম অমা তোঙান-তোঙানবা মীওইনা হায়দোকপদা থবদি তৈনবা হায়বসি খোক্কবা নত্তে। অস্ম্না তৈনবা থোকপসিদগী লোনগী মশকসি অংবেম্বা লৈতনা অতুম হোংলকই। অংমননা চীম্থাঙ য়েনা চংথরকপা ওইবনা লেঙদনা শক্তম অমত্তদা লৈবা হায়বসিস্থ ওইথোক্তে। চীম্থাঙ খুদিংগী থরা-থরা হোংবা মশানা তাবনি। চীন্দা লৈবা লোম্নবু হোংলবদি মাগী মহুৎ শিনবা অইবা লোনস্থু অতুম মতুং ইন্দুনা হোংবা হায়বসি শোয়ত্রবনি। অরেম্বা লৈতবা ঈচেন্দা শক্তম থরা থরা হোংবা হায়বসি লোনগী তৌবা য়াত্রবা মহৌশা অমনি।

৩ ২.৬ লোননী ঈচেন লেম্বা লৈতে। করিগুম্ব পোংশক অমগীদি মপুং ফানা গায়না অমা লে। তৌইগুম্বসুং লোনগীদি মপুং ফাবা হায়বসি লৈতে। মপুং ফারবদি মথা তাথনীংঙাই লৈরে। লোনগীদি মপুং ফবা হায়বসি লৈতবনা অরেম্বা লৈতনা ঈচেন মথা চংথ। [illegible] পোম্বা মপুং [illegible] অমত্তুং লেঙদনা

লোনগী মহৌশা

নৈরে হায়না লৌরবদি লোন্দুগী ঈচেম নৈত্রবনি অমসুং ... অশিবা লোন হায়বদু ওইরবনি। অশিবা লৌন হায়বদি মীয়ামগী ওইনা শীজিন্নরবা অমসুং চৎনরবা লোন হায়বনি। অদুবু লোন মীওইবগা থানবা নৈতনা শীজিন্নরিবনি। অদুনা লোন অহিংবা শক্তমদা নৈদুনা ঈচেন লেপ্পুনা নৈবা হায়বসি তঙাই ফত্রবনি।

৩.২.৭ লোন লুরম্বগী অসুম লায়থোরকই। লোন হায়বসিনকুবু মীয়ামগী ওইনা নৈর্বাননা মযাম পুন্নমনা অমসু অমসু থভনা শীজিন্নবা অমদি চৎনবা থানবগীদমক অসুম খরা-খরা লায়থোরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। বাঙৈগী বানান্দা, খোঙ্বোক্কা, বাঙৈপবেংগী শাজিনবা মশাজিন্দা অমদি অমগা অমগা ভাঙন শরুবদা থায়া নৈরম্বা শক্তমদগী অসুম খরা খরা হোংদোক্লগা অবায়বা শক্তমদা থল্লকই। মসি লোন মশানা অদুম তৌজরকপনি, তৌদবসু যাদবনি।

৩.২.৮ লোন কুইব কুইবগা ফিবেপ মপুং ফাবা অমসুং থাক বাংবা লেনগৎলকই। লোনগী মৌরিঙগী থাকি য়ায়া নেন্দ্রি। মপুং ফাবা ফিবেপুন্সু নৈতে। মতম কুইনা লেপ্পুবা ঈচেন্দা শক্তম অসুম হোংলক হোংলক্লগা লোনগী ফিরেপ মপুং মপুং ফাবকই, লোয়নবা থাকসু অসুম বাংখৎলকই। মসি লোন থদিংমক্তা ওইবা মহৌশানি। অদুবু শিরবা লোনগীদি ঈচেন লেপখ্রবনা মহৌশা অসি নৈতে।

৩.৩ মাপুকইবগ থানবা লেতনা লোয়নবিবা মুংগী বাথম মুংখন ফোঙদোক্লবগী অমতা লায়বরা পাঙৈ ওইনিবা লোন হায়বসি মীওইবগী য়ামা মক ওইবা লম্লি। মসিগী মশাগী ওইবা মক ওইবা মহৌশা খরা নৈনত্রে। হায়ত্রিন মহৌশাশিংসিগী মতুং ইন্না লোয়া মতমগী খোঙনৈদা থাখন মথং মথং থনবা ওন্থিবানা অমসুং পাক্থাক-চাউখোরক্লনা অদুম অসুম চাওখৎপগী থাক্তা কাখৎপক্লিবনি।

৪

লোম্মীং-লোম্মীন্ লোন

৪.০. করিগুম্বা হীরম অমদা থোইদোক হেন্নোক্লা। পুক্নীং থিংজিন্নীংঙাই ওইরবা অমদি থিংজিন্নরবা মতমদা মচুগী মরমদা অমসুং মচুদা থোক্লিবা মমিং মথা খন্-নৈনদবা য়াদবা মরম অমা ওইরক্কই। পুক্নীং থিংজিল্লিবা অমদি নৈনবিবা মীওইশিংগী রাখন অমদি মীৎযেং তোঙান-তোঙানবনা হীবমচুদা খেন্নবা মোৎ থোক্লকপা য়াই। মচুগী মতুং ইন্না মমিং মথাদসু খেন্নবা থোক্লকপা হায়বসি তোদবা নত্তে। মীওইবগী থোন্তোক্পা ওইকনবা রাঙাঙগী অপুনবা লক্কম লোন হায়বসি কোক্কী মতম অসিদা য়াম্না মরু ওইবা অমদি নৈনদবা যাদব কৌরন অমা ওইবে। মীতৈলোনদা অমদি মীতেলোনগী নরমদা নৈনবা অমসুং থিজিনবা খবা খরদি হৌনবসু য়াম্না কুপথনা মগ্ৎ তাবা মওঙদা নৈনবদি কৌজিক ফাওবসিদা লৈত্রি কায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তাইবঙপান্সিদা লৈরিবা অয়াম্বা মরু ওইবা লোনশিংগীদি লোম্মীং লোনখোঙ লোইনা থিনখ্রবনি। মচুগী মরমদা হীরম কয়া-কয়া থোক্লা নৈনদুনা অচৌ-অচৌবা লাইবিক কনখ্রে। মমিং-মথা কয়া থোন্দুনা অশেংবা মশক অমদি ফিরেপ লেপ্লখ্রে। অসুম্না অশেংবা মশক অমদি ফিবেপ থিবদা মমিং-মথা অসিসু য়াম্না মরু ওইবা থোদাং লৌই। অদুবু করিগুম্বদা অরানবা মমিংসা নৈনরিবা থৌওংগী ওন্না তৈনবদা অবানবা ফিরেপ অামিনা যাই। অদুনা হীরম অসিদা য়াম্না চেক্শিন্নবা মাদে।

৪.১ লোনগী মানদা নৈনবদা নৈনবা থোওঙ অাঁগমক করম্বা মমিং লোমবনা অচুম্বা ওইবগে খাংনসি য়াম্না মরু ওইবা [illegible] কামনি। ইহান্ হান্না লোন্না অশেংবা মশক অমা [illegible] লোন্দুগী মহৌশা মতুং ইন্না [illegible] অমা লেন্দ্র।

অমসুং পথাপ্তুরবা পুন্দুনা লোন্দুগী ফিরেপ্পু পুথংলকপা লোন-কাঙলোন (Grammar) হায়না খঙই। লোনগী মখোল-থিজিনবা হৌনরকপদা থিজিল্লিনগী থৌওঙ অহুমনা "চাংদমবা লোন-কাঙলোন" (Comparative Grammar) হায়না খঙই। অদুবু মথা তানা কূপ্না থিজিল্লি খোংচিনদা অমদি নৈনরকপদগী লোন-কাঙলোনগী পথাপ অদুতনা লোন পুম্নমকী লোনখোঙ শুগায়না খঙবা ঙমদবনা "চাংদমবা লোন-কাঙলোন" হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নবা তোক্কুনা অনৌবা মমিং অমা অমুক্ত থৌওঙগা চাননবা লোনগী অখঙ-অহৈশিংনা থিরকই। অসুম্ন থৌওঙগা চানবা থিরকপদা খৃষ্টগী ১৯ শুবা চহীদা "কম্পরেটিব ফিলোলোজী" (Comparative Philology) হায়বা ৱাহৈসি পোক্লকই। (মীতৈলোন্দদি মসিবু চাংদম্নবা লোন্মীৎ-লোলম্লোন" কায়গনি।) এসগী মমাঙদা খৃষ্টগী চহী ১৭১৬ তা দেভিসনা "গ্লোসোলোজী" (Glossology) হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নরম্মী। খৃষ্টগী চহী ১৮৪০ দনা প্রিচর্দনা "গ্লোটোলোজী" (Glottology) হায়না শীজিল্লমই। অদুবু অসিগুম্বা মমিং-মথাশিং অসি মতম কুইনা চৎনখিদে। লোনগী মরমদা নৈনবদা হৌজিক ফাঙবদ চৎনরিবা মমিংদি "ফিলোলোজী" অমসুং "লিঙ্গুইষ্টিক্স" হায়না অনী অসিদনি।

< ৪.১.১ "ফিলোলোজী" (Philology) গ্রীকী লোন্দগী পোকখিবা ৱাহৈনি। "ফিলোস" (Philos) অমসুং "লোগোস" (Logos) কায়বা গ্রীকী ৱাহৈ অনীসি পকশিন্নরগা (োকপনি "ফিলোস" কী ৱাকল্লি "নুংশিবা" কায়বনি। "লোগোস" না "ৱারী-ৱাতাক", "ৱাহৈ" নত্রগা "লোন" হায়বগী ৱাহন পুই অনীসিনা পকশিন্নরগা "লোনগী মরমদা পুক্নীং চঙবা" হায়ব ৱাহন্দি নৈ। গ্রীকী "ফিলোস" অমসুং "লোগোস" কী পকশিন্নরগা শরুম লেটিন লোন্দা "ফিলোলোজিআ" (Philologia) অমসুং

ফ্রেঞ্চলোন্দা "ফিলোলোজিঅ" (Philologie) ওইরকই। অদুম্না ইংরেজীলোন্দদা "ফিলোলোজী" ওইরকই।

৪১২ ইংরেজীদা লোনগী মরমদা নৈনববু "সাইন্স ওফ লেঙ্গোইজ" হায়না খঙই। মসিগী অতোপ্পবা মমিং ওইনা "লিঙ্গুইষ্টিক্স" হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নৈ। ৱাহৈ অসি লেটিনগী ৱাহৈ "লিঙ্গুআ" (Lingua) দগী পোকপনি। ৱাহৈসিদগী ফ্রেঞ্চ লোন্দা "লিঙ্গুইষ্টিক (Linguistique) হায়বা ৱাহৈসি পোকই। ফ্রেঞ্চ লোনগী "লিঙ্গুইষ্টিক" দগী ইংরেজীদা "লিঙ্গুইষ্টিক" (Linguistic) ওইরকপনি। মমৈথঙদা "লিঙ্গুষ্টিক" তগী "লিঙ্গুইষ্টিক্স (Linguistics) অমুক ওইরকই। অদুম্না লোনগী মরমদা নৈনবগী মমিংসি জর্মনি লোন্দা "স্প্রাচৱীসেনস্কাফ্ট" (Sprachwissenschaft) হায়না থোক্লি। রসিয়ান লোন্দা "য়াজিকোজানিএ" (Yazeikoznaie) হায়রগা খঙই। "ফিলোলোজিয়া" (Philologiya) অমসুং "লিঙ্গুইষ্টিকা" (Linguistika) হায়বা মমিংসিসু রশিয়ান লোন্দা অতুম চৎনৈ।

৪২ ইংরেজীদা লোনগী মরমদা নৈনবদা ফিলোলোজী অমসুং লিঙ্গুইষ্টিক্স হায়বা ৱাহৈ অনীসি শীজিন্নৈ। অনীমক "সাইন্স ওফ লেঙ্গোইজ" নি। সাপীর অমসুং ব্লুমফিল্ডনচিংবা আমেরিকাগী লোমীৎ-লোলম্লোন নৈনবশিংনা অনী অসিগী তোঙান তোঙানবা ৱাহন পী। মখোয়গী মোত্তা ফিলোলোজী হায়বা ৱাহৈ অসিনা হৌরিবা থোদাংনা আরবা লোন অমসুং লাইরিকশিং অমদি থায়নগী নুং অমসুং খুন্নীনচিংবগা হকম-শকম বারোমাশিংগী মতেংনা লোনগী মরমদা নৈনবা অমদি মরী মখোল থিবনি। লিঙ্গুইষ্টিক্সনা হৌজিক-হৌজিক ঙাঙন-শাক্রিবা অহিংবা লোন অমসুং ফুন্দপ ৱাগী মরী মখোল অমদি সুক্ষ্ম থিননি, মশাহগী ৱাহন অ[illegible] [illegible]বা হায়বতুদি [illegible]। [illegible] ওইনমক মথাংগী ওইনা অচপা মীৎয়েংদদি লিঙ্গুইষ্টিক্স হায়রগা [illegible]কপা মমৈথ

অমগী মনুংদা করিগুম্বা পথাপ খরগী মতুং ইন্না লোন্মীৎ-লোনখোঙ থিবা, ফিলোলোজী হায়রগনা লোন পূম্নমক্কী লোন্মীৎ-লোনখোঙ থিরগা লোয়ননা অমগা-অমগা চাংদম্নদুনা অখোংবা ফিরেপ অমা খঙনবা কুপ্পা অমদি শন্দোক্না নৈনববুনি; হায়না লৌনৈ। য়াকম অসিগা মরী নৈননা হিন্দী লোন্দা লিঙ্গুইষ্টিক্সপু "ভাষা শাস্ত্র"; ফিলোলোজীবুনা "ভাষা বিজ্ঞান" হায়না খঙনৈ। অদুম্না য়াহন্দা তৈনবা মওঙ অমা লৈরবস্থ অনী অসি অমগা অমগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। অনীমক লোনগী মরমদা থিজিনবনি, নৈনবনি। অদুনা শম্না হায়রবদা লিঙ্গুইষ্টিক্স অকক্লবা ওমখৈগী মনুংদা লোনগী লোনখোঙ অমস্তুং লোনশক নৈনবনি; অদুগা ফিলোলোজী লোন পুম্নমক্কী লোনখোঙ লোনশক অমগা অমগা চাংদম্নদুনা পাক-শন্না নৈনবনি। অদুনা অহানবদা পথাপ্পা পুনবনি; অকোনবনা পুন্দে, মসিদা নৈনবগী ওমখৈ অকক্লবা থমদে। অদুনা লোনগী মরমদা নৈনবদা মপুং ওইনা চৎনরিবা লোনগী লোল্লম নীংথিনা নৈনবগী য়াহন পুবিবদি 'ফিলোলোজী" হায়বা য়াহৈ অসিনি। অদুবু কনাগুম্বা লোন্মীৎ-লোল্লন শূনশিংনা ফিলোলোজী অমস্তুং লিঙ্গুইষ্টিক্স হায়বা য়াহৈ অনীমক চপ মান্নবা য়াহন্দা শীজিন্নরম্ব য়াওই।

৪.৩ লোন খৈজেগীগুম্বা মীতৈলোন্দা অমদি মীতৈলোনগী মরমদা থোইনা কুপ্পা নৈনজ্রি। খরা নৈনরিবসিস্তু হোৎবদা মঙায়রি। মমিং মথা নৈজ্রি। মীয়োলগী মমিং মথাদা শাদোং ওইরি। মসি চুমদবনি। নৈনবা হোৎক্লবনিনা মীতৈলোন্দস্তু চানবা মমিং-মথা লৈক্তম থোক্লবনি। তপ্না তপ্না চানবা মমিং-মথা শেম্লগদবনি। অদুবু নৈনবা হৌরকপদা ওয়ারিবনি। পঙলোন হেক থোজিল্লবস্থ য়াজ্রি বৈজ্ঞানিক ওইবা মওঙ নিবা তাই। য়াম্না কুপ্না নৈনবা অমদি চুংশিন্নবা চঙজি। অদুম ওইনমক লোনগী মরমদা নৈনবা পুম্নমক্কী, অপূনবা শরুম্বুদি মীতৈলোন্দা

"লোন্মীৎ লোল্লমোন" কৌবা য়াই। হায়বদি ফিলোলোজী অমসুং [illegible] অনীমক্তা তৌবা ভন্বা থৌদাংগী অশুপ্পা মমিংত্তু লোন্মীৎ লোল্লমোননি। নৈনবগী ভমথৈ অমদি থৌওঙ খরা থেন্নরবসু মনীমক লোনগী লোনথোঙ অমদি লোনশক থিবা ভাক্কনি। মতুমা অনীমক্তা শুপ্পা লোন্মীৎ-লোল্লমোন কৌবদা করিসু কায়দে। মতমগী মতুং ইন্না নৈনবা হেল্লকপনা কোন্না চপ-চাবা তোঙান তোঙানবা মমিং-১খা পুথোরকপসু য়াই। অদুবু হৌজিকমক্তী ওইনদি লোনগী মরমদা থিজ্রিন-খোংচিন্দুনা নৈনবগী হীরম অসিবু শীন্নিবা মমিং—"লোন্মীৎ-লোল্লমোন" হায়বসিনা অসুম পাক-চাউনা খোলহল্লে। অদুনা মীতৈলোন্দা লোন্মীৎ-লোল্লমোন হায়বসিদা লোনগী লোনথোঙ লোনশক—হৌবকফম, মবী-মথোঙ, মওঙ মতৌ, মশক, ফিবেপ চাংদম্নবা শক্তম আসনচিংবা লোনগী মরমদা হেক নৈনবা যাবা পুম্নমক লোইনা নৈনগনি।

৪৪ লোন্মীৎ-লোল্লমোন লোনবু বৈজ্ঞানিক ওইবা মওঙদা নৈনবনি। মসিদা লোনগী মথুং অমসুং মপানগী শক্তম অমদি পাকথোক-চাউথোরকপা মওঙ ভুগায়না নৈনৈ। লোন্মীৎ-লোল্লম পুবশিংনা মখল অহুমদা লোনবু নৈনৈ। অহুম্মক আসিনা মপুং ফাবা লোন্মীৎ-লোল্লমোন ওই। নৈনবগী মখল অহুম অদুদি—

৪৪১ শীংথাবা লোন্মীৎলোল্লমোন—মখল অসিবু ইংলেন্ডদা দেসক্রিপটিব "ফিলোলোজী" (Descriptive Philology) নত্রগা "দেসক্রিপটিব লিংগুইষ্টিক্স" (Descriptive Linguistics) হায়না কৌই। মখল অসিদা করিগুম্বা অকক্পবা লোন অমগী অকক্পবা মতমদা ওইবা শক্তম, খোল্লোক য়াহৈনচিংবগী মরম অমদি লোন্দুগী মহৌশা, মশাক্তিন্নচিংবগী [illegible] পুম্নমক ভুগায়না শীংথাদুনা নৈনৈ। মবম অসিদগী মখল অসিবু শীংথাবা লোন্মীৎ-লোল্লমোন কৌবনি। নৈনবগী মখল

অসি কৌজিক-হৌজিক ওাঙন-শক্রিবা, অদুগা লোন... অমদি থায়নগী লোনগী শক্তম অনীমক্তা অদুম খুদোং চায়।

৪.৪.২ মৈথোরোলগী ওইবা লোম্মাইৎ লোল্লয়োল— অসিবুনা ইংরেজীদা "হিস্টোরিকেল ফিলোলোজী" (Historical Philology) কৌই। মসিদনা কাঞ্জবা লোন অমবু তোঙান তোঙানবা মতমগী মীৎয়েংদা শীংথাদুনা নৈনবশিংদু অমুক হন্না পুল্লপ নৈনবনি। মখন অসিদা খোস্থোক, শক্তম, মহৌশানীচিংবগী মীৎয়েংদা লোনদুগী মপুং ফাবা পুন্সী হায়বদি লোন্দুনা পোক্লকপদগীনা হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা পাকথোক-চাউথোরকপা অমাদ চাওখৎলক্কপগী মৈথোরোল কুপ্পা নৈনৈ। মরম অসিনা মখন অসিবু মৈথোরোলগী ওইবা লোম্মাইৎ-লোল্লয়োল কৌবনি।

৪.৪.৩ চাংদম্নবা লোম্মাইৎ-লোল্লয়োল — মখন অসিদনা কাপ্তম্বা লোন খরা খোস্থোক, শক্তম, রাৈহ অমদি মহৌশানচিংবগী মীৎয়েংদা তোঙান-তোঙানগা মতমগী মতুং ইন্না চাংদম্নদুনা নৈনৈ। মসিদা লোন অমগা অমগী মাম্নবা অমদি খেন্নবা উৎলি। মরম অসিনা মখন অসিবু চাংদম্নবা লোম্মাইৎ-লোল্লয়োল কৌই। ইংরাজীদনা "কম্পরেটিব ফিলোলোজী" (Comparative Philology) হায়না কৌই।

৪.৫ লোম্মাইৎ-লোল্লয়োলগী মখন অদুম অসিগী মতুং ইন্না লোন নৈনরবদি লোন পুল্লমক্কী শক্তম অমদি মৈথোরোল নীংথিনা খঙবা ঙম্মি। লোনগী পোক্লকপা, নৌরিউদা ওইবা ফীভম, মন্নুং অমন্নুং মপানগী শক্তমদা পাকথোক-চাউথোরকপা অমসুং লোনগী মতম-মতমগী মতুং ইন্না ওইবা মওঙ অমদি কিরেপ লোম্মাইৎ লোল্লয়োল নীংথিনা নৈনরগা খঙবা ঙম্মি। পুন্নমক অসি নৈননবা অমদি খঙননবা পথাপ-কাণ্ডলোন (Rules and Regulations) কয়াসু লোম্মাইৎ-লোল্লয়োলগী মতুং চনা শেম্মি। অদুনা লোনশিংবু মৈথোরোলগী ওইবা অমদি চাংদম্নবা মীৎয়েংদা কুপ্পা

[illegible] বা লোন্‌শস্ত্র [illegible] পাকপা, মথং [illegible], [illegible], [illegible] অমাদি পাকথোক [illegible] পূবমক [illegible] অমাদি শব্দোক্ত। মাদা বৈজ্ঞানিক [illegible] নৈনবকুবু লোন্মাৎ-লোন্নায়োল কৌই।

৪.৬ মথক্তা লোন্মাৎ-লোন্নায়োলগী মখল অহুমদি নত্তবা তোপ-তোপ্পা মখল অমগা [illegible]। মখল অসিবু "পানশিনবা লোন্মাৎ লোন্নায়োল" কৌই। ইংরেজীদা "এপ্লাইড লিঙ্গুইষ্টিক্স" (Applied Linguistics) নত্রগা "এপ্লাইড ফিলোলোজী" (Applied philology) [illegible] খঙলে। মসি পুম্নমক তোপ তোপ্পা মখলনি। মখল [illegible] কমিত্তা [illegible] অমবু [illegible] তমগদগে, অমদি [illegible], কনা [illegible] তোগদগে, লোন অমদি খোঙ্হোক্কী [illegible] [illegible] [illegible] শীজিন্নগদগে হায়বনচিংবা মরম পুম্নমক [illegible]। [illegible] অসি [illegible] পাঙথোকপ (Practical) [illegible]।

৫

লোন্মাইৎ-লোল্লময়োন নৈনবা মচাক

৫.০ লোন্মাইৎ লোল্লময়োন শুগায়না নৈনবগী লোনগী মরমদা [illegible] যাবা পুম্নমক লায়না খঙবা ঙম্মি। মরমদি লোন্মাইৎ লোল্লময়োনগী [illegible] লোনগী মতমদা নৈনবা যাবা মখৈ লোইনা নৈনৈ। চাউরাকপা মীৎয়েংদা লোনগী শক্তম অনী লে—(১) [illegible] অমসুং (২) মনুংগী শক্তম। মপানগী শক্তম [illegible] অমসুং ৱাহৈপরেংগা মরী লৈনৈ। মনুংগী শক্তমা [illegible] মরী লৈনৈ। শক্তম অনা অসিগা মতুং ইন্না [illegible] লোন্মাইৎ-লোল্লময়োম নৈনৈ।

৫.১ লোনগী মপানগী অমসুং মনুংগী হায়বা শক্তম অনী [illegible] লোন্মাইৎ-লোল্লময়োন নৈনবদা মপুং ওইবা মচাক [illegible] ওইনা লৌনৈ। হায়রিবা মপুং ওইবা মচাক [illegible]—(১) ৱাহৈপরেংলোন (২) শক্তময়োন, (৩) খোন্থোক্লোন অমসুং (৪) [illegible] হায়বা অসিনি। মচাকশিংসিগী মথৌ অমদি নৈনবগী মওং তোঙান-তোঙানি। মখোয়গী মরমদা শম্নরি [illegible] অসিনি।

৫.১.১ ৱাহৈপারেংলোন (Syntax)—লোন্না মপুং ওইনা তোঙরিবা থোদা দি মীওই অমগা অমগগী মুংগী ৱাথন ফোঙদোক্লবনি। অসিগুম্বা মীওইবগী মুংগী ৱাথন ফোঙদোক্লবসি ৱাহৈপরেংগী মতেংনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্মি। করিগুম্বা ৱাফম অমবু নে তানা খঙবা অমসুং খঙহনবা ফোঙদোক্লিবা ৱাহৈপরেং অতনা মপুং ফানা মচা তানা নৈববতদা ঙম্মি। অদুনা লোনগী মতাংদা ৱাহৈপরেং [illegible] থোদাং [illegible]
ৱাহৈপরেং[illegible]লোনগী মতাংদা লোঙজন (Composition) অমসুং

[illegible] (Meaning) চঙদুবা য়াদে। অনা অসিগী মতুং ইন্না ৱাহৈপরেংলোন নৈনপন্নি। ৱাহৈপরেংলোন অসি লোন-কাঙলোন (Grammar) গস্তু মরী লৈনৈ। লোন অমগী লোন-কাঙলোনগী মুনুংদা লোন্দুগী ৱাহৈপরেংলোন নৈনৈ। মসিদা লোন্দুগী ৱাহৈপরেংশিংগী মওঙ, শাজিনবা মশাজিন কুপ্পা নৈনৈ। লোন্মীৎ-লোন্নমোনগী মনুংদগী লোন্না পোক্লকপদগীনা হৌজিক-হৌজিক যাওবগীদা ওইরকপা ৱাহৈপরেংশিংগী মওঙশিং, শাজিনবগী মওঙ অমসুং পথাপ, ৱাহৈপরেং অমগী মনুংদা য়াওরিবা ৱাহৈশিংগী অমগা অমগা লৈনবা মরী, লোন অমগা অমগগী ৱাহৈপরেংশিংগী শাজিনবা মওঙদা মান্নবা অমসুং খেন্নবা কয়া চাংদমবগা লোয়ননা ৱাহৈপরেংলোন্দা নৈনে।

৫.১২ শব্দমোন (Morphology)—শব্দমোন্দা লোনগী শব্দম য়াম্না কুপ্পা নৈনে। ৱাহৈপরেংলোন নৈনবদগীদি শব্দমোন নৈনবনা হেন্না লায়। অদুগা পাক-[illegible] নৈনবস্তু মসিনা হেন্নি। লোন অমদা ৱাহৈগী ওইরকপা মওঙ, [illegible] অমদা [illegible] ৱাহৈগী-ৱাতপ্রচিংবা তোঙান তোঙানবা শব্দমশিং অমদি [illegible] মশব্দচিংবা শব্দমোনগী মখুং চম্না লৈনৈ। শব্দক (Gender), শাংতাক (Number) অমদি [illegible] (Tense) [illegible] লোন-লোনগী ৱাহৈগী ওইরকপা শব্দম অমসুং [illegible] কয়াস্তু শব্দমোন্দা তুগাযনা নৈনৈ। [illegible] ওইবা সূক্ষমদি লোন-কাঙলোন্নি।

৫.১.৩ খোন্থোক্লোন (Phonology)—[illegible] পুনশিন্নগা শাগৎপা শব্দম্না ৱাহৈ ওই। ৱাহৈ নৈনবদা মতুংদা ৱাহৈদুগী খোন্থোকস্তু নৈনবা তাই। ৱাহৈ নৈনা [illegible] ৱাহৈবু শাগৎলিবা ময়েকশিংদুগী খোন্থোক নৈনৈ। অমসুং [illegible] মরমদা নৈনবদি [illegible] চম্না তৌই। খোন্থোক্লোন্দা খোন্থোকপগী মওঙ, খোন্থোক [illegible]বা, হোংবগী

মরম অমদি মশক নাঁংথিনাং নৈনৈ। [illegible]য়ননা খো[illegible] অমত্তুং খোঞ্জোক হোংবদা চঙবা নিংশা, খৌরী, লৈ, য়া, ডৌ, চৌনবায়রচিংবা খোঞ্জোক-কায়াংশিংগী মরম অমদি পুম্নমক্কিন্না করম্না লেঙ-ঙৎপদা খোঞ্জোককী মশক হোংবা- অমত্তুং খোঞ্জোক কায়াংকী তোঙান-তোঙানবা মথৌ অমদি নিংশা থোরকপা মওংদা থায়না খোঞ্জোক মথন্নচিংবত্তু খোঞ্জোক্রোন্দা য়াম্না কুপ্পা নৈনৈ।

৫ ১ ৪ ৱাহন্লোন (Semantics)—ৱাহন হায়বসি লোনগী মনুংগী শক্তম্নি। ৱাহৈ, ৱাহৈপারেং অমত্তুং খোঞ্জোক্না লোনগী হকচাংনি হায়না লৌবা ভাবনি ৱাহৈম্না লোনগী থবায়নি। ৱাহৈনা মতৌ করম্না কনখা ৱাহন পীবা, খোঞ্জোক খেন্নবনা চপ মান্নবা ৱাহৈ ওইরবত্তু ৱাহন খেন্নবা অমদি চপ মান্নবা ৱাহনগী তোঙান-তোঙানবা ৱাহৈ লৈবা অমত্তুং খোঞ্জোক করম্না পোকপা অমিনচিংবা ৱাহনলোন্দা [illegible] নৈনৈ। থবায় য়াওদবা হকচাং [illegible] [illegible] [illegible] ৱাহন অনত্তা পীবা ঙমদবা ৱাহৈ [illegible] [illegible] [illegible]। অতুনা লোনগী মরমদা নৈনবদা ৱাহন্লোন কুপ্পা নৈনমদ্রা হাইরে। [illegible] থবায় কায়দি ৱাহত্তুননি। ৱাহম্না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

৫ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মপুং ওইবা মচাক [illegible] [illegible] য়ামক্ক [illegible] ওইবদি নত্তবা চঙদবদি য়াদবা [illegible] থরত্তু লৈরি। খোঞ্জোকগী মরমদত্তু মখাদা শন্নগা নৈনবি।

৫ ২ ১ লোনগী হৌবকক্ম (Origin of Language)

লৈমাইলোনগী লোলয়েন নৈনবগী থাক্তগী লায়না অমত্তা অচম্বা মচাক্তি লোনগী হৌবকক্ম অমত্তা [illegible] মরমদা নৈনবনি। লোন করম্না [illegible]পা, [illegible] [illegible] কৌবকপা, করম্না লোন চাউখৎলকপা অমদি চাঙ[illegible]কপা, লোন্না করম করম্না শক্লোন লৌবা হায়বনচিংব হৌরম নয়াসি লোনগী হৌরকক্ম হায়বা মচাক অসিগী মপুং [illegible] নৈনৈ।

৫.২.২ লোন কাঙলুপ (Language family)— মচাক অসিদনা লোন পুম্নমক্কী চাংদম্নবা শক্তম, তাইবঙপান্দা লৈরিবা লোনশিংগী কাঙলুপ, মশক-মওংগী মতুং ইন্না কাঙলুপ থাম্লবা, কাঙলুপকী মশা—কুকপ, কাঙবু, শলাই, শাগৈনচিংবা মচা-মুচা কয়া থায়থ।। অমাদ খাযনিনগী মওম কুপ্পা নৈনৈ।

৫.২.৩ ৱাপোক্লোন (Etymology)— মচাক অসি খোঙ্হোক, ৱাহৈন অমত্তং শক্তম অহুম্নকপু অপুনবা মওংদা নৈনবনি। মসিগী মতুং চন্না ৱাহৈগী মপুং ফাবা ৱাহৈরোন—ৱাহৈ করম্না পোক্লকপা, ৱাহৈগী মশক হোংবা, মতুং অমতুং মপানগী ওইবা হোংলিবা মওং, থেম্নবা ৱাহৈশিং অমদি ৱাহৈ শেম্না অহিনবিংবা হৌরম পুম্নমকসি কুপ্পা নৈনৈ।

৫.১.৪ ৱাহৈ-পুক্কৈ (Vocabulary)—মসিগী মতুং চন্না লোন অমগী ৱাহৈ-পুকৈদা করম-করম্বা ৱাহৈ য়াওনবগে হায়বদু নৈনৈ। ৱাহৈ-পুকৈদা ৱাহৈগী চঙথোক-চঙশিন, হোংহোক হোংজিন অমতুং মতু পুম্না করম্না ওইবা হায়বদুদু নৈনৈ। লোনদনা অনৌবা ৱাহৈ করম্না শেম্না, করম্না মীরোল্দগী অনৌবা ৱাহৈ চঙলকপা, মীরোল্দগী অনৌবা ৱাহৈ চঙলকপদা করম্না য়াম্না ফাম্বা অমদি করম্না য়াম্না কায়বা অহিনচিংবা করম্না মসিদা নৈনবা মফম লৈ।

৫.২.৫ ময়েক (Script)—ময়েক য়াওজরবদু লোন অদুগাক্ক লৈবা য়াই। অদুবু লোনগী অরেপ্পা শকাইবা শক্তম অমা থম্নবা হোৎনবদা ময়েক পুথোকখিবনি। অদুনা ময়েক লোনগী শকটবা শকতম্নি; খুংশেম্নি। লোনগা ময়েকা লৈনবা মরীদি অহৈবা লোন্দদনি। ময়েক লৈনবদা ময়েক্কা পোক্লকপা, চাউখৎলকপা অমদি হোংলকপা মশক, ময়েক্কা করি কাম্নবা অমদি করি থৌদাং যাবা, করম্না ইবা, করম্না খোঙ্হোকী করম্না ময়েক ওইবা হায়বনচিংবা ময়েক্কা মরী লৈনবা হৌরম কয়া নৈনৈ।

৫। লৈনলোলশিংগী মচাক

৫.৩ মথক্কী মচাকশিং অসিদা নত্তনা মৈহৌরোলগী শাংক্নী মুক্তদা লোন লৈনবা (Linguistic Palaeontology), লোলগী-লৈপাক্লোন (Linguistic Geography), খোনজাজলোন (Fonetics), লোনথৌগেলোন (Lexicography), মিংলোন (Onamatology), ফুরুপলোন (Dialectology), ফুরুপকী লৈপাক্লোন (Dialect Geography), লোলগী-মখললোন (Linguistic Typology) অসিনচিংবা কয়া অসিসু লোলগী লোলশোন লৈনবগী মচাক ওইরি। মচাক পুম্নমক অসি তাক্লিনা লৈনবগীদা লোলগী-লোলগী মান লৈনবা মপুং ফায়।

৬

লোন-কাঙলুপ খায়বা

ভাষা তাইবঙপান্দা লোন অমদি ফুরূপ-রা কয়া মশীং থীবা উমদুনা লৈখ্রে। লম অমদি মীওই খেন্নবনা য়াঙাঙগী খেন্নবা শক্তম কয়াসি লৈরিব্রবনি।" লোনবু থিজিল্লিবা অমস্তুং মশীং থীজিল্লিবা লোল্মীৎ লোল্লশ্রোম শূবশিংনা তাইবঙপান্দদা লৈরিবা লোন অমস্তুং ফুরূপ-রাশিং অসি পূন্না ২৭৯৬ শুই হায়।[1] মসিদগী হেল্লস্সু য়ারি। পূন্নমকসি অমগা অমগা অনতা মান্নবা নত্তে। অতুনা মখোয় মযাম অসিগী কাঙলূপ খাযবা তরায-তরায়বা থবক নত্তে। অতুবু লোল্মীৎ লোল্লশ্লোন শূবশিংনা লোনগী শকওঙ অমদি হৌরকফম মান্নবগী মীৎযেংদা লোনগী কাঙলুপ খায়রি। মসিদস্সু তোঙান তোঙানবা মোৎ লৈ। লোনগী কাঙলুপ খায়বগী মরমদা কূপ্পা লৈনরিবা অখঙ-অহৈশিংগী মোত্তা তোঙানবা কাঙলুপ কাঙলুপকী মস্তুংদা য়াওবিবা লোন পূন্নক লোন মপং অমতগী পোকপনি হায়বা অসিনি। য়াফম অসি তাইবঙপান্দদা লৈবিবা লোন পূন্নক্কী মৈথোরোন পিরগ লোন অমগা অমগা চুংশিন্নদুনা চাংদমন্নবা মওঙদা লেনবদগী খংবনি। অতুবু অস্পম্না লৈনদুনা থিনবদস্সু লোন-কাঙলুপ খায়বদা করম্না কাঙলুপ্পা চনগদগে হাযবা অরেপ্পা খংবা মেদনা লোন থরস্সু লৈ। লোনশিং অসু মথাগী অসিনি

(ক) কাঙলুপ খায়বা ভুমান্নবা লোনশিং[2] –

শমেরিয়ান এলামাইত
সিনানি ক্রীতি
এশান।

১। ডা০ ভোলানাথ তিৱারীগী—"ভাষা বিজ্ঞান"—লা০৭১।
২। নন্দলাল শর্মাগী—"মৈতৈলোন", ১বা নম্বর, ১৯৬৫ —লা০ ৩৪।

[illegible] খায়[illegible] [illegible]রিবা লোনশিং—

বাঙ্ক বুশয়ান

হোত্তেনতোৎ জাপানী

কোরিয়ান অষ্ট্রেলিয়ান

মথক্কী লোনশিং অসি নত্তনা অতৈ লোনশিংদি [illegible]

খাযরে। অদুগুম্বা কাঙলূপ খায়ববা লোনশিংস্থ মরাগী অমিদি[illegible]—

১। সেমী-হামী
২। বান্টু
৩। হিন্নো-উগ্রী
৪। তুর্ক-মোঙ্গোল-মাঞ্চু
৫। ককেশিয়া
৬। দ্রাবিড়
৭। অফ্রিক
৮। তিব্বত-চাইনীজ
৯। অরাং নোংপোক লমদমগী লোন
১০। এশকিমো
১১। আমেরিকাগী থায়নগী লোন-কাঙলূপ
১২। ইন্দো-ইউরোপিয়ান।

৬। লোম্নীং-লোননৈনগী মায়চৌ খবনা তাইবঙপানগী হেক লৈবা লোন পূম্নমকসি মপুং ওইবা লোন-কাঙলূপ তরানীথোইগী মনুং দা থম্মি। অদুগুম্বা লোন-কাঙলূপশিং অমুদি—(১) ইন্দো-ইউরোপিয়ান, (২) সেমেতিক, (৩) হেমেতিক, (৪) তিব্বতো-চাইনীজ, (৫) মুণ্ডা অস্ট্রিক, (৬) দ্রাবিড়, (৭) মেলে পোলিনেসিয়ান, (৮) বন্টু, (৯) মযাথংবা অফ্রিকাগী লোন, (১০) আমেরিকাগী লোন, (১১) অষ্ট্রেলিয়া অমসুং প্রশান্ত দ্বীপাকী লোন, (১২) লেমকোবা লোন মথৈ কায়বা কাঙলূপ তরানীথোই অসিনি।[৫]

৩। নন্দলাল শর্মাগী—"মৈতৈলোন", ২বা নম্বা, ১৯৬৫—লা০ ৩৪/৩৫

৪। ,, ,, ,, ,, ,, ,, —লা০ ৩৫।

৫। ধীরে[illegible] [illegible] কা ইতিহাস"—লা০ [illegible]

কাঙলুপ [illegible] মরম্ মথাদা নৈনরি।

[illegible] রোপিয়ান—কাঙলুপ অসিগী লোনশিং [illegible] ইউরোপকী মফম্ পুম্নমক, অর্থাৎ ভারত, [illegible] অমসুং ইরান অসিদনি। তাইবঙপান্নসিগী অফাওবা [illegible] মতুং [illegible] লোন্দ্ পুম্নমক লোন কাঙলুপ অসিগী মন্নুং [illegible]। অরিবা লোন্দা সংস্কৃত, পালী, অরিবা ইরানী, গ্রীক, লেটিন অসিনচিংবা অসি কাঙলুপ অসিগী মন্নুং চনবা লোন্নি। হৌজিক-হৌজিক ঙাওনরিবা লোন্দনা ইংরেজী, ফ্রেঞ্চ, জর্মনী, অনৌবা ইরানী, পস্তো, বাঙ্গালা, মরাথী, গুজরাটি, পঞ্জাবীনচিংবা অসি কাঙলুপ অসিগী লোন্নি।

৬১.২ সেমেতিক—ফোনেসিয়া, আমের্য়, অসিরিয়া হায়বা থায়নগী ফাওনবা লমশিং অসিগী মীওইশিংগী লোন [illegible] হায়বা লোন-কাঙলুপ অসিগী মন্নুং চল্লি। [illegible] অরবী, হব্রী অসিনচিংবা লোনশিংসিসু কাঙলুপ অসিগী মন্নু চনবা লোন ঙাক্লনি।

৬১.৩ হেমেতিক—কাঙলুপ অসিগী লোনশিং অফ্রিকাদা লৈরি। মিশ্র লৈবাক্কী বাস্তিক, অফ্রিকাগী [illegible] [illegible]বানগী নোরিয়ান অমসুং ইথোপিয়ান, [illegible] হায়বা লোনশিং অসি লোন-কাঙলুপ অসিগী মন্নু চনবা লোন ঙাক্লনি।

৬১.৪ তিব্বতো-চাইনীজ—লোন কাঙলুপ অসিগী মন্নুং চনবা লোনশিং চীন, তিব্বত, বর্মা, শ্যাম (থাইলেণ্ড) অমসুং হিমালয় চীংশাংনা কোনবা [illegible] লোন্দনশিংদা লৈরি। লোন কাঙলুপ অসিগী মপুং ওইবা লোন-কুপ মরি লৈ—(১) চাইনীজ, (২) অনামীজ, (৩) শ্যামীজ অমসুং (৪) তিব্বতো বর্মীজ। [illegible] অসিগী মন্নুংদা চাইনীজ লোন [illegible] লোন-কাঙলুপ

অসিগী থায়দগী চাউরা [illegible]
তাইবঙপান্দা লৈরিবা লোন [illegible]
চাইনীজ লোন অমনি।

৬.১.৫ য়ুরল-অলতাইক—য়ুরল অমসুং [illegible]
চীংশাং অমগী মরক্তা লৈবা (লোমবা) [illegible]
মঙ্গোলিয়া, মঞ্চুরিয়া, সাইবেরিয়া অমসুং রুশিয়াগী [illegible]
মমদম খরদা লোন-কাঙলুপ অসিগী লোনশিং লোল্লি। তুর্কী
অমসুং তাতার কায়না খণ্ডনবা লোনশিং অদুসু কাঙলুপ
অসিগীনি। হঙ্গেরী অমসুং ফিনলেণ্ডগী লোনশিংসু কাঙলুপ
অসিগী মনুং চাল্লি হায়নৈ। ফিন্নো উগ্রী হায়বা লোন অদুসু
কাঙলুপ অসিগী মনুং চনবা লোন অমনি। কনাগুম্বা লোম্বাং
[illegible] অখণ্ড-অহে মায়চৌ খরনদি জপান অমসুং কোরিয়াগী
লোনসু লোন কাঙলুপ অসিগী মনুং চল্লি হায়না কায়নৈ।

৬.১.৬ দ্রাবির খা ভারত্তা লোনবা লোন কাঙলুপ্নি। [illegible] অমসুং কন্নড হায়বা খা ভারতকী [illegible] লোন কাঙলুপ [illegible] লোল্লি। গোণ্ডী, কোন্দা [illegible] অসিনাচিবা লোন মচা মচাশিং অসিসু [illegible] চনবা ভাক্কনি। ব্রাহুই [illegible] চনবা লোম্নি। লোন অসিদি [illegible] চাউনৈ।

৬.১.৭ মেলে-পোলিনেসিয়ান-মালয়, সুমাত্রা জাভা, বোর্নিও অমদি [illegible] মদাগাস্কর কোবা ঈথক্তা লোন-কাঙলুপ অসিগী [illegible] লোল্লি। নিউজিলেণ্ডগী লোনসু লোন-কাঙলুপ অসিগী মনুং চল্লি। ভারত্তা লৈবা কোল হায়বা নীচই ফক্তগী লোনসু কাঙলুপ অসিগী মনুং চল্লি হায়নৈ।

৬.১৮ [illegible] খা আফ্রিকাগী থায়নগী মেলতৌ মীওইশিংগী লোন পুম্নমক লোন-কাঙলুপ [illegible] চাল্লি।

... লোন — অরাংদা হেমেতিক, ... হায়বা লোন-কাংলুপ ... অসিগী মরক্তা ময়ায়থংবা ...দা লৈবা মীওইশিংগী লোন মথৈ লোন-কাংলুপ অসিগী ... চনি।

...১০ আমেরিকাগী লোন — অরাং অমসুং খা আমেরিকাগী ... মীওইশিংগী লোন পুম্নমক লোন-কাংলুপ অসিগী মন্নুং ...নি।

৬.১.১১ অষ্ট্রেলিয়া অমসুং প্রশান্ত ঈপাক্কী লোন — অষ্ট্রেলিয়া অমসুং টস্মেনিয়াগী য়েলহৌ-মীওইশিংনা লোন্নবা লোন পুম্নমক লোন কাংলুপ অসিগী মন্নুং চনবা মপুং ওইবা লোন্নি। প্রসান্ত ঈপাক্কী মন্নুংদা লৈবা ঈথৎ মচা-মচাশিং খরগী লোনসু লোন-কাংলুপ অসিগী মন্নুং চন্না লৈ।

৬.১.১২ লেমহৌবা লোন — মথক্কী তোঙান-তোঙানবা লোন কাংলুপশিং অসিগী মন্নুং চন্দব। অমদি ববন্না লোন-কাংলুপ্পা চনগদগে খঙবদা রারবা লেমহৌবা লোন মথৈ লোমীৎ-লোয়াম শুবশিংনা লেমহৌব লোন হায়বা লোন কাংলুপ অসিগী মন্নুং চন্না থমই।

৬.২ লোমীৎ-লোয়াম শুবা অখঙ-অকে খরনা অনুক লোন-কাংলুপ থায়নদি খরা হেন্না বুপশিনব মশঙদা। লৈশাবোনগী লৈমায় (Geographical surface) মতুং ইন্না লৈনব থে লৈ। মখোয়না ভাইবঙপান্দা লেবিবা লোন পুম্নমক্কী তোঙান-তোঙানবা লোন-কাংলুপ থায়দোকপদা মুংঙাইনবা অমদি থোইনা হেন্না খুদোং চানবা হায়দুনা মালেমগী লৈমায় অসি লৈশাবোনগী মতুং ইন্না শরুক মনি থোক্না থায়দোকই। শরুকশিং অসুদি— (১) অফ্রিকাগী শরুক, (২) আমেরিকাগী শরুক, (৩) প্রসান্ত ঈপাক্কী শরুক অমসুং ৪) ইউরেশিয়াগী শরুক হায়বা অসিনি।

তোঙান-তোঙানবা শরুকশিং অসিগী মন্নুং চন্না লৈবা লোন কাংলুপশিংগী মরম্ ... ...রি।

৬২.১ অফ্রিকাগী শরক (African Portion)—[illegible]
শরক্তা বুসমেন, বন্টু, সুদান, হেমেতিক, সেমেতিক [illegible]
লোন কাঙলুপ মঙাসি কাওই।

(১) বুসমেন—খা-নোংচুপ অফ্রিক [illegible] লৈবা [illegible]
মীওইশিংগী থায়নগী অরিবা লোনশিংগী লোন-[illegible]
তাইবঙপান্নিদা লৈরিবা লিয়বা লোনশিংগী মরক্তা কাঙলুপ অসিগী
লোনশিংসু য়ামনি।

(২) বন্টু—নোংচুপ অমসুং ময়ায়থংবা অফ্রিকাগী লমদম
শরদা তাঙলবা লোনশিংগী লোন-কাঙলুপনি। স্বাহিলী, কাফির,
জুলু হায়বা লোনশিং অসি লোন-কাঙলুপ অসিগী মনাং চনবা
মপুং ওইবা লোন তাক্লনি।

(৩) সুদান—অরাংথংবা অফ্রিকাগী লমদম হেমেতিক
লোন-কাঙলুপ্না লোয়নরিবা মফমদুগী মথাথংবদা লোন-কাঙলুপ
অসিগী লোনশিং লৌরি।

(৪) হেমেতিক—অয়াংথংবা অফ্রিকাগী লমদমদা লোনবা
লোন-কাঙলুপনি। মতমগী অমদা কাপ্তিক লোন লোন-কাঙলুপ
অসিগী মপুং ওইবা লোন অমা ওইরম্মী। খৃষ্টগী চহী ১৭০০ কী
অদুমাইদা কাপ্তিক হায়বা লোন অসি শিখি (মুথাখি)।

(৫) সেমেতিক—নোংচোংগী সুয়েজ খোং খাওবগী
মরক্তা লৈবা লোনশিংগী লোন-কাঙলুপনি। আরবী লোনা
লোন কাঙলুপ অসিগী মপুং ওইবা লোননি। লোন-কাঙলুপ অসিগী
লোনশিংগী মপুং ওইবা লমদমশিং এশিয়ানি। অদুনা লোরককম
অমদি শন্দোকফম ইন্দো-য়ুরোপিয়ানগী শরক্তনি। মরম অসিনা খরা
হেন্না শন্দোকপা মতম ইন্দো-য়ুরোপিয়ানগী শরকী মপুং চনবা সেমেতিক
লোন থাং লৌরা লৈননি।

৬২.২ আমেরিকাগী শরক—(American Portion)
আমেরিকাগী শরক অসিদা খা অমসুং অরাং খাবনা লৈনী খোরা
অমুক থায়দোকই। মাথংগা আমেরিকাগী, মনুং চনবা লৈরা,

লোন-কাঙলুপ্তি—(১) কারীব, (২) পেরুবিয়ান, (৩) অরোকনিয়ান (৪) তুপী-গুঅর্নী অমসুং (৫) তেরাদেলফ্যুগো হায়বা মঙা অসিনি।

অরাং আমেরিকাগী মসুং চয়া লৈবা লোন-কাঙলুপ্পা—(১) এস্কিমো, (২) অথবস্কন, (৩) অলগোনকিন, (৪) মেক্সিকন, অমসুং (৫) ময় হায়বা অসিনি।

আমেরিকাগী শরুক হায়বা অসিগী মসুংদা লৈরিক্কা থা রাং অনীগী অপুনবা লোন-কাঙলূপশিং অসিদা চাউরাক্লা মপুং ফাবা লোন অমসুং ফুরুপ-রা পুম্না চামরিরোম য়াওই। অদুবু হৌজিক কাওবদা লোম্মীৎ-লোলম শুবা অখণ্ড অহৈশিংনা শরুক অসিগী লোনশিংবু মমূৎ তাবা শক্তমদা নৈনবা মপুং ফাব্রি। অদুগা লোনশিং অসি লোনবা মীওই-ফুরুপশিংগী কীভমসু মওঙ কয়া চাদবনা লোনশিং অসি অয়াম্বনা হৌজিক্তি শিকম-নারুম তৌবা কীভমদা লৈরে। মতম থরগী মতুংদদি পুংমুৎ মুৎখিবসু য়াবগী মওঙনি।

৬.২.৩ প্রসান্ত ঈপাক্কী শরুক (Pacific Ocean Portion)

—শরুক অসিগী মসুং চয়া লোন-কাঙলুপ মঙা লৈ—(১) ইন্দোনেসিয়ান, (২) মলেনেসিয়ান, (৩) পোলিনেসিয়ান, (৪) পপুঅন অমসুং (৫) অষ্ট্রেলিয়ান।

(১) **ইন্দোনেসিয়ান**—মসিবু মলয়ান লোন-কাঙলুপ হায়না খঙনৈ। মালয়, সুমাত্রা, জাভা, বোর্নীওনচিংবা ঈথৎশিংদা লোন-কাঙলুপ অসিগী লোনশিং লোল্লি। মলয়, বত্তক, জাভানীজ, সুন্দাঅন, দয়ক, বুঘী, তগাল, ফোর্মোসন, হোৱা, লদোর্নী হায়বা লোনশিং অসি লোন-কাঙলুপ অসিগী মসুং চনবা ওাক্কনি।

(২) **মলেনেসিয়ান**—লোন-কাঙলুপ অসিগী লোনশিং নিউগীনিদগীনা ফিজি ফাওবগী মসুংদা লৈবা ঈথৎশিংদা লোল্লি।

ফিজিয়ান, কেলিদোনী, লবায়ল্‌তি, হেব্রিদী, সিলোমোনী হায়বশিংসি লোন-কাঙলুপ অসিগী মনুং চনবা লোন ওাক্লনি।

(৩) পোলিনেসিয়ান—লোন-কাঙলুপ অসিগী লোনশিংদি নিউজিলেণ্ডদা লোল্লি। মওরী, তোঙ্গা, সমোয়া, তাহিতি, হয়াই, মার্কিসন হায়বা লোনশিংসি পোলিনেসিয়ান লোন-কাঙলুপকী ওাক্লনি।

(৪) পপুঅন—লোন-কাঙলুপ অসিগী মনুং চনবা লোনশিংদি নিউগীনি অমসুং পপুআ ঈথত্তা লোল্লি মফোর হায়বা অসি লোন-কাঙলুপ অসিগী অথোইবা অমদি য়াম্না মপুং ওইবা লোল্লি।

(৫) অষ্ট্রেলিয়ান—অষ্ট্রেলিয়াদা লোনবা লোন অয়াম্বা লোন-কাঙলুপ অসিগী মনুং চল্লি। মেকারী লোন-কাঙলুপ অসিগী মরুওইবা লোন অমনি।

৬২.৪ ইউরেশিয়াগী শব্দক (Euresia Portion)—শব্দক অসিগী মনুং চনবা লোন-কাঙলুপশিংদি—(১) সেমেতিক, (২) ককেসস, (৩) য়ুরল্‌-অলতাইক, (৪) তিব্বতো-চাইনীজ, (৫) দ্রাবীর, (৬) অস্ট্রিক, (৭) ইন্দো-ইউরোপিয়ান অমসুং (৮) অরেপ্পা খঙজিবা হায়বা অসিনি।

(১) সেমেতিক—লোন-কাঙলুপ অসিগী লোনশিং লোনবা মফমদি খা-নোংচুপ এশিয়া অমসুং অয়াথংবা অফ্রিকানি। লোন-কাঙলুপ অসিগী মনুংদা এশিরিয়ান, এক্কাদিয়ান, আরামিক, ফোনেসিয়ান, এবিসিনিয়ান, হিব্রু, আরবী অসিনচিংবা লোনশিং অসিনা মপুংনি। আরবী লোন্দি হৌজিক ফাওবা হিংলি। মুসলীমশিংগী য়াম্না মরু ওইবা লোন অমা ওইরি অমসুং আরব অপুম্বগী লোন ওইনা লৈরি। ভারত্তা মতম অমদা চংনরম্বা খরোস্তী হায়না খঙনবা মযেক মথন অদু লোন-কাঙলুপ অসিগীনি।

(২) ককেসস—কৃষ্ণ সাগর অমসুং কাস্পিয়ান সাগর অনীগী মরক ককেসস চীংশাংদা লোনবা লমদমদা লৈবা লোনশিং

কাওলুপ অসিগীনি। চীংগী লমদা লৈবা লোন-কাওলুপ ওইরবা ফুরুপ-শিংগা য়ায়া লৈ। সিয়কোসিয়ান, কিম্‌তিয়ন, লেসঘীঅন, জার্জিয়ান, সুআনিয়ান; মিঙোলিঅন হায়রসি লোন-কাওলুপ অসিগী মপুং ওইবা লোনশিংনি। জার্জিয়ান লোন নত্তরগা অতৈ লোনশিংদা অসিগী মশাগী ময়েক অমসুং সাহিত্য লৈতে। জার্জিয়ানদি লোন-কাওলুপ অসিদগী খ্বাইদগী চাউবা অমদি অফাওবা লোননি।

(৩) য়ুরল অলতাইক—লোন-কাওলুপ অসিগী মরম ৬.০ দা লৈনখ্রে।

(৪) তিব্বতো চাইনীজ—লোন-কাওলুপ অসিগী মরমদা ... দা লৈনখ্রে।

(৫) দ্রাবির—লোন-কাওলুপ অসিগী মরমসু ৬.১.৬ তা লৈনখ্রে।

(৬) অস্ত্রিক—লোন-কাওলুপ অসিগী লোনশিং নিকোবর ঈথং, থাইলেণ্ড অমসুং বর্মাগী উমংগী লমদম, মেঘালয়, বেঙ্গল, বিহার অমসুং মধ্যপ্রদেশকী লমদম খরা, মলয় ঈথং অমদি তামিল নাডুগী পজাবদা লোনি। নিকোবরী, মোন-খমের, মুণ্ডা, খাসী অমিনচিংবা লোনশিং অসি লোন-কাওলুপ অসিগী মরুওইবা লোন ওনি।

(৭) ইন্দো ইউরোপিয়ান—লোন-কাওলুপ অসিগী মরম ৬.১.১ দা লৈনখ্রে।

(৮) অরেপ্পা খণ্ডনিবা—অকনবা লোন-কাওলপ অমগীনি নত্রগা মতুদা ওইকম থোকই হায়না অরেপ্পা খণ্ডবা ওমদিবা লোনি শুমক অরেপ্পা খণ্ডনিবা হায়বা লোন-কাওলুপ অসিগী মনুং চন্না থমই। মতম অমদা লৈরম্বা হৌজিক শিরবা লোনশিংগী মরক্তা 'এট্রস্কন, সুমেরিয়ান, এলামাইত, মিতান্নী, কোসী, বরী;

তৌজিক তৌজিক ডাঙন-শরুনিব। অতিংবা লোনশিংদনা কোরিয়ান, জাপানী, এন্যু, বাস্ক, তাইপর বোরো আন্দমানী, তুনগাসা কারেনী, মাসী খামিনচিংবশিং অসি তৌজিক নাখনা নঙম্বা লোন-কাঙলুপ্তা চনগদগে মরূপা করম্বা লোন কাঙলুপ অমা শেমগদগে হায়নসি লেপ্পা ঙমদ্রে। মতুনা হায়সিন্না অরেপ্পা লোন কাঙলুপ থঙবা ঙমদ্রিবা লোনশিং মখা অমা পুনশিল্লগা লোনশীং-লোয়ন্ন শূবা নাথগৌলিংনা অবেম্মা শঙড্রিবা লোন-কাঙলুপ হংনা থমই।

৭
তিব্বতো-চাইনীজ
লোন-কাঙলুপ

৭০ তাইবঙপানগী লোন পুম্নমক শকওঙ অমদি হৌরকফম য়েংদুনা কাঙলুপ থায়রে। কাঙলুপ থায়ফম থঙদবা লোন মখৈনা অবেম্না থঙদবা কাঙলুপ হায়না মমিং থোন্দুনা তোঙাম্না থম্লে। অরেম্না থঙলবা লোন-কাঙলুপ্প অমুক যৃক্কপ, কাঙবু, শলাই, শাগৈ হায়না মশা, মশামচা কয়া কূপ্পা অমুক থায়থখ্রে। মণিপুরগী মপূং ওইবা মীতৈলোন অসি "তিব্বতো-চাইনীজ" লোন-কাঙলুপকী মঙ্গুং চল্লি। লোন কাঙলূপ অ'সবু সিনো-তিব্বতান, ইন্দো-মঙ্গোলোইদ, মঙ্গোলোইদ নত্রগা মঙ্গোলিযান হাযনস্থ কৌই। কাঙলূপ অসিগী অচৌবা লোন-ফৃক্কপ মরি লৈ—(১) চাইনীজ, (২) অনামীজ, (৩) শ্যামীজ অমসুং (৪) তিব্বতো-বর্মীজ।

৭১ চাইনীজ—লোন কুক্কপ অসিগী মরু ওইবা লোন কাঙবু মরি লৈ—(১) মন্দারিন, (২) ফুকিনা, (৩) বেন্তকী অমসুং (৪) হক্কা। মরিসিগী মনুংদা মন্দারিন হায়বা লোন অসিনা খুায়দগী অপোইবনি। মসি নানকিং অমসুং পেকিংগী মনক নকপা লমদমশিংদা লোনৈ। লোন্সিনা চীনা অপুম্বগী লৈবাক্কী লোন ওইদুনা লৈবাক্কী রাযেন থৌদানচিংবা থবক-থৌরম পুম্নমক তৌই।

চাইনীজ লোন অসি ইনবা লোনগা ঙাঙনবা লোনগা খেন্নে। অদুনা মসিগী ফৃক্কপ-রাশি স্থ অমগা অমগা শাথীন খেন্নে।

৭২ অনামীজ—লোন ফুক্কপ অসিগী লোনশিং তোঙ্কিন, কোচিন চীন অমসুং কম্বোদিয়াদা লোনৈ। মসিগী মরু ওইবা

লোন-কাংবু অহুম লৈ—(১) তোঙ্কিনী, (২) কোচিন চাইনীজ অমসুং (৩) কম্বোদিয়ান। লোনশিং অসিগী অরিবা লাইবিকশিংদি চাইনীজ ময়েক্তা ইরম্মী। হৌজিক্তি রোমান ময়েক শীজিন্নরে।

৭.৩ শ্যামীজ—লোন-যুক্নপ অসিবু "থাই-লোন" হায়নসু খঙই। লোল্লিবা মীওই-যুক্নপশিংবুনা "শান" হায়না খঙই। থাইলেণ্ড, আসামগী নোংপোক থংবা শরুক অমদি বর্মাগী লমদম খরদা মরু ওইনা লোন-যুক্নপ অসিগী লোনশিং লোল্লি। মসিগী লোন-কাংবু মরি লৈ—(১) শ্যামী, (২) শান, (৩) অহোম অমসুং (৪) খমতী। অহোম আসামদা লোল্লি। খমতী আসাম অমসুং বর্মাগী লংদাই ওইবা লমদমশিংদ লোল্লি। শান অমসুং শ্যামীনা থাইলেণ্ড অমসুং বর্মাগী লমদম খরদা লোল্লি।

৭.৪ তিব্বতো-বর্মীজ লোন-যুক্নপ অসি তিব্বত, কাশ্মীরগী নোংপোক থংবা শরুক, ভূতান অমসুং সিক্কীম, নেপাল, আসামগী অৱাং-নোংপোক থংবা চীংগী লমদমশিং, বর্মা, নাগালেণ্ড, মণিপুর অমসুং মিজোরামদা লোল্লি। মসিগী অচৌবা লোন-কাংবু অনী লৈ—(১) তিব্বতান অমসুং (২) বর্মীজ-আসামীজ।

৭.৪.১ তিব্বতান হায়বা লোন কাংবু অসিগী লোন-শলাই অনী লৈ—(১) তিব্বতান অমসুং, (২) হিমালয়ান। তিব্বতান লোন-শলাই অসিগী অমুক (১) তিব্বতান, (২) বালতী অমসুং (৩) লদাখী হায়বা লোন-শাগৈ অহুম লৈ। হিমালয়ান লোন-শলাইগীদি নিরাবী অমসুং গুরুং হায়বা লোন-শাগৈ অনী অসিনা মপুংনি।

৭.৪.২ বর্মীজ-আসামীজ হায়বা লোন-কাংবুসিগী লোন-শলাই তরুক লৈ—(১) বোরো, (২) নাগা, (৩) কাচিন, (৪) কুকি-চিন, (৫) বর্মীজ অমসুং (৬) লোলো। বোরো শলাইদা গারো, মেক, লালু, কোক কাছারী অসিনচিংবা লোন শাগৈশিংসি য়াওই। নাগা লোন-শলাইদনা আঙ্গামী, সেমা, রেংমা, লোতা চাং তাংখুল,

মরিং, মিকর, খোইরাঙ, ম্যাও কবুই অসিনচিংবা শাগৈগী লোনশিং অসি যাওই।[1] [illegible] লোন-শলাইদনা কাচিন অমসুং হ্রাংকুল কায়বা লোন-অনৌশিনা মপুংনি। কুকি-চিন লোন শলাইদা গাইতে, থাদো, লুসাইনচিংবা লোন শাগৈশিং অসি যাওই। বমীজ শলাইগী লোন্দনা আরাকানী অমসুং দানো কায়বা লোন শাগৈ অনাসি যাওই। লোলো শলাইগী লোনশিংদি চীনাদা ডাওনৈ। মথক্কী লোন-শলাইশিং অসিদা নত্তনা লোন-কাঙবু অসিদা অরাং আসাম শলাই কোনা লোন-শলাই অমসু লৈ।[2] [illegible]-শলাই [illegible] [illegible], [illegible], মিতি আবর, মিশমি অসিনচিংবা লোন-শাগৈশিং হাপ্পই।

১। [illegible] লোন-শাগৈ [illegible] মিকর, খাইরাঙ, মাও, কবুই [illegible] শলাই (Mixed Group) [illegible] "মৈতৈলোন", ১ম সংখ্যা, ১৯৮৫—পা ৫১।

২। নীলকান্ত শর্মা—"মৈতৈলোন", ১ম সংখ্যা, ১৯৮৫—পা ৫১।

৮

কুকি-চিন

শলাই



৮.০ কুকি-চিন অসি তিব্বতো-বর্মীজ হায়বা লোন-কুরূপকী মনুং চনবা শলাই অমনি। শলাই অসিগী মনুং চনবা লোনশিং লোনবা মফমদি মণিপুরগী তম্পাক-লম, খা, খা-নোংচুপ অমদি খা-নোংপোক্কী চীংগী লমদম, মিজোরাম, আসামদা কছারগী হাফলোংনচিংবা চীংগী লমদম, বর্মাগী খা নোংচুপ থংবা লমদম— হায়রিবা মফমশিং অসিনি। শলাই অসিগী মনুং চনবা লোন-শাগৈ অনী লৈ :- (১) মীতৈ অমসুং (২) চিন। শাগৈ অনীসিগী মনুংদা মখল-মখলগী লোন অনাদি ফকপ-বা যাম্না যাওরি। মীতৈ হায়বা শাগৈসিগী তোঙাজিক মীতৈলোনমক ঙাংলৌরে। শাগৈসিগী মনুং চনবা থকপ বা পুম্নমক ঙম্না শিংদ্রে। চিন শাগৈগীদা [illegible] যাম্না [illegible] হেংলি। লুসাইনা শাগৈসিগী মপাং ওইবা লোন ওইরি। অদোম্বদা মীতৈ হায়বা লোন-শাগৈসিগী মনুং চনবা লোনশিংগী মরমদা শন্নগা লৈনাব।

৮.১ মীতৈ হায়বা লোন-শাগৈ অসিগী মপুং ওইবা অমদি লোন ওইনা লৌনিঙ্গি মীতৈলোনদি। লোন অসি মণিপুরগী তম্পাক-লমগীনি। মণিপুর তম্পাক্কী মীতৈশিংগী লোন্নি হায়বনা মীতৈলোন কৌবনি। মীতৈ হায়বা অসিনা [illegible] যাম্না [illegible] ফকখি। তোঙান তাঙ্গনবা মফম [illegible] কয়ান পুনশিন্দুনা লৈনখিবনি। [illegible] মাং চৌ [illegible] লমদম অসিদা, থুন্দাঙনা লৈনকুবনি। [illegible] অসি নঙোমলোন কাঙ্গুপকী মনুং চনি। (তারাং হাওরুনগী লারুপা লমদম অসিদা খুন্দাখিবনি হায়নি। [illegible] লমদম অসিগী [illegible] (Premitave

man) নি, লৈশেমথৌদগী লৈরক্লবনি হায়নবসু যাওই। অদুগা হৌজিক্কি ফুরূপ অসিদা নোংপোক হাবম অমসুং নোংচুপ হাবমগী মীওই কয়াসু পুনখ্রে।

হৌজিক পুম্না মীতৈ হায়না খঙনবিবসি মমাঙথৌদা ফুরূপ কয়া-মরাম থোক্লম্মী। মসিগী লেঙত্রবা খুদমদি হৌজিক যাওবদা লৈরিবা মীতৈগী য়েক-শলাই অসিনি। মমাঙথৌদদি শলাই খুদিংমক্কী তোঙান-তোঙানবা ফুরূপ বা লৈরম্মী। হৌজিক্কা ফুরূপ যাশিং পুম্নমক্কু শিত্রগা মীতৈলোন মতোমত্তা হিংথোকনি। অদুগা মীতৈলোন অসিমক্কি চেংলৈ ফুরূপ-ৱানা য়ুম্ফম ওইবগা অতৈ ফুরূপ-রা ময়াম্না পুল্লগা শেমখিবনি। অদুনা শিখ্রবা ফুরূপ-রা কয়াগী ৱাহৈদি মীতৈলোনগী ৱাহৈ পুক্কেদা চঙথোরবনি। মরম অসিনা লোম্মীৎ-লোল্লম শুবা গ্রিয়র্সনচিংবনা অনগী মীতৈ হায়বা লোন শাগৈ অম থম্নগা শাগৈসিদা মীতৈলোন্নমক লৈবগী মওঙ ওইনা হায়রম্লবস্তু গ্রিয়র্সনা লোন কাওনুপ খায়বদা শাগৈসিগী মন্নুং চম্না লৈবদা ফুরূপ-রা পুম্নমক থিজিনফম অমদি লৈনফম থোকই।[১] অদুনা হৌরম অসিদা থিজিনবদা মীতৈ হায়বা লোন-শাগৈসিগী মন্নুং চম্না লৈবাগী ফুরূপ-ৱাশিং অসি লৈগনি—

মীতৈ

চেংলৈ লুৱাং খুমান মইরাং অঙোম খাবা মঙাং হেরেম খুমান

সেকমাই চাইরেন অংক্রা

১ লোম্মীৎ-লোল্লম শুবা গ্রিয়র্সনা ভারতকী লোন থীরাগ লৈনবা মতমদুদা মীতৈ হায়বা লোন-শাগৈসিগী মন্নুং চম্না লৈবশ্না ফুরূপ ৱাশিং অসি হায়না শিন্দুনা মরী-মথৌ থিজিনদুনা পুল্লমগবা ওইনা য়াই। অঙ্গোম, সেকমাই অমসুং চাইরেনগী মরমদি খবা পাক্লী।

মসিদা পীবিবা ফুৱপ ৱাশিংসি নত্তবা মীতৈ হায়বা লোন-শাগৈসিগী মসুংচনবা ফুৱপ-ৱা মচা খবম্ভু লৈরম্বা য়ারি। অচুম্ মণিপুর তম্পাক্কী মীওই-ফুৱপ পুম্নমক মীতৈদা লোইনা তিনখিবা কুইপ্রবনা মরী-মখোঙ ফংবা ঙমদ্রে। মথক্কী মক ওইবা ফুৱপ ৱা থরসিগী মরমদা থরা-থরদং শন্নবা মথাদা ইরি।

৮.১.১ চেংলৈ—মতম অমদা মণিপুরগী তম্পাক-লমদা নিংথৌ পান্দুনা লেরম্বা চেংলৈ লোলাইগী ফুৱপ-ৱানি। লোলাইদুগী মমিং লৌদুনা থোনবনি। লোলাই অসিবু থাঙজা-কম্বোং হায়নসু খঙলে। হৌজিক্কী মণিপুর তম্পাক্কী মীতৈলোন (মণিপুরীলোন) হায়না খঙনবিবা লোন অসি চেংলৈ ফুৱপ ৱা অসিদা যুক্ষম ওইরগা শাগৎখিবনি। অচুবু মীতৈলোন অসি মপুং ফাবা লোন অমা ওইনা শাগৎখিবদা অতৈ ফুৱপ-ৱা কয়াগী মতেং য়াওরনিনা হৌজিক্কী মাতৈলোন অসিগা চেংলৈ ফুৱপ ৱা অসিগা [illegible] য়াম্না থীনা তৈনরে। ফুৱপ ৱা অসি চক্কী চা কয়াগী [illegible] অচুম পুংমুং মুংখ্রে। মসিনা শিথখিবগী চাউরাকপা মতম হৌজিক তাকপা ঙমদ্রে। অচুবু ফুৱপ-ৱা অসি লেরম্বী হায়বগী খুদমদি হৌজিক-হাজিকমক হিংদুনা লেরিবা মীতৈলোন অসিগা যুক্ষম ওইরকত তাথবগিনি। চেংলৈ ফুৱপ ৱাগী ৱাহৈ খরা—

হৌজিক্কা মাতৈলোন	চেংলৈ ফুৱপ-ৱা
ঈ	কো
সুমাং	তুমাং
থোকপা	পাংপা
	শসিনচিংবা।

৮.১.২ লুৱাং—মণিপুর তম্পাক্কী অৱাং থংবা শকক লুৱাং লোলাইনা পানবা নামফমদা লোলাই অসিগী মীওইশিংনা ঙাংনরম্বা ফুৱপ-ৱানি। ফুৱপ ৱা অসি [illegible] চক্কী চা [illegible] শিথখি। লুৱাং ফুৱপ-ৱাগী ৱাহৈ খরা—

মীতৈলোন	লুবাং ফুরূপ-বা
খোং	মুংবী
য়েম্পাক	রাইকৌ
অরাংবা চীং	লা

অসিনচিংবা।

৮১৩ খুমন—মণিপুর তম্প্যাক্কী খা থংবা শরুক মীতৈ (নিংথৌজা শলাই) গীনা খা, মোইরাংগীনা নোংপোক খুমন শলাইনা পানবা লমদমগী ফুরূপ-বানি। খুমন ফুরূপ-বাগী ম্যাইং খরা—

মীতৈলোন	খুমন ফুরূপ-বা
পাং	কোন
কংফান	যা
থম্না	লাইরা
নৌ	তাউৎেক
যেনবা	শোইপাই
যেনবী	শোইথিং
শিবা	ফুরবা

অসিনাচিংবা।

৮১৪ মোইবাং—মণিপুর তম্পাক্কী খা থবদা লোক্তাক পাৎকী মপান্দা লৈবা মোইরাং কৌবা লমদমগী ফুরূপ-বানি। ফুরূপ-বা অসি অতৈ ফুরূপ-বাশিংদগীদি মতম খরা চোম্না হিংলম্মি। চাউবাকপা খুন্থৌগী মশুবা চৎপ-চা অতুরাই ফাওবদি ফুরূপ বা অসি পুংমৎনক্কি মুংলমগ্রি। অদুবু ফনা নোংথিনা শিথনবা শরুক হায়নবুদি শুউরবনি। মোইরাং ফুরূপ বাগী ম্যাই খরা—

মীতৈলোন	মোইবাং ফুরূপ বা
কংফাল	কোং
ঈশিং	লোংক্রৌ নক্রুগা লোক
মাইবা	মোইবা

মাইবী	মোইবী
শীংজঙ	হাইবি
ক্কাক	শীংজা
ফৈবাক	শেং
লৌমী	থাংউরেন
ঙাথা	ঙাতোই
অথোবা থাঙ	থাবাবা

অসিনচিংবা।

৮১৫ অঙোম — পুরৈনোম্বা খোংনাংথোঙদগীনা নোংমাইজিং চৌংশাং ক্ষাঙবদা [illegible] [illegible] নৃংকন-পাঙ্গনবা নিংথৌ পান্মুনা লৈরম্বা মীওই-মুকপ অমগী ফুরুপ-রানি। ফুরুপ-রা অসি মীওই-ফুরুপনা [illegible] [illegible]নি। মণিপুরগী মৈতৌরোন্দা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মীওই-[illegible] অঙোম শলাই [illegible]নি। শলাই [illegible] [illegible] [illegible] বাটে থবা—

মাইতৈলোন	অঙোম (শেঙ্লোই লংমাই ; ফুরুপ-বা
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]

অসিনচিংবা।

৮১৬ থাবা — ইম্ফালগী কাংলৈদা পাথংবনা লাক্তুনা পান্নগ্রিঙদা [illegible] মকমদা থুংকন পাঙ্গবা পাগ্রবা মীওই ফুরুপ

অমগী ফুৰূপ-ৱানি। মীওই ফুৰূপ অসি পাখংবগী ফুৰূপ নিংথৌজা শলাইনা লাকশিনখিবগা লোয়ননা মখোয় মশাগী ফুৰূপ-ৱা অসিমু অদুম লুপখ্রে। অদুবু মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূক্কৈদা ফুৰূপ-ৱাসিগী ৱাহৈ কয়া য়াওহোৎৰবনি। ফুৰূপ ৱা অসি শিখিবা মতম কুইমনখিবনা মশক লেপ্পা অমদি ওওবদা য়াম্না নুনা থোক্লে।

৮.১৭ মঙাং—মঙাং অসিমু লমদম আসগী য়েপকৌ-মীওইগী ফুৰূপ অমনি। তোঙানবা ফৰূপ অমা ওইবনা মশাগী ফুৰূপ-ৱাসু তোঙান্না অদুম লৈজৰম্মী। অদুবু ফুৰূপ অসিগী নিংথৌগী শক্তি মাঙখিবগা লোয়ননা মশাগী ফুৰূপ-ৱাসু অদুম শৰ্টগী ৭শুবা চহী-চাগী অতুৰাইদা পুংমুৎ-মুৎখ্রে।

৮.১৮ হৈরেম খুঞ্জান- মমাংতৈঙদা খুমনগী খা থংবদা লৈরম্ব নিংথৌ পানবা লমদম অমগী ফুৰূপমচা অমগী ফুৰূপ-ৱানি। হৈবেম খুঞ্জান হাযৰসি ফুৰূপুগী মমিংনি। হৈরেম খুঞ্জান ফুৰূপ-ৱাগী ৱাহৈ খৰা—

মীতৈলোন	হৈবেম খুঞ্জান ফুৰূপ ৱা
যম্না	থম
খুমগী মনীং	মুংবীতুং
	অসিনচিংবা।

৮.১৯ অন্দ্রো—মণিপুৰগী লোংপোক্কী লমদম লোংমাইজিং চীংশাংগী লোংপোক্তা লৈবা খুন অমগী মীওইশিংগী ফুৰূপ-ৱানি। ফুৰূপ অসি য়েলহৌঙদগী লৈনকপা মীওইশিংনি। মখোয়গী ফুৰূপ-ৱা কৌজিক ফনা নাংথিনা শিথৰে, পুংমুৎ মুৎপগা নান্নৰে। লোংমা লোংমগী তম্না ভম্না মীতৈলোন্না মতুং শিন্নকুনা মখোযগী লোন মীতৈলোন অসিনা ওইৰক্লে। ফুৰূপ ৱাসিগী ৱাহৈ খৰা—

মীতৈলোন	অন্দ্রো ফুরূপ-বা
মৈখু	রালখু
শীং	ফোল
ইনাউ	নাসি
য়োং	কোল
হৌদোঙ	হংগেন

অসিনচিংবা।

৮.১.১০ চাইবেন - চাইরেন কায়বা মীওই-ফুরূপগী ফুরূপ-বানি। মণিপুরগী খা অমস্তুং নোংপোক থংবা শরক্তা ফুরূপ অসিগী মীওই লৈ। ফুরূপ অসিগী ফুরূপ-রা হৌজিক্তি শিববা চপ মান্নরে। মখোয়গী মচৌন্দগী রাকৈ অমা অনী অহুক থোবকপাদা মঙায়রে। হে জিক্তি মীতৈলোন্না মখোয়গী ঙাঙন-শাননবা চৎনবা লোন কায়বদু ওইরে। চাইরেনগী রাকৈ খরা--

মীতৈলোন	চাইবেন ফুরূপ-বা
মৈখু	ফুলখু
নুপা	পাস্তুপ
শাম্বা	অকো
ইনাউ	ননাউ
য়োং	য়োং
হৌদোং	হৌদোঙ

অসিনচিংবা।

৮.১.১১ সেকমাই- মণিপুরগী অরাং অমস্তুং নোংপোক থংবা শরক্তা লৈবা মীওই-ফুরূপ অমগী ফুরূপ রানি। ফুরূপ রা অসি হৌজিক্তি শিথখিদুনা মীতৈলোন্না মহুৎ শিনখ্রে। সেকমাইগী রাকৈ খরা—

মীতৈলোন	সেকমাই ফুৰূপ-ৱা
মৈখু	ৱালহু
ইয়াম্বা	অপি
ইনাউ	নাসি
হৌদোঙ	হলজিক

অসিনচিংবা।[২]

৮.২ অন্দ্রো, সেকমাই, চাইরেন হায়বা ফুৰূপ-ৱা অহুমসি মণিপুর তম্পাক্কীনি। অহুমসিগী ৱাহৈ-ৱাতা মীতৈলোনগা থেন্নমনবদগী মীতৈ লোন-শাগেগী নত্তে, চিন লোন-শাগেগী মতুং চল্লি হায়না মিষ্টর ডামন্তনা রোয়েল এশিয়াটিক সোসাইটিগী চেফোঙ —"Notes on the Locality and Population of the Tribes dwelling between the Brahmaputra and Ningthi River." হায়বদুদা ইৱি হায়না গ্রিয়র্সননা হায়।[৩] অদুবু মেজর মেক্কুলোককী মোৎ অমত্তুং মথাক্তা নাগা ৱাহৈ পুকৈগী মতুং ইন্নদি কুকি-চিন শাগেগী মতু চন্দে, নাগা শলাইগী নোংপোক থংবদা লৈবা লোন শাগশিংগা মরী লৈনবা য়াই হায়না গ্রিয়র্সননা মথা তাবা মোৎ পা।[৪] অদুবু ঐগী মোৎ ওইনদি ফুৰূপ ৱা অহুমক অসি মীতৈ লোন শাগেগী ফুৰূপ-ৱাশিংগা নাগা শলাইগী ফুৰূপ ৱাশিং মরু ওইনা তাংখুল মাও. খোইবাউনচিং বা অসিগগা মরক্তা লৈবা লংদাই ওইবা ফুৰূপ-ৱাশিংনি হায়ব অসিনি। অহুম ওইনমক লোনগী

১ ঙমগী ফুৰূপ ৱাশিংগী ৱাহৈ থনা শবা পী ৱৱা অসি শানিংগনি খোংজম থোংচন্দ্র সিংহগী "আৱবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস" লাইরিক তত্তনা চবন।

২ "ৱাহৈ"—[illegible] [illegible]।

3 G A Grierson গী "Linguistic Survey of India," Vol III, part III,- page 43

4 G A Grierson গী Linguistic Survey of India," Vol. III part III,– page 43.

মহৌশা খরা মান্নবনা অমদি মকশিন্নবা হেনবনা ফুরূপ-রা অহুম অসি নৈনরিবা রারেং অসিদা মীতৈ হায়বা লোন-শাগৈসিগী মন্নুং চন্না থম্মি।

৮৩ মীতৈলোন—মীতৈলোন অসি মীতৈ হায়বা লোন-শাগৈগী ফুরূপ-রা ময়াম্না পূনশিল্লগা ওইথিবা লোন্নি। মসিগী মপূং ওইবা য়ুম্ফম ওইথিবদি চেংলৈ ফুরূপ রানি। অদুবু চেংলৈগী রাইহে-নাতা ডাক্তুনা মপুং ওইবগী রাদি নাত্তে। লোন অসি শাগৎপদা য়াওনিবা অতৈ ফুরূপ রা কয়াগী নাইহে-রাতাশিংসু চাং য়াম্না য়াওরিবানি। অদুবু তোপ-তোপ্পা লোন অমা ওইখিবদগী লোন অসি শেমগৎপদা য়াওখিবা ফুরূপ-রাশিং অদুগী মশাগী শক্তম মাডঙথিবনি। য়ুম্ফম ওইরিবা চেংলৈগীসু মসিমক্তি। হৌজিক্তা মীতৈলোন অসিগা চেংলৈগা য়াম্না থীনা তৈনববনি। মণিপুরগী হুম্পাক্রমদা লৈরম্বা তোঙান-তোঙানবা শলাইশিংনা ইফালনা ময়োন ওইবা কংলাদা ইকোন কোম্না অনদি মতম কুইনা পালকৌবা মৈতৈ হায়বগসু শঙনবা নিংথৌজা শলাইদা মখোয় মখোয়গী মনীং তম্না লৈজবস্থা লেনাক পুনশিনখি। অদুগা শলাইশিং অদুনা পূনশিনখ্রগা অমতা ওইনা মীতৈ কোখিবদগী চেংলৈদা য়ুম্ফম ওইরনা ফুরূপ-রা ময়াম্না পুনশিন্দুনা শাগৎখ্রবা লোন অসিসু মীতৈলোন কৌখিবনি। অদুনা হৌজিক্তি মীতৈলোন অসি মণিপুরগী হুম্পারমগী লৌচৈ পুম্নমক্কী অমতা ওইরবা লোন অমা ওইরে। অতৈ ফুরূপ-রা পুম্নমক্তি ওইনা শিংখ্রে। খরদি মতম অমদা ফুরূপ রা অমা ওইনা লৈরম্বী হায়বগী খুদম লিবদা রানচুম থোংকৈ

হৌজিক মীতৈলোন অসি কুকি-চিন শলাইগী মন্নুংদা থ্বায়দগী চাওখৎপা অমসুং অচৌবা লোন অমা ওইরবনি। চকৌ-চা কয়াগী মমাঙগী মতমদগী হৌন্না লোন অসিগী সাহিত্য মৈহৌরোন, রাময়নলোন, লাইশোন-তীনশোন অমদি

পাউয়োমচিংবগী অরিবা লাইরিক কয়া লৈজবক্রবনি। লোন্সিগী মশাগী ওইবা ময়েকসু খা মমাঙ্ডৈগী তোপ-তোপ্পা লৈজরক্রবনি। লোন-শাগৈ অমগী মমুংদা লৈমিন্নবা মমান্নবা ফুরুপ-রা কয়া লৈরবসু খুদপশিংস্তুগা মরী লৈনবা অমদি মথোয়গী মরমদা ইবা লাইরিক্তি মীতৈলোন অসিদদা লৈরম্মী অমসুং লৈরকই। থুদম ওইনা মোইরাং মিংথৌরোন হন্নুবা, থুমন কংলৈরোন চেংলৈরোন হায়বনচিংবা মৈহৌরানগী লাইরিকশিং অসি মথং শীংনা মোইরাং, থুমন অমসুং চেংলৈ শলাইগীনি। অদুবু অহুম অসিমক শলাইশিং অসিগী মশা মশাগী রাইক থরা থরদি য়াওরবসু মপুংদি মীতৈলোন অরিবদা ইরম্মী। অহুনা মণিপুর ওম্পাক্কী মপুং ওইবা অমদি য়াম্না মরু ওইবা লোন্দি মীতৈলোন অসিনি।

মীতৈলোন অসি তিব্বতো-চাইনীজ কাঙলুপকী মশা অমা ওইরবসু হৌজিক্কী আনৌবা মীতৈলোন মণিপুরীলোন হায়না খঙনরবা অসি লোন্সিবু লোল্লিবা মীতৈ অয়াম্বা হিন্দু-লাইনীং (Hindu Religion) চৎপনা অমদি হিন্দু লাইনীংগী ইথিল্লা আর্য্যগী লোনশিংগা য়াম্না মরী নকশিন্নবগুম উবে। বাঙ্গলা অমসুং সংস্কৃতকী রাহৈ যাম্না চঙশিল্লকপা (ইন্টিগ্রেট বোরোইং অমসুং কল্চরেল বোরোইং ওইনা) অসিদা লোন অসিমক সংস্কৃতগী পোক্লকপগুম উহল্লে। অদুবু লোন অসিগী লোনথোঙ, অরিবা মশক অমদি মহৌশা নৈনহুনা য়েংলবদি আর্য্য-লোন্দগী অতুম তোপ-তোপ্পা তোঙান তাদুনা লৈরে।

মীতৈলোন অসি হৌজিক-হৌজিক মণিপুর অপুম্বদা ঙাঙনরি। চীং-তম পুম্নমক্কী লৈদাই ওইবা লোন অমা ওইরি। মণিপুরদত্তা নত্তনা ত্রিপুরাদা, আসামগী কছার, শিবসাগর, হোজাই অমসুং গৌহাটিদা; বাঙ্গলাদেশতনা ঢাকা, সিলেট অমসুং মৈমনসিংহদা অমদি মণিপুরগা তাইনবা বর্মাগী লমদম থরদা মীতৈলোন অসি ঙাঙবা মীতৈশিং য়াম্না খুন্দাহুনা লৈ। মণিপুরগী

মনুং অমস্তুং মপান অনীমক্তা লৈবা মীতৈলোন আসনা মমালোন ওইবা মীওইগী মীশীং চাউরাক্পা লাখ ভবারোম ওইগনি।

৮.৪ কুকি-চিন নত্রগা চিন হায়না খঙনবা লোন-শাগৈ অসিগী মনুং চনবা লোন অয়াম্বা চিন অমস্তুং লুসাই চীংশাংনা কোনবা লমদমশিংদা লোল্লি। লোন-শাগৈ অসিদা লোন মচা অমদি ফুরূপ-রা যাম্না য়াওবি। মায়বা অমদি নকশিন্নবগী মীৎয়েংদা লোন-শাগৈ অসি মশা মরি থাক্না খায়দোকপা য়াই। (১) অরাংথংবা চিন, (২) ময়ায়থংবা চিন, (৩) অরিবা কুকি অমস্তুং (৪) খা থংবা চিন।

৮ ৪ ১ অরাংথংবা চিন—মশা অসিদা থাদৌ, শোক্তে, সিয়িন, রালতে, পাইতে হায়বা ফুরূপ-রাশিং অসি পুল্লি। থাদৌনা থ্বায়দগী মীশিং যাম্না ভাঙডি অমস্তু মশা অসিগী থ্বায়দগী চাউবা ফুরূপ-রানি। ফুরূপ-রাসিবু ভাঙবা মীওই-ফুরূপ লুসাই চীং, মণিপুরগী চীংগী লমদম মরু ওইনা খা, খ। নোংচুপ অমস্তুং কছারগী খাথংবা শরুক্তা লৈ। ফুরূপ-রা অসি থাদৌ-কুকি হায়নস্থু খঙৈ। রালতে লুসাই চীং অমস্তুং কছারগী চীংগী লমদমদা লোল্লি। শোক্তে অমস্তুং সিয়িন কৌবা ফুরূপ-রা অনীসিনা অরাংথংবা চিন চীংশাংদা লোল্লি। পাইতেনা মণিপুরগী খাথংবা চীংগী লমদম অমস্তুং মিজোরামগী লুসাই চীংদা লোল্লি।

৮ ৪ ২ ময়ায়থংবা চিন—মশা অসিদা তাশোন, জেহাউ, লাই, লাখের, লুসাই, বনজোগী, পানখু হায়বিবা ফুরূপ রাশিং অসি যাওই। ময়ামসিগী মনুংদা লুসাইনা থ্বায়দগী মীশীং য়াম্না লোল্লি। লোন অসি লুসাই চীংশাং শীনবা থুংনা শন্দোকই। চিন লোন শাগৈগী য়াম্না মরু ওইবা লোন অমনি। তাশোন, জেহাউ, লাই হায়বসিনা চিন চীংশাংদা লোল্লি। লাখেরনা খা-লুসাইগী লুংলে শব-দিভিজিনদা লোল্লি। বনজোগী অমদি

পনথু বাঙ্গলাদেশকী চিত্তাগোংগী চীংগী লমদমদা লোল্লি। যূরূপ-রা অনীমকসিবু লোনবা মীওইশিংগী মশীং পঙয়াম যামদে।

৮৪৩ অরিবা কুকি—রাংখোল, বেতে, হলাম, লাঙ্গোং, আইমোল, অনাল, চিরু, হিরোই-লমগাং, কোইরেং, মন্তুক, পুরুম, মার চো অসিনচিংবা ফুরূপ-রাশিং অসি অরিবা কুকি হায়বা মশা অসিগী মমুং চনবা ঙাক্তনি। হলাম্না মশা অসিগী খ্বায়দগী মীশীং যাম্না ঙাঙবা ফুরূপ-রানি। ত্রিপুরা অমসুং সিলেটতা ফুরূপ-রা অসি লোনবা মীওইশিং লৈ। রাংখোল ত্রিপুরা অমসুং অরূং কছাড়দা লোল্লি। আইমোল, অনাল, চিরু, হিরোই-লমগাং কোইরেং, কোম, চোথে, মন্তুক, পুরুম অসিনচিংবা অসিনা মণিপুরগী খা, খা-নোংপোক অমসুং খা-নোংচুপকী লমদমদা লোল্লি। মারনা মণিপুরগী খাথংবা লমদম অমদি লুসাই চীংগী অরা থংবা লমদমদা লোল্লি।

৮৪৪ খাথংবা চিন—খাথংবা চিন হায়বা মশা অসিদা চিনমে, লেপুং, চিনপোক, খিন্দু, খ্যাং, খামী হায়নশিং অসি যাওই। খ্যাং অমসুং খামী হায়বা অনীসিনা লোন মশা অসিগী খ্বায়দগী মরু ওইবা লোল্লি। অনী অসিমক্কী লৌরকফম আরকান্নি। আরাকান অমসুং চিত্তাগোংদা অনীসিবু লোনবা মীওইশিং লৈ। খ্যাংনা চিন হায়বা লোন শাগৈসিগী খ্বায়দগী মীশীং যাম্না লোনবা লোল্লি। অতৈশিং অসিদ ফুরূপ মচা-মচাশিংগী ফুরূপ রানি। মখোযশিংবু লোনবা মীওইশিংগী মশীংসু পঙযাম যামদে।

মিজোরাম কাণ্ডবদা শন্দোক্লনা লৈ। লোন-ফুরূপসিগী লোন অমদি ফুরূপ-রা ময়াম অসি অচৌবা মওঙদা কাণ্ডবু অহুম থোকই। অহানবনা লদাখ, হিমাচল প্রদেশ অমসুং অরুনাচলগী কাণ্ডবুনি। লদাখী, সরপা, পুরিক, বালতি, মিরি, দফলা, অকা, রাই, লিম্বু, কনাৱারী অসিনচিংবা অসি অহানবা কাণ্ডবুসিগী লোন অমদি ফুরূপ-রা ওাক্লনি। অনীশুবনা ত্রিপুরা, মেঘালয় অমসুং আসামদা ওাওনবা বোরো লোন-শলাইগী কাণ্ডবুনি। কাণ্ডবু অসিগী মরু ওইবা লোন্দি বোরো, গারো, মেক, কোক, কছারী অমসুং লেপচা * নি। অহুমশুবনা মণিপুর, মিজোরাম অমসুং নাগালেণ্ডদা ওাওনবা নাগা অমসুং কুকি-চিনগী কাণ্ডবুনি। কাণ্ডবু অসিগী মনুং চনবা লোনশিংগী মরক্তা মীতৈলোন্না খ্বায়দগী অথোইবনি। আউ, অঙ্গামী, লোতা, সেমা, রেংমা, মাও, তাংখুল অসিনচিংবশিং অসি নাগা লোন-শলাইগী মরু ওইবা লোন অমদি ফুরূপ-রাশিংনি। থাদৌ, মার, পাইতে, কোম, লুসাই, চোথে, চিরু, অনাল অসিনচিংবা অসিনা কুকি-চিনগী মরু ওইবা লোন অমদি ফুরূপ-রাশিংনি। মখোয়শিংসে নত্তবা লোন-ফুরূপ অসিগী ফুরূপ-রা মচা মচা কয়া অমসু লৈরি।

৯৫ মথক্তা শন্নপা নৈনখ্রিনা লোন-কাণ্ডলুপ মরি অসিগী মনুং চনবা লোন অমদি ফুরূপ-রাশিং নত্তবা ভাগশা ওাওনবা অতোপ্পা লোন অমদি ফুরূপ-রা খরসু লৈবি। মখোয়শিং অদু উমং-রাংনদা লৈবা চাওখৎলগী মতৌ নীংথিনা ফংবা ওাদ্রিবা মীওই যুরূপশিংনা লোন্নি। হায়রিবা লোন অমদি ফুরূপ-রাশিং অদু ওসি ফাওবদা, কয়া লোন কাণ্ডলুপ্তা চনগদগে হায়বা লেপ্পা ওমদ্রে। অদুগা খরদি [illegible]গী অরকুবা মমিং লৈতবসু য়াওনি। মমিং লৈরবশিংসু নশক থওবদা লুনা থোক্নি। অহুবু হায়রিবা লোন অমদি ফুরূপ-রাশিং অসি য়াম্না লিরবা ওাক্লনি। খরদি শিখিবসু যাওরে, খরনা হোঠিক ফাওবদা হিংলি। অদুবু মখোয়গী মরমদা লোন্মীৎ-লোনমোন শুবা অমত অতৈশিংনা মতৌশা অমদি মওং লেংচুন যনা থিজিন থোংচিনবা তোংনা নসু অকক্নবা লোন-কাণ্ডলুপ অমদা থম্বদি ওকওম ওমদ্রে।

---

৩ লেপচা সিক্কীমগী [illegible] অমি [illegible] ভারতকী দর্জিলিংগী লমদমদা থরা থরা লৈরি। কৌশিকি সিক্কীম্না ভাগ [illegible] লোন অসি ভারতকী [illegible]মদা মপুং ফানা লোনবা লোন অমা হায়বদা ওইরে।

১০

মণিপুরগী লোন ⟩



১০.০ মণিপুর অপিকপা লৈবাক অমা ওইববসু য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মীওই-ফুরূপ মখল কয়ানা খুন্দাজনা লৈরকবা লমদম অমনি। অদুনা লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লোন মচা মচা কয়ামকম লৈবকই। লমদম অসিগী লোন মচা মচাশিং অসি হৌজিক্কী মতমগী লোন্মীৎ-লোল্লমলানগী মীৎয়েংদা লোন অমা হৈনা বোবা যাগনবু মীওই-ফুরূপশিং অদুগীদি তোঙান-তোঙানবা লোন অমমম হাযবদু ওইরিবনি। লোন্মীৎ-লোলম্লোনগী মীৎয়েংদা লমদম অসিগী লোন ময়াম্না মদুগী মঙ্গংদা মীৈতৈলোন্না হৌজিক মপুং ফাবা লোন অমা ওইনরুদি ওইরে। অতৈদি ফুরূপ-রাগী থাক্তা লৈরিবে। হায়রিবা লোন অমদি ফুরূপ শাশিং শমি লবা অমা শিখ্রে, খাবা হৌজিক ফাওবা যাডনা হিংদুনা লৈরি। চৌংগা লমদমগীদি ফুরূপ-রা অমাম্বা চসি যাঙনদা ফডনা হিংজনা লৈরি। ফরূপ রা খরা অমদি মতম য়াঙন্দা মপুং ফাবরা লোন হাংবদুগী থাক ফাওবা লাকপা ওম্ন গারি। অদুবু মতমদি তঙিগনি। তনগী লমদমগী ফুরূপ-রাশিংদি এম্না শিখ্রে। লৈহৌরবা খরদু শিংকম নারুন শিরবগা চপ মান্নে। তনগী শিগ্রবা ফুরূপ রা অযাম্বগী শক্তম মীতৈলোনদা লূপ শনখ্রগা হেনগৎলক্লে হৌজিক মণিপুরী লোন হায়না খঙনরিবা শক্তম অাসনা নংম কুইনা হিংদুনা মপুং ফাবরা লোন অমা ওইনা লেপ্লৌবনি।

মণিপুর অসিদা তোঙান তোঙান-বা মীওই ফুরূপ য়াম্না লৈরকপনা মখল মখলগী লোন অমদি ফুরূপ রা য়াম্না লৈ হায়বসি ঐহোয়না খঙবা ওইদ্রে। লমদম অসিগী লোন অমদি

ফুরূপ-রাশিং অসি তিব্বতো চাইনীজ লোন-কাঙলুপকী মনুং চনবা ওাক্কনি। তিব্বতো চাইনীজগী তিব্বতো-বর্মীজ হায়বা লোন-ফুরূপুগী মনুংদা য়াওবা বর্মীজ-আসামীজ হায়বা লোম কাওবুগী লোন-শলাই অনীগী লোন অমসুং ফুরূপ-রা ওাক্কনি। হায়বদি মণিপুরদা য়েলকোৎপদগী তৌনা লোয়রিবা লোন অমদি ফুরূপ রাশিং অসি কুকি-চিন অমসুং নাগা হায়বা লোন-শলাই অনীসিগীনি। লোন-শলাই অনীসিগী মনুং চনবা মণিপুরদা ওাওনবা লোন অমদি ফুরূপ-রাশিংগী শয়য়া মতম মথাদা নৈনরি।

১০.১ কুকি-চিন হায়বা লোন-শলাই অসিগী লোন-শাগৈ অনী লৈ—(১) মীতৈ অমসুং (২) চিন। লোন-শাগৈ অনীসিগী মরু ওইবা লোন অমদি ফুরূপ-রা মণিপুরদা লোল্লি। হায়রিবা লোন অমদি ফুরূপ-রাশিং অদুগী চাউরাকপা মতম মথাদা পীবি।

১০.১.১ মীতৈ মীতৈ কায়বা লোন-শাগৈসিগী মরু ওইবা লোন্দি মীতৈলোন্নি। লোন অসি মণিপুরগী মপুং ওইবা অমদি মরু ওইবা লোনশুং ওইরি। মণিপুরগী চীংমী তম-মী অনীনক্কী মরক্তা শংদাক লৈবা লোন্নি। ফুরূপ নীওই [illegible] চীংমী অমগা তমগী মনুংদা [illegible] ওই। লোন অসি লোন অমা ওইবগী লোনলুপ [illegible] ফাওবনি। [illegible] লমদম শীনবা খুংনা লোল্লি। লোন্সিগী মশাগী ওই। মরোক লৈরে। লোন অসিদা থেংনোকপদগী তৌনা সাহিত্য, মোহোরোলান, রাজোল্লোল, লাইশোন [illegible] অমদি পাংগোনচিংগী লাইনিক লৈরকই। লোন অসি মীতৈ লোন শাগৈগী অমত্তা ওাম্নবা খংকোনিনা লোল্লি। [illegible] অমদা লোন-শাগৈ অসিগী লুরাং, খুমন, অংগোম, চেংলৈ [illegible], মোইরাং, [illegible] খুমান, অঙ্গোম, সেকমাই, চাইরোল [illegible] ফুরূপরা কয়া লৈরম্মী। ফুরূপ-রাশিং অসি ক্রমগী তোঙান তোঙানবা [illegible] ওাওনরম্মী। ফুরূপ-রাশিং অসিগী মমিং অসিসু মীওই ফুরূপশিং অদুগী মমিং

লৌদুনা থোনবনি। হায়রিবা ফুরূপ-ৱাশিং অসি হৌজিক লোইনা শিখ্রে। সেকমাই, অদ্রো অমমুং চাইরেন্দ্রি শিথখিবা কুইদ্রি। পুন্নমক অসি মীতৈলোনগী শক্তমদা লূপশিনখিবনি। হৌজিক মণিপুরীলোন হায়না খঙনরিবা মীতৈলোন অসিবু মমালোন (Mother-tongue) ওইদুনা ঙাঙন শরুরিবা মণিপুরদা লৈবা মীওইশিংগী মীশীং ৬,৭৮,৩৮৫ নি।

১০১২ চিন—চিন হায়বা লোন-শাগৈগী মণিপুরদা লোনবা ফুরূপ-ৱাশিংদি থাদৌ, মার, পাইতে, ৱাইফৈ, আইমোল, অনাল, চিরু, হিরোই-লমগাং, কোইরেং, কোম, চোথে, মন্তুক, পুরুম অসিনচিংবা অসিনি। ময়াম অসিগী মনুংদা থাদৌ, মার, পাইতেনা খরা মপুং ওইবা ফুরূপ-ৱানি। মথোয়বু লোনবা মীশীংসু অতৈ অতৈসিদগী য়াম্না হেল্লি। থাদৌ লোনবা মীওই মণিপুরগী চীংগী শমদম পুম্নমক্তা চাইনা চাইনা শন্দোক্লদুনা লৈ। মীশীং খরা যাম্না তাবা লমদম্না মণিপুরগী খা জিলা অমসুং সনবনি। পুম্না মণিপুরদা লৈবা থাদৌ ঙাঙবা মীওইশিংগী মশীং ৫৮,৪৭৫ নি। মারনা মণিপুরদা লৈবা চীংগী ফুরূপ-ৱাশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী মীশীং য়াম্বা হেল্লি। থাদৌগী মথংদা চিন হায়বা লোন-শাগৈসিগী মণিপুরদা লোনবা মীশীং যাম্বা ফুরূপ-ৱাদি পাইতেনি। পাইতে লোনবা মীওই মণিপুরগী খা জিলাদা চাইনা চাইনা খুন্দাদুনা লৈ। মসিবু লোনবা মীওইগী মশীং ২৩,৭২৭ নি। মারসু মণিপুরগী খা জিলাদা লোল্লি। জিলা অসিগী মনুংদসু টিপাইমুখতনা মসিবু লোনবা মীওই য়াম্না লৈবা হেল্লি।

১ থাদৌ অসিবু খরনা থাদৌ অমুম কৌগনি, খরনা কুকি কৌগনি হায়না য়েংনবা অমা থোক্লি। ফুরূপ-ৱা অসিবু থাদৌনি হায়না য়াথিবা মীওইগী মশীংনা ৩৪,০৯৭ নি। কুকিনি হায়বিনা কাঙবগী মীশীংনা ১৪,৩৭৮ নি। মকুম অসিদা থাদৌগী মীশীং পীরিবাস অনীমক্কীগী পুনশিল্লবনি।

মণিপুরদা মার লোনবা মীওই ২২,৮০২ লৈ। মাইকৈক্তু মণিপুরগী খা-জিলাদা লোনবা ফুরূপ-রানি। মসিবু লোনবা মীওইগী মশীংনা ১১,৭৬০ শুই। লেমহৌরিবা অতৈ ফুরূপ-রাশিংবু লোনবা মীওইশিংগী মীশীংদি অদুক হাক্তা য়ামদে। মণিপুরগী খা, খা-নোংচুপ অমসুং খা-নোংপোক থংবা চৌংগী লমদম অমদি লোইযালমদা হাযরিবা ফুরূপ-র শিংসি লোনবা মীওইশিং চাইনা চাইনা খুন্দাদুনা লৈ।

১০২ নাগা লোন-শপাইগী মনুংদা তাংখুল, মাও, খোইরাউ; কবুই, মরিং অসিনচিংবা ফুরূপ রাশিং অসি মণিপুরদা লোনবা ফাক্তনি। তাংখুল মণিপুরগী নোংপোক জিলাগী ফুরূপ-রানি। মসিবু লোনবা মীওইশিংগী মশীং ৫৭,৫৭১ নি। ফুরূপ-রা অসিগী মনুংদা খুন মচা অনী-অনী, অহুম-অহুমগী ওইবা ফুরূপ রা মচা মচা কয়াসু লৈ। হৌজিক কায়রিবা ফুরূপ রা মচা মচাশিং অদু তাংখুল কায়বা অসিদা লোইনা লুপশিনখ্রে। মাও মণিপুরগী অরাং জিলাগী ফুরূপ রানি। মসিবু লোনবা মীওইগী মশীং ১৯,৩৪৬ শুই। খোইরাউ সদর চীংদা লোনবা ফুরূপ-রানি। মসিবু লোনবা মীওইশিং অদুক হাক্তা পুঙয়াম য়ামদে। ফুরূপ রা শাসি খাঙ্গাদা হায়বগুম্ব খতৈনৈ। কবুই মণিপুরগী নোংচুপ জিলাগী ফুরূপ-রানি। অমগী লমদম দস্তু ফুরূপ-রা অসিবু লোনবা মীওইশিং খরা চাইনা চাইনা খুন্দাদুনা লৈ। চীং অমসুং তমদা খুন্দাদুনা লৈরিবা ফুরূপ-রা অসিবু লোনবা মীওইগী মীশীং পুম্না ৫০,৮০২ শুই।[১] মরিংনা মণিপুরগী খা নোংপোকপগী নাদমদা লৈবা তেংনোপাল জিলাদা লোল্লি। ফুরূপ রা অসিবু লোনবা মীওই পাঙয়াম য়ামদে। মসিবু লোল্লবা মীওইশিং অসি মণিপুরগী য়ালহৌদৈদগী লৈরকখবা যাম্না লিরবা মীওই ফুরূপনি।

[১] লোনগী অসিনা শীংবিবা মীশীংশিং অসি ১৯৭১গী মণিপুর সরকারগী নাগাক্ক খাঙ্গী রাপোর (Census Report) দগী নহুং ইখিন।

১১

খোঙ্হোক—খোনফম

■

১১.০ খোঙ্হোক্কী মরমদা নৈনবনু খোঙ্হোক্লোন হায়না কৌই। ইংরেজী লোন্দদি খোঙ্হোক্কী মরমদা নৈনবা অসি রাইহে অনী খোক্না শীজিন্নৈ—(১) ফোনেটিক্স অমসুং (২) ফোনোলোজী। অনীমক্তি খোঙ্হোক্কী মরমদা নৈনবনি, খোঙ্হোক্লোননি। অদুবু অনী অসিগী শীজিন্নফমদি তোঙানি। (ফোনেটিক্স হায়রবদি লোন থুদিংমক্কী ওইবা খোঙ্হোক্কী মশক, খোঙ্হোক্কী পোকপা মশক মওং কয়া, খোঙ্হোক হোংবা, খোঙ্হোক মথন থায়বনচিংবা অমদি খোঙ্হোক্কা মরী লৈনবা হায়রিবা পুম্নমক বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা পথাপ অমগী মতুং ইন্না নৈনবনি। হায়বদি ফোনেটিক্স করিগুম্বা অকক্নবা লোন অমতগা মরী লৈনদে। লোন পুম্নমক্কা খোঙ্হোক নৈনবদা চঙবা পথাপ মখৈ কুপ্না নৈনবনি। ফোনোলোজীনা করিগুম্বা অকক্নবা লোন অমগী খোঙ্হোক নৈনবনি। ফোনেটিক্সতা নৈনবা লেপ্তাথবা পথাপশিং অদুগী মতুং ইন্না ফোনোলোজীদা অকক্নবা লোন অমগী খোঙ্হোক নৈনৈ।) মীতৈলোন্দদি অনীনশু শুমা খোঙ্হোক্কী মরমদা নৈনবনু খোঙ্হোক্লোন হায়না শীজিন্নরে। অদুনা ইংরেজী লোনগী ফোনেটিক্স অমসুং ফোনোলোজীগী রাইদনা মীতৈলোন্দা খোঙ্হোক্লোন হায়বনিনি।

১১.১ খোঙ্হোক্লোন নৈনবা তানবদি খোঙ্হোক করিনো, খোঙ্হোক্কী কবম কবদু মখেন্দ নৈনবগে হায়বসি খঙদবা য়াদে। মরম অসিনা নৈনবদা চৈথোক্নবা খোঙ্হোক্কী [illegible] মথুংবা খোনফম

(Phoneme) অমসুং খোনফম-শা (Allophone) গী মরমদা মখাদা চাউবাক্না খরদং নৈননি।

করিগুম্বা পোৎ অমদা থেংনুবা নত্রগা য়েরুবদা খোঞ্জেন অমা থোকই। থোরক্লিবা খোঞ্জেন অসিবু ঐখোয়না মখোন হায়না খঙনৈ। থরায়পানবশিংগীদি থেংনুবা নত্রগা য়েরুবা তৌদনা নিংশাগী মতেংনা চৌন্দগী মখোন থোরকই। মসি শা-উচেক, তীন-কাঙদনা খোংবদগী, মীওইবগীনা বা ঙাঙথোকপদগী থোরকপনি। মতাং অসিদা নৈনগদৌরিবসু মীওইবনা বা ঙাঙথোকপদা থোরক্লিবা মখোন হায়বসিগী মরমদনি। চুম্না মখোন হায়বা অসিগী মবমদা নৈনবা তারবদি য়াম্না পাক-চাউই। অদুবু মতাং অসিদদি মীওইবগী চৌন্দগী থোরকপা মখোনশিংনা নৈনগদবনা শীজিন্নগদৌবিবা মখোনগী ওমথৈ পিকশিল্লি। চুম্না মখোন হায়না খঙনরিবসিগা মীওইবগী চৌন্দগী থোরকপা মখোনগা খেন্নবা থন্নবা মতাং অসিদা মীওইবনা বা ঙাঙবদগী থোরকপা মখোন অসিবু "খোম্বোক" হায়না শীজিন্ননি। ওন্নেংবসু খোম্বোক হায়বসি লোন্দগী থোরকপা মখোন হায়বনি। ইংলেন্দগীদসু চুম্না সাউণ্ড (Sound) হায়না খঙনরিবসিগা লোনগী মতাংদা শাঙম্নবা সাউণ্ডগা খেন্নবা থন্নবা মীওইবনা বা ঙাঙথোকপগী সাউণ্ড অসিবু "স্পীচ সাউণ্ড নত্রগা ফোন" (Speech-sound or phone) হায়বা বাংলসি শীজিন্নৈ। অদনা মীওইবনা করিগুম্বা বাকম অমবু হায়দোকপদা থোরকপা মখোনগী খ্বারদগী পিকপা মনাং ওন্না শক্তক অদুবু খোম্বোক কৌই।

করিগুম্বা লোন অমগী মাল্লবা খোম্বোকশিংগী মচুৎ শিনবা অপুনবা খোম্বোক অমবু খোনফম (phoneme) কৌই। অদুগী খোনফম অমা শাজিন্নবা তোঙান তোঙানবা মাল্লবা খোম্বোক [illegible] খোনফম-শা (Allophone) কৌই।

খোনজম অসি লোনগী খ্বায়দগী পিকপা খাইদোকপা য়াম্রবা খোন্থোক্লি। মরুনা অমদি থংননা লৈবা অতৈ খোন্থোক্না খোনজমগী মশাগী খোন্থোক মওঙ থরা থরা হোংহনবা ঙম্মি। অসুম্না খোনজম অমগী হোংহল্লবা তোঙান তোঙানবা খোন্থোকশিংসি খোনজম-শানি খোনজম্দু খোন্থোক-কাঙলুপ (Family of Speech-sound) হায়না কৌবসু য়াই।

খোন্থোক্কী মরমদা লৈনবা তাবরদি খোন্থোক, খোনজম অমসুং খোনজম-শা হায়বা অহুমথক চঙঙি। অহুম অসি অমগা অমগা খেন্নৈ, অদুবু মরীদি লৈনৈ। খোন্থোক য়া ঙাঙথোকপনা খোনক্রিবা খোঙ্গেনগী খ্বায়দগী পিকপা শরুক অদুবুনি। খোন্থোক্তা খোনজম কয়া য়াওরি। খোনজম অমমমদা অমুক খোনজম-শা কয়া অমা য়াওই। খুদম ওইনা লোন অমদা ময়েক-মপী (Alphabet) পুন্নমক খোন্থোক্লি। ময়েক-মপীগী ময়েক অমমম হায়বদি অ, আ, ক, খ, নচিংবা পুন্নমক অসি খোনজম অমমল্লি। খোনজম অসি ইরকপা নত্রগা ঙাঙথোরকপা মতমদা মশক চপ মান্নরবসু মখা নানা পুরিবা থোশিংদুনা তোঙান তোঙানবা খোন্থোক থোকহল্লি। অসুম্না খোনজম অমগী তোঙান তোঙানবা খোন্থোক থোকহল্লিবা ময়েকশিং অদু খোনজম-শা অমমল্লি। খুদম ওইনা— "ললিত লাক্লে, নবনী নত্তসু লাক্রো" হায়বা য়াকন আসদা ল ৬, ন ৩ য়াওরি। মাখোইবা ল ৬, ন ৩ আসগী খোন্থোকশিং অসি অমগা অমগা মান্নবসু য়াওই, মান্নদবসু য়াওই। অসুম্না ময়েক অমগী খোন্থোক মান্নবা মাখলবা তোঙান তোঙানবা মশক কয়া লৈবিবসি খোনজম-শা অমমল্লি। মখোয়শিংসি খোনজম অমগী ওইরবসু ঙাঙথোনবপদা মনাক্তা থংননা লৈবা খোন্থোক্কী ইথিল্লা নিংশা থোরকপদা শুপচিনবা, কাথোকপা, খপনা নচিংবা মশঙ কয়াগী খোন্থোক ওইরকই। অদুনা মথক্কী য়াগ অসিদা য়াওরিবা ল খুদিংমক, ন খুদিংমক, খোনজম-শা অমমল্লি। খুদিংমক্কী অপুম্বা মশাক ল, ন, অসিনা খোনজম অমমল্লি। শয়া খ্বায়রবদা খোনজম ইমুং অমানি, খোনজম-শানা ইমুংতুদা লৈবা য়াওই পুন্নমক্লি।


১২
খোঙ্হোক কয়াৎ



১২.০ ৱা ঙাঙথোকপা হাযবসি চীন্দগী মখোন থোক্লকপনি। চীন্দগী মখোন থোকহল্লগা হেক্তা মপুং ফাবা ৱাঙাঙ ওইদে। থবোম্বীদগী লাকপা নিংশানা খোনাউ ফাওদুনা থোরকপদা করিগুম্বা থবনা লেঙ-ওৎপনচিংবা তৌদুনা মপুং ফাবা খোঙ্হোক পুথোক্লগা ৱাঙাঙ মপুং ফাহল্লি। মস্মুম্না তৌবদা লেঙ-ওৎপনচিংবা তৌরিবা অসি ৱীখোলগী হকচাং কায়াৎশিংনি। ৱা ঙাঙথোকপদা চঙবা হকচাং কায়াৎশিংনা মঙম্ভ চুম্না মথৌ তৌরগা মপুং ফাবা খোঙ্হোক্তা ৱা ঙাঙথোকপনি। অদুনা ৱাঙুইবনা মখোন থোক্লা ৱা ঙাঙথোকপদা চঙলিবা হকচাংগী কায়াৎ মখৈবু খোঙ্হোক কায়াৎ (Speech organ) কৌই। খোঙ্হোক কায়াৎতা য়াওরিবা কায়াৎশিংদি—

১। নিংশা উত্তো (Wind pipe), ২। খোঙ্হোক উপু (Larynx), ৩। খোঙ্হোক উপু মচী (Glottis), ৪। খোঙ্হোক-মরা (Vocal cord), ৫। খোঙ্হোক উপু মখুম (Epiglottis), ৬। নাতোন মখুম (Nazal cavity), ৭। চীন মখুম (Mouth cavity), ৮। খোনাউ তেঙ্কন (Uluva), ৯। খোনী (Guttur), ১০। অথোৎপা তৌ (Soft palate), ১১। কোক (Cerebral), ১২। অকনবা তৌ (Hard palate), ১৩। য়ারী (Alveola), ১৪। যা (Teeth), ১৫। চীনবান (Lip) ১৬। লৈ (Tongue), অমসুং।

খোঙ্গোক কায়াংকী শক্তম মথাদা উংলি



১২ ১ নীৎকুপ খুদিংগী থন্নায় পানবশিংনা নিংশা হোম্দোক হোঞ্জিন তৌনিবা অসি নিংশা উতোংদনি। নিংশা উতোং অসি থবোম্বীগা শাম্ন। হোঞ্জিনখিবা মুংশীৎ উতোংদা চঙখ্রগা থবোশ্বী য়৩াই। মুংশীত্তুনা থবোম্বীবু শেংদোক্রগা নিংশা উতোংচুদা অমুক খোরকই। নিংশা উতোংগী মনাক্তা তুং থইরথা চৌঙ্গাক উতোং লৈ। চৌঙ্গাক উতোং অতুনা চাবুথাউগা শন্নৈ। চৌঙ্গাক উতোংদি খোঙ্গোক-পগা কবিক্তুবা মরী অমত্তা লৈনদে। নিংশা উতোংগী মরীনা মথাদা

খরা চথরগা খোঙ্খোক্কবগী য়াম্না মরু ওইবা কায়াৎ অমা [illegible] খোঙ্খোক উপু কৌই। খোঙ্খোক উপু লৈফম অসিদা নিংশা উতোং খরা চাউথোকই। মসিদা য়াম্না পাবা নোপ্প নোপ্প লাউবা মরী অনীথক লৈ। মতুবু খোঙ্খোক-মরী কৌই। বীণানচিংবদা তাবাগী মরী তিংবা অতুগুম্বনি। নিংশা হোন্দোক হোঙ্জিন্দা মুংশীৎনা মরীসিদা ফুরগা অনোপ অতিং শাম্নদুনা খোঙ্খোক্কবগী পান্থ অমনি। মরী অনীদুগী মরক অহাঙবা মফমদুনা খোঙ্খোক উপু মচীন কৌই। নিংশা হোন্দোক হোঙ্জিন অমদি য়া ভাঙবদা মুংশীৎনা মচীন অসি হাঙদুনা মহুং শামম্মুং মপান্দা চথোক চৎশিন তৌই। নিংশা উতোংগী মচীন্দা নিংশা উতোংদা লুকশিন্দুনা লৈ (Tongue) মানবা তেখন মচা অমা লৈ। মসিবুনা খোঙ্খোক উপু মখুম কৌই। মসিনা চাখি থকখিবা পূমনক চীঙাক উতোংগী মচীন্দা হেক য়োবকপদা নিংশা উতোংদা লুকথদুনা খুমজিল্লি। খোঙ্খোক উপু মখুম লৈফমদগীনা চীনশান ফাঙবগী মরীনবু চীন মখুন কৌই। চীনবাম্না মখুন অনিগী মখুম্নি। খোঙ্খোক উপু মখুমদগী নাতোন ফাঙবগী মরীনবুনা নাতোন মখুন কৌই। নাতোনদগী থোকপা খোঙ্খোক্কা নাতোন মখুন অসিনা য়াম্না মরু ওইবা খো পানথোকই। নিংশা উতোংগা নথক চীন মখুনগী মথা মরক্তা অহাঙবা শরুক অডবুনা খোরা কৌই। চীন মখুন শামম্মুং নাতোন মখুন অনীগী মরক্তা মথক্রোমদগী তেঙ্খন মচা অমা পান্থরকই। মতুবুনা খোনাউ তেঙ্খন কৌই। মসিনত্তু নিংশা হোন্দোক হোঙ্জিন্দা থিন্দোক থিংজিন তৌদুনা খোঙ্খোকপদা মতেং পী। চীন মখুনগী মথাথংবা শরুক্তা অচৌবা তেঙ্খন অমা লৈ। মতুবুনা লে কৌই। লোন পূমনক্কী অয়াম্বা খোঙ্খোক লোসিগী মতেংনা ফোঙদোকই। মাসনা খোঙ্খোকগী খ্বায়দগী মরু ওইবা কাবাৎনি। চানবান্দগী থোকপা খোঙ্খোক মতুনা অতৈ খোঙ্খোক পূমনক থাককনবদা লৈবী মতেং চঙলি। খোঙ্খোক্লোক লৈনবগী

মুত্তাংদা অসিগুম্না লৈ অসি শব্দক মঙা থোক্না খায়দোকই—(১) লৈখোঙ, (২) লৈতুং, (৩) লৈয়ায়, (৪) লৈমাঙ অমসুং (৫) লৈতোন। মঙাসিগী মনুংদা লৈতুং, লৈয়ায় অমসুং লৈমাঙ অহুম অসিনা তোঙান তোঙানবা থোঙ্খোক থোকহনবদা য়াম্না মরু ওইবা তোঙান তোঙানবা থৌদাং য়াই। লৈগী মায়থোক্লবদা লৈবা চীন মখুনগী মথকথংবা শব্দক অদুবুনা ঙৌ কৌই। য়াখোঙদগীনা থোনাঙ তেঙ্খন ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা ঙৌগী শব্দক অসি অমুক শব্দক মনি থোকা খায়দোকই—(১) য়ারী, (২) অকনবা ঙৌ, (৩) কোক অমসুং (৪) অথোংপা ঙৌ। থোঙ্খোক ঊপু মখুমগী মায়থোক্লবদা লৈবা থৌনাউ তেঙ্খনগা হেক থংনবা য়াম্না থোংপা শব্দক অদুবু অথোংপা ঙৌ কৌই। মসিগী মপংদা লৈবা শব্দক খ। রাংখংনা অমদি নান্না লৈরিবা মকমহুবুনা কোক কৌই। মনি লরাই লেম্ফুগী মপা চপ চানা লৈ। কোকসিদগী মাঙথোনদা হাইথরক্রিবা অকনবা শব্দক অদুবুনা অকনবা ঙৌ কৌই। অকনবা ঙৌ অমদি য়াখোঙগী মথক তোঙথোক্রিবা শব্দক অদুবুনা য়ারী কৌই। মথক্তা পনখিবা লৈগী তোঙান তোঙানবা শককাংশিংদুগা ঙৌগী তোঙান তোঙানবা শব্দশিংসিগা থেংনরগা তোঙান তোঙানবা থোঙ্খোক পোকহনি। চীন মথকগী মনুংদা মপাক্লোম থংনদা য়া পরেং অনী লৈ। অনীদুগী মনুংদা য়াংকী পরেং থোঙ্খোক্লবা মরু ওইবা কায়াৎ অমনি। লৈ অমসুং ঙৌগী হেক থংনদা লৈবা মরু ওইবা কায়াৎনি। য়াথক পরেংগা মখাগী চীনবাকপা নকশিন্নরগা থোঙ্খোক থোকহনদুনা মথো তৌই। মবক মরক্তা মখাগী পরেংসু থোঙ্খোকপদা মতেং পাংজি। থোঙ্খোকপদা মরী লৈনবা অতোপ্পা কায়াৎ অমনা চীনবান্নি। মথক অমসুং মখাগী চীনবান অনী শোরগা

নঙ্গগা নকশিন্নরগা খোঙ্গোকহনবগী থবকসু তৌই। অদুগা মথক্তা পনখিবা কায়াৎ পুম্নমক অসি খোঙ্গোকপদা করিগুম্বা মওঙ অমদা খোঙ্গোক্কা মরী লৈনৈ। মবম অসিনা খোঙ্গোকপা হোৎনবদা চঙলিবা কায়াৎ পুম্নমক অসিবু পুম্না খোঙ্গোক কায়াৎ হায়না খঙনবনি।

১২.২ মথক্তা পনখিবা খোঙ্গোক অমা ওইনা রা ঙাঙখোকপদা চঙলিবা খোঙ্গোক কায়াৎশিং অসি খোঙ্গোকপা মতমদা মখোয় মখোযমা তৌবা থৌওঙগী মতুং ইন্না মখন অনী থোক্না থায়দোকই। অহানবা মখল্লা লেঙ-ওৎপা কায়াৎ, অনুপা অনীশুবা মখল্লা লেঙ-ওৎক্ষম কায়াৎ। খোঙ্গোক অমা হায়দোকপা মতমদা খোঙ্গোক্কুগা মরী লৈননা অনোপ অতিং, কোঙ্গোক কোনশিন তৌবিবা কায়াৎশিং অদু লেঙ ওৎপা কায়াৎ (Articulators) কৌই। মখাগী চৌনবাগ, লৈ অমসুং অথোৎপা ঙৌ অসি লেঙ-ওৎপা কায়াৎশিংনি। মবমদি কায়াৎশিং অসিনা করিগুম্বা খোঙ্গোক অমা হায়দোক্লমদাইদা অনোপ অতিং, কাঙ্গোক কোমশিন তৌনা লেঙ-শন্নুনা খোঙ্গোক চুম্না হায়দোক্লবা মথৌ তৌই। অদুগা লেঙ ওৎপা কায়াৎশিংনা লেঙ ওন্নুনা খোঙ্গোক অমা হায়দোক্লমদাইদা লেঙ-ওৎপগী [illegible] ওইরিবা অদুবু লেঙ ওৎক্ষম কায়াৎ (Points of articulation) হায়না খঙনৈ করি করিগুম্বদা অথো[illegible] খোঙ্গোক অমা হায়দোকপদা লেঙ-ওৎক্ষম কায়াৎ [illegible] হায়দোকপা য়াই। অনোপ অতিং য়াদবা কায়াৎশিং হা[illegible] চৌন[illegible], য়া, যাখোঙ, যারী, অকনবা ঙৌ অমদি কোক (Cerebral) অসি লেঙ-ওৎক্ষম কায়াৎনি। মরমদি মকমশিং অসিনা লেঙ-ওৎপা কায়াৎশিংনা (Articulators) অনোপ অতি[illegible]শিন তৌদুনা তৌ[illegible] থোকপা মথৌ তৌরগা [illegible]

মুঙ মথক্তা খোঙ্হোক কায়াৎকী ময়মদা শম্লপা থয়দং নৈনখ্রে। খোঙ্হোক কায়াৎশিং অসিনা করি করম তৌরগা খোঙ্হোকপগে হায়বগী চাউয়াকপা ময়ম শম্লপা থয়দংগা নৈনরি। থবায়পানবশিংনা চৌন্দগী করিগুম্বা খোঙ্হোক অমা থোকহনবা হায়বদি সুংশীৎকী মতেংতনা ওয়নি। খুৎশেমগী থোংনবশিং কাওবা সুংশীৎকী মতেংনা মখোন থোকপনি। ঐখোয়না নিংশা কোঞ্জিল্লিবা অমসুং হোন্দোক্লিবসি সুংশীৎনি। অতুবু অনী অসি আয়দে। হোঞ্জিনখিবগী সুংশীৎ মপানগী অশেংবা সুংশীৎনি। সুংশীৎ অসিনদি নীংথিবা খোঙ্হোক থোকহনবা ঙমদে। করিগুম্বা লোন থরগী অঙকপা কোঙদোকপা খোঙ্হোক অমদি অফ্রিকা অমসুং আমেরিকাগী লোন থরদি চিংশিনখিবগী সুংশীৎ অসিনা খোঙ্হোকহনবা য়াওই হায়নৈ। অতুবু লোন পুম্নমক্তা মপুং ওইনা খোঙ্হোকহল্লিবদি হোন্দোরকপগী সুংশীৎ অসিনি। হোঞ্জিনখিবদা চঙখিবা মপানগী অশেংবা সুংশীৎ অসিনা থবোম্বীবু শেংদোকই। অতুদগী অশাবা সুংশীৎ মথন অমা ওইনা অমুক নিংশা উতোং মরীন্দা থোরকই। থবোম্বীদগী খোঙ্হোক উপু য়োত্রিবা ফাওবদি সুংশীৎ অসি করিসু মওঙ হোংদে। খোঙ্হোক উপু হেক য়োবদা খোঙ্হোক-মরীগা থেংনরগা সুংশীৎ অসি মওঙ হোংঙি। মকমসিদগী মওঙ হোংদুনা থোরক্লগা চৌন মথুন্দা নক্রগা নাতোন মথুন্দা নক্রগা [illegible] মপান্দা থোরকই। ময়ক অসিদা খোনাউ [illegible] ওইবা অচৌবা থৌদাং য়াই। খোঙ্হোক-মরী [illegible] গোংতুনা থোরকপা সুংশীৎ অসি [illegible] খোনাউ তেঙ্খায়া হাইগৎ হাইথ, থিংদোক থি[illegible] চৌল্লোমদা নক্রগা নাতোল্লোমদা নক্রগা অনীমক্তা থা[illegible] তৌহনা থোরকহল্লকই। মকম অসিদগী চৌন [illegible]রকপা সুংশীৎ অদু খৌরী, লৈ [illegible] কায়াৎশিংনা লেঙ-ওৎপা

(Articulators) অমসুং লেঙ-ঙৎফম(Points of articulation) গী ওইবা খুইকম থোকপা মওঙদা মখোৌ তৌডুনা তোঙাক তোঙানবা খোস্বোক থোকহল্লি। লোয়নন্না নাতোল্লোমদা থোকখিবা ফুংশীৎ অডুনসু অঙংবা খোস্বোকচিংবা থোকহল্লমদাইদা মতেং পীরকই। থূদম ওইনা 'অ'গী খোস্বোক থোকহনবা মতমদা লৈগী ময়ায় থংবা শরুক্কা থরা রাংথৎলি; অখোৎপা ঙৌসু মথক্লোমদা থর্রা রাংথৎলগা নাতোন মরীন্দা ফুংশীৎনা চৎখিগদবা লম্বী থিংডি। 'ঙ'গী খোস্বোক্তুনা অখোৎপা ঙৌ নেমথরক্কগা নাতোল্লোমদা ফুংশীৎকী লম্বী পী। লৈগী তুংথংবা শরুক্কা নেমথরক্লিবা অখোৎপা ঙৌগী মমাঙথংবা শরুক্কা শম্নরগা অঙংবা খোস্বোক অমগা লোয়নন্না হায়দোকহল্লি। অসুম্না খোস্বোক কায়াৎকী কায়াৎ পুম্নমক মাগী মাগী তৌফম থোকপা মখোৌ নীংথিনা পাঙথোক্লগা থোকহল্লকপা মখোন অডুনা মীওইবা ঐখোয়গী খোস্বোক ওইবনি।

১৩

খোন্থোক মখল থাররা

■

১৩.০ মীওইবনা মপুক্কীংগী ওইবা ৱাফম্ন ৱাঙাঙ ওইনা ৱাঙথোক্কবগীদমক খোন্থোক হায়বসি তঙাই ফদনা চঙদবা য়াত্রবনি। খোঞ্জিনখিবা মুংশীৎনা থবোন্থীদগী অমুক থোবকপদা খোন্থোক-উপু শ্বীবদা খোন্থোক্কী শক্তম লৌই। হায়বদি খোন্থোক উপু মচীন্দা লৈবা খোন্থোক-মরীগা থেংনবদগী হোন্দোরক্লিবা মুংশীৎ অদু মখল মখলগী খোন্থোক ওইদুনা মপান্দা থোরকই। অস্তুম্না থোরক্লিবা খোন্থোকশিং অদু থোরকপগী মওঙ খেন্নবদগী মখল অনী থোক্না খায়দোকই। অমনা নিংশা খোন্থোক, অতোপ্পনা হক খোন্থোক। লোন্মীৎ-লোল্লম্লোনগী মতুং ইন্না নিংশা মরান্দা থোবক্লিবা মুংশীৎ অদু লেপ্তবা খোঙচত্তা থোরকপা অমসুং চানবান ফাওবদা মঙোন্দা করিগুম্বা অযেৎপা অপনবা পীদবা অদু নিংশা খোন্থোক (Vowel Sound) হায়না খঙনৈ। নিংশা খোন্থোক অসি খোন্থোবকপদা মুংশীৎনা খোন্থোক-মরীদা ইপোম হৌহল্লম্লগা মপান্দা থোরকই। অদুগা করিগুম্বা অনিনবা শক্তম অমতা য়াওদে। থবোন্থাদগী থোরক্লিবা মুংশীৎ অদু [illegible] হায়বদি মরক্তা মপুং ফানা নত্রগা থরদা [illegible] খোন্থোক কায়াৎকী শরুক অমনা অপনবা [illegible] হক খোন্থোক (Consonant [illegible] হায়না খঙনৈ। হক খোন্থোক অসি খোন্থোবকপদা [illegible] ইপোম হৌহনবসু যাওই, হৌহন্দবসু য়াওই। [illegible] খোন্থোক অসিদা অনিনবা শক্তম অমদি লৈগনি।


মখা[illegible] তোঙাননা তোঙানবা খোন্থোক মখল থায়নবগী [illegible] ইংলি।

১৩.১ নিংশা খোম্বোক্কী মথন—নিংশা খোম্বোক্কি খোম্বোকপদা মঙোন্দা করিগুম্বা অয়েৎপা অপনবা অমত্তা চঙদে। মসিগী খোম্বোক খেন্নহন্নবগী মপুং ওইবা কায়াক্তি লৈনি। লৈ অমসুং চীনবানগী তোঙান তোঙানবা ফীভম্না নিংশাগী তোঙান তোঙানবা খোম্বোক ওইহল্লি। নিংশাগী অচুম্বা খোম্বোক লৈনরকপদা লৈগী মপুং ওইবা ফীভম অহুম লৈ। ফীভম অহুম অসিগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা মওংদা নিংশাগী খোম্বোক থোকই। হায়বদি "অ" হায়না খোম্বোকপদা লৈগী ময়ায়থংবা শক্কক অসি খরা তোঙলপ তৌবগা মথাদা নপশিন্দুনা লৈ। "ঈ" হায়বদা লৈত্তোন অসি মাঙলোমদা ইম্বোক্লগা অকনবা ভোরোমদা খরা হাইগৎল্লি। "ঊ" হায়না খোম্বোকপদা লৈ অসি তুংলোমদা চিংশিনগ্নগা তুংথংবা শক্কক্লা অথোৎপা ভোরোমদা রাংথৎলি। অসুম্না নিংশা খোম্বোকশিং অসি খোম্বোকপদা লৈনা লৈবা ফীভমগী মতুং ইন্না নিংশাগী মমাঙ, ময়ায় অমসুং মতুং হায়বা মখল অহুম লৈ। খুদম ওইনা—ঈশিং, অমা, ঊনশা হাববা রাহৈ অহুম অসিদা য়াওরিবা নিংশা খোম্বোক ঈ, অ, ঊ, অসি মথং শীৎনা লৈগী মমাঙ, ময়ায় অমসুং মতুংনা ওইবা খোম্বোক্কি। মীত্তৈলোন্দা লৈবা নিংশা খোম্বোকশিংদা ই, ঈ, এ মমাঙগী খোম্বোক্কি। অ না ময়ায়গী খোম্বোক্কি। আ, উ, ঊ, ও না মতুংগী খোম্বোক্কি।

লৈনা হাইগৎপা, হাইথবা অমদি মরক্তা লৈবা ফীভম অমদি মহুদা ওইবা চীনবানগী মওঙ মতুং ইন্নসু নিংশা খোম্বোক্কী মথন লেপই। মসি মথক্তা থেংনখিবা মমাঙ, ময়ায অমসুং মতুং হায়বা লৈগী ফীভম অহুম অসিগী মতুং ইন্না লৈনবদগী থোকপনি। খোম্বোরকপদা চীনবাম্না ঊমশিল্লপ তৌরগা লৈনা রাংনা মথক্লোমদা হায়গৎলবদি মহুদা খোকপা নিংশা খোম্বোক অহু ঊমশিনবা (Close) হায়না শঙলৈ। মসিবু

অৱাংবা (High) হায়নস্থ কৌই। ই, ঈ উ, ঊ হায়বা নিংশা ময়েকশিং অসি খোস্থোকপা মতমদা লৈনা মথক্লোমদা ৱাংখৎলি, অদুগা চীনবাম্না উমশিল্লপ তৌই। অদুনা মখোয়শিং অসি উমশিনবা নত্রপা অৱাংবা নিংশা খোস্থোক্লি। চীনবাম্না খরা উমশিল্লপ তৌরগা লৈনা খরতমক হাইগত্তুনা খোস্থোকপা নিংশা খোস্থোক অমুবু খরা উমশিনবা (Half close) হায়না খঙৈ। মসিনা মরক্কী থবা ৱাংবা (Higher mid) হায়নস্থ কৌই। এ, ও অসি খোস্থোকপদা লৈ অসি খরতমক ৱাংখৎলি, অদুগা চীনবানগী ফীভম্না খরা উমশিল্লপ তৌই। অদুনা এ, ও অসি খরা উমশিনবা নত্রগা মরক্কী থবা ৱাংবা নিংশা খোস্থোক্লি। লৈনা মথাদা তপ নপশিন্দুনা লৈবগা চীনবাম্না লাওনা কাথোক্নুনা হায়দোকপা নিংশা খোস্থোক অদুনা কাথোকপা (Open) হায়না খঙৈ। মসিবু অনেম্বা (Low) হায়নস্থ কৌই। অ: অমস্থং আ হায়বা খোস্থোক অসি হায়দোকপদা লৈ অসি মথাদা তপ নপশিন্দুনা লৈ, চীনবাম্না লাওনা কাথোকই। অদুনা মসি কাথোকপা নত্রগা অনেম্বা নিংশা খোস্থোক্লি। লৈনা খরদি ৱাংখৎশপ তৌরগা নপশিন্দুনা লৈবা, চীনবানস্থ খরা কাখৎলপ তৌনা মংঙদা হায়দোকপা নিংশা খোস্থোক অদুনা খরা কাথোকপা (Half close) হায়না খঙৈ। মসিদুমা মরক্কী থরা নেম্বা (Lower mid) হায়নস্থ কৌই। ঐ অমস্থং ঔ অসি খোস্থোরকপা মতমদা লৈ অসি মথাদা নাপ্তু নপশিল্লগা খজিক্তংস্থ হাইগংলপ তৌই, চীনবানগী ফীভমস্থ খরা কাথোকই। খোস্থোকরকদস্থ চুম্নগী এ, ও গী খোস্থোক্তগী চিংথবা লুমথবা হেল্লি। অদুনা খোস্থোক অনী অসি কাথোকপা নত্রগা মরক্কী খরা নেম্বা নিংশা খোস্থোক্লি। মীতৈলোনগী নিংশা খোস্থোক্তদি অসিগুম্বা খোস্থোক অনী অসি লৈতে।

চীনবান অমদি লৈনা ওইবা ফীভমগী মতুং ইন্না খায়বা নিংশা খোল্লোকী শক্তম মথাদা উৎলি।



নিংশা খোল্লোকী মখল অসি চীনবাস্তুগী ওইবা ফীভমদস্থু লৈ। খোল্লোবকপদা চীনবান মথক মখা অনীসিনা ওইবা ফীভমগী মতুং ইন্না অকোনবা অমস্তুং কোন্দবা হায়বা মখল অনী অমস্থু লে। চীনবানগী মথক মখা অনীমক অসি খরা খরা কোল্লপ তৌরগা হায়দোকখিবা নিংশা খোল্লোক অদু অকোনবা (Rounded) হায়না খঙনৈ। উ, ঊ, ও, ঔ হায়বা খোল্লোক মখি অসি অকোনবা নিংশা খোল্লোক্নি। মরমদি মখি অসি হায়দোকপা মতমদা চীনবানগী মথক মখা অনীমক খরা খরা কোল্লপ তৌই। চীনবান মথক মখা অনী অসি করিমতা কোন্দনা খবতমক কাথোক্লগা অমদি নাক যেত্তা ফল্লপ তৌরগা হায়দোকপা নিংশা খোল্লোক অদুবুনা কোন্দবা (Unrounded) হায়না খঙনৈ। অ, আ, ই, ঈ, এ, ঐ হায়বা খোল্লোকশিং অসি হায়দোকপদা চীনবান মথক মখা অসি কোন্দে। এ, ঐ হায়না অনী অসি খোল্লোকপদদি নাক য়েত্তা চীনবান অসি খরস্থু ফল্দোকই। অদুনা মসিগুম্বা খোল্লোকশিং অসি কোন্দবা নিংশা খোল্লোক্নি।

১৩.২ হক খোন্থোক মখল—হক খোন্থোক্কী মখল অসি খোন্থোক কায়াৎ অমসুং খোন্থোক পথাপকী মতুং ইন্না খায়। অনী অসিমক পুনশিন্না নৈনরগা মখল খায়বগী য়াকমদি নত্তে। তোঙান তোঙান্না নৈনরগা অনীমক্কী ওইবা তোঙানবা মখল্লি। মথাদা খোন্থোক কায়াৎ অমসুং খোন্থোক পথাপকী মতুং ইন্না খায়বা হক খোন্থোক্কী মখলশিং নৈনরি।

১৩.২.১ খোন্থোক কায়াৎনা লেঙ-ওৎলগা অকরবা কায়াৎ অমমমদগী খোকহল্লকপা হক খোন্থোক অদু খোন্থোক কায়াৎকী হক খোন্থোক্লি। কায়াৎশিংগী লেঙ-ওৎপগী মতুং ইন্না নৈনবদা হক খোন্থোক্কী মখল মাপন শুই।

(১) খোরী—হক খোন্থোক্কী ময়েকশিং খোন্থোকপা মতমদা লৈগী তুংথংবা শক্নক্লা মাগী মায়য়োক্লবদা লৈবা অথোৎপা ঙৌগা হাইফেৎ থেংনরগা হায়দোক্লবদি খোরীগী হক খোন্থোক (Velar Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম—ক, খ, গ, ঘ, ঙ, হ।

(২) কোক—অথোৎপা ঙৌ অমসুং অকনবা ঙৌ অনীগী মরক লরাই লেম্ফু মপাগী ঙৌদা লৈতোন্না কোনথৎলগা শোক্লুনা হাযদোকরকপা খোন্থোক অদু কোক্কী হক খোন্থোক (Cerebral Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম— ট, ঠ, ড, ঢ, ণ, ষ, ড়, ঢ়, র।

(৩) ঙৌ—লৈগী মমাঙথংবা শক্নক্লা অকনবা ঙৌদা শোক্লগা হায়দোরকপা খোন্থোক অদু ঙৌগী হক খোন্থোক (Palatal consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম— চ, ছ, জ, ঝ, ঞ, শ, য়।

(৪) য়াবী—লৈতোন্না য়াবীদা শোক্লগা খোকহনবা খোন্থোক অদু য়াবীগী হক খোন্থোক (Apico-Alveolar Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম—ল, ন।

(৫) য়া—লৈত্তোন্না য়াথক পন্থেং শোক্লগা থোকহনবা খোন্থোক অদু য়াগী হক খোন্থোক (Apico-Dental Consonant Sound) হায়না খঙৈ। খুদম—ত, থ, দ, ধ, ন, ল, স।

(৬) চীনবান—চীনবান মথক মখা অনী অসিনা অমগা অমগা শোক্নরগা খোন্থোকপা অদুবু চীনবানগী হক খোন্থোক (Bilabial Consonant Sound) হায়না খঙৈ। খুদম—প, ফ, ব, ভ, ম।

(৭) চীনবান য়া—মখাথংবা চীনবানগা য়াথক্কা থেংনবগা হায়দোকপা খোন্থোক অদু চীনবান-য়াগী হক খোন্থোক (Labio-Dental Consonant Sound) হায়না খঙৈ। খুদম—ৱ।

(৮) নাতোন—হক খোন্থোক অসি খোন্থোকপা মতমদা অথোংপা ঙৌনা থবা মমথবকপদগী চীন মখুন অমদি নাতোন মখুন অনীমক্কা মুংশীং থোরক্লগা অঙংবা অমা য়াওনা হায়দোক্লবদি নাতোনগী হক খোন্থোক (Nasal Consonant Sound) হায়না খঙৈ। খুদম—ং, ঙ ঞ, ণ, ন, ম।

(৯) খোন্থোক উপু মচীন খোন্থোক উপু মচীন্দা ঙাক থংথিং থিংলগা হায়দোরকপা অথিংবা খোন্থোক অদু খোন্থোক উপু মচীনগী হক খোন্থোক (Glottal Consonant sound) হায়না খঙৈ। খুদম— ঃ।

খোন্থোক কায়াৎনা ওইহনবা হক খোন্থোক্কী মখলগী শাক্তম মখাদা উৎলি।

খোন্থোকফম	মমিং	খোন্থোক
(১) খোৱা	খোৱাগী হক খোন্থোক	ক, খ, গ, ঘ, ঙ, হ
(২) কোক (অথোংপা ঙৌ অমসুং অকনবা ঙৌ অনীগী মরক)	কোক্কী হক খোন্থোক	ট,ঠ,ড,ঢ,ণ,ষ,ড়,ঢ়,র,

৩।	ঙৌ	ঙৌগী হক খোন্থোক	চ, ছ, জ, ঝ, ঞ,শ,য
৪।	য়ারী	য়ারীগী হক খোন্থোক	র,ন
৫।	য়া	য়াগী হক খোন্থোক	ত, থ, দ, ধ, ন, ল,স
৬।	চীনবান	চীনবানগী হক খোন্থোক	প, ফ, ব, ভ, ম,
৭।	চীনবান-য়া	চীনবান-য়াগী হক খোন্থোক	ৱ
৭।	নাতোন	নাতোনগী হক খোন্থোক	ং ঙ ঞ,ণ, ন, ম
৯।	খোন্থোক উপু মচীন	খোন্থোক উপু মচীনগী হক খোন্থোক	ঃ

১৩২.২ খোন্থোকী মহৌশা-অমদি হোৎনবা মওং য়ংলগা খোন্থোক পথাপকী মতুং ইন্না নৈনবদা হক খোন্থোকী মখল তরেৎ শুই।

(১) অথিংবা- হক খোন্থোকী খোন্থোরকপা মতমদা থবোক্সীদগী থোরক্লিবা নুংশীৎকী খোঙচৎ অদু চীন মনুংদা করিগুম্বা মফম অমদা ঙহাক্তং থিংলগা থাদোরকপা অদুবু অথিংবা হক খোন্থোক (Stop Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম—ক দগী ম ফাওবগী খোন্থোক অসি অথিংবা হক খোন্থোক্নি। মরমদি খোন্থোকশিং অসি হায়দোরকপদা থোরকপা নুংশীৎ অদু ঙহাক্তং ওইরবসু চীন মনুংদা থিংদুনা থম্মি। মসিবু থারক্লিবা নুংশীৎ অদুনা খোন্থোক্নদাইদা কবিগুম্বা খোন্থোক কায়াৎ অমবু শোক্লম্মী হায়দুনা অশোকপা হক খোন্থোক (স্পর্শ ব্যঞ্জন) হায়নসু খঙনৈ।

(২) য়েৎন-তক্লবা—খোন্থোরকপা মতমদা খোন্থোক বায়াৎ অমী নপশিন্নদুনা নৈবদগী থোরক্লিবা নুংশীৎ অদুনা নমথেক্লুনা তক্লবা অমগা লোয়ননা হায়দোরক্লবদি-য়েৎন তক্লবা হক খোন্থোক (Fricatives or Spirant Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম—শ, ষ, স, হ, অসিগুম্বা খোন্থোকশিং অসি

হায়দোরকপদা করিগুম্বা খোন্থোক কায়াৎ অমা নক্রগা অমদা তক্লরম্মী। ক অসি হায়দোকপা মতমদা নপশিন্নদুনা লৈরিবা চীনবান মথক মথা অনী অসিবু থোরক্লিবা মুংশীৎ অদুনা তক্লরগা নমথেক্লকই।

(৩) নাক-য়েৎ—খোন্থোনকপদা থবোম্বীদগী থোরক্লিবা মুংশীৎবী খোঙচেৎ তক লৈতোম্না য়াখোঙদা শোক্লগা থিংদুনা থম্বদগী লৈগী নাক য়েৎ নাবনা ঙনীদা। থদুংদা থোরক্লবদি নাক-য়েৎকী হক খোন্থোক (Lateral Consonant Sound) হায়না খঙৈ।

খুদম—ল। ল অসি হায়দোনকপা মতমদা লৈতোম্না য়াখোঙদা হাইগত্তুনা শোকপদগী থোরক্লিবা মুংশীৎ অদু মাকন্দা থৈদুনা চৎখি। লোয়নবা অথিংবদু থাদোকপগা লেমহৌবা মুংশীৎ অদু থোরকপদা ল গী খোন্থোক অসি থোক্লকই।

(৪) অনীকপা—খোন্থোয়কপা মতমদা কবিগুম্বা খোন্থোক কায়াৎঅমা মরু ওইনা লৈ অসি বন্না নীকপগী ইনিন অমগা লোয়ননা হায়দোরকপা অদুবু অনীকপা হক খোন্থোক (Trill Consonant Sound) হায়না খঙৈ। খুদম—র, ড, ঢ। র অসি হায়দোরকপা মতমদা লৈনা নীকপগী ইনিন অমা য়াওই।

(৫) অঙংবা—খোন্থোক অমা হায়দোরকপদা অঙংবা মখোন অমগা লোয়ননা নাতোন্দস্থু মুংশীৎ থরা থোরক্লবদি অঙংবা হক খোন্থোক হায়না খঙৈ। খুদম—ঙ, ঞ, ণ, ন, ম। খোন্থোকশিং অসি হায়দোকপা মতমদা অঙংবা মখোন অমগা লোয়মনা নাতোন্নোমদস্থু মুংশীৎ থোরকই।

(৬) অশাবা—করিগুম্বা হক খোন্থোক অমা হায়দোকপা মতমদা থোরককদোরিবা লম্বী অদু য়াম্না চিনবদগী মুংশীৎ অদু শানা থোরক্লবদি অশাবা হক খোন্থোক (উষ্ম ব্যঞ্জন) হায়না খঙৈ। খুদম—শ, ষ, স, হ। খোন্থোক মরি অসি হায়দোরকপা মতমদা থোরকপা [illegible] অদু শাই

(খ) নিংশা মচেৎনবা—হক খোস্বোকী খোস্বোক থন্না করি করিগুম্বদা নিংশা খোস্বোকীগুম মথৌ পাঙথোকপা য়াওই। মসিবু নিংশা মচেৎনবা খোস্বোক (Semi Vowel) হায়না খঙনৈ। খুদম—য়, ব। য় অসি করি করিগুম্বা মতমদা ব্রাহৈগী মরক্তা নত্রগা অরোইবদা লৈবদা নিংশা খোস্বোক ঈ গী মথৌ তৌই।

১৩.২৩ হক খোস্বোক অসি হায়দোকপা মতমদা থবোঙ্গীদগী থোরকপা মুংশীৎকী খোঙচৎ অড়ু কন্না থোরকপা অমদি তপ্না থোরকপগী মতুং ইন্না মখল অনী থোক্না অমুকসু খায়দোকই। —(১) অকনবা অমসুং (২) অশোনবা।

(১) অকনবা—হক খোস্বোক অমা হায়দোকপা মতমদা থোরক্লিবা মুংশীৎ অড়ু কন্না কামথোকপগা লোয়নন্না খোস্বোক্লবদি অকনবা হক খোস্বোক (Aspirated (Consonant Sound)) হায়না খঙনৈ। খুদম—খ, ঘ, ফ ভ অসিনচিংবা। হায়বদি কাঙলুপ খুদিংগী ২ শুবা অমসুং ৪ শুবা খোস্বোক অকনবা হক খোস্বোক্নি।

(২) অশোনবা—হক খোস্বোক অমা হায়দোরকপা মতমদা থবোঙ্গীদগী থোরক্লিবা মুংশীৎ অড়ু য়াম্না শোন্না কামথোরক্লবদি অশোনবা হক খোস্বোক (Un-aspirated Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম— ক, গ, ট, চ, জ, এও অসিনচিংবা। কাঙলুপ খুদিংগী ১ বা, ৩শুবা অমসুং ৫শুবা খোস্বোক মখৈ অশোনবা হক খোস্বোক্নি।

১৩.২৪ হক খোস্বোক অসি খোস্বোরকপদা লোয়নবকপা ঈরায় ইমিনগী মতুং ইন্নসু মখল খায়বা য়াই। খোস্বোবকপদা লোয়নবকপা ঈরায় ইমিনগী মতুং ইন্না খোস্বোকী অপেনবা অমসুং [illegible] হায়বা [illegible] অনী শুই।

(১) অখেবা —হক খোন্থোক অমা হায়দোরকপা মতমদা তক্লবগুম্বদগী থোকপা খ্রে-থ্রা লাউবগুম্বগী ইনিল অমা থবোম্বীদগী থোরকপা মুংশীংনা খোন্থোক-মরীদা ইপোম হৌহন্দুনা থোরক্লবদি অখেবা হক খোন্থোক (Voiced Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম—ক দগী ম ফাওবদা কাঙলুপ খুদিংমকী ৩শুবা, ৪শুবা অমসুং ৫শুবা খোন্থোকশিং অখেবা হক খোন্থোক্নি। ক গী কাঙলুপ্তা গ, ঘ, ঙ অসি অখেবা হক খোন্থোক্নি।

(২) খেদবা—হক খোন্থোক অমা হায়দোরকপা মতমদা খোন্থোক-মরীদা ইপোম কবিমত্তা হৌহন্দনা খোন্থোরক্লবদি খেদবা হক খোন্থোক (Voiceless Consonant Sound) হায়না খঙনৈ। খুদম—কাঙলুপ খুদিংমকী ১বা অমসুং ২শুবা খোন্থোক খেদবা হক খোন্থোক্নি। ক গী কাঙলুপ্তা ক, খ অনী অসি খেদবা হক খোন্থোক্নি।

১৩৩ খোন্থোকফম, খোন্থোক-পথাপ অমদি ফীভমগী মতুং ইন্না খায়বা হক খোন্থোকী মখনগী মবমদা মথক্তা চাউথাক্না নৈনখ্রে। নৈনখ্রিবশিং অসি পূল্লপ শূপচিল্লগা অমতা ওইবা শক্তম অমা মথাদা উৎলি।—

মথুন	খৌরী		কোক		ঙৌ		য়ারী		য়া		চীনবান		চীনবান-য়া		নাতোন		খোঙ্হোক-উপু মচীন
	অখে	খেদ	অখে	খেদ	অখে	খেদ	অখে	খেদ	অখে	খেদ	অখে	খেদ	অখে	খেদ	অখে	খেদ	
আ[illegible]বা অশেংনবা	গ	ক	ড	ট	জ	চ			দ	ত	ব	প					ঃ
[illegible]নবা	ঘ	খ	ঢ	ঠ	ঝ	ছ			ধ	থ	ভ	ফ					
[illegible]									ধ	থ	ভ	ফ					
নাক-[illegible]									শ								
অ[illegible]			ড় ঢ় র														
অঙ্গ'ব	ঙ				ঞ		ন		ন		ম				ং উঙ্ক্রে পনম		
অ[illegible]		হ		য		শ		হ		স							
নিংশ্যা মচেৎনবা					য								ঋ				

১৪

খোঙ্লোক হোংবা



১৪.০ মীওইবগী পুন্সী-শক্তম তক্তনা হোংডি'। মীওইবনা লৌখিবমখৈদি তক্তনা অমুম হোংখিগনি অরেম্পা লৈতনা। পুন্সীগী মশক হোংলিবমখৈদি পুন্সীগা নকৎনা অমদি মরী লৈনবা পুম্নমক হোংবা হায়বসি মহৌশানি। লোন মীওইবগী পুন্সীদা থাদোকবা যাদবা পোৎশক অমনি। অদুনা লোনসু তক্তনা মশক হোংবা মশানা তাররনি। লোন অসি হেক শিজিন্নবখৈ হায়বদ অহিংবা লোন ওইদুনা চৎনদুনা লৈরিবমখৈদি লোনগী মশক অসি অসুম হোংদুনা লৈগনি। লোন্সিনবু অসুম হোংলবদি লোন অমা ওইবদা য়াম্না মক ওইনা মপুং ওইবা থোদোং যাদবা খোঙ্লোকসু হোংবা মশানা তাবনি। লোম্না হোংবা মরী লেননা খোঙ্লোকসু তক্তনা হোংডি মফম-মতম অনাদুং শাউজিনা মতুং ইন্না। অদুনা খোঙ্লোক হায়বসি অমত্তা ওইনা লোনুককা থাক্তদা লৈতে। মতাং মতাংগী মতুং ইন্না থবা থবা লোম খোঙ্লোক অসি ওল্লি।

১৪.১ খোঙ্লোক হোংলিবগী মরম কয়ামক্কন লৈ। মরমশিং অত্তা খাদোকা মশক্তী শাপুনবা মীৎয়েংদা মথন অনী শুই—(১) মপুং নংলুং (২) মপান।

মপুংগী মখন্দা চীন অমদি নাকোঙগী মতুং ইন্না শীজিন্নবীংবা নপেন্দা শাজিন্নবদগী ওইরকপা খোঙ্লোক হোংনবগী মরম পুম্নমক চল্লি।

মপানগী মখন্দনা মীয়ামগী ওইবা খুনাই, লৈঙাক্লোন, লাইনীংলাচৎ, নাৎ, লৈশাল্লোন অমদি মৈহৌরোল্লচিংবনা ওইকনবা খোঙ্লোক [illegible] মরম পুম্নমক চাল্লি।

১৪.২ খোন্থোক হোংনগী অচৌবা মওঙগী অপূনবা মীৎয়েংদা লৈবা মশুং অমসুং মপান হায়বা মথন অনীসিগী মশুংদা য়াওবা খোন্থোক হোংহন্নবগী মরু ওইবা মরমশিং খরা শন্নগা শূপচিল্লগা টৈনবি।

১৪ ২.১ ৱাঙাঙ কায়াৎ থেন্নবা – মীওইবনা ঱া ঙাঙথোকপদা য়ায়া মরু ওইবা থৌদাং য়াৱিবা খোন্থোক কায়াৎ অসি মী খুদিংমক্কী চপ মান্নরবস্থু মীওই থেন্নবনা লেঙ-ওৎপনচিংবা মথৌ ভৌরকপদদি থেন্নে। অসুম্না থেন্নবা লৈবসিনা খোন্থোকপদা মান্নদবা অহোংবা মওঙ অমা লৈহল্লি। খুদম ওইনা মীতৈনা ঋ, ট অসিনচিংবা ময়েকশিংসিগী খোন্থোক চপ চানা হায়দোকপা ঙমদে। মশাগী অশেংবা খোন্থোক্কী মহুত্তা ঱ি, ত ওইনা খোন্থোকই। মসি লৈনা লেঙ-ওৎপগী মওঙ থেন্নবা হায়বদি হাইগন্তুনা কোক (Cerebral) তা শোক্তবদগীনি। অদুনা ঋ, ট অসিনচিংবা ময়েকশিং অসি য়াওবা ৱাহৈ হায়দোকপদা ঱ি ত, গী খোন্থোক্তা মওঙ হোংনা ঙাঙথোকই।

১৪.২২ তাবদা থেন্নবা কনাগুম্বা অমনা ঙাংথোক্কপগী খোন্থোক অদু তাৱিবা মীদুনা থেন্ননা তাবদগী তাৱিবা খোন্থোক অদু অতুম কায়নখিদুনা (চৎনখিদুনা) মশাগী হান্নগী অচুম্বা খোন্থোক্কুদগী মওঙ হোংজি।

১৪.২৩ মঁতৌ তম্বদা মপুং ফাদবা – কনাগুম্বা অমনা খোন্থোক্লকপা ৱাহৈ অদু অতোপ্পনা মতৌ তমদুনা অমুক হায়দোকপদা মপুং ফাদবা হায়বদি শমজিন্না অমদি ৱাংনা হায়দোকপদগীসু খোন্থোক হোংজি। খুদম ওইনা—ব্রাহ্মণগী মহুত্তা বামন হায়বদা চপ মান্নবা ৱাহন্দি লৈ। অদুবু খোন্থোক্তি মান্নদে। হান্নগী হায়দোক্লকপা থোক্লকপা খোন্থোক্কী মওঙ হোংলে। মসি মতৌ তম্বদা মপুং ফাদবনি।

১৪.২.৪ **খুঙদ-হৈতবা**—মক ওইনা অতোপ্পা লোন্নগী চঙলকপা ৱাহৈ লাইরিক-লাইগী হৈতবা অচম্বা মীওইশিংনা মযুং তানা খঙবা ঙমদে। অদুনা মথোয়না হাইরিবা খঙবা মওঙ অদু হেক্তা হায়দোকই। মতুং তাবদগী মদুনা অদুম ৱাহৈদুবু খঙনখি। অস্তুম্না খুঙদ-হৈতদুনা ৱাহৈ হোংনা হায়দোকখিবদগী খোম্থোকস্থ হোংখি। খুদম ওইনা—কেরোসিন হায়গদবদা তেরাশিং নত্রগা দেশিং। মতৌ অসুমদা মপুং ফাদবা অসিমকস্থ খুঙদ-হৈতবগী মরম অমনি।

১৪.২.৫ **ৱা ঙাঙবদা থুবা**—ৱা ঙাঙবদা থুনা থুনা ঙাঙবদগী খোম্থোক হোংহনবস্থ যাওই। শমজিন্না অমদি ৱাহৈনা হায়বা অসিস্থু ৱা ঙাঙবদা থুবগী মরম অমনি। ৱা ঙাঙবদা যাম্না থুরবদি শমজিন্না নত্রগা ৱাহৈনা হায়দোকপদা নত্তনা ৱাহৈদুগী মচেৎ অমা হাম্নগাগা মরী লৈনদনা খোম্থোক পূম্নাথাং হোংদোকপস্থ য়াওই।

১৪.২৬ **হায়দোকপদা নুংঙাইদনা**—খোম্থোক হোংনবগী যাম্না মক ওইবা মরম অমদি হায়দোকপদা নুংঙাইবদগী হোংবা ওসনি। যাম্না লুবা নত্রগা হায়দোকপদা নুংঙাইতবা ৱাহৈদু শমজিন্দুনা নত্রগা অমুক হেন্না কোইথোক্তুনা নুংঙাইগদবা মওঙদা হায়দোকপা হায়বসি মীওইনগী হৈনবী ওইনা তৌই। অস্তুম্না মীওইবনা মশাগী নুংঙাইগদবা মওঙ য়েংদুনা হায়দোকপদগী খোম্থোক য়াম্না তোয়না হোংখি। শমজিন্না অমদি ৱাহৈনা হায়দোক ঙাওযোকপা অসিস্থ হায়দোকপদা নুংঙাইবগী মরম অমনি। হায়দোকপদা নুংঙাইবনা মরম ওইদুনা খোম্থোক হোংহনবগী খুদমদি—তাদ যাযমা হায়গদবদা তাথায। মতৌ অসিগুম স্কুল হায়গদবদা ইস্কুল, কাব্য হায়গদবদা কাইব, ৱাজ্য হায়গদবদা ৱাইজ হায়না খোম্থোকপা য়াওই।

১৪.২৭ **শেম-শাদুনা ঙাঙবা**—কৱিগুম্না ৱাফম অমা হায়দোকপদা কেরবগী মখোনা কয়াহৌরাংবদগী শেম-শাদুনা ঙাঙবদা

মশাগী হায়গী লৈজবা অশেংবা খোম্বোককী অনৌবা খোম্বোকা হোংছি।

১৪.২.৮ **অতোপ্পা লোনগী চৈথেং**—তোঙান তোঙানবা কাঙলুপকী লোন অনী নকশিন্নবদগীসু খোম্বোক হোংলি। লোন অনী নকশিন্নবদা মাইহৈ চঙথোক চঙশিন তৌবদা নত্তনা খোম্বোকসু চঙথোক চঙশিন তৌই। খুদম ওইনা—দ্রাবিড় লোনগা নক্লকবদগী আর্যশিংগী লোন্দা টনচিংবা [illegible] খোম্বা মহেকশিংগী খোম্বোক চঙলকই। মণিপুরী লোনদসু হৌজিক্কি আর্যশিংগী লোন মক ওইনা সংস্কৃত, বাঙ্গলা অমদি হিন্দীগা নকশিন্নদুনা মায়েকশিং চঙথোক-চঙশিন তৌনবদগী খোম্বোকশিং অসি খরা খরা চঙবগুম্বা লৈরে। অসুম্না অতোপ্পা লোনগী চৈথেংনসু খোম্বোক হোংঙলি।

১৪.২.৯ **লৈশাবোন**—লৈশ [illegible]গী মওঙনসু মীওইবগী খোম্বোক হোংঙল্লি। ঈশিং তুংশীত অমসুং অঙাং-অনা খেন্নবা মফমদা লৈবা মীওইশিংগী খোম্বোক মায়দে। অইংবা মদমদা লৈবা মীওই অশাবা লমদমদা লৈবদা অমদি অ[illegible] দগী অঙাংবদা লৈবদা [illegible] কুইরক্লবদি হাঙগী নশাগী ওইথঙ্ক খোম্বোক অদু অনৌবা লেফম অদুগী মতুং ইন্না হোংঙি [illegible] কার্যিরবসি মতম কুইনা থুন্দাদুনা লৈববা মতমদা খো[illegible]পনি।

১৪.২.১০ **থুনাই অমসুং লৈ[illegible]কোনগী ইথিন**—মীয়ামগী অপূনবা শক্তম ওইরিবা থুনাই [illegible]সিনসু লোনগী খোম্বোক হোংহল্লি। মীতৈলোনগী খোম্বোক [illegible]নক চৌংনীশিংগী থুনাইগী মতুং ইন্না খোম্বোক হোংঙি। তমগী মীওইসু চৌংদা লৈদুনা চাংমীশিংগী থুনাইদা মতম কুহনা তেন্দুনা লেপ্লবদি মহাক্কী হাম্নগী খোম্বোক অদু চৌংগী ওইবা থুনাইগী খোম্বোকা হোংলকই। মতো অমিগুম চৌংগী মীওইশিংগী খোম্বোকসু তমগী মীওইশিংগী থুনাইদা কুইনা [illegible] লৈনবদ তমগী মীওইশিংগী [illegible] খরা খরা হোংলকই।

খুনাইনা খোন্থোক হোংহনবগুম লৈঙাকক্লোনগী হাথিনসু খোন্থোক হোংহনবদা মতেং পাংঙি। ঈংনা লৈবাক্ময়া তপ্পা লৈরিবৈঙেগা শা-লানগী মতমগা অনীমিদা খোকপা খোন্থোক খেম্মৈ। শা-লানগী মতম অমদি লৈঙাক্লোনগী ঈরাংদা শাউনবা, খৎনব-চৈনবগী লাউন-খোৎনবদা খোরকপা খোন্থোক হান্নগী খোন্থোকশী হাংঙি। অকননা অয়াকপা খোন্থোক শীঙ্মৈ। ঈংনা তপ্পা লৈবা মতমদা অচুম্বা অঈংবা খোন্থোক থোকই। অসুম্না খুনাই অমদি লৈঙাক্লোনগী ইথিল্না খোন্থোক মতম মতমগী হোংহল্লি।

১৪ ২.১১ নাৎ, লাইনীং-লীচৎ অমদি মৈহৌরোন—নাৎ অমসুং লাইনীং-লীচৎনা লম লমগী মৈহৌরোনগী তোঙান তোঙানবা মশক শেম্লি। লম অমগা লম অমগা নাৎকী মরী লৈনবা অমদি লাইনীং-লীচৎ হোংদোক হোংজিন তৌবনা কাঙলুপ অমগী মৈহৌরোন্দা অহোংবা লাকই। অসিগুম্না মৈহৌরোনগী ওইবা অহোংবা মশক অসিগী মতুং ইন্না কাঙলুপ্পুগী মীওইশিংগী খোন্থোক হোংবা যাওই। মণিপুরগী মৈহৌরোনগী ময়াম্নচনবা মতমদা হিন্দু লাইনীং-লীচৎ অমদি নাৎ চঙলকপগা লোয়নন্না অতোপ্পা লোনগী মরী লৈনবা বাহৈশিং মীতৈলোনগী বাহৈ-পুকৈদা চঙশিল্লবপদা লমদমসিগী লোনগী খোন্থোক নৌনা চঙশিল্লক্লিবা বাহৈশিংগা মরী লৈননা হোংঙি। মসি মৈহৌরোনগী ওইবা নাৎ অমদি লাইনীং লীচৎনা হোংহনবা খোন্থোক্কী অহোংবা মশক্নি।

১৪ ২.১২ লাইরিক ইবশিংগী ইথিল—লাইরিক ইবশিংনা থোৎনা নৌনা নম্রগা কন্না তাননবা মশানা পাম্বা বানান নম্রগা না, বু তাবা অমদি খোঙচৎ (মাত্রা) মশীং মাল্লনবা হায়দুনা থান্না লৈজবা বাহৈগী মশক্তা হাপচিনবা নম্রগা লৌথোকপা যাওই। মতুংগুম্বা বাহৈহু পাবদা খোন্থোক হোংঙি অমসুং অপাবশিংনসু মতৌ তমদুনা অদুম্না মীজিলশিংনসু চৎনখিবা যাওই। খুদম ওইনা মীতৈগী অশৈবা মীনকেতন সিংগী অলাগী

ওইবা বনিদা "লোহ্ন" নত্রগা "সুঙাই" হায়বা ৱাহৈসি মায়ামগী ওইনদি চংনত্রবস্তু অশৈমক্তা ৱাহৈশিংসি যাওবা লাইরিক পাবদা খোংথোক চুম্না পাগে কায়রবদি লোন অমস্তুং সুংঙাই হায়বগী খোংথোক থোকহনা "হ্" অমস্তুং "" যাওবা খোংথোক থোগই। অসুম্না লাইরিক ইবশিংগী ইথিমস্তু খোংথোক হোংহল্লি।

১৪.২.১৩ **ৱাথনগী ইথিম**—মীওইবগী ৱাথন ফীভমগী মথা পোল্লি। মতম মতমগী তোঙান তোঙানবা ফীভমগী মতুং ইন্না ৱাথনস্তু হোংঙি। অৱাবা, নুংঙাইবা, নুংশিবা, অশাউবা লোইবা অসিনচিংবাসি মীওইবগী ৱাথনগী তোঙান তোঙানবা ফীভম ঙাক্তনি। করিগুম্বা ৱাকম নত্রগা ৱাহৈ অমবু ৱাথনগী ফীভমশিং অসিগী মতুং ইন্না মশক হোংহল্লি। ৱাহৈনা মশক হোংলবদি খোংথোকস্তু হোংবা মশানা ঙাম্মবনি। করিগুম্বদনা ৱাহৈগী মশক হোংলবস্তু ৱাথনগী ফীভম্না খোংথোক হোংহনবা যাওই। খুদম ওইনা—"তাদ ইবুংঙো" বু ফজবা নুংঙাইবা ৱাথনগী ফীভমদা "তাইবুংঙো" হায়। তাদ ইবুংঙো নত্রগা তাইবুংঙো অসিমক নুংশিবা ৱাথন পোকপ মতামদা নুপীনা নুপাদকা কৌবদা বেনা লোনা "তাইঙো" হায়। "ইবেম্মা" হায়বা ৱাহৈ অসিমক নুংশিনা চান্না কৌবদা চংথনা অমদি লুম্না, শাউনা কৌবদা যাংনা অমদি থুডঙ্না হায়দোকই। অসুম্না ৱাথনগী ফীভম থেন্নবনস্তু খোংথোক হোংহল্লি।

১৪.৩ মখল্লা পীরিবা মরু ওইবা মবমশিং অসিনা খোংথোক ঙাক্তনা হোংহল্লি। মবমশিং অসিগুম্বা মবম কয়া অমস্তু লৈরি। মতমগী মতুং ইন্না অমদি মীওইবগী পুন্সী শক্তম হোংলকপনা খোংথোক লোনগী মবমশিং কয়া অমস্তু থোরকপা য়াম্মি। মীওইবনা লোনদা ঙাংদোং ওইরুনা, চিংলিং মখেদি খোংথোক অসি অরেম্বা লৈঙ্কনা শক্তম মতম মতুংগী খো খিংলি।

১৫

মীতৈলোনগী খোন্থোক

■

১৫.০ লোন অমগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা খোন্থোক কয়া লৈ হায়বসি ঐখোয়না খঙলবা য়াফম্নি। অদুবু লোন খুদিংমক্তা লৈবা খোন্থোকশিং অসি অমতা মাম্মদে। হায়বদি শোন লোননগী মশাগী ওইবা খোন্থোক তোঙাম্না লৈ; অদুগুম্বা খোন্থোকশিং অদুনা মথং মনাউ মাইনা শাগৎংগা মপুং ফাবা য়াথং অমমম ওইনা ফোঙদোক্লদুনা লোন ওইরিবনি। অদুনা খোন্থোক হায়বসি লোনগীদমক য়াম্না মরু ওইবা যাওদবা য়াদ্রবা পোৎচঙ অমনি। ঐখোয়না মীতৈলোনগী মরমদা মমূৎ তানা লৈনগে অমদি খঙগে হায়বদি মীতৈলোনগী মশাগী ওইবা খোন্থোক খঙফম থোকপনি। অদুনা মরেং অসিদা মীতৈলোনগী খোন্থোক্কী মবমদা চাউরাক্না নৈনরি।

মীতৈলোনগী মশাগী ওইবা খোন্থোকশিং অচৌবা মওঙদা নিংশা অমসুং চক হায়বা মখল অনী অদুম লৈ। অনী অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা খোন্থোকশিংগী অকুপ্পা মরোল তোঙান তোঙাম্না মখাদা নৈনরি।

১৫.১ নিংশা খোন্থোক : মীতৈলোনদা নিংশা খোন্থোক তরুক লৈ। অ, আ, ই, উ, এ অমসুং ও হায়বা অসিনি। মদুদুগী মথক্তা ই অমসুং উগী চপ্তাম্না শক্লোন ঈ অমসুং ঊ হায়বা খোন্থোক অনী অমগা লৈ। অনী অসি ই অমসুং উগী খোন্থোক্কী থবা লুম্না হায়দোকপনি অনীসি নত্তবা ঈ অমসুং ঊ হায়বা খোন্থোক অনী অনগম্বা লৈরি। অকোনবগী অনী অসি নিংশা খোন্থোক অনী অনীনা শিন্নগা থোকহনবা খোন্থোক্নি। ঐ গী খোন্থোক অসি অ + ই না থোকহনবনি, ঔ না অ + উ না থোকহনবনি।

অসিগুম্বা নিংশা খোম্বোক অনীনা তিন্নরগা অতোপ্পা নিংশা খোম্বোক অমা থোকহল্লিবসি "তিন্নরবা নিংশা খোম্বোক" (Dipthong) হায়না খঙনগনি। তিন্নরবা নিংশা খোম্বোক অনী অসিনে ই অমসুং উ গী থরা হেন্না লুম্বা খোম্বোক লৈবা ঈ অমসুং ঊ নে মরি অসিমগা থাম্নবদি মীতৈলোনগী নিংশা খোম্বোক্কি পুম্না ৬না শুই হ.য়বা য়াই।

মথাদা নিংশা খোম্বোকশিংগী খোম্বোকপদা ওইবা মওঙ মতৌগী ফীভম অমসুং মরম নৈনরি।

১৫.১.১ "অ" গী খোম্বোক—মসিগী খোম্বোক অসি হায়দোকপদা চীনবান থরা কাথোকই। মসিগী ফীভম মথাদা হাইথৈ, অতুগা ময়ায়থংবা শব্দক মরু ওইনা তুংথংবা শব্দকা তাইনবা অহু পণ্ডৱাদি য়াংদনা থরা তোঙখৎলপ তৌই। অথোৎপা ঙৌনা য়াংখৎলগা থবোম্বীদগী থোরকপা মুংশীংনা নাতোম্লোনদা চঙখিগদবা লম্বী থিংঙি। খোম্বোক-মমীদনা ইপোম হোই। অতুনা খোম্বোক অসিবু লোম্মীৎ লোল্লয়োনগী মীৎয়েংদা কোন্দবা মরক্কা থবা নেম্বা লৈগী ময়ায়থংবা শব্দকী ওইবা নিংশা খোম্বোক (Unrounded lower mid central vowel) হায়না খঙনৈ। খোম্বোক অসি মীতৈলোনগী য়াহৈগী অহৌবা অমসুং মরক মফম অনীদা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—অমা, অতু, অনী, অক্লা।

মরক—অমগা, অমসুং, নঙ, অফবা।[1]

১৫.১.২ "আ" গী খোম্বোক—খোম্বোক অসি হায়দোকপদা চীনবানগী ফীভম কোন্দে, ফনা নীংথিনা কাথোকই। মসিগী

[1] মসিদা 'ং' না মরক্কা লৈরিবা ফীভমসি ম, ম ন অমসুং ফ দা য়াওরিবা 'অ' অমুনি। হায়বদি নঙ হায়বাসি ন+অ+ঙ না ওইবনি। মসিদা 'অ' অসি মরক্কা লৈ।

ফীভম থরা চিংশিল্লপ তৌরগা মথাদা হাইথফুনা লৈ। লৈগী তুংথংবা শরুক থবা তৌওথংলপ তৌই। লৈগী মতোপ্পা মথাগী যাংখোউদা শোংকই। অথোৎপা তৌনা থরা ৱাংথংলগা নাতোল্লোমদা চংখিগদবা মুংশীংকী লম্বী থিংডি। খোন্থোক-মরীদা য়াম্না নীংথিজনা ইপোম হৌই। অদুনা খোন্থোক অসিবুনা কোন্দবা অনেম্বা লৈগা তুংথংবা শরুক্কী ওইবা নিংশা খোন্থোক (Unrounded low back vowel) হায়না খঙনৈ।[২] খোন্থোক অসি ৱাহৈগী 'অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—আদ, আফিং, আবাম, আরাম্বাই।

মরক—মহাক, অশাবা, নাবা, পাবা।

অরোইবা—অরোইবদা লৈবা "আ'গী খোন্থোক্কি শকুম শনী থোক্না লৈ। অমনা মপুং ফানা 'আ"গী অশাংবা খোন্থোক অহুম লৈবা ৱাহৈশিং। খুদম—মনা, ইতা, ঙাখা, পেঙবা।

"আ"গী অতোপ্পা খোন্থোক অমনা মপুং ফাদবা হায়বদি থরা তেল্লপ তৌনা খোন্থোকপা ৱাহৈশিং। খুদম ওইনা—চৎপা, চাবা, তৌবা, থরা, কপ্পা, যুবা অসিনচিংবা।[৩]

১৫.১৩ "ই" গী খোন্থোক - খোন্থোক অসি হায়দোকপদা চীনবানগী ফীভম থবা ফল্লপ তৌনা উমশিন্নি। লৈগী মমাঙথংবা

---

২ "আ" অসি অশাংবা নিংশা খোন্থোক ওইনবস্থ 'অ' গী অশাংবা শকুমদি নত্তে। অদুবু কনা-কনাগুম্বনদি 'অ' গী অশাংবা শকুম 'আ' নি হায়। মতু অমানমা ৱাৰ্মি। 'অ' অমসুং "আ" অনী অসি মথংশীংনা অমনা অমেনব অমনা অশাংবা ওইবথস্থ তোঙানবা খোন্থোক্নি।

৩ কনা কনাগুম্বনা অসিগুম্বা মীতৈলোনগী ৱাহৈশিং অসি 'আ'গী ওইফম থোকপা অশাংবা খোন্থোক অহু মপুং ফানা খোন্থোকবনা 'আ' অসিগী মহুত্তা 'অ' গী খোন্থোক্কা লোইননি হায়বা য়াওই।

শব্দক অসি অকনবা ঙৌ তন্না য়ায়া ৱাংনা হাইগৎলি, অদুবু অকনবা ঙৌমক্তি শোক্তে; লৈগী মতোন্দি হাইগদে, মথাগী য়াখোঙদা নপশিন্দুনা লৈ। অথোৎপা ঙৌনা মথক্রোমদা থৱা হাইগৎলগা নাত্তোল্লোমদা চৎপা মুংশীৎকী লম্বী থিংঙি। খোঙ্হোক-মরীদা য়ায়া নীংথিনা ইপোম হৌই। অদুগা খোঙ্হোক অসি কায়দোকপদা যাংঙি। অদুনা খোঙ্হোক অসিবু কোন্দবা অৱাংবা লৈগী মমাঙথংবা শব্দক্কী ওইবা অয়াংবা নিংশা খোঙ্হোক (Unrounded high front short vowel) হায়না খুঙনৈ। মসি ৱাহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অদুমক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—ই, ইমা ইথম্বা ইংখোল।

মরক—শিবা, থিবা, চৎখিবা।

অরোইবা—ময়ি, লৈই (লৈয়ি), মচি, ইবাই, চিদাই।

১৫১৪ 'ঈ' গী খোঙ্হোক—খোঙ্হোক অসি কায়দোকপদা চীনবান কোন্দে, ঊমশিল্লগা নাকন অনীদা ফন্দোকই। লৈগী মমাঙথংবা শব্দক য়ায়া ৱাংনা'ই'গীদা থাংগৎপদগীদি হেন্না ৱাংনা হেক ঙমজবা মগুণদা অকনবা ঙৌমক্তি শোক্তনা থাংগৎলি। লৈগী মতোন মফম লোঙদে, মথাগী য়াখোঙদা নপশিন্দুনা লে। অথোৎপা ঙৌনা থৱা বাংখৎলগা মুংশীৎনা নাত্তোল্লোমদা চৎশিগদবা থিংঙি। খোঙ্হোক-মনীদা ইপামত্তু হৌই। কায়দোকপদদি খোঙ্হোক লুম্না কায়দোকই। অদুনা মসিবু কোন্দবা অৱাংবা, লৈগী মমাঙথংবা শব্দক্কী ওইবা অকন্না নিংশা খোঙ্হোক (Unrounded high front long vowel) হায়না খুঙনৈ। খোঙ্হোক অসি ৱাহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অদুমক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—ঈ, ঈকৌ, ঈনোৎ, ঈশিং।

মরক—পীবা, চীন, খীবা।

অরোইবা—কজবী, চৎনবী, মুংশিবী, চৎলম্বী।

"উ" গী খোম্মোক—খোম্মোক অসি হায়দোকপদা চীনবান উমশিল্লি অমসুং কোল্লি। লৈগী তুংথংবা শরুক অথোৎপা ঙৌ তম্না ৱাংনা হাইগৎলি। অদুবু অথোৎপা ঙৌমক্তি শোক্কে। লৈগী মতোন অমদি মমাঙথংবা শরুক মশাগী হায়গী ওইবা ফীভমদা হাইগত্তনা মথাদা অদুম লেঙদনা লৈজে। অথোৎপা ঙৌনা থরা ৱাংখৎলগা মুংশীৎনা মাতোয়োমদা চৎখিগদবা অদুনু থিংঙি। খোম্মোক-মরীদা য়াম্না নীংথিনা ইপোম হোৌই। খোম্মোক অসি হায়দোকপদা খরা য়াংঙি। অদুনা খোম্মোক অসিবু অকোনবা, অৱাংবা, লৈগী মতুংথংবা শরুক্কী ওইবা অয়াংবা মিংশা খোম্মোক (Rounded high back short vowel) হায়না খঙনৈ। মসি মীতৈলোন্দা ৱাহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অচম্মক্তা য়াম্না নীংথিনা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—উ, উবা উন, উরোক।

মরক—অমুবা, অউবা, চুবা, পুবা।

অরোইবা—চৎলু, ঙমু, ওইয়ু, তৌরকউ।

১৫.১.৬ "ঊ" গী খোম্মোক—খোম্মোক অসি হায়দোকপদা চীনবানগী ফীভম কোল্লি. অদুগা য়াম্না নীংথিনসু উমশিল্লি। লৈগী তুংথংবা শরুক অথোৎপা ঙৌ শোক্কীং শোক্কীং তৌনা "উ" গীদা ওইবা ফীভম অদুদগী হেম্না ৱাংনা ঙম্লিবমখৈ ৱাংখৎলি। অথোৎপা ঙৌবু শোকপা নত্রগা করিগুম্বা মওঙ অমদা থোরক্লিবা মুংশীত্তা অপনবা পীবা তৌদে। লৈগী মতোন অমসুং মমাঙথংবা শরুক মশাগী হাম্না লৈবা ফীভম অদুদা অদুম লেঙদনা নপাল্লিন্দুনা লৈ। অথোৎপা ঙৌ খরা ৱাংখৎলি, অদুগা হোম্মোরকপা

সুংশীৎনা নাত্তোল্লোমদা চঙবা থিংডি। খোল্লোক-মরীদা ইপোম হৌই। হায়দোকপদা খোল্লোক লুম্মি। অদুনা মসিবু অকোনবা অৱাংবা লৈগী মতুংথংবা শরুক্কী ওইবা অরূম্বা নিংশা খোল্লোক (Rounded high back long vowel) হায়না খঙই। খোল্লোক অসি ৱাহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা য়াম্না নীংথিনা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—উনশা, উচি, উকায়, উৱাৎ।

মরক—কুমথবা, মউৎ, হুই, ফুবা।

অরোইবা—মমূ, মক, মক্ক।

১৫.১.৭ "এ" গী খোল্লোক—'এ' হায়বা খোল্লোক অসি হায়দোকপদা চীনবানগী ফীভম কোন্দে, মথক মখা অনী অসি নাকন অনীদা ফন্দোকই, অদুগা থরম্থ উমশিল্লপ তৌই। লৈগী মমাঙথংবা শরুক অকনবা ভোবোমদা থরা হাইগৎলি, অদুবু 'ই'গীদা হাইগৎপা ফীভম অদুমক্তি য়েদে। লৈগী মত্তোন অমসুং নাকনগী শরুক্কা মথাগী য়াখেঙদা শোকই। অথোংপা ঙৌনা থরা হাইগৎলপ ভোরগা হোন্দোরকপা সুংশীৎনা নাত্তোল্লোমদা চৎখিপদবা লম্বী থিংডি। খোল্লোক-মরীদসু য়াম্না নীংথিনা ইপোম হৌই। অদুনা খোল্লোক অসি কোম্নবা মরক্কী থরা ৱাংবা লৈগী মমাঙথংবা শরুক্কী ওইবা নিংশা খোল্লোক (Unrounded higher mid front vowel) হায়না খঙই। খোল্লোক অসি ৱাহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—এক, এংবা, এরুবা।[৪]

মরক—কেনা, চেনবা, পেবা।

অরোইবা—মচে, মনে, পেরে।

১৫.১.৮ "ও"গী খোম্বোক—খোম্বোক অসি হায়দোকপদা চীনবান কোল্লি অমস্তুং উনশিল্লি। লৈগী তুংথংবা শরুক খরা বাংথংলি, অদুবু 'উ' গীদা ওইবা ফীভম অদুমক্তি যৌদে। 'এ' গীদা লৈগী মমাঙথংবা শরুক্তা হাইগংপা অদুগী থাক অদু ফাওবদনি। লৈগী মতোন অমস্তুং নাকনগী শরুক্তা মথাগী য়া পরেংদা শোকই। অথোংপা তৌনা হাইগংলগা নাতোলোমদা মুংশীংনা চংখিগদবা লম্বী থিংজি। খোম্বোক-মরীদা ইপোমস্তু হৌই। অদুনা খোম্বোক অসিবু অকোনবা মরকী খরা বাংবা লৈগী তুংথংবা শরুকী ওইবা নিংশা খোম্বোক (Rounded higher-mid back vowel) হায়না খঙৈ। খোম্বোক অসি ৱাহৈগী অহৌবা, মরক অমস্তুং অরোইবা মফম অদুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—ওক, ওইবা, ওরুবা, ওমচারবা।

মরক—অওনবা, মওঙ, অমোংপা পোবা, য়োনবা।

অরোইবা—ইমো, অয়ো, ইবুংঙো, ফবিনো।

১৫.১.৯ "ঐ"গী খোম্বোক—"ঐ" হায়বা খোম্বোক অসি হায়দোকপদা ওইবা খোম্বোক কায়াংশিংগী ফীভম 'অ' অমস্তুং 'ই' অনী অসি হায়দোকপদা ওইবা অদুনক্তি। চীনবানগী ফীভম কোন্দে, অহানবদা চীনবান অসি থরা কারপ তৌরগা মথংদনা খরা অমুক উমশিল্লকই অমস্তুং নাকল ভনীদা ফল্লপস্তু তৌই।

---

৪ মমাঙথৈদদি ৱাহৈশিং অসি 'এ'গী খোম্বোক অসি ওইনা অমুম খোমোক্তবদ্রী। অদুবু হৌজিকী মীতৈলোনগী খোম্বোক্তদি য়েক, য়েংবা, য়েকবা হায়না খোম্বোক্তরে। 'এ'গী অশেংবা খোম্বোক অসি ৱাহৈগী অহৌবদদি ফয়া নীংথিন খোম্বোক্তরে।

লৈগী ময়ায়থংবা শরুক থজিক্কং তোঙলপ তৌই, অদুগা মমাঙথংবা শরুক্তা অকনবা ঙৌ তম্না শোক্তি শোক্ত্না হাইগৎলি। অথোংগা ঙৌশু থরা য়াংখৎলগা নাতোল্লোমদা মুংশীৎনা চৎখিগদবা লম্বী থিংজি। খোম্বোক-মরীদা ইপোমশু হোই। 'অ' অমসুং 'ই' হায়বা নিংশা খোম্বোক অনী অসি তিন্নরগা ওইবা খোম্বোক ওইবনা 'ঐ'হায়বা খোম্বোক অসি তিন্নরবা নিংশা খোম্বোক (Dipthong) নি। খোম্বোক অসি য়াহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—ঐ ঐবু, ঐথোয়।

মরক—চৈবা, কৈবা, অপৈবা, অনৈবা।

অরোইবা—কৈ, লৈ, মকৈ, মরৈ।

১৫.১.১০ "ঔ" গী খোম্বোক—'অ' অমসুং 'উ'গী খোম্বোকপদা ওইবা কায়াৎশিংগী ফীভম অহুমক "ঔ" হায়বা খোম্বোক অসি হায়দোকপদা ওই। চীনবান কোম্লি; অহানবদা থরা কাথোক্লমগা থরা অমুক উমশিল্লকই। লৈগী ময়ায়থংবা শরুক থজিক্কং তোঙলপ তৌই, মতুংথংবা শরুকশু অথোংপা ঙৌ তম্না হাইগৎলি। অদুবু অথোংপা ঙৌদি শোক্তে। অথোংপা ঙৌশু থরা য়াংখৎলগা মুংশীৎনা নাতোল্লোমদা চৎখিগদবা লম্বী থিংজি। খোম্বোক-মরীদা ইপোমশু হোই। 'অ' অমসুং 'উ' হায়বা নিংশা খোম্বোক অনী অসিনা তিন্নরগা ওইবা খোম্বোক ওইবনা 'ঔ' হাযবা খোম্বোক অসি তিন্ননবা নিংশা খোম্বোক (Dipthong) নি। খোম্বোক অসি মীতৈলোন্দা য়াহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—ঔগ্রী, ঔরাইবা।

মরক—পৌবা, ফৌবা, অনৌবা, অহৌবা।

অরোইবা—কৌ, পৌ, নৌ, মমৌ, মরৌ।

১৫.২ হক খোন্থোক—মীতৈলোনগী মশাগী ওইবা মমাঙতৈদগী লৈজরকপা হক খোন্থোক জরামদ্রাদনি—ক, খ, ঙ, চ, স, ত, থ, ন, প, ফ, ম, য, ল, র, হ। তরামঙা অসি মহৌশাদগী হৌনা মীতৈনা নীংথিনা খোন্থোকপা ঙম্লবা অমত্তুং শীজিন্নরক্লবা খোন্থোক্নি। মৈহৌরোনগী ময়ায়চনবা মতমদা অতোপ্পা লোনগা নক্লক্লবদগী নক্লক্লবা লোনশিং অহুগী ঈরায় ইনিন ফংহুনা খোন্থোক থরা মীতৈলোনগী খোন্থোক্তা চঙলকথি। অদুগুম্বা খোন্থোকশিংদু গ, ঘ, জ, ঝ, দ, ধ, ব, ভ, র, শ হায়বা অসিনি। তরা অসিগী মনুংদা গ, জ, দ, ব, র হায়বা মঙা অসিদি মীতৈলোন্দা য়াম্না নীংথিনা শীজিন্নে অমত্তুং খোন্থোকসু নীংথিনা থোকপা ঙম্মি। খোন্থোকশিং অসি য়াওবা ৱহৈ য়াম্না মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূক্লদা লৈ। তোবদবু খোন্থোকশিং অসি মীতৈলোনগী ওইনদি ৱাহৈগী মরক্তুদা লৈ, তহৌবা অমত্তুং অরোইবদা লৈবা ঙমদে। অনৌবা খোন্থোকশিং অসি লৈত্রিঙৈদদি মথংশীংনা গ, চ, ত, প, ল হায়বা খোন্থোকশিং অসিনা মহুৎ শিন্নম্মী। ঘ, ঝ, ধ, ভ হায়বা খোন্থোকশিং অসিনা খোন্থোকপাদি ঙম্মি; অদুবু খোন্থোকশিং অসি য়াওবা মীতৈলোনগী ৱাহৈ লৈতে।* শ অসিনা ঙোদগী থোকপা খোন্থোক্নি। ময়েক ওইনদি হোজিক্কী মীতৈলোন্দা য়াম্না তোয়না শীজিন্নে। অদুবু খোন্থোকপাদ খোন্থোকফম অমত্তা ওইবা চ, জ গী খোন্থোক য়াম্না তোয়না শীজিন্নবা অমদি খোন্থোকপা ঙম্বগুনা শ অসি খোন্থোকপা ঙমদে। মসিমক

---

* ধ অমত্তুং ভ হায়বা খোন্থোক অনী অসি মীতৈলোনগী ৱাহৈদা ৱাপুন (সমাস, Compound) শেম্বদা—তাদ+অহন=তাধন, চউবা+অহন=চাউভন হায়বা অনীলিপ্পংঙি [illegible]

খোম্হোকে হায়বা থৌওইনা হোৎনরক্লবদি স ওইনা হেক্তা খোম্হোকনি। হায়বদি লৈগী ময়াযথংবা শব্দক্তা অকনবা ভৌদা শোক্লগা হায়দোকদনবু লৈগী মতোম্না নক্লগা লৈগী মমাঙথংবা শব্দক্তা মথক্তী য়াখোঙ নক্লগা য়ারী শোক্লীং শোকীংদমক ভৌয়গা হায়দোকই। অদুনা শ অসি খোম্হোক চুম্না হায়দোকপা ঙমদে। অদুনা খোম্হোক কাম্নাৎশিংনা মশা মতোমতনা মহৌশাগী ওইবা মওঙদা লেঙ ওত্তুনা খোম্হোক চুম্না হায়দোক্তুবনি লোন অমগী মশাগী ওইবা অশংবা খোম্হোক ওইবা য়াদে। অদুনা খোম্হোক চুম্না হায়দোকপা ঙমদবা অমদি হায়দোকপা ঙম্নগু লোন্দুগী মশাগী ৱাহৈদা (অপূবা নক্লগা চঙশিন্নকপা নত্তবা) খোম্হোক অদু শীভিন্নবা ঙমত্রবদি অদুগুম্বা খোম্হোকশিং অদু লোন্দুগী অশেংবা খোম্হোক কৌবা য়াদে। ফাসগুম্বা মরুম কযা অসিগী মীৎয়েংদা য়েংশবদি মীতৈ পান্দা লৈবা খোম্হোক নীংথিনা থোকহনবা ঙম্বা ভোয়নমু শীভিন্নবা মীতৈলোনগা অশেংবা হক খোম্হোক ক, খ, গ, ঙ, চ, জ, ত, প, দ, ন, প, ফ, ব, ম, য, র, ল, ৱ, স, হ হায়বা কুন অসিদনি। মথাদা হক খোম্হোকশিং অসিগী খোম্হোকপগী মওঙ অমদি ফীভম মথং মথং ওইনা ৈন্নরি।

১৫.২.১ 'ক'গী খোম্হোক— খোম্হোক অসি হায়দোকপদা অথোৎপা ভৌনা ৱাংখৎলগা নাতোন মরীন্দা মুংশীৎনা চৎপা থিংডি। লৈগী তুংথংবা শব্দক ৱাংখত্তুনা অথোৎপা ভোগা শম্নগা খবোম্বীগী মু শীৎনা চীল্লোমদ। থোরক্তা অদুমু য়াম্না নীংথনা ঙহাক থিংডি। অসুম্না থিংবা অসিদা থোরক্লিবা মুংশীত্তা থবোম্বীদগী অঙনবা শাফ্ অমা পীনকই। শাফ্ অসিনা মরূল ওইদুনা লৈগী তুংথংবা শব্দক অথোৎপা ভোগা শম্নগা অদু লৈমা মথাদা থংহাই হাহথদুনা হেক থাদোকপদা থিংদুনা থম্লগা মুংশীং অদু চীন কাওদুনা মপান্দা খংথোক থোরকই

অমসুং মতম্মতুদা "ক" হায়বা খোন্থোক অসি হায়দোকই। খোন্থোক অসি হায়দোকপদা খোন্থোক-মরীদা ইপোম হৌদে, থোরক্লিবা নুংশীৎকী থোঙচৎসু শোল্লি। খোন্থোক অসি লোন্মীৎ-লোল্লম্নোনগী ওইবা মীৎয়েংদা অশোনবা খেদবা খোবীগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Unaspirated voiceless velar stop consonant) হাযনা খঙনৈ। 'ক' গী খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা ময়াইগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—কবি, কনা, কা, কবোক।

মরক—মকা, মকু, মকুম, অকোয়বা।

অরোইবা—ফক, মথক, মরক, মচাক।

১৫.২২ "খ" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি হায়দোকপদা শইবা খোন্থোক কাপাৎকী পীভম 'ক' গীদা ওইবগা হাইগৎ মান্ন। অথোৎপা ঙৌনা রাংখৎলগা নাতোন মরান শিংক্লিল্লি। লৈগী তুংথংগা শরুক বাখৎলি অমসুং অগোৎপা ঙৌগা শম্নরগা পবোন্থীদগী থোরকপা নুংশীৎপু ঙহাক থিংজিনা থম্মি। ঙহাক্কী অথিংবা অসিন থোরক্লিবা নুংশ তুা পা ঙ্মীগী অহিনবা শাফু অমা পীরপই। শাফু অসিনা নরম ঙহক্লনা অথোৎপা ঙৌগা লৈগী তুংথংগা শরুক্কা শম্নরম্না অতু লৈনা নথাদা তাকথতুনা খ থা থাদোনই, নত্তমতুদা থিংলো লৈরম্না নুংশীৎনা খাংপোক পোনকপগা শায়নন। 'খ' গী খোন্থোক অসি হায়দোকই। খোন্থোক অসি হায়দোকপদা খোন্থোক মরীদা ইপোম হৌদে, অতুন্ নুংশীৎকী থোরক্কবা খোঙচৎতু কল্লি খোন্থোক অসি লোন্মীৎ লোল্লম্নোনগী ওই। মীৎয়েংদা অকনবা খেদবা খোবাগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Aspirated voiceless velar stop consonant) হায়না খঙনৈ। মীতৈলোন্দা খোন্থোক অসি ময়াইগী অহৌবা অমসুং মরক মফম অনী অসিদদা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—খরা, খক্তিক, খজিং, খরায়।

মরুক— মখা, মখুম, মখন, মখোয়।

১৫.২.৩ "গ" গী খোম্ভোক—খোম্ভোক অসি হায়দোকপদমু 'ক' গীদা ওইবা কায়াৎশিংগী ফীভম অদুগা হাইকেৎ অদুম মমাইম্নে। খোম্ভোক অসি হায়দোকপা মতমদা অখোৎপা ভৌনা হাইগৎলগা নাতোন মন্নীন থিংজিল্লি। মুংশীৎনা চীল্লোমদা থোরকদবা লম্বীমু লৈগী তুংথংবা শরুক্লা অখোৎপা ভৌগা শমন্নগা থিংজিল্লি। অথিংবা অসিনা মমম ওইদুনা থোরক্লিবা মুংশীত্বা থবোম্বীদগী অঙৈনবা শাফু অমা পীরকই। ম্রাংখৎলুবা লৈনা অমুক নেমথরক্লুনা অখোৎপা ভৌগা শমন্নবা হেক থাদোকপদা থিংদুনা থম্লবা মুংশীৎ অদু চীন ফাওদুনা থুনা মপান্দা থোরকই অমস্তুং মতমদুদা 'গ' গী খোম্ভোক অসি থোকহনবা ঙম্মি। খোম্ভোক অসিদা খোম্ভোক মন্নীদা ইপোম হৌই; থোরক্লিবা মুংশীৎকী থোঙচৎ 'ক'গীদগী হেন্না শোল্লি। অদুনা খোম্ভোক অসিবু লোম্মীৎ-লোলস্নোনগী ওইবা মীৎয়েংদা অশোনবা অখেবা থৌবাগী ওইবা অথিংবা হক খোম্ভোক (Unaspirated voiced velar stop consonant) হায়না খঙনৈ। মীতৈলোন্দা "গ" হায়বা খোম্ভোক অসি রাইহৈগী মরকুদা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

মরক—চাগনি, ফুগনি, তৌগদবনি, লৈগদবা।

১৫.২.৪ "ঙ" গী খোম্ভোক খোম্ভোক অসি হায়দোকপদমু লৈগী তুংথংবা শরুক্লা ম্রাংখক্তুনা অখোৎপা ভৌগী মাঙথংবা শরুক্লা শোল্লগা মুংশীৎনা চীল্লোমদা থোরকপা যাম্না নাথিনা থিংজি। অখোৎপা ভৌনা খরা নেমথরক্লগা নাতোল্লোমদা মুংশীৎকী লম্বী পী। লোয়ননা মখাদা খুংগাই হাইথরক্লুনা অখোৎপা ভৌগা শমন্নবা থাদোকপদা খোম্ভোক অসি হায়দোকই। খোম্ভোক অসিদা খোম্ভোক-মন্নীদা ইপোম হৌই, থোরক্লিবা মুংশীৎকী

খোঙচৎ শোল্লি। নাতোল্লোমদা পুংশীৎ [illegible] খোরকপা যম্না অঙংবা মখোন অমম্থু য়াওই। [illegible]-লোয়ল্লোনগী ওইবা মীৎয়েংদা খোন্থোক অসিবু [illegible] অখেবা নাতোনগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Unaspirated voiced nasal stop consonant) হায়না খঙনৈ। খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা য়াহৈগী অহৌবা, মরক অমম্মং অরোইবা মফম অম্মক্তা য়াম্না নীংথিনা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—ঙা, ঙমু, ঙহাক, ঙকপা।

মরক্—অঙাং, অঙৌবা, মঙা, মঙোন্দা।

অরোইবা—রাঙাঙ, অপঙ, য়াঙ, খ্বাঙ।

১৫ ২৫ "চ" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি হায়দোকপদা ময়ায়থংবা শব্দক্তা য়াংখৎলগা অকনবা ভৌগা শম্নমুনা থবোন্নীদগী থোরকপা মুংশীৎনা চীল্লোমদা থোরকপা য়াম্না নীংথিনা থিংদুনা ঙহাক্তুং থম্মি। অথিংবা অসিনা মরম ওইদুনা থোরক্লিবা মুংশীত্তা থবোন্নীদগী অঙীনবা শাফু অমা পীরকই। পীরক্লিবা শাফু অসিনা লৈগী মগায়থংবা শব্দক্তা অকনবা ভৌগা শোক্লরম্বা অদু মথাদা হাইথদুনা শম্লবা অদু তোকহলি অমম্মং পন্দুনা লৈরম্বা মুংশীৎ অদু চীন ফাওদুনা মপান্দা থোরকই। মতমসিদা 'চ' গী খোন্থোক থোকহল্লি। খোন্থোক অসিদা অথোৎপা ভৌনা য়াংখৎপগা নাতোন মরীন থিংজিন্দুনা মুংশীৎনা নাতোল্লোমদা চৎপা থিংঙি। খোন্থোক মরীদা ইপোম হৌদে; থোরক্লিবা মুংশীৎকী খোঙচল্লি শোল্লি। খোন্থোক অসি লোম্মীৎ-লোয়ল্লোনগী মীৎয়েংদা অশোনবা থেদবা ভৌগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Unaspirated voiceless palatal stop consonant) হায়না খঙনৈ। খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা য়াহৈগী অহৌবা [illegible] ঙম্মি। [illegible]—

অহৌবা—[illegible], চাবা, চথোন।

মরক—মচা, মচু, [illegible], মচং।

১৫.২.৬ "জ" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসিসু 'চ' গীগা হাইরেং মমান্নৈ। খোন্থোক অসি হায়দোকপদা অথোংপা ঙৌবা য়াংথংলগা নাতোন মরীন থিংজিল্লি। মৈগী ময়ায়থংবা শরুক্তা য়াংথত্তুনা অকনবা ঙৌগা শোকয়গা সুংশীংনা চীল্লোমদা থোরকপা য়াম্না নীংথিনা ঙহাক্তি থিংহুনা থম্মি। অম্সুম্না অথিংবা নৈবা অসিনা সুংশীত্তা থবোম্বীদগী অঙনবা শাফু অগা পীরকই। শাফু অসিনা মরম ওইদুনা নৈনা মথাদা কাইথদুনা অকনবা ঙৌগা শম্নবম্বা অদু থাদোকপা মতমদা পন্দুনা নৈরম্বা সুংশীংনা চীন কাওদুনা মপান্দা থোরকই অমসুং মতমদুদা খোন্থোক অসি হায়দোকই। খোন্থোক অসি হাযদোকপা মতমদা খোন্থোক মরীদা ইপোম হৌই; থোবক্রিবা সুংশীংকী খোঙচৎ 'চ' গীদগী হেন্না শোল্লি। খোন্থোক অসি লোন্মীৎ-লোল্লম্লোনগী ওইবা গীৎয়েংদা অশোন্‌বা অখেবা ঙৌগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Unaspirated voiced palatal stop consonant) হায়না খঙনৈ। খোন্থোব অসি মীতৈলোন্দা য়াথৈগী মরক্তা নৈবা ঙম্মি।[৬] খুদম—

মরক—চাজসন্ন, তৌংবা, নিজগা।

১৫.২.৭ "ঙ" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি হায়দোকপদসু অথোংপা ঙৌনা থরা য়াংথংলগা সুংশীংনা নাতোন্লোমদা থোক্রকদবা লম্বী য়াম্না নীংথিনা থিংঙি। মৈগী মতোনথংবা শরুক্তা হাইগংলগা মথক্কী মাখোঙগা শোকদুনা চীল্লোমদা থোরকপা সুংশীংপু ঙহাক থিংদুনা থম্মি। অথিংবা অসিনা সুংশীত্তা

৬ মীতৈলোন্দা য়াথৈগী অহৌবদা 'জ' গী খোন্থোক নৈবা য়াথৈ [illegible] "জখোই"।

থবোম্বীদগী অঙীনবা শাফু অমা পীরকই [illegible] ফু অসি লাকপদা
লৈত্তোম্না হাইথরকুনা মথক্কী য়াদা [illegible] অদু থাদোকই। লৈনা
হাইথরকুনা অথিংবা হেক থাদোকপদু [illegible]দুনা লৈনম্বা মুংশীৎ অদু
থুনা মপান্দা থোরকপগা লোয়ননা 'ত'গী খোন্থোক অসি হায়দোকই।
খোন্থোক অসি হায়দোকপদা খোন্থোক-মরীদা ইপোম হৌদে; থোরক্লিবা
মুংশীৎকী খোঙচৎ শোল্লি। খোন্থোক অসি লোম্মীৎ-লোল্লমে নগী
মীৎয়েংদা অশোনবা খেদবা য়াগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক
(Unaspirated voiceless apico dental stop consonant)
হায়না খঙনৈ। খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা অহৌবা, মরক
অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—তবা, তবেঙ, তযুম, তাউবা।

মরক—মতুম, মতোং, মতৈ, মতোন।

অরোইবা—তাৎ, তবেৎ, পোৎ।

১৫.২৮ "থ" গী খোন্থোক - খোন্থোক অসি হায়দোকপদা
ওইবা খাম্থোক কায়াৎশিংগী ফীভম 'ত'গীদা ওইবা অতুগা অচুম
মমাম্নৈ। মান্নদবা হায়বদু খোন্থোক অসি হায়দোকপদা থোরক্লিবা
মুংশীৎকী খোঙচৎ কল্লি। খোন্থোক অসি হায়দোকপা মতমদসু
অথোৎপ ভৌনা য়াংখৎলগা থবোম্বীদগী থোরকপা মুংশীৎনা
মাতোল্লোমদা চৎথিগদবা থিংঙি। লেগী মতোম্না হাইগৎলগা
মথক্কী য়া পরেংদা শোক্কুনা মুংশীৎনা চীন ফাওদুনা মপান্দা
থোরকপসু থিংঙি। অথিংবা অসিদগী মুংশীত্তা থবোম্বীদগী
অঙীনবা শাফু অমা পীরকই। মতমসিদা লৈনা য়া পরেংগা
শম্নরম্বা হেক তোকপদা পন্দুনা লৈরম্বা মুংশীৎ অদু অকনবা
খোঙচত্তা চীন ফাওদুনা মপান্দা থোরকপগা লোয়ননা 'থ' গী
খোন্থোক অসি হায়দোকই। মসিদা খোন্থোক-মরীদা ইপোম হৌদে।
খোন্থোক অসি লোম্মীৎ-লোল্লমোনগী ওইবা মীৎয়েংবা অকনবা

খেৎবা য়াগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Aspirated voiceless apico-dental stop consonant) হায়না খঙনৈ। মীতৈলোন্দা খোন্থোক অসি য়াহৈগী অহৌবা অমসুং মরক মফম অনীসিদদা লৈবা উদ্ম্মি। খুদম—

অহৌবা—থা, থম্মোয়, থাজবা, থাদোকপা।

মরক—মথা, মথোন, মথোই, অথোংবা।

১৫.২.৯ "দ" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসিগীসু 'ত' গীদা ওইবা মওঙ অদুগা হাইফেৎ অহুম মমাল্লে। মামদবা হায়বদু খোন্থোক অসি হায়দোকপদা খোরক্লিবা মুংশাংকী খোঙচৎ 'ত' গীদা খোরকপা খোঙচৎ অদুদগী হেন্না শোল্লি, অদুগা খোন্থোক-মখীদা ইপোম হৌই। খোন্থোক অসি হায়দোকপদসু ন'তোন মখীনবু অথোৎপা ওৗনা বাংথৎলগা য়ান্না নীংথিনা থিংজিল্লি। লৈগী মতোন্নসু মথক্কী য়া পরেংদা শোক্লগা চীল্লোমদা খোরকপা মুংশীংকী লম্বী ওহাক থিংদুনা থম্মি। অথিংবা অসিনা থবোক্নীদগী মুংশাংগী অঙৈনবা শাফু অমা পীরকই। অদুদগী লৈনা মখাদা হাইথদুনা য়াগা শমরম্বা কেক থাদোকপদা পন্দুনা লৈবম্বা মুংশীৎ অদু চীন ফাওদুনা মপান্দা থোবকই, অমসুং মতমদুদা খোন্থোক অসি হায়দোকই। খোন্থোক অসিবু লোম্মীৎ-লোমম্লোনগী ওইবা মীৎয়েংদা অশোনবা অখেবা য়াগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Unaspirated voiced apico-dental stop consonant) হায়না খঙনৈ। খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা য়াহৈগী মরক্তদা লৈবা উদ্ম্মি। খুদম—

মরক—চাদবা, তৌগদবা, যুগদবনি।

১৫.২.১০ "ন" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি হায়দোকপদা লৈগী মতোন্না য়াথক পরেংদা শোক্লগা মুংশীংনা চীল হাওদুনা মপান্দা থোরকপদা য়াম্না নীংথিনা থিংজিল্লি। অথোৎপা

থৌ নেমথরকই অমত্তুং থবোক্কীদগী খোরকপা মুংশীৎপু নাত্তোংলোমদা চংথিনবা লমী মী।" লোয়ননা শাইগকুপ্না লৈরবা লৈনা মখাদা হাইথরক্কুনা মাগা শম্ররবা থাদোকপা মতমদা খোরক্লিবা মুংশীৎ অদু নাত্তোন অনদি চীন অনীমক্তা থরা থরা খোরক্লপা 'ন'গী খোন্থোক অসি হায়দোকই। খোন্থোক অসি হায়দোকপদা খোন্থোক মরীদা ইপোম লৌই, খোরক্লিবা মুংশীৎকী খোঙচৎ শোল্লি। নাত্তোন্দা মুংশীৎ থরা খোরকপদা থরা ঙংলগ ঙৌবা অমত্তু য়াওই। অদুনা খোন্থোক অসি অশোনবা অখেবা য়া-নাত্তোনগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Unaspirated voiced apico dental nasal stop consonant) হায়না খঙই। খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা য়াহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুমক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—নম, নাকন, নৈবা, নাম্বা।

মরক—মনা অনাবা, অনোয়বা, অনৌবা।

অরোইবা—নাচন, লোন, মরোন মকোন।

১৫ ২ ১১ "প" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি হায়দোকনা মতমদা অখোৎপা ঙৌনা য়াংখৎলগা নাত্তোন মরীন য়াম্না নীংথিনা থিংজিল্লি। চীল্লোমদা খোরকপা মুংশীৎসু চীনবান মথক মথা অনীনা উমশিল্লগা থিংদুনা থম্মি। অথিংবা অসিনা মুংশীত্তা থবোক্কীদগী অঙীনবা শাফু অমা পীরকই। মতমত্তুদা চীনবান অনীনা উমশিন্নবা থাদোক্তুনা কেক কাথোকপদা থিংদুনা থম্মবা মুংশীৎ অদু থঙকোদনা খোরকপগা লোয়ননা "প" গী খোন্থোক অসি হায়দোকই। খোন্থোক অসিদা খোন্থোক-মরীদা ইপোম লৌদে, খোরক্লিবা মুংশীৎকী খোঙচৎসু শোল্লি। অদুনা খোন্থোক অসি লোম্নাৎ-লোয়নবানগী মীৎয়েংদা অশোনবা খেদবা চীনবানগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Unaspirated voiceless bilabial stop consonant) হায়না খঙই।

মীতৈলোন্দা খোন্থোক অসি ৱাহৈগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুমমক অসিদা য়াম্না নীংথিনা শীজিন্নবা ঙম্মি। খুদম —

অহৌবা—পা, পম্বেং, পন্থুপ, পান।

মরক—মপা, মপুন, মপাং, মপাক।

অরোইবা—মহাপ, মকাপ, হুপ, মথুপ।

১৫.২.১২ "ফ" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি হায়দোকপদা খোন্থোক কায়াৎশিংগী ফীভম 'প' গীগা অচম মাইং, অদুগা খোবক্লিবা নুংশীৎকী খোঙচত্তি কয়ি। খোন্থোক অসি হায়দোকপদসু অপোৎপা ভৌনা য়াংখৎলগা নাক্তান মরীন অসি থিংজিন্নুনা নুংশীৎনা নাক্তাগ্রোমদা চৎকদবা দুম্মী থিংঙি। চীগ্রোমদা খোয়কপা নুংশীৎসু চীনবান অনীনা উমশিন্দুনা ঙহাক থিংঙি। অথিংবা অসিনা নুংশীত্তা থবোংখীদগী অঙনবা শাক পীরকই। থিংঙবা নুংশীৎ অসি চীনবান অনীনা কাথোক্লুনা হেক থাদোকপা মতমদা য়াম্না কন্না কামথোকপগা লোয়ননা মপান্দা থোকখি অমসুং মতমদুদা 'ফ' গী খোন্থোক অসি হায়দোকই। খোন্থোক অসিদা পোন্থোক মরীদা ইপোম তৌদে। অদুনা খোন্থোক অসিবু অকনবা খেদবা চীনবানগী ওইবা অথিংবা হক খোন্থোক (Aspirated voiceless bilabial stop consonant) হায়না খঙই। খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা ৱাহৈগী অহৌবা অমসুং মরক মফম অনীদদা নৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা— ফৌ, ফরক, ফদি, ফকবা।

মরক—মফৈ, অফগা, অফাংব, অয়ুফপা।

১৫.২.১৩ "ব" গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি হায়দোকপদা ওইবা খোন্থোক কায়াৎশিংগী ফীভম 'প' গীদা ওইবা অদুগা চপ মানৈ। ভৌনদসু খোবক্লিবা নুংশীৎকী খোঙচাত্ত প গীদগী

হেন্না শোল্লি; অদুগা খোস্বোক অসি হায়দোকপদা খোস্বোক-মরীদা ইপোম কৌবা খোস্বোক অসিদস্তু ওথোকপা তৌনা বাংখৎলগা নাস্তোন মরীন খিংজিল্লি। চীল্লোমদা থোরকপা মুংশীৎপু চীনবান অনীনা উমশিল্লগা য়াম্না নীংথিনা থিংডি। অথিংবা অসি লৈবনা মুংশীত্তা খবোম্বীদগী অইনবা শাফু অম্না পীরকই। মতমদুদা চীনবান অনীনা কাথোক্কুনা পিংদুনা থম্লা মুংশীৎ অদু হেক থাদোরকপদা মুংশীৎনা মপান্দা থোরকপগা লোয়ননা 'ব' গী খোস্বোক অসি হায়দোকই। খোস্বোক অসি লোন্মীং-লোল্লয়োনগী ওইবা মীৎয়েংদা অশোনবা অখেবা চীনবানগী ওইবা অথিংবা হক খোস্বোক (Unaspirated voiced bilabial stop consonant) হায়না খঙই। মীতৈলোন্দা মসি য়াহৈগী মরক্তা লৈনা ডল্লি। খুদম—

মবক—চাবা, পাম্বা, ফুবগীদমক, ভৌবনি।

১৫ ২.১৪ "ম" গী খোস্বোক—খোস্বোক অসি হায়দোকপদা চীনবান অনী অসি উমশিন্দুনা চীনগী মরীন অসি য়াম্না নীংথিনা থিংজিল্লি। অথোংপা তৌনা কোমথরকই, অদুগা খবোম্বীদগী থোরকপা মুংশীৎ নাত্তোন ফাওদুনা মপান্দা থোরকই। লৈদি মতৌশাগী ওইবা ফীভমদা লেঙদনা লৈ। মুংশীৎনা নাত্তোল্লোমদা খরা থোরকপগা লোয়ননা চীনবান অনীনা উমশিন্দুনা মুংশীৎকী লম্বী খিংবা হেক থাদোকপদা 'ম' অসি হায়দোকই। খোস্বোক অসিদস্তু খোস্বোক-মর দা ইপোম হৌই, থোরক্লিবা মুংশীৎকী খোঙচৎস্তু শোল্লি। খোস্বোক অসি লোন্মীং-লোল্লয়োনগী ওইবা মীৎয়েংদা অশোনবা অখেবা চীনবান-নাত্তোনগী ওইবা অথিংবা হক খোস্বোক (Unaspirated voiced bilabial nasal stop consonant) হায়না খঙই খোস্বোক অসি মীতৈলোন্দা য়াহৈগী অকৌবা, মরক অমম্বুং অরোইবা মফম অদুম্মক্তা শীজিন্নবা য়াই। খুদম—

অহৌবা—মচান, মহাক, মথোয়, মাগী।

মরক—অমা, মমা, অমসুং, খংোয়।

অরোইবা—ময়ম, মনম, খুনাম, মখায়।

১৫.২.১৫ "য়" গী খোঞ্জোক—খোঞ্জোক অসি হায়দোকপা মতমদা নৈগী মমাঙথংবা শক্কা খরা য়াংলপ তৌনা অকনবা থৌ অমা হাইগৎলি; অদুগা চীনবান মথক-মথা মনী অসিমু খরা কন্দোকই। অথোৎপা ঙৌনা য়াংখৎলগা নাতোন ময়ীন থিংজিন্দুনা সুংশীৎনা নাতোনমোমদা চৎকদবা লম্বী থিংঙি। খোঞ্জোক-মরীদা ইপোমসু হৌই; খোরক্রিবা সুংশীৎকী খোঙচৎ শোমি। খোঞ্জোক অসি লোম্মীৎ-লোমমোনগী ওইবা মীৎয়েংদা অশোনবা অখেবা ঙৌগী ওইবা হক খোঞ্জোক (Unaspirated voiced palatal consonant) হায়না খঙনৈ। খোঞ্জোক অসি মীতৈলোনদা য়াৎকগী অহৌবা অমসুং মরক্তা, নিংশা মচেৎনবা ওইনা য়াৎহগী মরক অমসুং অরোইবদা লেবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—য়ু, য়ুম, য়াম্না, য়ানা।

মরক—ময়াম, ময়োম, ময়োন, ময়ান।

নিংশা মচেৎনবা ওইনা—

মরক—হায়বা, য়ায়বা, কায়বা।

অরোইবা—য়াহায, ময়ায়, কোকায়।

১৫.২.১৬ "ল" গী খোঞ্জোক—খোঞ্জোক অসি হায়দোকপদা অথোৎপা ঙৌনা য়াংখৎলপা সুংশীৎনা নাতোনমোমদা চংখিলদবা থিংঙি। নৈগী মতোমসু হাইগৎলুনা মথকী য়াখোঙদা শোকই। অদুগা নৈতোম্না হাইগৎলুনা মথকী য়াখোঙদা শোকপা অসিদ চীনগী ময়াম চপ চানা অখিংবা অনা পীবদগী খবোম্নীদগী খোরক্রিবা সুংশীৎ অদু নৈগী নাক-মেৎ নাকম অনীদা থেদুনা থোরকই। মতমসুদা 'ল' গী খোঞ্জোক অসি হায়দোকপা ঙম্মি।

খোস্লোক অসি হায়দোকপদা খোস্লোক-মরীদা ইপোম্ন [illegible] খোরক্লিবা মুংশীংকী খোঙচৎ শোল্লি। খোস্লোক অসি লোস্মীৎ-লোল্লম নৈনবগী মীয়েংদা অশোনবা অখেবা য়াগী ওইবা নাক-য়েংকী হক খোস্লোক (Unaspirated voiced apico-dental lateral consonant) হায়না খঙনৈ। খোস্লোক অসি মীতৈলোন্দা রাইগী অহৌবা, মরক অমসুং অরোইবা মফম অহুম্মক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—লা, লকু, লং, লু।

মরক—অক্লা, ফক্লাং, কয়্লাক, মঙলাক্লবা।

অরোইবা—মরল, মথল, রাখল, খোঙ্গেল।

১৫.২.১৭ "র" গী খোস্লোক—খোস্লোক অসি হায়দে কপদসু অথোৎপা ঙৌনা রাংথৎলগা নত্তোন মরীন থিংজিল্লি। লৈগী মত্তোন অকনবা ঙৌ শোক্লীং-শোক্লীং তৌনা হাইগৎলি। খোস্লোক-মরীদা ইপোম কৌই, পোযননা খোস্লোক অসি হায়দোকপদা লৈদা নীকপগী ইনিন অমসু ফাওই। খোরক্লিবা মুংশীংকী খোঙচৎ শোল্লি। খোস্লোক অসি লোস্মীৎ লোল্লোনগী ওইবা মীংয়েংদা অশোনবা অখেবা অনীকপা হক খোস্লোক (Unaspirated voiced trill consonant) হায়না খঙনৈ। খোস্লোক অসি মীতৈলোন্দা রাইগী মরক্তদা লৈবা ঙম্মি। খুদম—

মরক চারবদি, তৌরম্রবদি কানকপা মিরাং।

১৫.২.১৮ 'ব'গী খোস্লোক খোস্লোক অসি হায়দোকপদা অথোৎপা ঙৌনা মথক্তা হাইগৎলগা মুংশীংনা নাত্তোল্লোমদা চৎথিগদবা লম্বী থিংডি। মথাগী চৌনবান মথক্তী য়া পক্লেংগা শোক্লে। মতমঙদা মুংশীংনা শোক্লরিবা কাথাৎ অনা অসিগী মরক্তা চৎনবা লম্বী থিরকই অমসুং য়াগী অহোবা মকমথিং ফাওদুনা মপান্দা থোরকই। মতমদুদা 'ব'গী খোস্লোক থোকই। খোস্লোক অসিদসু খাস্লোক-মরীদা ইপোম কৌই; পোক্লিবা

[illegible] শৌরি। খোম্বোক অসি লোম্মীৎ-লোল্লয়োনগী [illegible] মীৎয়েংদা অশোমবা অখেবা চীনবান-য়ারী ওইবা [illegible]বা হক খোম্বোক (Unaspirated voiced labio-dental fricative consonant) হায়না খঙই। মীতৈলোন্দা খোম্বোক অসি ৱাহৈগী অহৌবা অমসুং মরক মফম অনী অনিমদা লৈবা ওয়ি। খুদম—

অহৌবা—ৱা, ৱারম, ৱাঙবা, ৱাংলেন।

মরক—অৱাবা, মৱাইহৈ, অৱাং।

১৫.২.১৯ "স"গী খোম্বোক—খোম্বোক অসি হায়দোকপদা য়াথক য়াথা পনেং অনী অসি শোক্লীং শোক্লীং তৌই, চীনবান য়াম্না কাখোক্তে। মৈগী মতোম্না হাইগন্তুনা য়ারীবু শোক্লীং শোক্লীং (শোককাস্তুনা) তৌনা মুংশীৎনা খোরকপা লম্বী য়াম্না খুনা অমদি চিন্না থম্মি। মৈগী মমাওথংবা শরুকশু অকনবা ঙৌ মপাদা থরা হাইগৎলগ তৌই। মতমদুদা 'স'গী খোম্বোক অসি হায়দোকপা ওয়ি। খোম্বোক অসি হায়দোকপদা অখোৎপা ঙৌনা ৱাংখত্তুনা মুংশীৎনা নাত্তোল্লোমদা চৎখিগদবা লম্বী থিংঙি। খোম্বোক মৱীদা ইশোম হৌদে; চীল্লোমদা খোরকপা মুংশীৎকী খোঙচৎ কল্লি। খোম্বোক অসি লোম্মীৎ-লোল্লয়োনগী ওইবা মীৎয়েংদা অকনবা খেদবা য়ারীগী ওইবা য়েংৎনতরুবা হক খোম্বোক (Aspirated voiceless alveolar fricative consonant) হায়না খঙই। খোম্বোক অসি মীতৈলোন্দা ৱাহৈগী অহৌবা অমসুং মরক মফম অনীসিদা লৈবা ওয়ি; খুদম—

অহৌবা—সনা, সা, সিবা, সন।[7]

মরক—অসি, অসুম, অম্বাই।

[7] খোম্বোক মীংথিনা খোকহনবা ওয়রবত্তু 'স' অসি মীতৈলোনগী ৱাহৈশিংদা য়াম্না তোয়না শীজিন্নদে। মীংথিনা খোম্বোকপা ওমদবা 'শ'দি য়াম্না শীজিন্নই। অসুম চৎনবিবদগী 'শ' অসি য়াম্না তোয়না শীজিন্নরবশু খোম্বোক্তি 'স'গীনি। খুদম পীরিবা অসিদা য়াওরিবা সা, সিবা, সন হায়বা ৱাহৈশিং অসি হৌজিকী চৎনরিবা মীতৈলোনগী ৱাহৈশিংদি 'শ' থাকনি।

১৫.২ ২০ "হ"গী খোন্থোক—খোন্থোক অসি [illegible] মতমদা খংবোমীবুগী খোরকপা সুংশীংকী দবী [illegible] মখুৎতা লাওনা কাখোক্তুনা পী। তৈদি মথাগী হাৎনী ওইবা কীত্তমদা লেপ্তনা মথাদা অত্থুব মত্থুনা তৈজে। চীন মহুংদা তৈবা সুংশীত্তা করিগুম্বা মথনগী অখিংবা, অপনবা নত্রগা চপশিনবনচিংবা মওঙ অমতা খোকহল্লে। মতমদা সুংশীংনা অপনবা তৈত্তনা মনীং তয়া চীন অসি ফাওহনা খোরক্রগা অশেংবা সুংশীং চেনবা খোন্থোক অমা ওইনা 'হ' গী খোন্থোক অসি খোকহল্লি। খোন্থোক অসিদা খোন্থোক মরীদা ইপোম হোত্নে, খোরক্লিবা সুংশীংকী খোঙচৎ শোল্লি। খোন্থোক অসি লোন্নীং-পোম্লোনগী ওইবা নীংথেংদা অকনবা থেদরা খোন্থোক-ঙাপু মচানগী ওইবা হক খোন্থোক (Aspirated voiceless glottal consonant) হায়না খঙনৈ। খোন্থোক অসি মীতৈলোন্দা রাহৈগী অহৌবা অমসুং মরক মফম অনীসিদা তৈবা ঙম্মি। খুদম—

অহৌবা—হৈ, হা, হন, হাক্পা।

মরক—মহাক, অহাঙবা, অহান্বা।

১৫.৩ রাহেং অসিদা মীতৈলোনগী খোন্থোক মরী তৈনবা নিংশা খোন্থোক তরা অমসুং হক খোন্থোক কুনগী মরমদা শুগায়না তৈনরে। অদুবু মীতৈলোনগী ওইবা খোনফম (phoneme) গী মতাং তৈনবা তাবরবদি খোন্থোক কুন্থ্রা অসিমক মীতৈলোনগী খোনফম ওইবা ঙমদে। নিংশা অমসুং হক অনীনা পুন্নগা মীতৈলোন্দা তৈবা মীতৈলোনগী অশেংবা খোনফম কুনহুমদোইদনি নিংশা খোন্থোকী খোনফম—অ, আ, ই, উ, এ, ও, ঐ, ঔ হায়বা নীপান অসিনি। হক খোন্থোকীনা—ক, খ, ঙ, চ, ত, থ, ন, প, ফ, ম, য, র, ল, ৱ, স, হ হায়বা খোনফম তরামঙা অসিদনি। মথাদা মীতৈলোনগী খোন্থোকী ওইবা খোনফমশিং অসিগী খানফম-শা (Allophone) অমদি মখোয়না রাহৈ অমগী মথাদা তৈবা ঙম্বা মফম শক্তম ওইনা মরেক শেংনা উত্নুনা থাক্লি।

১৫.৩.১ . নিংশা খোঙ্হোক—

খোল্লম	খোনকম-শা	মীতৈলোনগী য়াইদা লৈবা ওঙ্বা মফম		
		অহৌবা	মরক	অরোইবা
অ	অ	অ—	—অ—	
আ	আ	আ—	—আ—	—আ
ই	ই	ই—	—ই—	—ই
	ঈ	ঈ—	—ঈ—	—ঈ
উ	উ	উ—	—উ—	—উ
	ঊ	ঊ—	—ঊ—	—ঊ
এ	এ	এ—	—এ—	—এ
ও	ও	ও—	—ও—	—ও
ঐ	ঐ	ঐ—	—ঐ—	—ঐ
ঔ	ঔ	ঔ—	—ঔ—	ঔ

১৫.৩.২ হক খোঙ্হোক—

খোনকম	খোনকম-শা	মীতৈলোনগী য়াইদা লৈবা ওঙ্বা মফম		
		অহৌবা	মরক	অরোইবা
ক	ক	ক—	—ক—	—ক
	গ		—গ—	
খ	খ	খ—	—খ—	
ঙ	ঙ	ঙ—	—ঙ—	—ঙ
	ং		—ং—	—ং
চ	চ	চ—	—চ—	
	জ	জ (অলেঙ্গ)	—জ—	
ত	ত	ত—	—ত—	—ত
	দ		—দ—	
থ	থ	থ—	—থ—	
ন	ন	ন—	—ন—	—ন
প	প	প—	—প—	—প
	ব		—ব—	
ফ	ফ	ফ—	—ফ—	
ম	ম	ম—	—ম—	—ম
য়	য	য—	—য়—	—য়

খোনকম	খোনকম-শা	মীতৈলোনগী ৱাহৈদা লৈবা ওয়া মফম		
		অহৌবা	ময়ক	অরোইবা
ল	ল	ল—	—ল—	—ল
	র		—র—	
ৱ	ৱ	ৱ—	—ৱ—	
স	স	স—	—স—	
হ	হ	হ—	—হ—	

১৫ ৪ মীতৈনা মশাগী ওইবা অশেংবা খোন্থোক্তা হায়দোকপা ওয়া মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূকৈদা শীজিন্নবা খোন্থোক অদুতবু মীতৈলোনগী অশেংবা খোন্থোক্নি হায়না লৌগনি। হৌজিক হৌজিকী বাঙ্গলা ময়েক্তা ইনরিবা মীতৈলোনগী শব্দম অসিদদি বাঙ্গলা লোন অমদি ময়েকী ঈথিল্লা কনমনথিবনা খোন্থোকী অচুম অরান য়েংদনা শীজিন্নরীংবা মওংদা শীজিন্নবা ঐখোয়না উবা ফংলি। অদুবু ঐখোয়না মহৌশাগী ওইবা মওংদা খোন্থোক চুম্না হায়দোকপা ওমদবা খোন্থোক অদুদি ঐখোয়গী অশেংবা খোন্থোক্নি হায়না লৌবা যাদে। মীতৈলোন্দা চওশিল্লকপা লোন্থোপ ৱাহৈ কযাগী খোন্থোক মশাগী হান্নগী খোন্থোক্তা ঐখোয়না হায়দোক্তবনিনা অহোংবা শব্দমদা ঐখোয়গী খোন্থোকী ওইনা অচুম্বা বানান ইগদবনি। করিগুম্বদা শকহোংদনা ইথল্লু য়াওই, অদুবু মতু ঐখোয়না ইজবগী য়াদনি। খোন্থোক্তি চুম্না হায়দোকপা নত্তে। অদুগা ৱাফম ঙমনা লোন্থোপ ৱাহৈ হায়দোকপদা খোন্থোকপা ওয়্নবসু মীতৈলোনগী ৱাহৈদা শীজিন্নরবদি মীতৈলোনগী খোন্থোক ওইবা যাদে। অদুনা মীতৈলোনগী অশেংবা খোন্থোক্তি মথক্তা শুগায়না নৈনথিবা খোন্থোক নীংথিনা থোকহনবা ওয়া মীতৈলোনগী ৱাহৈদা মখোয়গী খোন্থোক লৈবা নিংশা অমসুং হক অনৌনা পুন্নগা কুম্না অসিদনি।

১৬
মীতৈলোনগী খোনহায়

১৬০ করি করিগুম্বা লোনশিংগী ঙাঙথোক হায়দোকপদা রাইহৈগী মাম্নবা শক্তম লৈরবসু অরূম অয়াংগী ওইবা খোঙ্গোক তোঙান তোঙানবা লৈবা থেংনৈ। হায়বদি রা ঙাঙথোকপদা রাইহ অমগী খোঙ্গোক্তা অয়াংবা, মরক্কী ওইবা অমসুং অরূম্বা খোঙ্গোক থোক্লা হায়দোকপা যাওই। অসুম্না লোন অমগী রাইহৈবু খোঙ্গোক থোক্লা ঙাঙথোকপদা অরূম্বা অয়াংবা অমসুং অরূম অযাং অনাগী মরক্কী ওইবা খোঙ্গোক্তা হায়দোক্লিবা খোঙ্গোক্কী মশক অসিবু খোনহায় (Tone) হায়না কৌই। অসিগুম্বা অরূম অয়াং লৈবা অসিনা মরম ওইদুনা রাইহৈদুগী তোঙান তোঙানবা রাহনসু লৈহল্লি। হায়বদি খোঙ্গোক অসি হায়দোকপদা য়াংবা, লূম্বা অমসুং মরক্কী ওইবা খোঙ্গোক শৈবসিনা মরম ওইদুনা রাইহৈগী মশক চপ মান্নরবসু রাহন্দি তোঙান ওংলি। অদুনা অসিগুম্বা লোন অমগী খোঙ্গোক্তা অরূম অযাং লৈবা অমসুং অরূম অয়াং অদুগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা রাহন পীবা ঙম্বা লোন অদুবুনা খোনহায় লৈবা লোন (Tone language) হায়না খঙনৈ।

খোনহায় লৈবা লোনশিংগী মনুংদা লোন থরদি খোনহায় অহুম লৈ; থরনা অনীদমক লৈ। লোন থরনা অহুম লৈবা রাইহ থরা, অনী লৈবা রাইহ থরা যান্নবা লৈবা য়াওই। অহুম লৈবা খোনহায়দি—১। অয়াংবা (Rising), ২। মরক (Level) অমসুং ৩। অরূম্বা (Falling) হায়বসিনি। অনীদমক লৈবা— ১। অয়াংবা অমসুং ২। অরূম্বা হায়বসিদনি। খোনহায় অসি রাইহ অমগী খোঙ্গোক-তাংকক (Syllable) অমমমগী মনুংদা থোংকপনি।

হায়বদি খোঙ্লোক-তাংকক অময়মগী মসুংদা অক্নম ও অয়াংগী খোনহায় লৈ।

১৬.৬ মীতৈলোন অসি খোনহায় লৈবা লোন [Tone language] নি। মীতৈলোনগী ৱাহৈশিং অসি খোনহায় অনী লৈবা, অহুম লৈবা য়াম্মনা লৈ। খোনহায় লৈবসিনা মরম ওইদুনা মীতৈলোনগী ৱাহৈশিং অসি মশক চপ মান্নবসু তোঙান তোঙানবা ৱাহন পুবা ঙম্মি। খোনহায়গী অসিগুম্বা অক্নম অয়াং অসি অ,আ,এ,ও,ঐ,ঔ য়াওবা খোঙ্লোক-তাংককশিংদা খোঙ্লোক্তা খোনহায়গী অক্নম অয়াংগী তোঙান তোঙানবা মশক লেপ্পা ঙম্লবসু অউবা শক্তম ওইনা ইরকপদদি মশক চপ মান্নৈ। ই (ি) অমসুং উ (ু) য়াওবা খোঙ্লোক-তাংককশিংদি অক্নম্বা খোনহায়গীদমক ঈ (ী) অমসুং ঊ (ূ); অদুগা আ গী মথংদা লৈবা ওইরগনা য় অমসুং ও হবা অসি মীতৈলোনগী বানানগী পথাপ্তা চৎলৈ। ংগীসু অক্নম্বদা ঙ ইবা চৎলৈ। অদুনা অয়াংবদা ই(ি) উ (ু) অমসুং ং অসি য়াওবা খোঙ্লোক-তাংককশিংগী অক্নম্বা খোনহায় ইবকপদা ঈ (ী), ঊ (ূ) অমসুং ঙ, অদুগা আ গী মতুংদা থংননা লাকপা ওইরগনা য অমসুং ও ইবা অসি ৱাহৈগী মশক চপ মান্নবনি হায়না লৌগনি। অদুগা মীতৈলোন অসিদা নিংশা খোঙ্লোক অমথক্তনা শাবা খোঙ্লোক-তাংকক অমতগী ৱাহৈ (Monosyllabic word) সু লৈ। খুদম ওইনা —ই ঈ,উ,ঐ। নিংশা খোঙ্লোক মরি অসি মশা মতোম মতোমতনা ৱাহন অমমম পুবা ঙম্লবা খোঙ্লোক-তাংকক অমতগী ৱাহৈনি। অসিগুম্বা মতাংদসু ই অমসুং ঈ অসি ৱাহৈ অমতগী খোনহায়গী অক্নম অয়াং লেপ্পবা চপ মান্নবা মশক্কি হায়না লৌগনি।

মথাদা মীতৈলোনগী খোনহায় অনী লৈবা অমসুং অহুম লৈবা ৱাহৈশিংগী শক্তম থরা খুদম ওইনা উংলি।

১৩.১০১ খোনহায় অমী লৈবা ৱাহৈ

(ক) : মশক চপ মান্নবা অসুপ্পা খোনহায়গী অক্লম অয়াং লেপ্পবগীদমক মখেক তোঙান তোঙাম্না ইবা ৱাহৈ থবা ঃ—

ৱাহৈ	খোনহায়	ৱাহন
ই	(অয়াংবা)	য়ুম কুপ্পবা ই
ঈ	(অক্লম্বা)	হকচাংগী ঈ
মি	(অয়াংবা)	তীন মথন অমা
মী	(অক্লম্বা)	তাইবঙ মী
তিন	(অয়াংবা)	চৌন্দগী থোকপা ঈশিং
তীন	(অক্লম্বা)	থৱায় পানবা মথন অমা
মং	(অয়াংবা)	মোংফম
মঙ	(অক্লম্বা)	তুম্বদা ফরি ফরি উবা
থোং	(অয়াংবা)	ঈশিং লান্নবা লম্বী
থোঙ	(অক্লম্বা)	য়ুমগী চঙথোক চঙশিন তৌফম
উইবা	(অয়াংবা)	তুম্মীংবা
ঊইবা	(অক্লম্বা)	তেকন্দবা
পুবা	(অয়াংবা)	থাংবা
পূবা	(অক্লম্বা)	ৱাযবা
হাইবা	(অয়াংবা)	অমদা অমদা লেঙবা
হায়বা	(অক্লম্বা)	ৱা ঙাঙবা
কাউবা	(অয়াংবা)	নীংশিংবা থোক্তবা
কাওবা	(অক্লম্বা)	খোঙনা ইম্থোকপা নক্রগা থেংবা অসিনচিংবা।

(খ) অক্লম অয়াং অনীমক্তা চপ মান্নবা হবা ৱাহৈ থবা : —

ৱাহৈ	খোনহায়	ৱাহন
লা	(অয়াংবা)	ফৌ ফৌনবা ফৌরা
লা	(অক্লম্বা)	লফুগী মনা

বাহৈ	খোনহায়	বাহন
কৈ	(অয়াংবা)	লাহিং চাবা মা অমা
কৈ	(অক্লম্বা)	ফৌ থম্বা কোং
লম	(অয়াংবা)	লৈবাক নত্রগা মফম
লম	(অক্লম্বা)	লম্বী
খেবা	(অয়াংবা)	হয়াউ তম্বাম্বা
খেবা	(অক্লম্বা)	থবাক্তা মুংঙাইতবা (ফুনবগুম্বা)
কৌবা	(অয়াংবা)	লাউ হায়বা
কৌবা	(অক্লম্বা)	য়াংপা

অসিনচিংবা।

খোনহায়গী অসিগুম্বা অক্লম অযাং অসি লৈরবস্থ ইবদা বানান চপ মান্নবা বাহৈশিং অসি তোঙান তোঙান্না মশক তাক্কে হায়রবদি অয়াংবা খোনহায়দা হাইগৎপা (´) অমসুং অক্লম্বা খোনহায়দা হাইথবা (`) থূদম অসি খোনহায লৈবা খোস্তোক-তাংককশিংদুগী মপা মপাদা চাপকনি। থূদম ওইনা—লা´ (ফৌ ফৌনবা ফৌরা), `লা (লফুগী মনা)।

১৬১২ খোনহায় অহুম লৈবা বাহৈ —

বাহৈ	খোনহায়	বাহন
মকু	(অয়াংবা)	উচেক অমগী মিং
মকু	(মরক)	নুপী নত্রগা মরাগী মপা, উগী মকু
মকূ	(অক্লম্বা)	চগূ চগূবগী মক্তৌ (নান্নবা)
মতু	(অয়াংবা)	উচেক্কী মতু
মতু	(মরক)	তুবা (নাস্থুবগী) মওঙ
মতূ	(অক্লম্বা)	মাগী নুপী, ফি তুবগী মওঙ
মচা	(অয়াংবা)	তোথাই তোথাই তানহবা য়াবা(লংগুম্বগী)
মচা	(মরক)	চাবগী মওঙ
মচা	(অক্লম্বা)	মাগী মচা

মরৈ [অয়াংবা] [illegible] কাজিমবা অহকপা অমা

মরৈ [মরক] য়া মরুংগী লৈ, লৈব (থম্বা)-গী মওঙ

মরৈ [অকন্বা] পোৎ লৈবগী মওঙ

মপু [অযাংবা] মপা নত্রগা মমাবু পোকপা, পোৎ অমগী মপু

মপু [মরক] পুবগী মওঙ (থাংদোক-থাংজিন)

মপু [অকন্বা] পোৎ য়ায়বগী মওঙ

ময়া [অযাংবা] মনাক নকপা

ময়া [মরক] মাগী য়া

ময়া [অকন্বা] মচানুপী লোবা নুপা

মশেন [অযাংবা] মাগী শেন

মশেন [মরক] অমগা অমগা

মশেন [অকন্বা] নুপীগা মোপবা, মচননুপীগী মরা

মপা [অয়াংবা] মাগী লাম্বা

মপা [মরক] মাগী মীৎকী পা, লাইরিক পাবগী মওঙ

মপা [অকন্বা] মাগী মপা [অপোকপা]

লোবা [অযাংবা] মৈদা পোৎ থাবা

লোবা [মরক] পনবা

লোবা [অকন্বা] পোৎ পুরকপা

কাবা [অযাংবা] মরক হোবা

কাবা [মরক] মৈরো হেক্তিনবা

কাবা [অকন্বা] মথক্তা চৎখৎপা

অসিনচিংবা।

কনা কনাগুম্বনা মীতৈলোন ঙাসিনা খোনহায় অনীদমক লৈ হায়।[১] অদুবু কুপ্না লৈবগ্রবদি মীতৈলোনগী বাহৈ কয়া য়াম্না মশক্তি চপ মাম্নবগা খোনহায় অহুম লৈবা থেংলৈ। অসিগুম্বা ৱাহৈশিং অসি খেল্লবা খোনহাযগী মতু ইম্না তোঙান তোঙানবা বাহন পীবা ঙম্মি। অসিগুম্বা খোনহায় অহুম লৈবা ৱাহৈশিং অসি ইবদা মরক্কী খোনহায় লৈবা ৱাহৈদি অয়াম্বনা য়াংলপ কায়দোকপনা অয়াংবগী বানান অদুম ইগনি। করিগুম্বা অয়াংবা খোনহায়গা মরক্কী খোনহাযগী খেন্নবা তাক্লকপা মতাংদা মরক্কী খোনহায় লৈবা খোঙ্খোক-তাংকক্কী মপাদা অফৈবা (—) খুদম অসি থমগনি। খোনহায় অহুম্মক চপ মান্নবা বানান ওবা মতাংদা অরাম্বা, অয়াংবা অমদি মরক্কী খোনহাযগী মশক তাক্নে হায়রবদি অয়াংবদা হাইগৎপা (´) মরক্তা অফৈবা (—) অমম্বুং অরাম্বদা হাইথবা (`) খুদমশিং অসি শীজিন্নগনি। খুদম ওইনা—মচা´ (লংগুম্বগী তোথাই তাবা মচা), মচা (চাবগী মওঙ), ম`চা (মাগী মচা)।

---

১ (ক) নন্দলাল শর্মাগী—"মৈতৈলোন", ১বা নম্বা, ১৯৬৫—লা০ ৬৭।

(খ) মণিপুর সরকারনা ফোঙবা—"মণিপুরী লোনগী বানান কাঙলেন", ১২ শুবা জুন, ১৯৬৯।

(গ) শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী—"Manipuri to Manipuri & English Dictionary" গী "A Short Note on Pronunciation",—Page 2.

১৭

মমেকী শক্লোন অমসুং মৈহৌরোন



১৭.০ লোনগা ময়েক্কা পোকমিন্নরকপা নত্তে। লোন্না হান্না পোক্লগা কায়নথংদা ময়েক পোক্লকপনি। লোন হাযবসিমক খোন্থোক কযামক্কমগী অপূনবা শক্তম্নি। খোন্থোকশিংদুগী অইবা শক্তম্না ময়েক্নি। থায়নগী মীওইশিংনা ময়েক অসি ঈশ্বরনা মীওইবা ঐখোযগীদমক শেম্বিরকপনি হায়না লৌই। ভারতকী থায়নগী পণ্ডিতশিংনা ব্রাহ্মী ময়েকপু ব্রহ্মানা শেম্বনি হায়না লৌই। ব্রহ্মানা শেম্বদগী ব্রাহ্মী ময়েক কৌপনি হায। মতৌ অসিগুম মিশ্র লৈবাকী মীওইশিংনা মখোযগী ময়েকপু থোথ [Thoth]নত্রগা আইসিস [Isis] বেবিলোনিয়াদনা নেবো [Nebo], থায়নগী জিউশিংনা মোসেস [Moses], গ্রীকশিংনা হর্মেস [Hermes] হাযবা লাইশিং অসিনা ময়েক ইহান হান্না পুথোকখি হায়না থাজনৈ। মণিপুরদসু মীতৈ ময়েক অসি অতিঙা গুরু শিদবনা শেম্বিবনি হাযনা কৌজিক ফাওবা য়াম্না থাজনা হায়বা য়াওরি। অদুবু পূন্নমক অসি থাজবা য়াবা অচুম্বা ৱাফম অমতা নত্তে। লোন ফাওবদা ঈশ্বরনা মীওইবগীদমক শেম্বিরকপা খুদোন্নি হাযবদা য়ানদ্রবা মতমসিদা লোনগী মতুং কায়নথংদা পোক্লকপা ময়েকপু লাইগী খুৎশেম্নি হায়বসি থাজবা য়াবা ৱাফম নত্তে। মশাগী তঙাইফদবা লৈরকপদগী চঙদবা য়াদত্রুনা মীওইবা মশানা ময়েক শেমজবকপনি। অদুনা ময়েক মীওইবগী খুৎশেমনি।

ময়েক অসি মতৌ করম্না পোক্লকপনো নত্রগা শেম্লকপনো হায়বসি ফনা লুবা ৱাফম অমদি ওই। মীওইবনা চঙদবা য়াদবা

মতাং অাকপদগী মশানা শেমজন্নুনা মযেক পুথোকপনি হাযবসিদি চুম্মবনি। ঙাঙথোকপদনা লোনগী মপুং ফাবা শক্তম ওইদে। ঙাঙবা, ইবা, পাবা অহুমগিনা লোন অমা মপুং ফায়। পূর্বীংগী রাখল মুংখল পুন্নমক ঙাঙথাক্লনা ফোঙদোকপা ঙম্মি। অদুবু অথাপ্পদা লৈবা মীওইদা অনাদ তুংগী মীবোন্দা ফোঙদোকপা তারবদি ঙাঙবা অসি ঙাম্নদি ঙমদে। ইবা তাই; অইবদু পারগা অমতুনা খঙবা তাই। অদুনদি ঙাঙথোক্লিবা রাখল মুংখল্দুগী মতুং শিনবা ইননবা শক্তম অমা পুথোকপা তাই। মসি মযেক ওইগদৌরিবনে, মযেক্লি। অদুনা মযেক ইনবা অমসুং পানবা খোম্থোক্লী মতুং শিনবা খুনম্মি

১৭। হৌজিক্কা মতমদা শাজিন্নারিবা লম শমগী মত্রগা লোন শোনগী মযেকশিং অসি মীওইবনা ইকান হান্না শেম্বা মযেক্কী শক্তম অদু নত্তে। হৌজিক্কী ওইনিনা মশক অসি ওইবকপদা মযেক্কী শক্লোন কযানক হোংখ্রনি। ইকান হান্না মযেক পোক্লকপা তারদি মযেক শেম্বা হৌরকপসি খৃষ্ট মাঙ চহী ১০,০০০গী নমাঙদগীনি। মতমতুগী মযে। মওঙ মবীল চুম্বা নাংথিবা শক্তম নত্তে। ইকান হান্না খরা নাংথবা মওঙগা মযেক পুথোবকপদি খৃষ্ট মাঙ চহী ৪,০০গা অদুনাইদনি। অদুনদি মীওইবনা চঙদবা য়াদবা তঙাইযদবা লাক্লনা ইকান হান্না মযেক পুথোকপা হৌরকপদগীনা মওঙ মবীল চুম্বা মযেক্কী শক্তম য়োরকপসি চাউনাক চহী ৬,০০০ লোমদি চঙাঙ। মসিদগীসু হেন্না চঙশান্না য়ারি। অপুম্মা শাংলনা চহী নতম অাসগী মতুংদ মযেক্লা লোবকপা (ওইরকপা) তোঙান তোঙানবা শক্লোন শাদু মখ.গী মওঙ অসিননি।

১। লাই মযেক (চিত্র লিপি, Pictogram)

২। লংলা লংজীন মযেক (সূত্র লিপি, Formulatic Script)

৩। খুদম মযেক (প্রতীক লিপি, Symbolic Script)

৪। রাখল মযেক (ভাবমুলক লিপি, Ideogram)

২। খিল-খোনথোক ময়েক (ভাব-ধ্বনি লিপি, Ideo-phonogram)
৩। খোনথোক ময়েক (ধ্বনি লিপি, Phonogram)

মথাদা শক্লোনশিং অসিগী মরমদা তোঙান তোঙানা নৈনরি।

১৭.১.১ লাই ময়েক—ময়েকী মৈহৌরোন্দা লাই ময়েক (Pictogram) অসিনা ইহান হানবা শক্লোন্নি। য়েলহৌতৈগী মীওইশিংনা মপুক্লীংগী ফোঙদোক্লীংবা ৱাখল্লুগা মরী লৈনবা করিগুম্বা পোৎশক অমা হায়রবদি শা-উচেক, উ-ৱানচিংবা করিগুম্বা অমা লাই ওইনা য়েকথোকই। অদুম্না ফোঙদোক্লীংলিবা ৱাখল্লুগা মরী লৈননা য়েকথোক্লবা লাইগী শক্তম অসি মতমদুগী মীওইশিংগী ময়েক ওই। অদুনা যেক্লি য়েক্লিবা লাইদুনা মরী লৈননা পুক্লীংগী ৱাখল্লু মসিনি হায়না ফোঙদোক্লবা মরম্না মওঙ অসিগী ময়েকপু লাই ময়েক কৌই। মুং, শরু, শামু ময়া, শাগী মচী, শউন, উকু অমদি লৈপাক্কী চফুনচিংবদা লাই ময়েক অসি য়েক্লরম্মী। থায়নবৈঙদা ময়েক অসিবু শীজিন্নরম্বা লমদি—গ্রীক, মেসোপোতোমিয়া, সীরিয়া, মিশ্র, ফ্রান্স, স্পেন, ইতালী, গ্রেট ব্রিটেন, কেলিফোর্নিয়া, ব্রাজিল, আষ্ট্রেলিয়া অমসুং সাইবেরিয়া অসিনচিংবা অসিনি।

১৭.১.২ লংলা লংজীন ময়েক—মসিমু ময়েকী মৈহৌরোন্দা যাম্না লিরবা অমদি হোরকপা মতমগী ওইবা শক্লোন্নি। থায়নবৈঙদা চীন, তিব্বত, জাপান, তাঙ্গানিকা অমসুং বেঙ্গলগী সংথাল হায়বা লমদুদা মওঙ অসিগী ময়েকসি শীজিন্নরম্মী। থৌরীদা মচু মখল মখল শঙজিনবা, মচু মখল মখলগী থৌরীদা কিশি ময়াম কিবা, শউন মচেত্তা হীরা, মণি মুক্তা, ফোঙ্গে্ং, মোইবুনচিংবা নপশিনবা অমদি থৌরীগী মপোপ চাউহনবা অমসুং পিকহনবা অসিনচিংবা মখল কয়াসি লংলা লংজীন ময়েক্কী শক্লোন ঙাক্তনি। ময়েক মখল অসি মশীং থীবা,

করিগুম্বা থৌদোক অমা নীংশিংহনবগুম্বা ম্যাজমে। অদুগা ভৌবা নক্রগা অসুম্না ভৌরগা টৈবা অসিনা করিগুম্বা হৌরম অমগী মপুংদা ফুমজনা লৈবা য়াকমদু ময়েক শেংনা খঙহল্লি। মরম অসিনা মওঙ অসিগী শক্লোন অসিবু লংলা লংজীন ময়েক (Formulatic Script) কৌই। লংলা লংজীন ময়েক অসি লৈ হায়রবসি থুষ্টগী চহী-চা ৫ শুবদা হেরোদোতস কৌবা নুপা অমনা পুথোকখিবনি।

১৭১৩ থূদম ময়েক—ময়েক অসি শীজিন্নবগী ডমখৈ য়ায়া পিকই। পূক্কীংদা নীংলিবা ফোঙদোক্লীংবা য়াখন্দু করিগুম্বা অমনা মহুগী মহুৎ শিন্দুনা ফোঙদোকপা হায়রবদি নীংঙিবদুগী মহুৎ শিনবা থূদম (Symbol) মসিনি হায়না উথোকপদু থূদম ময়েক (Symbolic Script) কৌই। রেলগাড়ী চৎহনবা অমসুং থাম্বদা মথং শীৎনা অশংবা অমসুং অঙাঙবা ফীবান হায়বা নক্রগা থাউমৈ থানবা, লান্দা ফীরান অঙৌবা হাইরগা লান লেপ্পা, অঙাঙবা মচুনা খুদোংথীবা খঙনবা, অমুবনা অরাবা খঙনবা, মীগী শক্রম অমা যেক্রগা মদুদা থাঙনা থিনবনা নঙবু হাৎকনি হায়না খঙহনবা অসিনচিংবা থূদম ময়াম অসি থূদম ময়েক্নি। মমাঙথৈদা মণিপুরদসু মরু ওইনা মোইরাং কংলৈরোন্দা য়াওবা থেংনরিবা মৈহুম মোরোক চৎপনা শাবাউ লানপুং য়ৈবনা লানবাউ খঙনবগসি থূদম ময়েক্নি হায়না লৌবা য়াই।

১৭১৪ য়াখন ময়েক—য়াখন ময়েক লাই ময়েকী পাকথোক চাউথোবকপা শক্লোম্নি। লাই ময়েক্না য়াখনবু মপুং ফানা ফোঙদোকপা ঙমদে। খোঙ হায়বা য়াহৈসি ফোঙদোক্লীংবা মতমদা খোঙ য়েকই, মীৎ হায়নীংবা মতমদা মীৎ য়েকই। মতৌ অদুগুম উচেক হায়নীংবা মতমদা উচেক য়েকই। য়াখন

[illegible]শিংদি য়েক্লিবা মখাই অদুগা নীংলিবা ৱাখল্দুমক মপুং ফানা ফোংদোকই। মীংকী মথাক্তা পি মতুম অমা য়েক্লবদি অরাবা অহুগা কপ্পা খঙনৈ। খোঙ থাংবা মওং গায়া য়েক্লগা চৎপা খঙনৈ। খুৎ অনী শম্বা য়েক্লগা মরূপ ওইবা খঙনৈ। অপাইবা উচেক য়েক্লগা উচেকপাই চায়বা খঙনৈ। অসুম্না ৱাখলবু মপুং ফানা ফোংদোক্নুনা য়েক্লগা খঙনবসি ৱাখল ময়েক (Idcogram) কৌই। চীনা, অমেরিকা নোংচুপ আফ্রিকানচিংগী মফমদা ময়েক অসি শাঙন্নবগী খুদম ফংই।

১৭.১.৫ **ৱাখল খোঞ্জেল ময়েক** —ৱাখল ময়েক্কী থাক্তগী থরা লেনগৎলকপা খোঞ্জেল ময়েকসু মপূ ফানা ওইত্রিঙৈগী থাক অদুবু ৱাখল-খোঞ্জেল ময়েক Ideo phonogiam) কৌই। হৌজিক কৌজিক চৎনরবা চাইনীজ ময়েক অসি থাক অসিদগী পাকথোক চাউখৎলকখিবা ৱাকুনি। ময়েক মওং অসিবু ৱাখল খোঞ্জেল ময়েক কৌবদি শব্দক থরনা ৱাখলগী ওইবা, শব্দক থরনা খোঞ্জেলগী ওইবা শক্তোন পুবনি। হৌজিক্কী মতমদা চৎনরিবা চাইনীজ ময়েকসু শাক্তান অসিগী ময়েক থবা খাওব।

১৭.১.৬ **খোঞ্জেল ময়েক**—লাই ময়েক, খুদম ময়েক ৱাখল ময়েকচিংবা পমর্কু তোকথোক্লগা ফোংদোক্লিবা থাকতুদা য়াওবা খোঞ্জেল খুদংমক্কী মচৎশিনবা ময়েক অমগা পুথোকুনা ইবদু খোঞ্জেল ময়েক (phonogram) কৌই লাই ময়েক্কদি মীৎ চায়বসিগীদমক মীৎকী শক্লম অমা লেকই। খোঞ্জেল ময়েক্কদি মীৎ হায়না ইক্কুনা ৱাফম অসি খোঞ্জেলকপদা য়াওরিবা— ম+ঈ+ৎ = মীৎ ওইনা ইবে। খোঞ্জেল ময়েক্তি মখল অনী লৈ (১) খোঞ্জেল-তাংকক্নবা ময়েক (Syllabic Script) অমসুং (২) ময়েক্কী ময়েক (Alphabetuc script)।

মাহৈ অমদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা খোংথোক মতুং শিনবা ময়েক্তু খোংথোক-তাংককী ময়েক্নি। খূদম ওইনা 'ক' হায়বসি খোংথোক-তাংককী ময়েক্নি। মসিদা য়াওরিবা ময়েক্নি ক্+অ নি। অদুবু অনীসিনা পুনশিল্লগা খোংথোক-তাংককী ওইনা 'ক' না ভুডুম শিংগ্লে। অদুনা মসিবু খোংথোক-তাংককী ময়েক (Syllabic Script) কৌবনি। অদুগা করিগুম্বা খোংথোক-তাংকক অমগী মতুং শিন্দবা, মপূং ফাবা খোংথোক অমা ওইগে হায়রবদি ময়েক অনী নত্রগা অনীদগী হেনবনা পুনশিল্লগা ওইবা অদুগুম্বা খোংথোক-তাংকক অমদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা ময়েকশিং অদু ময়েকী ময়েক (Alphabetic Script) নি। খূদম ওইনা ক্+অ=ক হায়বসিদা য়াওরিবা ক্ অমসুং অ অসি ময়েক্কী ময়েক্নি। করিগুম্বদা 'অ' অসি শীজিন্নফমগী মতুং ইন্না খোংথোক-তাংককী ময়েবসু ওই। হায়বদি "অমা" হায়বা মাহৈ অসিদা য়াওরিবা 'অ' অসি খোংথোক-তাংককী ময়েক্নি। 'মা' গী ম্ অমসুং আ অসিনা ময়েক্কী ময়েক্নি। হৌজিক হৌজিক্কী ইংরেজী লোন ইনরিবা রোমান ময়েক অসি ময়েক্কী ময়েক ওাক্তনি।

১৭.২ ময়েক্কী শক্লোন তক্কক অসিগী মতুংদা লংলা লংজীন ময়েক অমসুং খূদম ময়েক হায়বা ময়েক্কী শক্লোন অনী অসি ময়েক্কী মথং মথং পাকথোক চাউথোরকপা অমদি শন্দোকপদা অংক য়াম্না মরু ওইবা নত্তে। ময়েক্না মথং মথং মরী লৈননা পাকথোক চাউথোরকপদি লাই ময়েক্তুগী রাখন ময়েক্তা, রাখন ময়েক্তুগী রাখন খোংথোক ময়েক্তা, রাখন-খোংথোক ময়েক্তুগী খোংথোক ময়েক্তা—অসুম্না মথং মথং হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা অমদি চৎনরিবা তাইবংপানগী ময়েক পুন্নমক্নি ওইবনি।

তাইবংপান্নিদা ইহান হান্না ময়েক পুথোক্নুনা শীজিন্নবা হৌবসি চীনা, মিশর অমসুং মেসোপোটেমিয়ানি হায়বা ঙাই।

[illegible] মযেক্তি ক্যুনীফোর্ম মযেক্কি হায়না হায়নৈ। ক্যুনীফোর্ম মযেক অসি খৃষ্ট মাঙ চহী ৪,০০০গী অহুনাইদগীমা [illegible] মাঙগী অহানবা চহী ফাওবদা শীজিন্নরম্বগী খুদম কংঙি। অমুযেকী মশুঙনা চিথেক অহুম ([illegible]) নাই। মযেক অসি করম্বা মতমদা কদায়রাইদগী পোকখিহনো (শৈবকপনো) হায়বা তাংদাংবা কমানস্ত হাযবা ভম্মত্রি। মযেক অসিবু ক্যুনীফোর্ম হায়না খোলম্বদি থোমস হাইদ কৌবা নুপা অমননি। খৃষ্ট মাঙগী মতমদা মেসোপোতোমিয়াগী সুমেরী হায়বা মীওই-খাঙলুপ্পুনা শীজিন্নরম্বা মযেক্তু ক্যুনীফোর্ম অসিনি। হিরোগ্লাইফিক মযেক হাযবসিসু লিববা মযেকশিংগী মস্মুংদা অমনি। খৃষ্ট মমাঙ চহী ৪,০০০ দগীনা খৃষ্টনি চহী ৬শুবা ফাওবদা শীজিন্নবম্মী। মসি মিশ্র লৈবাকী মযেক্কি। খৃষ্ট মাঙ ৩,০০০দগীনা খৃষ্টগী চহী ১,২০০ ফাওবগী অহুবাই ফাওবদ' চৎনরম্বা ক্রীত হায়না কৌবা অরিবা মযেক মথন অমসু লৈরম্মী। হিত্তাইত কৌবা মযেক্তুনা খৃষ্ট মাঙ ১,৫০০ দগীনা খৃষ্টগী চহী ৬০০ ফাওবদা চৎনরম্মী। চাইনীজ মযেক্কা খৃষ্ট মাঙ চহী ৩,২০০গী অহুরাইদা পোল্লকপনি। মসিগী মযেক মশীং লীশীং ৫০ বোম ওই।

মথক্তা পনখ্রিবা অরিবা মযেকশিং অসিগী শক্লোন মরু ওইনা লাই মযেকী শক্তম্মা মপুংনি। মমৈথঙদা মতমগী মতুং ইন্না রাশন মযেক, খোঙ্গোক মযেকচিংবা মযেকী শক্লোন কয়া কয়া মথং মথং য়োরকপনি।

১৭৩ তাইবঙপানগী মরু ওইবা মযেকশিং অসি মিশ্র লৈবাকী লাই মযেক্তগী শন্দোরকপনি হায়না লৌনৈ। মিশ্র লৈবাকী লাই মযেক অসিদগী মযেক কাঙবু অনী থোকখি। কাঙবু অমনা গ্রীক মযেক ওইখি, অতোপ্পা কাঙবুদুনা সেমিজ মযেক ওইখি। গ্রীক মযেক্তগী ইউরোপ্তা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা মযেক

ময়ামসি পোকখি। ইংবেক্তী লোমগী মাদোং ওইরিবা ...
ময়েক অসি গ্রীক ময়েকতগী পোকখিবনি। গ্রীক ময়েক ...
ময়েক্লিদগী পোকখিবা ময়েক পুম্নমক ইবক্তা ওয়রোমনগী কৌ...
য়েংলোমদা লোইশিল্লি।

অতোপ্পা কাঙবু সেমিজ ময়েক অসিদগী আরামী ময়েক পোকখি। আরামী ময়েকতগী ফিক্রু ময়েক পোকই। আরবী ময়েকসু আরামীদগী পোকপনি। মতম অমদা ভারতা চংনরম্বা খরোস্তী হায়বা ময়েক অতসু অরামী হায়বা ময়েক অসিদগী পোকপনি। অসুম্না মথং মথং পোকথবকপা ময়েক পুম্নমক অসি সেমিজদগী হৌখিবা ওইবনা পুম্নমক অসিবু সেমিজ কাঙবুগী ময়েক হায়না খঙনৈ। সেমিজ কাঙবুগী ময়েক পুম্নমক য়েংলোমদগী ইবা হৌরগা ওয়রোমদা লোইশিল্লি।

১৭ ৪ মমাঙঙৈদা ভারততা শীজিন্নবম্বা ময়েক্লি অনী ওইনি। অমনা খরোস্তী, অতোপ্পনা ব্রাহ্মী। খরোস্তী সেমিজ কাঙবুগী ময়েক্লি, আরামীদগী পোকপনি। খৃষ্ট মাঙ ৩শুবা চহী-চাদগী খৃষ্টগী ২শুবা চহী-চা ফাওবা চাউরাক্লা চহী ৫০০ রোম ভারততা খরোস্তী ময়েক অসি চংনরম্মী। ব্রাহ্মী ময়েক্লা খৃষ্ট মাঙ ৫শুবা চহী-চাগী মমাঙদগী চংনবকপগী খুদম ফংঙি। ব্রাহ্মী ময়েক্তী হৌবকফম হৌজিক ফাওবদা মসিনি হায়বা তাংদাংবা অরেপ্পা অমা হায়বদি ঙমদ্রি। ডাক্তর বুলরনদিংবা মায়চৌশিংনদি ব্রাহ্মী ময়েক অসিবু সেমিজ কাঙবুগী ময়েকতগী পোক্লকপা হায়বগী মওঙ লৈ হায়না মোং ফোঙদোকই। অদুবু ভারতা লৈবা য়াম্না কয়া শিজিন্নিবা ভারতকী অখঙ অহৈশিংনদি ব্রাহ্মী অসি ভারততা পোকচবা হায়বদি ভারত অসিদা লমদম অসিগী মীওইশিংনা শেমজবা ময়েক্লি হায়না লোই। ব্রাহ্মী হায়বা মমিং অসিমক ব্রহ্মানা শেম্বদগী নত্রগা ব্রাহ্মণশিংগী ময়েক্লি হায়বদগী নত্রগা ব্রহ্মাবর্ত্তদা শীজিন্নবা ময়েক ওইবদগী কৌখিবনি হায়। ব্রাহ্মী ময়েক অসি মৌর্য্য শাসনা প্লানবা মতমদা ভারত শীনবা থুংনা চংনরম্মী। খৃষ্টগী চহী ৩৫০ গী অতুয়াইদদি ব্রাহ্মী ময়েক অসি

...থোকপা মশা অনী থোকখি। খরোম্মখংবা মশাদগী ...তোলেপ্ত, কমডনচিংবা খা ভারতকী ময়েকশিং অমি ...খং পোকখি। অরাংগী মশা অসিনা গুপ্ত শাগৈনা পানবা মতমদা গুপ্ত ময়েক হায়না খঙনখি। গুপ্ত ময়েক অসিদগী মশক মওঙ খরা থৈদোক্লগা কুটিল ময়েক (অদৈপবা অখোয়বা ময়েক) হায়না মতম খরা অমুক চৎনরম্মী। কুটিল ময়েক্লিদগী অমুক নাগরী অমসুং শারদা হায়বা ময়েক মথন অনী পোকখি। শারদা ময়েক্তগী কাশ্মীরী, গুরুমুখীনচিংবা ময়েকশিংসি পোকখি। নাগরী ময়েক্তা খুইগী ১০ শুবা চহী-চাগী অদুরাইদা মশা খরা লোঙখি। নোংপোকথংবা মশাদগী অরিবা বাঙ্গালা ময়েক পোকখি। অরিবা বাঙ্গলা ময়েক্তগী অমুক অনৌবা বাঙ্গলা ময়েক, মৈথিলী, উরিয়ানচিংবগী ময়েকশিং পোকখি। কনা কনাগুম্বনা ঐখোয়গী মীতৈ ময়েক অসিসু নাগরীদগী নত্রগা নাগরীগী নোংপোকথংবা মশা অরিবা বাঙ্গলা ময়েক্তগী পোকপনি হায়।[১] অদুবু বাঙ্গলা ময়েক পোক্লিঙৈদগী মীতৈ ময়েক শীজিন্নরকপগী খুদম কংবনা মীতৈ ময়েকপু অরিবা বাঙ্গলা ময়েক্তগী পোকপনি হায়বসি মীত্রবাকী হৈরম অসিদা থিজিন খোৎচিল্লিবা অমদি নৈনরিবা অখঙ অহৈশিংনা য়াদে। মখোয়গী মোত্তা মীতৈ ময়েক মকম অসিদা মতোমতা পোকচবনি; লমদম অসিগী মীওইশিংনা শেমজবনি।[২]

---

১ (ক) Dr. E.W. Dun গী "Gazetteer of Manipur" Vivek Publishing House, 1975 —P. 26.

(খ) Dr. R. Brown গী "Statistical Account of Manipur", 1873,—P. 94.

(গ) Dr. G. A. Grierson গী "Linguistic Survey of India", Vol. III, part III—page 21.

২ মীতৈ ময়েককী অকুপ্পা মরোল মথংগী বারেংদা তাগায়না নৈনরি।

ময়েক্কী শক্রোন অমম্ভুং হৈগেহৌরোন :

নাগরী ময়েক্কী ৱাংকুপথংবা মশাদগী গুজরাতী, মহীজনীন [illegible] ময়েকশিং পোকখি। লেঙদনা নৈহৌরিবা নাগরীগী শকল মশক থরা হোংদোক্লগা খৃষ্টগী চহী-চা ১২ শুবগী অদুবাইদগী হৌজিক্কী হিন্দীনচিংবা ইনারবা অনৌবা নাগরী ময়েক অসি ওইখি। অসুম্না ভারতকী ময়েক অয়াম্বসি ব্রাহ্মীদগী মপং মথং শম্দোকখি। ব্রাহ্মী অমসুং ব্রাহ্মীদগী পোকখিবা ময়েক পুম্নমক ইবদা ওয়দগী হৌরগা য়েৎলোমদা লোইশিল্লি।

ভারতা মুসলমানশিং চঙলকপগা লোয়ননা উর্দ্দু লোন পোকপদগী লোন্সিগী ওইবা উর্দ্দু কৌবা ময়েক অমসু পোকখি। ময়েক অসি সেমিজ কাঙবুগীনি। ইবদা য়েত্তগী হৌরগা ওয়দা লোইশিল্লি। সেমিজ কাঙবুগী ময়েক ওইরগসু ময়েক অসি মতম অমদা ভারতা শীজিন্নরম্বা থরোম্তীগা মরী কবিমতা লৈনদে। উর্দ্দু ময়েক অসি আরবী ময়েক্কী পোকপনি; আরবী ময়েক্কী মশক মওঙ থরতমক হোংদোকপনি।

১৮

মীতৈ ময়েক



১৮০ ময়েক হায়বসি লোম অমগী যাম্না মরু ওইবা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা শক্তম অমনি। ময়েক্না লোন অমবু হেন্না চাওখৎহনবদা যাম্না মতেং পাংঙি। চীন্দদা লৈরম্বদগী অইবগী শক্তম য়ৌবকপদা লোনগী থাক অসি ফনা নীংথিনা য়াংখৎলকই। লোয়ননা মশাগী ময়েক লৈজবা লোন অচুনা অতৈ মমান্নবা লোনশিংদগী চাওখৎপা হান্নি অমসুং থাকসু য়াংবা হেন্নি। অসিগুম্বা লোন অমগী শক্তমদা যাম্না মরু ওইবা থৌদাং য়ারিবা ময়েক হায়বসি থাবলগী যেলহৌ মীওইশিংনা খোঙ্হোক থোক্না ঙাঙলিবা লোনগী মতেং পাংনবা চঙদবা য়াদবা ফীভম লাকপদগী খৃষ্ট-মাঙ চহী-চা কযাগী মমাঙদা ময়েক পুথোক্লে হায়বা মমাঙগী য়ারেংদা থেংনখ্রে। মতুদা তোঙান তোঙানবা ময়েক মথন কয়াগী মরমস্ত থরা মখৈ শন্নপ্না পনখ্রে। নৈনরিবা য়ারেং অসিদা মণিপুরদা লমদম অসিগী ওইনা থাযনঙৈদগী চৎনরক্লিবা মীতৈ ময়েকী মরমদা মীৎয়েং চঙলি।

১৮১ মীতৈ ময়েক হায়বসি লমদমসিদা (মণিপুরদা) চৎনরম্বা ময়েক মথন অমনি। মীতৈগী লমদমদা মীতৈশিংনা শীজিন্নৈ হায়দুনা মীতৈ ময়েক কৌর্নি। ময়েক অসিনা শিথরকপসি খৃষ্টগী চহী-চা ১৮ শুবগী লোইরমদাইদনি। মতমদুদগীন, গৌজিক ফাওবা চাউরাক্লা চহী ২০০ রোম হেন্না ময়েক অসি পূম্নাঙদি মাঙত্রবস্থ ফনা শাথীনা লৈখ: তাবা হায়বতু ওইখি। হৌজিক্তমক ময়েক অসিবু সুংশিবা অমদি যোকখৎনীংবা মীওইশিংনা খোঙুন লীনরকপদগী থরা থরা মীৎ-মায় পাঙবা হৌরক্লিবনি। মীতৈ ময়েক অসিনা মতম অস্থক কুইনা শিথৎবগী মরু ওইবা মরম

অমদি হিন্দু লাইনীং লীচঙকী অকনবা শাফুনি। ' বেঙ্গলদগী লাকপা হিন্দু লাইনীং লীচৎনা লমদম অসিদা নীংথিনা তুং কোইনা মমা তাবা য়াম্লবা লমদমসিগী হাম্লদগী লৈঙ্গরকপা লাইশোন-তীনশোন, চৎন লোনচৎ পুন্না মাঙহন্নবা /হাৎনবদা তঙাই ফদনা বাঙ্গলা লোন অমদি ময়েক্না অকনবা থোদাং লৌরকপদগী (পুয়া মৈ থাদুনা লাইরিক অমদি ময়েকী খোঙ্গুন মাঙহনবদগী) মীতৈ ময়েক অসিবু বেঙ্গলগী বাঙ্গলা ময়েক্না খুদুম চনখিবনি। (মীতৈ ময়েক শীজিন্নবা পুম্নপ লেপ্তুনা বাঙ্গালা ময়েক ভাক্তনা শিনখিবদি ইংরেজনা মণিপুর লৌশিনখিবদগীনি।) অদুবু ঙসিদি মীতৈ ময়েকী লীথুন লীনবা হৌবক্লে। শিথরুম্নবা মীতৈ ময়েক অমুক নৌনা তিংগৎলক্লে। অদুবু মপূং ফাবা শক্তমদা ময়েক অসি মশা খীংনা মীরক তিনবা ঙম্বা হায়বদুদি থোক্তি। মসিগী অচৌবা অশোয়বদি মপু ওইরিবা মীতৈ ঐখোয়গী অশোনবা অমদি পাংদবনি। অদুনা ইশাগী ময়েক অসিবু চাওখৎহনগে হায়রবদি ঐখোয়গী ৩নবা লৈতনা হোৎনবা অমা চঙঙি।

১৮২ মণিপুরদা চৎনরিবা মীতৈ ময়েক অসি কয়া কুইরবাগ অমদি করম্না পোক্লকপগে হায়বদু ঐখোয়না কুপ্না নৈনফম থোকই। ময়েক অসিনা লমদম অসিদা চৎনরুকপগী চপ চাবা মতম খঙলগা অমদি মশক মওং নীংথিনা নৈনরগা ময়েক অসিগী মরমদা অতোপ্পা লমদমগী ময়েকশিং শেমদোকপনি মক্রগা লমদম অসিগী মশাগী ওইবা লমদমসিদা শেমজবা ময়েক্তি হায়না অখঙ অহৈ কয়াগী মরক্তা য়েৎনবা অমা লৈরিবসিগী অচুম্বা লংলা লংজীন অদু ফংবা য়াই। ডাক্তর গ্রিয়র্সন্না মীতৈ ময়েক অসি মিষ্টর হডসনগী মোৎ লৌদুনা খৃষ্টগী চহী ১৫৪০ গী অদুরাইদা চীনাদগী লৌবনি হায়না মখাকী "লিঙ্গুইষ্টিক সর্ভে

[illegible]রা" ডা ইরি।১ মাইবিক অসিমক্তদা অমুকস্ত্র, মিষ্টর ডামন্টকী মোৎ. ওইনা খৃষ্টাব্দ চহী ১৭০০ কী অদুৱাইদা মৈদিংগু চরাইরোংবগী মতমদা মীতৈ ময়েক অসি বেঙ্গলদগী পুরকপা ওইনা ইরি; লোয়নবা মতুগী মমাংদা লমদম অসিদা মশাগী ময়েক লৈজরমদবগী খাক্তম অমস্ত্র পাল্লি।২ ডাক্তর আ.র. ব্রাউনস্থ মহাক্কী "ষ্টেটিষ্টিকেল একাউন্ট অফ মণিপুর"দা মীতৈ ময়েক অসি নাগরী ময়েকগী শেমদোকপগী রা ওইনস্ত্র পাল্লি।৩ ডাক্তর ঈ. ডবলিউ. ডমস্থ "গেজেটিয়ার অফ মণিপুব"দা মীতৈ ময়েক অসিদগী হৌরকফম ওইবা খুন্ফম অসি দেবনাগরী ময়েক্কা ওইবগী

---

১ "According to Mr. Hodson, local tradition declares that the art of writing was, acquired from the Chinese, who came to Manipur about 1540 A.D." – G A. Grierson গী—"Linguistic Survey of India", vol III, part III – page 21.

২ "Mr Damant in of opinion that the old Manipuri alphabet was introduced from Bengal in the reign of Charairongba, who flourished about 1700 A.D. There are no traces of the existence of writing in Manipur before that time" – G.A. Grierson গী "Linguistic Survey of India", vol, III, part III—page 21.

৩ "The written character of the Manipuris is a modification of the Nagri."—Dr. R. Brown গী – "Statistical Account of Manipur" – 1873—page 94.

না হায়রিবা. অদুগা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা তোঙানবা তোঙানবা মীৎয়েংদা মীতৈ ময়েক ছৌরকখ্রে, মিঠুনা মখোয়গী ওইবা মোৎ কোঙদোক্লন্মী।

১৮.৩ মথক্তা পীখ্রিবা অথঙ-অশৈনশিংগী মোৎশিং অাস করগনা। অচুম্বনো নত্রগা মোৎশিং অমি নত্তবা করম্বা মোৎ অমনা মীতৈ ময়েকী অচুম্বা হৌরকফম তাকপা ঙমগনদগে হায়বসি থম্মবদা ফেম্না খুদোংচানবগীদমক লমদম অমিদা মীতৈ ময়েক্না চৎনরক্কপগী মতম করম্বা চহী চাদগীনো হায়বসি হায়া থঙফম থোকই। শ্রীনন্দলাল শর্মামদি খুষ্টগী চহী ৩০০ গী মমাঙদা মীতৈ ময়েক চৎনরম্মগী খুদম ফংদে হায। মসিগী মমাঙদা লমদম অসিদা দেবনাগরী ময়েক শীজিন্নরম্মী। হায়বিবা চহী হায়বদি খুষ্টগী চহী ৩০০ গী অসিরাইদগী মীতৈ ময়েক শীজিন্নবা হৌরকপনি হায়বা অসি শ্রীশর্মাগী মোৎনি।[৫] শ্রীশর্মাগী মোৎ অসিদা য়াখন থিংজিন্নীংঙাই ওইরিবদি মীতৈ ময়েক শীজিন্নরিডেদা দেবনাগরী ময়েক শীজিন্নরম্মী হায়রবনিমা মতম অদুগী দেবনাগরী ময়েক্তা ইবা মীতৈগী পুয়া লাইরিকশিং লৈফম থোকপনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা খুষ্টগী চহী ৫০০ গী মমাঙদা ইরম্বনি হায়বা নত্রগা ইরম্বা যাবা দেবনাগরী ময়েক্তা ইবা লাইরিক অমতা ফংদে। মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা তৌথিবঙুম মতম অদুগী দেবনাগরীদা ইবা লাইরিকশিং থোমজিন্নগা মাঙহনখিবগী খুদম চাংদম অমতা লমদম অসিগী মৈহোরোম্না অচুম্বা পাউদমম্ভু

৪ "The Manipuris possess a written character of their own, which seems a modification of the Nagri.", – Dr. E.W. Dun গী – "Gazetteer of Manipur"., Vivek publishing House. 1975— pege 26.

৫ নন্দলাল শর্মাগী—"মৈতৈলোন", ১বা লমা, ১৯৬৫—লা. ৪।

শীঘ্রে। অদুমা মীতৈ ময়েক শীজিন্নত্রিঙৈদা লমদম অসিদা দেৱনাগরী ময়েক চৎনরম্মী। হায়বসি থাজবদা থৱা ৱাৎনা থোকই। অদু ওইববদি খৃষ্টগী চহী ৩০০ গী ময়াঙ অদুদা লমদম অসিদা করিগুম্বা মখনগী ময়েক অমত্তা শীজিন্নদবরা, ইবা হৈরমদবরা হায়বা ৱাহং অমদি লাকই। মীতৈগী হৌজিক ফাওবদা কংলিবা অরিবা লাইরিকশিং অসি য়াম্না লিরবা মতমগী য়াওরি। চপ চানা অকক্নবা চহী হায়বা ওমত্রবসু খৃষ্টগী চহী-চা ১ বা, ২শুবা অদুরাইগী মতমগী লাইরিক ওইবা য়াবা য়াম্না লৈরি। মরমদি লাইরিকশিং অদুদা হায়রিবা মতমশিং অদুগী থৌদোক ৱাথোক্কী লুরবা ৱারোন কয়া য়াম্না কুপ্না ইরি। কায়নথদ্দা ময়েক লৈরবা মতমদা নীংশিংহুনা ইবদা অদুক য়াম্না মরীক চুমগনি থাজদবা ৱাফম কয়া লাইরিকশিং অদুদা য়াওরি। অদুগী মথক্তা মীরোন অমা অনী লাপ্রবা থৌদোক ৱাথোকপু তুংগী মীবোম্না নীংশিংবা হায়বসিসু পনবদা অচুম্বা ৱাফম ওইত্রবনি। মাঙগী মীরোম্না ৱারীনবদগী তাকৌবা ওইববসু অদুক য়াম্না মরীক চুম্বাদ ওন্নোহ। অদুনা অদুক চঙথোম্না থৌদোক ৱাথোক মরীক চুম্না ইরম্নবা লাইরিকশিং অদু থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগা মতম পওকান কান্নদনা ইবম্বা ওইফম থোকই। মীতৈ ময়েক অসিগী মতমগী মতাংদা শ্রীৱাংখৈময়ুম তোমচৌ সিংহনদি খৃষ্টগী অহানবা চহী-চাদা লমদম অসিদা মীতৈ ময়েক চৎনরে হায়না অচেৎপা মোৎ পীবি। শ্রীতোমচৌমক্কী মোৎ—"মৈতৈ ময়েক্কি খৃষ্টগী অহানবা শতাব্দীদা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদা চৎনরে হায়বগী প্রমাণ লৈ। মৈতৈগী অরিবা লাইরিক 'নিংথৌরোল লম্বুবা', 'চাদ লাইহুই' অসিনচিংবা লাইরিক্তা লোক তারীখ য়াওত্রবসু পাখংবগী মতমদগী হৌনা কুপ্নবা থৌদোকশিং ইরিবসিনা তাকপদি থৌদোকশিং অসি মাগী মাগী মতমদা ইশিনম্বা শোয়দনা ওইফম থোকই।"৬

৬ ৱাংখৈময়ুম তোমচৌ সিংহগী—"মৈতৈ ময়েক্কী হৌরকফম"—"সাহিত্য", ৯৫ শুবা মশীং, নভেম্বর ১৯৭১—লা০ ৪।

থাকম অসিনা মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিদা খৃষ্টগী পুবা চহী-চাদা চৎনরে হায়রসি তাক্লবনি। মুম্না খঙ্ককয়বদি খৃষ্টমাঙগী চহী খরগী মঙ্গলগী মীতৈ ময়েক অসি লৈরক্লম্মু যারি। মরমদি লমদম অমদা মশাগী ওইবা ময়েক অমা লেপ্পা, মতম্মু মীয়াম্না খঙবা অমস্থং চৎনবা, মতুনা লাইরিক ইনবা চহী খরতদা ওইবা য়াবা নত্তে। ময়েক অতুবু লমদম অমগী ওইনা চৎনবা অমদি মতুদা শীংথানীংঙাই ওইনা লাইবিক ইরকপা মতম য়ায়া শাংনা চঙগনি। অতনা খৃষ্টগী অহানবা চহী-চাগী মতমগী ওইবা য়াবা লাইরিকশিং ইরম্লিবা মীতৈ ময়েক অসি খষ্টমাঙগী মতমদগী লৈরকই হায়বদা থোইনা হায়মনবা ওইরোইদ্রা হায়না নীংঙি।

মথক্তা মীতৈ ময়েক শীজিন্নবা হৌরকপগী চাউরাকপা মতম অমা পীরিবসি ওইবা য়াবা মথন্তদা রাখমা ল্যায়গা শাগৎপনি। ওইবা য়ায়া থূদম চাংদম খরগী মীৎয়েংদা য়েংলবস্থু হায়রিবা মতম অসি পঙথেন থেম্নবোই। খৃষ্টগী চহী ১৪৬৭ তগী ১৫০৮ ফাওবদা পাল্লম্বা মৈদিংঙু কিযাম্বগী মতমদা মীতৈ ময়েক অসি য়ায়া নীংথিনা চৎনরে হায়বসি থোইবু মরিংদা মৈদিংঙু অসিমক্তা য়ুংলম্বা মীতৈ ময়েক্তা ইবা নূং অতুনা লেঙঙ্গবা থূদম ওইরি। "ইবেং পুরাবী" কোবা পুয়া অদু মৈদিংঙু ইরেংবগী গতমদা ইরম্বনি। মীতৈ ময়েক্তা ইবনি। অতুনা পুয়া অসি খৃষ্টগী চহী-চা ১০/১১ শুবা মতমগীনি। মতম অসিদগী হেম্না ঙনথৎনা ইরম্বা পুয়া লাইরিক কয়াম্বু লৈরি। মীতৈগী মশক নাইরবা লাইরিক "পোইরৈতোন খুন্থোক" হায়বা পুয়া অদু খৃষ্টগী চহী ৩০০ গী অতুরাইদা ইরম্বনি হায়না লৌনৈ।[৭] অতুগা পুয়া অসি মীতৈ ময়েক্তসু ইবনি। হায়রিবা চহী অসিদা অমুক মশক নাইরবা

৭ (ক) - নন্দলাল শর্মাগী—"মৈতৈলোন", ১বা নম্বা, ১৯৬৫—লা০ ৬।

(খ) শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী—"অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস"—লা০ ৬১।

লুপ্পা লৈরি, ইমা গুইরবদি কোয়রিবা মতম অসিগী মমাঙদগী হৌনা মীতৈ ময়েক চৎনরককম থোকই। হায়রা লমদম অমদা চৎনরবা ময়েককসু নত্তবা ইনৌ নৌনা লেপ্পা ময়েক্ক অমা চৎনবা ইকুই কুইদনা হেক্না ময়েক অচুদা মশক নাইবা লাইরিক ইবা থাজবা য়াংলি। গুইথোককমসু থোক্কে। য়ামত্রবদা চহী-চা অমগী মমাঙদগী ময়েক অমহু চৎনবা হৌরককম থোকই। অতুনা মীথয়েং অসিদসু মীতৈ ময়েক অসি য়ামত্রবদা খুষ্টগী অহানবা চহী-চাদদি চৎনবা হৌরম্বা য়াবগী মওঙ লৈ।

ভারতকী ফাওরবা পণ্ডিত ডাক্তর কালিদাস নাগনা মণিপুরদা লাক্লম্বা মতমদা মীতৈগী চেদা ইবা ময়েক উরগা মীতৈ ময়েক অসি নিংথৌরেন অশোকী মমাঙগী ময়েক্কি হায়নসু হায়রম্মী হায়রি।[৮] নিংথৌরেন অশোক্কি খুষ্ট মাঙ চহী ২৭৩ দা ফম্বান কাখিবলি। নিংথৌ অসিগী মতমগী মমাঙদগী লৈরক্লবা ময়েক গুইবা তারবদি মীতৈ ময়েক অসি খুষ্টমাঙদগী চৎনবক্লবা ময়েক মথন অমা গুইবা তাবনি। অতুনা ডাক্তর কালিদাস নাগগী রা ঙাক্তসু নত্তনা মীতৈ ময়েক্না ইরম্বা মীতৈগী অরিবা লাইরিকশিং অসি ইরম্বগী মতমসু চাউরাক্না য়েংলগা লৈনবদা মীতৈ ময়েক অসি থেঙলবদা খুষ্টগী ৭বা চহী চাদদি লমদম অসিদা চৎনরে হায়বসিদা থোইনা য়েৎনবা নীংডাই গুইরোই হায়না নীংঙি। হায়রিবা মতম অসিদগী থেঙবগী য়াদি থম্মকবা কায়দে; হেয়া ঙনখৎনা শীজিন্নরম্বা তাঁমদি চৎনরম্বা য়াকী মওঙ য়ায়া নীংথিনা লৈ। অতুবু শ্রীখোয়গী মৈহৌরোলক্কী থোংনুব ফাওবদা খুষ্টমাঙগী

৮ (ক) শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী—"অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস",—য়াহৌ—লা০ ২৬।

(খ) শ্রীএম০ কীর্তি সিংহগী—"মৈতৈলোন অমসুং ময়েকী লীথুন"—"মালেম", মঙাশুবা চহী, তরাশুবা মশীং—লা০ ১৬।

মতমগীদি নীংথিনা কায়রবদা মতুংগী মরমদাদি চপ মানা অকুপ্পা তাংলাংবা মরম থিরা পরা মানা থোক্লগনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়না মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিদা খুণ্টগী অহানবা চহী-চাদদি মায়া নীংথিনা চৎনরে হায়বদা হেক্লিমা হায়মনবা থোক্লে। রাকম অসি ইপোৎনি, লিকমীংগি হায়দুনা পণ্ডরায় হায়রিজিনবগী মাস্ত নত্তে। খুণ্টগী চহী ৩০০ গী অরুবাইদা ইবা অমসুং মতুংগী মমাঙদা ইরম্বা যাবা লাইরিকশিংনা থুদম চাংদম ওইরবা মীতৈ ময়েক অসি শেম্লকপা অমদি মথং মথং মওঙ তানা মশক নাইবা লাইরিক ইতুনা লৈবাক শীনবা থুংনা চৎনবা য়াবা ময়েক অমা ওইরকপাদা শাংলবা মতম অমা চঙফম থোকপনা খুণ্ট মাঙগী মতমদা ময়েক অসি শেম্লকপনি অমসুং খুণ্টগী অহানবা চহী-চাদা মায়া নাংথিনা মওঙ তানা চৎনরে হায়বদা অরানবা রাকম ওইরোই।

১৮.৪ মীতৈ ময়েক্না চৎনবা হৌরকপগী চাউরাকপা মতমদি খঙলে। ময়েক অসি শেম্লকপগী মতাংদা অখঙ অহৈ কয়াগী মোৎ অমুক য়েংসি।

মীতৈ ময়েক অসিগী মরমদা অকুপ্পা মীৎয়েং চঙদুনা মখোয় মখোয়গী ওইবা মোৎ কোঙদোক্লম্লিবা মীওইশিং অসি লমলম অসিগী মীওই অমতা নত্তে। অথাপ্পা লমদমদগী লাকপা মীওইশিংনা লমদম অসিগী ঐখোয়গী ওইবা ইচাক ইয়েন অসিবু থিজিন খোৎচিনবিদুনা মখোয় মখোয়গী ওইবা মোৎ অমমম কোঙদোকপিবগগী মাদনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না মসিগী মরমদা অকুপ্পা মীৎয়েং চঙদুনা মমুৎ তানা অশেংবা মশক খঙনবা থিজিনবগী থবক মপূং ফানা চথজিবনিদা মখোয়না হায়রম্বা 'ভাক্তনা অচুম্বা ওইদুনা লৈরি। অদুম্বা মীয়ম মচাগী মোৎ ভাক্তদা তাংদুনা লৈবা অসি অশোয়বা অরানবা কয়া লৈরোইদবা নত্তে। মীয়ম মচাশিং অসিদা মীতৈ ময়েকী

ময়মদা হায়রম্লিবা মোৎশিং অসি মখোয় মশেন অমতা মায়বস্থ নত্রি। হুন্তসনগী মোংনা চৌনাদগী লোৌবনি হায়ম্নি। ডামষ্টনা মেঙ্গলদগী পুমকপা ওইনা হায়রি। ব্রাউন অমসুং ডনগীনা নাগমীদগী শেমদোকপা ওইনা হায়রি। অসুম্না মায়দবা মোৎশিং অসিদা ঐখোয়গী ইপোৎকী অথোরিতি ওইবদি চুগদে। ঐখোয়না ইশাগী ওইনা থিজিনবা তাই। মখোয়না হায়রবশিং অসি কয়ম্বনা চুমগে থিবা তাই। নত্রগা মখোয়না হায়রবশিং অসি নত্তবা বেম্না অচুম্বা অম' ফংবা ওঙ্গ্রস্থ য়েংবা তাই। শ্রীনন্দলাল শর্ম্মনদি মীতৈ ময়েক অসি ব্রাহ্মীগী অচোয়্না মশক কুটিল ময়েকগী লৌবগী রা ওইনা হায়রি।[১] মোৎ অসি নকবা লমদম অসিদা মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিন্দী মীওইশিংনা শেমজবনি হায়বা কাঙবু অমস্থ থোক্লি। অকোনবগী কাঙবু অসি নোংমা মীতৈ ময়েক অসিবু থিজিনক্লিবা লমদম অসিগী কাঙবুনি। কাঙবু অসিনা খুদম চাংদম কয়া পীদুনা মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিগী লমদমনিদা পোকপা ময়েক্লি হায়না মখোয়গী অচেৎপা মোৎ পীরি। অসুম্না মীতৈ ময়েক অসি শেম্নকপগী ময়মদা লমদম অসিগী মীওই কয়াগী তোঙান তোঙানবা মোৎ কয়া ঐখোয়না ওসি কাওবদা উবা ফংলি।

১৮৫ তোঙান তোঙানবা মীওইগী তোঙান তোঙানবা মোৎকী মতুং ইন্না য়েংবদা মীতৈ ময়েককী ময়মদা চৈনবা য়াকম অমা লৈরিবসি ঐখোয়না য়াম্না থুনা কোকহম্মবা হোৎনবা হায়বসি তৌদবা য়াজবা ইথৌ অমা ওইরবনি। অদুনা মোৎশিং অদু তোঙান তোঙান্না লৌথৎলগা কুপ্না কদায় ফাওবা ওইবা য়াব। নত্রগা য়াদবা হায়বদু থমকম থোকই। মথাদা মোৎশিং অদু কদায় ফাওবা চুমগে নত্রগা চুমদবগে হায়বদু নৈনরি।

[১] নন্দলাল শর্ম্মগী—"মৈতৈ চনোন', ১১ নবা, ১৯৬৫—লা০ ৫ ৬।

১৮.৫.১ অহানবদা মিষ্টর হডসনগী মোৎ মীতৈ ময়েক অসি চীনাগী ময়েককী লোবনি হায়বসি লৌখৎলি। চীনাদা ঙসি কাওবদা চৎনরিবা ময়েকশিং অসি থোক্লোকী মচুৎশিনবা অমত্তা নত্তে। মওঙসু চৈতেক ময়াম য়ুংনা, কৈনা, পৈনা লোমখৎনবগুম্মি। অতৈমা চৈতেক কয়ানা লোনখৎলগা শেন্নবা ময়েক অসমন্না রাহৈ অময়ময়গী মচুৎ শিন্নি। হায়বদি চীনাগী ময়েক্কি রাহৈগী মচুৎ শিনবা ঙাক্কনি। ময়েকী মশাং অকল্পবস্তু লৈতে। ঐখোয়গী মীতৈ ময়েক্কি খোক্লোকী মচুৎ শিনবা ময়েক ঙাক্কনি। ইবগী মওঙসু চীনাগী চৈতেক মওঙগা মান্নদে; থুংই ওয়রোমদগী হৌরগা য়েংলোমদা চৎথে। চীনাগীনা মথক্কী মথারোমদা য়ুংথনা চৎথবা থুংইনি। অদুনা মীতৈ ময়েক অসি চীনাগী ময়েককী লোবনি হায়বসি য়াবা ঙমদে। করিগুম্বা লোয়ম্বা থোক্লবদি মাম্নবা মওঙ থরতস্তু লৈগদবনি। অদুবু মাম্নবা শরুম অমত্তা লৈতবা অসিনা মীতৈ ময়েক অসি চীনাদগী তম্বা নত্রগা লোবা নত্তে। অদুগা মিষ্টর হডসন্না হায়রিবা মতম অসিনসু মীতৈ ময়েক অসি চীনাগী ময়েককী তম্বা নত্তে হায়বসি লায়না খঙবা ঙম্মি। মীতৈ ময়েক পেঙলবদা খৃষ্টগী অহানবা চহী-চাদদি শীভিন্নববনি। অদুনা খৃষ্টগী চহী ১৫৪০ গী অদুবাইদা চীনাগী ময়েককী লোই হায়বসি য়াকম থোক্কবনি। অসিগুম্বা মরম কয়া লৈবনা চীনা ময়েক অসি য়াম্না লিরবা ময়েক অমা ওইজরবসু মযেক্লিদগী মীতৈ ময়েক পোক্লকপনি হায়বসি অচুম্বা য়াকম ওইজে।

১৮৫.২ মীতৈ ময়েক আস বেঙ্গলদগী পুরকপা হায়বদি বাঙ্গলা ময়েককী শেমদোকপনি হায়বা মিষ্টর ডামণ্টকী মোৎ অমুক লৈরদি। গ্রিয়সর্মা মিষ্টর ডামণ্টকী মোৎনি হাংদুনা লিঙ্গুইষ্টিক সর্ভে ওফ ইন্দিয়াদা' ইরিবা য়াৱেংল অসিগী মতুং ইন্নদি মীতৈ ময়েক অসি খৃষ্টগী চহী ১৭০০কী অদুবাইদা বৈদ্যিংঙ চরাইরোংবগী

[illegible] পুরকপা (শুম্বা) ওইনা লৌগনি। মতুগী [illegible] অসিদা ইবা হৈরমদবা হায়বদি ময়েক শৈরুমগী মা ওইনসু হায়রি। মাকম অসি য়েংনবা য়াওদনা মায়া লায়না লোইশিনবা য়াই। মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতম হায়বসি য়ায়া থেঙনবা মতম্রি। মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতমদা খোইবু মরিদা য়ুংলম্বা মীতৈ ময়েক্কা ইবা নুং অমদি মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা মীতৈ লাইরিক থোকহন্দুনা তম্বা হৌই[10] হায়বা ককপা য়াম্রবা থূদম লৈরিবা অসিনা মাকম অসি অম্‌সুম কক্লবনি। অতুগীসু মথক্তা খুন্তগী অহানবা চহী-চামক্তদা মীতৈ ময়েক য়ায়া লৈংথিনা চৎনরম্বা য়াবগী থূদম ফংলবা অমদি মতম অতুরাইদা মীতৈ ময়েক্তা ইরম্বা য়াবা লাইরিক কয়া ফংলবনা। ৎৈর ডামণ্টকী মোং খুন্তগী চহী ৯৭০০কী অতুরাইদা হায়বা অসি মশানা অসুম লাঞ্জবনি। মীতৈ ময়েক্তি বেঙ্গলদা বাঙ্গলা ময়েক পোক্তিঙৈদগী চৌনা মীওবাক্কী লমদম অসি লৈবক্লবনি। কায়নথঙদা থেঙনা খুন্তগী চহী-চা ৯০ শুবা অতুরাইদা পোক্লকপা বাঙ্গলা ময়েক্কুগী খুন্তগী ১বা চহী-চাদা ফনা লৈংথিনা মওঙ তানা শীজিন্নরবা মীতৈ ময়েক অসি শেম্নকপনি হায়বদি অচুম্বা মাকম মচেৎ অমত্তা য়াওরবনি। বাঙ্গলা ময়েক্কা মীতৈ ময়েক্কা মরী শূক্লে লৈনদে।

১৮.৫৩ অতোপ্পা মোৎ অমনা মীতৈ ময়েক অসি নাগরীদগী শেমদোক্লকপগী রা ওইনা হায়রি। মোৎ অসি ফোঙদোক্লিবনা ব্রাউন অমসুং ডাম্নি। মতাং অসিদা এখোয়না থঙগদবদি করিগুম্বা পোৎ অমা করিগুম্বা পোংশক অমদগী শেমদোকপদা ফনা য়ায়া থেন্নবা মওঙদা তৈনরবসু পোংশক

১০ "মোইরাংথেম শানোংগী কুম শক ১৫৩৮ দা মৈদিংঙু খাগেম্বনা মৈতৈ লাইরিক থোকহন্দুনা তম্বা হৌএ.. ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং খেলচন্দ্র সিংহনা সম্পাদন তৌবা—"চৈথারোল কুম্বাবা—লা" ২৪।

অদুদগী শেমদোক্লকপনি হায়বা খণ্ডবা য়াবা নত্রগা হায়বদা থাজবা করিগুম্বা মওঙ অমদি লৈকম থোকপনি। মীৎয়েং অসিদা য়েংবদা ময়েকসু শেমদোক্লককম ওইবা মপুং অদুগা হাইরপ নত্রগা মদুদগী শেমদোক্লকপনি হায়বদা মানবা (থাজবা য়াবা) মওঙ খরদি লৈকম থোকই। অদুবু নাগরীদগী শেমদোক্লকই হায়রিবা মীতৈ ময়েক অসিদা নাগরীগা হাইরপ মান্নবা নত্রগা ওইবা য়াবা মশক অমতা য়াওদে। মান্নবা হায়ববু শুপ্নগী ইবদা ওযবোমদগী হৌরগা য়েৎলোমদা লোইশিনবা অসিদনি। মসিদং মান্নবা অসিনা হেক্তা নাগরীদগী শেম্লকপনি হায়বা য়াদে। অসুম্না মান্নবা অসিদি অতৈ ময়েক কয়াসু লৈ। মতমগী রাকমদসু নাগরীদগী মীতৈ ময়েক পোকপগী রাকম অসি য়াবা ঙমদে। নাগরী কুটিল ময়েক্তগী পোকপনি। কুটিল ময়েক খুট্টগী চহী-চা ৬শুবগী অহুরাইদগী চৎনবা তৌথিবনি। অদুনা খুট্টগী অহানবা চহী-চা অদুবাইদগী হৌনা লৈরকপগী খুদম কংলবা মীতৈ ময়েক অসি নাগরীদগী শেম্লকপা হায়বসি ওইথোক্তে। অদুগা শ্রীনন্দলাল শর্ম্মনা হায়রিবা মীতৈ ময়েক অসি ব্রাহ্মীগী অতোপ্পা মশক কুটিল ময়েক্তগী শেম্লকপনি হায়বা অদুসু রাকম অসিনা অসুম করে।

১৮৬ অথঙ অহৈ কয়ানা মীতৈ ময়েকী মরমদা শীবা মোৎ কয়া লোৎখত্না লৈনখ্রে। লৈনখিবা অসিদা মীতৈ ময়েক অসি হান্না লৈববা করিগুম্বা অতোপ্পা ময়েক অমদগী শেম্লকপনি হায়বা য়ানীংঙাই ওইবা রাকম য়াওখিদে। ময়েকী মশক মওঙ অমদি মতমদা শাখীনা থেন্নবা লৈবনা অথঙ অহৈশিংগী মোৎশিং অদু অরানবনি হায়না ককখ্রে। অদুনদি করিগুম্বা ময়েক অমদগী শেম্লকপনি হায়বা চপ চাবা খুদম কংত্রবনিনা লমদম অসিগী মীওইনা মশানা শেমজবনি [illegible] মোৎ অদু অমুক লৈরম্লা

য়েংলি। মথক্তা পনখিবা ময়েকশিং অত্থু নত্তবা অতোপ্পা য়ুমথংনবা লমদমগী ময়েকশিংদগী শেম্লক্লম্বা য়াবা মওঙ লৈত্রবা হায়বসু য়েংবা তাই। মীৎয়েং অসিদসু য়ুমথংনবা লমদমগী ময়েকশিং অসি মরু ওইনা মথক্তা পনখিবা ময়েকশিং অদুদগী অমা নত্রগা অমদগী শেম্লকপা ওইনা তৌই। অদুগুম্বা ময়েকশিং অদুগা মীতৈ ময়েকা মশক মওঙ খজিক খরাক ওইরবসু মাম্নবা হায়বদু শূকয়াও য়াওদে। য়াম্না কূপথনা য়েংলুরবদি মীতৈ ময়েক অসি তাইবঙপান অসিদা লৈবিবা ময়েক পূম্নমক অসিগা মরী ইরৈ লৈনদবগুম্বা, মীতৈ ময়েক অসিগী মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা মওঙ অমা লৈবগুম্বা অমা উই। অদুনা অতোপ্পা করিগুম্বা ময়েক অমদগী শেমদোকপগী খুদম ফংবা ঙমদ্রবা মীতৈ ময়েক অসি মণিপুরদা শেম্বা, মফম অসিদা মপুং মরৈ ফানা চাওখৎচবা, লমদম অসিগী মশাগী ওইবা ময়েক অমনি হায়বদা থোইনা লাপ্লোইদ্রা খল্লি। রাফম অসি ময়েক অসিগী মরমদা নৌনা থিজিন খোৎচিন তৌরিবা মীওই অয়াম্বগী মোংনি।

মীতৈ ময়েক অসি লৈবাক অসিদা লমদম অসিগী মীওইনা শেমজবনি হায়বা মোং অসিবু চেৎশিনহনবা ওইনা মীওই কয়ানা ময়েক অসিগা মরী লৈনবা লাইরিক খরসু পুথোক্লি। অদুগুম্বা লাইরিকশিং অদুগীসু অশোয়বদি লৈ। পুথোক্লিবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না হায়বদুদমক চুমহন্নীংবা,, মখোয়না মিংচৎ লৌনীংবগী ৱাফম অমা য়াওনরকপনা পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অদু কা অমা হেন্না হেঞ্জিন্না ইনবদগী শেমদা শেম্বা অতাক্লরকপা কয়া য়াওবনা মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিদা মীতৈগী য়েলহৌ মীওইশিংনা শেমজবা ময়েক অমা ওইরবসু মরক অসিদা য়েংনবা অমা অমুক থোকহল্লি। তোঙান তোঙানবা ৱাংঙ্গলোন [Phylosophy] পুথোরদুনা চুংশিন্নবগী মহুত্তা তোখাইনবা মোং

পুথোক্লরি। মসিমদি ফত্তবনি হায়নীংঙি। করিদা কদায়দা হায়দুনা মস্নাম অমত্তা ওইনা চুংশিন্নরগা হোৎনগদবা মযামগী ওইবা লল অসিবু থরনা থবগীদা ওইবদোনা মানা মানা থোকপা তোবা অসি ঐখোয়গী হেন্না মিংচৎ থীনীংঙাই ওই। অদু ওইদুনসু ঐখোয়না মসিমদি য়েৎনবা লৈতনা য়ারবনি, মীতৈ ময়েক তাইবঙপানগী কবিগুম্বা ময়েক অমদগী শেম্নক লোরকপা নত্তে; লমদম অসিদা শেমজবা লমদম অসিগী অশেংবা ময়েক্কি।

১৮.৭ করিগুম্বা অতোপ্পা ময়েক অমদগী শেম্নকপা নত্রগা মতৌ তমদুনা পুথোরকপগী থূদম ফংত্রবনা মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিগী মশাগী ওইবা লমদম অসিদা শেম্বা ময়েক্কি হায়বসিদা থোইনা অয়েৎপা লৈররোই হায়না লৌবা য়াবে। অদুবু অসিগুম্বা মীতৈ ময়েক অসিগী মতুংদা অমুক মশক লেপ্পদা চয়েৎনবা অমা লৈরি। চয়েৎনরিবা অদুদি—"হৌঙিক মৈতৈ ময়েক্কি হায়না পুথোক্লরক্লিবসি মথল মরি গুরি—অরিবা লাইরিক লৈতবা ময়েক্তি মৈতৈ মরূপকী য়েংশকৌ ময়েক, পোইরৈ মৈতৈ মরূপকী ময়েক, পাখংবগী শাথেক্তগী লৌবা ময়েক অমসুং অরিবা লাইরিক্তা ফংবা ময়েক অসিনি।"[১১] অম্সুম্না ময়েক্কী মশক্কী নবমদা থেম্নবা মোৎ লৈবা অসিনা অমুক ময়েক অসিগী চাওথৎ থোঙথাংদা অপনবা ওইহল্লি। ঐথোয় ইশেন করিনা কদায়নো করম্বনো হায়বা অচুম্বা মশক থিদনা ঐগী ঐগীনা অচুম্বনি হায়বা কংয়েৎ অমা য়াম্না কম্না য়েৎনরি। "য়াকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক" কৌবা লাইরিক্তা ময়েক ১৮দা য়ুম্ফম ওইদুনা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ময়েক্তবু মীতৈ ময়েক্কি,

১১ শ্রীবাপেমযুম তোমচৌ সিংহজী—"মৈতৈলোন অমসুং ময়েক্কী লাথুন"—'মীৎয়েং", অনৌবা চহী, শুবা মশীং, ডিসেম্বর ১৯৭২—লা৹ ৯৯।

অতৈদি মন্ত্রে হায়না লাউরি। অচুবু ময়েক ১৮ অসিতনা ঙসি শীজিন্নরিবা মীতৈলোনগী খোন্থোক অসি শুনা ইবা ঙমদে। অদুনা ময়েক ১৮ অসিবু কয়া শোগৎলিবা কাণবুনা নৌনা চঙশিন্নকপা খোন্থোকীদমক লুম কাপ্পগা শীজিন্নগনি হায়রি। অচুবু ময়েকী মরমদা ইরিবা লাইরিক "ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক" অসিমক অশেম্বনি হায়দুনা লৈবাক মীয়ায়া য়ানগ্রি, অদুনা লাইরিক অসিদা য়ুক্ষম ওইরগা মীতৈ ময়েকী মশক লেপ্পা য়াগ্রি।

মীতৈ ময়েক্লি হায়দুনা পুথোক্লিবা ময়েক মথন অমনা শ্রীটি খোকুলনা শন্দোক্লিবা লাইনীংহন শ্রীনাউরিয়া ফুলোনা থম্নবনি হায়বা ময়েক অদুনি। হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা মীতৈ ময়েক্লি হায়দুনা শীজিন্নরিবা ময়েক অসি শ্রীটি খোকুলনা অশেংবা মীতৈ ময়েক নত্তে, বেঙ্গলদগী পুরকপা শান্তদাস গোসাইনা শেম্বা ময়েক্লি হায়রি। মীতৈ ময়েক অশেংবদি শ্রীনাউরিয়া ফুলোনা থম্নবা অদুনি হায়রি। মৈদিংগু পামহৈবগী মতমদা পুয়া মৈ থাবদা পাইখিবা "শকোক শলাই থিরেম" হায়বা পুয়া লাইরিক অদু ময়েক অসিনা ইস্নু হায়রি।[১২] অচুবু শ্রীফুলোনা থম্নবা ময়েক অদুনা ইবা লাইরিক অমত্তা ঙসি ফাওবদা কংগ্রি। অদুগী মথক্তা মহাকী ময়েক অদু বাঙ্গলা ময়েক্তা য়ামনু মাৈ। অদুনা ময়েকশিং অদু শ্রীফুলোনা বাঙ্গলা ময়েক য়েংলগা মরনাই শেম্নবনি হায়বনা হেন্না লৈবাক মীয়ায়া থাজগনি। শ্রীফুলোগী ময়েক অদুদা য়াওবা ময়েক খবদি কলিকত্তা য়ুনিভর্সিতিদা লৈবা বাঙ্গলা ময়েকী শাইয়োন্দা য়াওই হায়না শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রসিংনা হায়রি। শ্রীচন্দ্রসিংগী মোৎ— "লাই—মোথারিগি মতম ৬শুবা—১২ শুব শতাব্দী সেন বংশগি মতম ফাওবদ উগনি। কক—শশাংকগি মতম ৭ শুব শতাব্দীগি

১২ টি খোকুলগী—"মীতৈ ময়েক খন্দোক্লবগী পাঙৈ"—লা০ ৩৯।

ময়েকনি। মনা শাংব কক—পাল বংশগি মতম ৯শুবা—১০শুবা শতাব্দী কাওবগি ময়েকনি। য়ম—পাল বংশগি মতম ৯শুবা শতাব্দীগি ময়েকনি। ঙম—মৌখারিগি মতম ৬শুবা শতাব্দীদা উবিগনি চম—কোশালগি মতম ১৫শুবা শতাব্দীদা থেংনগনি। চমগি অহেনবা মনা অসি কল্পগা কৌশিককি চ নি। হয়—কোশালগি মতম ১৫শুবা শতাব্দীদা উবিগনি। মী—পালগি মতম ৯শুবা—১০শুবা শতাব্দী কাওবগি ময়েকনি।"[১৩]

শ্রীচন্দ্রসিং পণ্ডিতকী রা ডাক্তরসু নত্তনা শ্রীফুলোনা থম্লম্বা ময়েক অসিদি মীচম অমনা য়েংবদসু অচুম অশেঙ্বনি হায়বসি য়াম্না লায়না খঙবা ঙমগনি। খবা শেমদোক শেমজিন তৌবগি হৌভিকী বাঙ্গলা ময়েক অসিগা অয়াম্বা মান্নৈ। অচুনা শ্রীফুলোগী ময়েক অসি পুয়া মৈ থাবা মতমদা পাইখিবা "শকোক শলাই থিবেন" হায়বা পুয়া অচুমক ইরম্বা ময়েক্কি হায়না ফনা হায়রুনসু ময়েক অসি লৈরম্বগী শামিন করিমতা ফংদ্রবা অমদি বাঙ্গলা ময়েক পোল্লকপগী শাইয়োন্দা মান্নবা শক্তম কয়া লৈরবা, ময়েক অসি পুথোরকপসু লমদম অসিদা ওইদত্নবা বাঙ্গালীশিংগা তোঙন তিন্নদুনা লৈবা মীশক অমনা মপান্দগী পুথোবকপা মবী মখোঙ থঙদবা ময়েক অসি অশেংবা মীতৈ ময়েক ওইফম থোক্কে।

১৮৮ মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিদা লমদম অসিগী মীওইনা শেমজবা মীতৈ ইশাগী ময়েক্কি হায়বা খঙজরবা ফাওবদা ময়েকী মশক অমদি মশীংদা চয়েৎনবা লৈবনা মরম ওইদুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। থোকহল্লিবা খুদোংচাদবা অসিনা ময়েক অসিবু পামজবা মশক্তি মুম্না খঙজদবা মীওই কয়ানা খঙনীং হৈনীংবা পোল্লকপদা নীংবা কায়বা কয়াসু পোকহল্লি। মসিমক্না মরম ওইদুনা মীতৈ ময়েক্কা লমদম অসিদা মমাঙউৈদা

১৩ য়োইরাংথেম চন্দ্রসিংগী "মীতৈ ময়েক"—লা০ ১১।

লৌরক্কা থোৎনাং অমদি তুংদা লৌরগদবা থোদাংদা অকায়বা কয়া থোকহল্লকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। অছুবু থোক্লকপা য়াবা অকায়বা কয়াদু থোক্লক্কবা য়াবদি লংজীন অমদি কংলে হায়বা য়ারে। মীওই খরনা মশা মশাগীদা ওইবা মীৎয়েংদা য়ানী দ্রবস্থ ময়েক অসিবু খিজিন খোৎচিন তৌরিবা মীওই অমদি ময়েক অসিবু শামজবা মীওই কয়াগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরক্লে হায়বা যারে। মসিগী খুদম খুল্লক ইরক্তা মফম মফম খুদিংদা মীতৈ ময়েক তম্বগী অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্লিবা অসিনি। অছুনা হৌজিক্তি খঙলে শ্রীটি 'বাকুলনা শন্দোক্লিবা শ্রীনাউরিয়া ফুলোনা থম্লবা ময়েক অশেংবা মীতৈ ময়েক নত্রে। শ্রীথোকাচানপনা পুথোকপা "রাকোকলোন থিলেল সশাই অমাইলোন পুকোক" কৌবা লাইরিক অদু ময়েকী মরমদা ইবা লৈবাকী মীয়াম্না য়েৎনবা লৈতনা য়ানরবা অরিবা লাইবিক অমা ওইদ্রবস্থ অমদি লাইবিক অদুদা ময়েকী মরমদা ইরিবা য়ারোন অদু অচুম্বনি হায়না লৌন-দ্রবস্থ "ঈ" অমস্থুং "উন" হায়বা ময়েক অনী অদু নত্তনা লাই-রিক অদুদা য়াওরিবা অতৈ ময়েকশিং অদু (ইবগী মশক মওংদা মায়দনা হায়বদি খজিক খবাক থেম্বা অমা/অনীদি য়াওজরবস্থ) অশেংবা মীতৈ ময়েক্লি হায়না য়ানরে।[১৪] য়ানবিবা ময়েক অসি মশীং ১৬ তনি,— ক, খ, ঙ, চ, ত, থ, ন, প, ফ, ম, অ, য়, ল, র, স, হ অসিনি। মসিগী মথক্তা "র" হাপচিল্লগা ১৭ ওই। র অসি মীতৈ ময়েক্তা য়াম্না ওম্না য়াওবা থেংনৈ। অতোপ্পা অনৌবা ময়েক অমদি খোম্থোক অতৈ চঙলক্লিডৈদগী হৌনা র অসিদি মীতৈগী অবিবা লাইরিকশিংদা য়াম্না তোয়না য়াওই। অছুনা মসি ১৬ অসিগী মথক্তা হাপচিল্লকপা অঙনবা মতমগী ময়েক ওইগনি। ময়েক ১৭ অসিগা লোয়ননা ময়েক মচেৎ— ক্, ঙ্, ং, ত্, ন্, প্, ম্, ল্, য়্, র্, হায়বা ১০ অমগা; া, ি, ী, ু, ূ, ে, ৈ, ো, ৌ, হায়বা চৈতপ ৯ অসিগস্থ আরবা মীতৈ ময়েক্তা য়াওই।

[১৪] শ্রীবাংখৈযুম তোমচো সিংহগী—"মীতৈ ময়েকী হৌরকফম"—'সাহিত্য' ১৫ শুবা মশীং, নবেম্বর ১৯৭৩—ময়াং ২।

হায়রিবা ময়েকশিং অসিনা বাঙলা অমসুং সংস্কৃতকী লোল্লোপ রাহৈনা মীতৈলোন্দা চঙশিল্লক্লিংঙৈদা ইরুপ্পা লাইরিকশিং মক ওইনা "পোইরৈতোন খুন্থোক", "নুমীৎ কাপ্পা" "থিরেল লায়াৎ" "ইরেং পুরারী", "চাত্তা লাইহুই" অসিনচিংবা অসিনি। মথংদা অত্তোপ্পা লোনগী রাহৈ কয়া মীতৈলোন্দা চঙশিল্লকপগা লোয়ননা খোন্থোকী ঈরায় ইনিনসু চঙশিল্লকপদগী ময়েক মথং মথং হাপ-চিল্লকুনা ৩৫ কাওবা শুবকথি। ময়েক ৩৫ অদুদি— ক, খ, গ, ঘ, ঙ, চ, ছ, জ, ঝ, ঞ, ট ঠ, ড ঢ, ণ, ত, থ দ, ধ, ন, প, ফ, ব, ভ, ম, অ, য, র, ল, ৱ, শ, ষ, স, হ, ক্ষ অসিনি; মীতৈ ময়েক্তা নিংশা ময়েক অ দগী হেন্না অতৈ লৈরমদে। নিংশাগী অতৈ খোন্থোকশিংদি হক ময়েক্তা চৈতপ তপ্পগা কোঙদোক্লম্মী। খুদম — ই = য়ি, ঈ = য়ী, উ = য়ু, ঊ = য়ূ, এ = য়ে, ও = য়ো। ময়েক ৩৫ অসিনা ইবা লাইরিকশিংদি কিন্দু লাইনীং লৌচৎনা লমদম অসিদা খোঙদারক্লবা মতমদা ইবা বাঙলা অমসুং সংস্কৃত লোনগী ঈরায় ইনিন ফংলবা লাইরিকশিং পূল্লমক্লি।

মীতৈ ময়েক অসি মশীংগী মরমদসু চয়েৎনবা অমা লৈ। মীতৈ ময়েক মপূম অসি মীওই খরনা ১৭ তনি হায়। খরনা ১৭ অসিগী মথক্তা অঞ্জি থাবগা ১৮ নি হায। খরনা অঞ্জি থাদনা ১৮ নি হায়। খরনা অমুক ৩৮ নি হায়। খরনা ৪৭ শুই হায়। খরনা ৪৮ নি হায়। খরনা ১৮ দগী ৩৬, মথংদা ৪৭ কাওবা য়োরকখি হায।[১৫] হৌজিক ময়ামনা য়ানদুনা চৎনরিবনা ৩৫ নি। অহূম্মা ময়েক্লা মথং মথং পাকথোক চাউথোরকপগী মতাংসিদা মশীংগী খেন্নবা য়োৎ কয়া থোক্লি। অদুবু হায়রিব-শিং অসি পঙহায় হায়জবা হায়বহুনি। শীজিন্নবা মশক খঙদবা ময়েকপু ময়েক কৌবা য়াবরা? মীতৈগী অরিবা লাইরিকশিংদা

১৫ মীতৈ ময়েক্কী মশীংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা য়োৎশিং পীরিবসি ময়েক লুপতিন ইডিটরিয়েল বোর্ড, ইম্ফালনা খুৎটী চহী ১৯৬২ দা কোঙথিবা "ময়েক লুপতিনগী রাপোর্ট" কৌবা লাইরিক অদুদগীনি।

[illegible]ষ্বা ময়েকশিং য়েংলগা ময়েক্কী মশক অমদি মশীং লেপ-কদবনি। অদুনা মীৎয়েং অসিদা য়েংবদা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মমাঙদা ইরম্বনি হায়না লৌনরিবা লাইরিকশিংদা ময়েক মপূম ৯৭ থেংনৈ। মতুংদা ইরম্বা লাইরিকশিংদা ময়েক ১৮ অমগা তেনগৎলক্লুনা ৩৫ ফাওবগী ময়েক থেংনৈ। ৩৫ অসিদা অহান-বগী ১৭ অদু যাওই। অদুনা মীতৈ মায়েক্কী মশীং অসি অহানবদা ১৭, মথংদা অস্তম মতমগী মতুং ইন্না বাঙ্গলা অমসুং সংস্কৃত লোনগী খোঙ্গোক্কী ঈরায় ইনিন ফংবগী মথং মথং হাপকৎলক্লুনা ৩৫ ফাওবা য়ৌরকখিবনি। ৩৫ অসিগী মনুংদা মীতৈলোনগী খোঙ্গোক লৈতবা ময়েক থরা যাওরি। অদুগুম্বা ময়েকশিংদু অতোপ্পা লোন্দগী চঙশিল্লকপা য়াতৈশিংগীদমক ওইনা মশক হোংদনা ইনবা শেমখিবনি হায়না লৌবা ভাই। ময়েকশিং অদু ছ, ঞ, ট, ঠ, ড, ঢ, ণ, শ, ষ, ক্ষ গী খোঙ্গোক লৈবা ভাক্তনি। ময়েক থরা অমনা মশক থরা থবা তৈনবা মওঙদা অনী নত্রগা অহুম নত্রেগা হেন্না লৈবস্তু য়াওই। অদুগুম্বা ময়েকশিং অদুনা— ক ঙ, ধ, ন, ম, ব, র, ক্ষ নি। মশীং ময়েক্কী মরমদদি ময়েক্কী মশক লেপ্পা ঙম্রি। ময়েক মপূম ৩৫ গী থাক য়ৌবকপা অদুরাইদা বাঙ্গলা ময়েক্কী মতৌ তমদুনা তপ্পবা ময়েক থরা শেম্বগী থুদমস্তু ফংঙি। শেমখিবা তপ্পবা ময়েকশিংদু— ক্ল. ক্য, ক্র, ক্ল, ক্ব, র্ক, স্ক, ষ্ট অসিনি।

ময়েক্কী মশক্কী মতাংদস্তু মশীংগী খেন্নবা লৈখিবা অসিনা অপনবা খবদি অদুম থোকহল্লকই। অদুবু মসিগী রাকম অসি য়াম্না লায়না লোইশিনবা য়াই। মীতৈ ময়েক্না ইরম্বা ওসি ফাওবদা ফংলিবা লাইরিকশিংদা ইরম্বা ময়েকশিং অসি মীতৈ ময়েক অশেংবনি হায়না লৌবা ভাববনি। মীৎয়েং অসিদা য়েং-লগা ময়েক্কী মশীংসু লেপ্লিবনি। অদুনা লাইরিক ময়ামশিং অদুদা ইরম্বা শকমাম্নবা ময়েক মথৈ অদু অশেংবা মীতৈ ময়েক্কী মশক্রি। অদুগুম্বা ময়েক থরগী মাম্নদবা মশক অনী নত্রগা

অহুম লৈবা খাওরিবা অমস্রুং ময়েকশিং অমুখী [illegible] শক্লোন লৈজবনি হায়না লৌবা তাবনি। অদুনা [illegible] তোঙানবা মীওইনা মখোয় মখোয়গী ওইবা তোঙান তোঙানবা মশক্কী ওইবা ময়েক মখল কয়া পুথোকচরবস্মু ওসি ফাওবদা ফংলিবা মাতৈগী অরিবা পুয়া লাইরিকশিংদা য়াওরিবা ময়েকশিং অদু পাবা ওয়বা অমদি খঙলবদি অদুগুম্বা ময়েকশিং অদু অশেংবা মীতৈ ময়েক ওইবা তাবনি। অমস্তুং অশেংবা মীতৈ ময়েকক্রি।

১৮.৯ মীতৈ ময়েক্না ইবা অরিবা লাইরিক থরদা অঙি হাযবা ময়েক অমা নপশিনবগী মতাং ঐখোয়না থেংনৈ। মশাংগী থেম্নবা মোংকী মতাংদসু অঙি থারগা ৯৮ হায়বা রাকম অমা পেংনখ্রে। অঙি হায়রিবা ময়েক অসিমক্তি মশাগী খোস্তোক অদুনা কয়িগুম্বা রাহৈ অমা শাগৎপদা চঙবা ময়েক নত্তে। লাইরিকী অহৌবদা অঙি ময়েকী মশক "ং" অদু ইবম্বতনি। সংস্কৃত লোন্দা ইরম্বা লাইবিরুচিংবদা "ওঁ" হায়না ইবম্বা য়াওবা অদুগুম্বনি। অসিগুম্ব ময়েক অসিগী খোস্তোক্না কয়িগুম্বা রাহৈ অমা শাগৎপদা য়াওবা ওমত্রবা ময়েক অসি মীতৈ ময়েক্তা যাওবম্বসি মতৌ করম্না অমদি করি কান্নবগী য়াওবক্লিবনো হায়-বদা থরা ওক্রপ থোকই। অঙি হাযবা খোস্তোক অসি মীতৈগী নত্তে ইরিবা মশক অ সস্তু মীতৈগী নত্তে। শ্রীএম এস নিঙোম্বনা অঙি অসি নোংচুপ বেঙ্গলগী অরাং খংবা শরুক, নোংপোক বেঙ্গলগী (হৌজিক্কী বাংলাদেশ) অয়াম্বা মফম অমদি আসামগী ক কপ্পা শীজিম্বরম্মী হায়না শীজিম্ববম্বগী মতম ফাওবা পীদুনা মতাক্কী "অঙি অমস্তুং মীতৈ ময়েক" হায়বা রাবেং অমদা খুদম চাংদম কয়া পীদুনা নৈনরি।[১৬] নৈনরিবা রাবেং অদুনা অঙি অসি মীতৈগী নত্তে, বেঙ্গলদগী লাকনীং মীচৎ অমদি লোলগী ইরাং ইনিংগা লোয়ননা চঙশিল্লকপনি হায়না মোং কোওদোক্লি। মোং অসি অচুম্বনি হায়নীংঙি। অঙিনা মীতৈ

১৬ "মতমগী খোঙথাং", ৫ শুবা চহী, ১০ শুবা মশীং— লা০ ১৬—২১।

ময়েকী মরক্তা য়াওদুনসু মীতৈ ময়েক ওইবদি য়ারোই। লাইরিক মরুপী মতৌবদা ময়েক অসিগী মশক য়াওজবা নত্তনা ময়েক অমনা পাঙথোকপা ঙম্বা থৌদাং অমত্তা মীতৈগী অরিবা লাই-রিকশিংদা অজিনা পাঙথোকপা ঙমদে। অদুনা অজি অসি বেঙ্গলদগী চঙশিন্নকপা হিন্দু লাইনীং লীচৎ অমদি বাঙ্গলা লোনগী অকনবা ঈহৌগা লোয়ননা লমদম অসিদা চঙশিন্নকপনি। লমদম অসিদা থুন্দাহুনা লৈরবা ব্রাহ্মনশিং অমদি মীতৈ পণ্ডিতশিং (বাঙ্গলাগী ঈশিং ফংলবশিং) না তানরগা হাপচিনখিবা ওইগনি। অজি অসি হাপ্পমিবা লাইরিকশিং অদুসু য়াম্না উনবা মতমগী লাইরিক অমত্তা নত্তে। বেঙ্গলদগী মীরোন য়াহৈনা চঙশিন্নরুবা মতমদা ইরম্বা মীতৈ ময়েকা ইবা লাইরিকশিংদা অয়াম্বা ওইনা য়াওই। অদুনা এজি মীতৈ ময়েক নত্তে। মীতৈ ময়েকী মরক্তা অজিবু মীতৈ ময়েক অমা ওইনা খোপচিনবা অচুম্বা নত্তে। ময়েকী মশাংগী মতাংদসু অজিবু মশাং থাবা য়াদে। হৌজিক নীয়াম্বা য়ানহুনা চৎনবা হৌরক্লিবা ময়েক মপুম ৩৫গী মীতৈ ময়েক অসিদসু অজি য়াওদে।

মীতৈ ময়েকী মশক তাকপা লাইরিক খরদা অজিবু মীতৈ ময়েকী মচুং চনশিনবা থেংনৈ। হৌজিক কাওবদা ময়াম্না য়ানহুনা চৎনবা হৌরক্লবা ময়েক ৩৫ অসিগী মথক্তা অজি থারগা মীতৈ ময়েক ৩৬ নি হায়রি। লোয়ননা ময়েকশিং অহুগা কোম্নবা লাইসু লৈ হায়রি। মহুদি— "ক" দি নিপানে, পাখংবনে; "খ" দি নিপানে, অতিয়া শিদবনে, "গ" দি লাইসনানে, নুপীনে, পাখংবগী ওয়নে, "ঘ" দি লৈমরেনে, নুপীনে; "ঙ" দি কেশানে, (eunuch), অশীবনে অসিনচিংবা। "ক" দগী "ক্ষ" কাওবা ময়েক কুম্ব্রামঙা অসিনা পরেং শারগা অজিনা লৈরু ওই। অস্থুম্না ময়েকা কোম্নবা লাইগী মশক তাকপগা লোয়ননা অজিগী মশক মওঙসু অম্পুম্না তাকই— "অকানবা থেকপা মখেজি মচিন য়ুকএ, মনম হুন্নে, মরাম হাইগদ্রে, কোক্ত্রোয় মমিং থোংজি

অঙ্গি কৌএ ।" (—ময়েক লাইশক খণ্ডবা ।) অতোপ্পা অমনা— "ময়েকী মরম ইবা 'হকশাংগী লাইকম' কৌবা লাইরিক্তা অস্তুম্না ইরম্মী— 'ক' না খুম্না লোলক্‌নে, 'খ' না খমনে, 'ঙ' না খুমিৎনে, 'প' না কোকনে, 'ফ' না লুতুংনে । অতুম্না 'ক' বু মপুম ওইহল্লগা হকচাং মপুমদগী থোরকপা হকচাংগী শরুক অতৈ-বুনা ময়েক অতৈ ওইহল্লি । অমরোমদা মসিগী অর্থাদ 'ক' দগী ময়েক অতৈ অতৈ থোকাখবনি হায়না লৌবা যাই । হিরম অসিদা খাংহৈমবদ্দগী ময়েক থিবা কাংবু 'নোংদম শংলেন' গী খু ১৯৬৯ দা ফোঙখিবা চেকোড, 'ময়েকী পরীং কাপ্লাৎ' হায়রবদুদা খন্নবা য়াবা ৱাকম অমা পীরি । চেকোড অসিদা উংলি— অঙ্গিদগী 'ক' ওইরকপনি অদুগা 'ক' গী মশক ইবদা অয়ুংবা অমসুং অহৈবা চৈ তরেৎ চঙই 'ক' গী মসুঙদা য়াওরিবা চৈ তরেৎ অসিগী শরুক খর খর লৌথোক্লগা মেতে ময়েক অতৈ পুম্নমক লেম্বনি ।"[১৮]

ময়েকী মরমদা অসুক চঙথোক্না ইরম্বা লাইরিকশিং অসি অঙ্গিবু মীতৈ ময়েকী মসুংদা কোনশিল্লগা ইবা কুইন্নি হায়বা তাক্লবনি । নোংদম শংলেনগী "ময়েকী পরীং কাপ্লাৎ" হায়বা অদুবুদি খৃষ্টগী চহী ১৯৬৯ দা ইবা অমসুং কোঙবনি । মসিগীদি নৈনকতনা কান্নদে ; "ময়েক লাইশক খণ্ডবা" হায়বা অদুদি মীতৈগী পণ্ডিতশিংনা মীতৈ ময়েক্তা ইবম্বনি । অদুবু মসিমু ইবা য়াম্না নৌরি । মীতৈ ময়েক মপুম্না ৩৫ শুরবা মতমদা মীতৈলোনগী ৱাহৈদা চম্নকম লৈত্রবা অতোপ্পা মপানগী লোনগী ৱাহৈশিং ইনবগীদমক লেপ্পা 'ঘ' নচিংবগী ৱায়োন কাওবা য়াওনা ইম্বা লাইরিক অসি ইবা য়াম্না থেঙলবা মতমদনি হায়বা খঙলে । ভরূপদা মৈদিংগু খাগেন্দ্রগী হান্দক্তগীদি ভনখক্রে । অঙ্গিবু মীতৈ ময়েক্তু থোপচিল্লুবনা মতুংদা ইবা লাইরিক ওইবনা অঙ্গিগী মশক মশংমু তাক্লে । অদুনা ময়েকী মশক তাকপা লাইরিক অসিদা অঙ্গিগীমু মশক মগুম তাকহ হায়দুনা এথোম্বনা অঙ্গিবু হেক্তা মীতৈ ময়েক ওইহনবা য়াদে । অঙ্গি মীতৈ ময়েক নত্তে ।

---

১৭ শ্রীনংথোথোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী— "অরিবা মনিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস"— ৱাকৌ—লা· ২৫ ।

১৮ শ্রীৱাংখৈরকপম তোমচৌ সিংহগী —"মৈতৈ ময়েকী হৌরকফম"— "সাহিত্য" ১৫ শুবা মশীং, নবেম্বর ১৯৭৯— লা· ৬ ।

১৮৬০ মীতৈ ময়েক অসি অহানবদা ১৬. 'ৱ' য়াওরগা অদু, অদুগী মথং মথং হাপকৎলকুনা ৩৫ কাওবা য়ৌরকখি হায়বগি অথক্তা পনখ্রে। অদুবু মথং মথং হাপকৎলক্রিবা মযেক শিং অসি করম্না মতমদা করম বথম্না ময়েক হাপকৎলকপনো হায়বসি খিজিনকম থোকপনি। অসিগুম্বা খিজিনকম থোকপা অসি খিজিনবদা অচৌবা থুদোংথীবা অমা মায়য়োক্লে। মীতে ময়েক অসি মথং মথং হাপকৎলকখি হায়বদি খঙলবস্তু হাপকৎলকপা মতম অমদি মতম মতমতুগী ওইবা মযেক্কী তাংদাংবা মশক খঙবা য়াম্না লুরে। হাইক্কৎ ওইবা য়াবা পুথোকপা নত্তনা অশেংবমক হায়বা বারে। কনাগুম্বনা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মমাঙদা লৈংম্বা মযেক ১৮ দনি, মতুংদা মথং মথং হাপচিল্লকুনা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা হৌজিক্কী মযেক মশীং ৩৫ অসি য়ৌরবখিবনি হায়।[19] কনাগুম্বনা অমুক মৈদিংঙু খাগেম্বা, মৈদিংঙু পামহৈবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (ভাগ্যচন্দ্র) গী মতমদা মযেক মথং মথং হাপকৎলকখি হায।[20] শ্রীগুরুম নিত্যাই অমসুং বাংথৈময়ুম গুলাপমচা পণ্ডিত অনীনদি মৈদিংঙু খাগেম্বগী হাক্তা সুবাবা অমসুং অসুম্না কৌবা পাঙন পণ্ডিত (মসিদা হায়রিবা পাঙন অসি মুসলীম্বু নত্তে, বেঙ্গদলগী লাকপা মীবু খঙনৈ, বাঙ্গালদগী থৈথরকপনি) অনীগা লোয়ননা মযেক কযামরম হাপকৎলকখি হায়রি।[21] অসুম্না রাকম খন্না থেংনবা অসিদগী খঙবাদ মীতৈ মযেক অসি মৈদিংঙু খাগেম্বা, মৈদিংঙু পামহৈবা অমদি

---

১৯ মযেক লুপতিন ইডিটরিয়েল বোর্ডনা ফোঙবা— 'মযেক লুপতিনগী ৱারেপ"— লা০ ১০।

২০ মযেক লুপতিন ইডিটরিয়েল বোর্ডনা ফোঙবা— "মযেক লুপতিনগী ৱারেপ"— লা০ ১১। ১৫।

২১ মযেক লুপতিন ইডিটরিয়েল বোর্ডনা ফোঙবা—"মযেক লুপতিনগী ৱারেপ— লা০ ১৫।

মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা মথং মথং ওইনা মতম মতমগী ওইবা চঙদবা য়াদবা ময়েকশিং থুবা থম্বা হাপকৎলক্লনা হৌজিক্কী ময়েক মপুম ৩৫ অমদি তম্নবা ময়েক্কুচিংবা পূম্নমক অসি শেমখিবনি। মৈদিংঙু খাগেন্দ্রগী মতমদগী ঙনখৎনা মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতম অহৌরাইদগী হৌনা ময়েক মথং মথং হাপকৎলক্লম্বা য়াবগী মওংদুনি লৈ। র' অসিমক যাম্না ঙম্না মীতৈ ময়েক্কা য়াওরবনি।

'ব' দা নত্তনা গ, জ, দ, ব, শ নচিংবা ময়েকশিং অসিমক থুইগী চহী-চা ১০ শুবগী অহৌরাইদা হাপকৎলক্লম্বা ওইগা য়াই। অদুবু থেঙ্নবদা মৈদিংঙু খাগেন্দ্রগী হাকচংদি মথক্কী ময়েকশিং অসি লৈরে। ঘ, ঝ, ধ, ভ নচিংবা অসিনা মৈদিংঙু পামহৈবগী মতমদা হাপকৎলকপা ওইবা য়াই। অতৈ লেমহৌরিবা ছ, ঞ ট, ঠ, ড, ঢ, ণ, ষ নচিংবা অসিনা থেঙ্নবদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদদি হাপকৎলে। অদুবু তশেংনা তাংদাংবা মওংদা ময়েক অসি অসিনা

অসিগুম্বা মতমদা হাপকৎলকপনি হায়বদি চপ চানা পুথোকপা লুবে। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না থিজিনবনা লেপত্রবদি চপ চাবা মতম অমদি ময়েক্কা মশক মত্তৌ অম্ভুম্না নত্রগা মরম অসি লৈবদগী হাপকৎলকখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লকপা য়াই। হৌজিক ফাওবগীদি শুইবা য়াবা মওং থম্না ফংলিবসিদগী হেন্না কুপথবা মখম ফংবা ঙমগনি।

৯৮।১১ মীতৈ ময়েক অসি কুপ্পা নৈনরকপা মতাংদা য়াম্না অববা রাকম অমা ওইরিবাদ ময়েকশিংগী খোম্লোক্কী মরমদনি। তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ময়েক্কী মশক অমদি মশীং খেন্ননা পুথোক্লবগা লোয়নননা ময়েকশিং অদু পাবগী খোম্লোকসু তোঙান তোঙান্না পুথোক্কে। শ্রীথৌকাচানপনা পুথোক্লিবা "য়াকোকলোন থিল্লেল সলাই অমাইলোন পুকোক" অ য়াওবা ময়েক ১৮ গী খোম্লোক্কা— কোক, সম, লাই, মিৎ, পা, না, চীল, তীল, খৌ, ঙৌ, থৌ, রাই, য়াং, হুক, উন, ঈ, ফম, আতিয়া অম্ভুম্না পাগনি হায়।

শ্রীগৌরাঙ্গ নিত্যাই অমসুং শ্রীরাংথৈংযুন গুণাপমচ অনীনা পুথোকপা খো খাক্না— ইতিংকোক খম, গম ঘম, ঙম, চৈ, ছায়, জম ঝাই, ঞঙ, টিং ঠোক, ডিং, ঢাই, ণম, তক, থোক, দং, ধাং নোং, পক, ফাই, বং ভম, মম, য়াই, রোই, লৌ রাই, শরিশি পু ষৈ থুনমষ হং, ক্ষং, হনুস, সোরারেল, খুচুংঙ্গং, শারি হায়না পাগনি হায়রি। নিংশা মযেক্কা ক, কা, কৈ, যৈ, হুম, উম অরা ইবেন, য়েক, ঐক, কো, কৌ, কং, কো অশূম্মা পাগনি হায়। মৈতৈ পাখংবা থৌগল মরুপশা হায়বনা— কং খং, গং ঘং, ঙং শং, ষং সং, হং, ক্ষং অসিগী মওঙদা পাগনি; নিংশা মযেক্কা অ, আ, ই, ঈ হায়না অংম পাগনি অসিনি। তক মযেক্কা কং, খং হায়না পাবিবসি লাইগী থোক্লোক্লি, তাইবঙ মীনদি ক, খ ওইনা থোক্লোকই হায়। মৈতৈ থৌগল মরুপশা ক খ গ হায়না অতুম পাগনি হায়। নোংমৈবুংদা লৈবা শ্রীরাংথৈবাকপম কক্নাই মীতৈনা হায়বনা— অলচি খক ছিচ, থনৎ, ফুপ, নঠ, অক, হক, ঙঙ, লনৎ, মৎ, যুম, য়িং, কে, চৈ, তুং রাপ, পুপ হায়না পাগনি হায়। পোইরৈ মীতৈ মরুপশা অরা, আং ইরা, ঈং, টম, এম ঐম, ওম, ঔম, কম, খম, গম ঘম, ঙম, চম অশূম্মা পাগনি হায়। মীতৈ মরুপশা শ্রীনাউরিয়া ফুলোগী ময়েক অতুবু ওম, অরা, ইরা, ঋক, উন, ঊম, আং ঈং, য়েম, ঐ, অম, লাই, কক, ধন, নোং, মং, তন, পন, চম, হম, সন, গম, দম, মী, ফন, খুন, তম, জম, রং, ঙম, বম, থক, ঝম, ঘন, রোং, হায়না পাগনি অসিনি।[22] অশূম্মা থোক্লোক্কী মতাংদসু যোৎ কয়া থোরক্লি। মসিনা মীতৈ ময়েকপু পামজবা মীওই কয়াদা চমম্বা অমা পোকহল্লি। লোয়নবা হৌজিক কাওবদা মীতৈ

22 মীতৈ ময়েকী অরমদা তোঙান তোঙানবা মীওই অমগি মীওই কাওনুনা পুথোক্নরক্লিবা খোক্লোকশিং অসি ময়েক লুপতিন ইডিটরিয়েল বোর্ডনা কোকবা "ময়েক লুপতিনগী বারেপ" হায়বা লাইরিকগী লামায় ১৬ তগীনা ৩১ কাওবদা যাওরি।

ময়েকী খোন্থোক অমুম হাংনা পাংগনি হায়না লেপ্পা ঙমখ্রে। হৌজিক ময়াম্না মীতৈ ময়েক তম্বা হৌরিবা অসি ক, খ, গ গী খোন্থোক্নি। খোন্থোক অসিমক্তি মীয়োনগীনি। অতুনা খেন্থোক অসিমক মীতৈ মায়কী য়েলহৌগী লায়নরোল্বা খোন্থোক্নি হায়বদা চিংনবা পোকই।

১৮৯২ নৈনরিবা যাবেং অসিদা মীতৈ ময়েক অসি লমদম অসিগী লমদম অসিদা পোকচবা (শেম্বা) ময়েক্নি হায়বা খঙজে। মশীংগী মতাংদসু অহানবদা 'র' থাবগা ৯৭, মথংদা অমুম মথং মথং হাপকৎলক্তুনা ৩৫ ওরে। অঙ্গি মীতৈগী অশেংবা ময়েক নত্তে হায়বসু পনখ্রে। অদুবু ময়েক মথং মথং হাপকৎলকপগী মতম অমদি ময়েকী মশক অমসুং ময়েকশিংগী খোন্থোকী মতাংদদি অরেপ্পা মরোন অমা পীবা ঙমদ্রে। অদুনা ময়েক অসিগী মরমদা থিজিনবা লেপ্পা য়াদ্রে। ময়েক অসিগী চাওখৎ খোঙথাংগীদমক মীতৈ অমা ওইনা মী খুদিংমক্না থিজিনবা অমদি নৈনবা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমা ওইরি।

৬৯

মণিপুর অমসুং মণিপুরী



১৭০ খ্রীষ্টাব্দ চাংমী তম্মী অনীগী খুন্দাক্তনা ‘লৈরিবা চাংপোন মাপন্না কৌরশিনবা লমদম অসিগী মমিং ‘মণিপুর’ কৌই। মতম অমদা লমদম অসি কংলৈপাক, পোইরৈ মীতৈ, মীত্রবাক নত্রগা মৈত্রাবাকসু কৌনবনী। পোইরৈ মীতৈ কৌদ্রংঙদা চকপা লাংবা কৌরম্মীসু হায়।[১] “শাকোক লমলেন” কৌবা লাইরিক অতুদনী খণ্ডবদি লৈবাক অসিবু ময়াম কোযরেন পোইরৈ নমথক শারোনপু হায়নসু কৌই।[২] তিল্লিকোক্কোম অহনবা, মীয়া পোংথোক্কম, তিল্লিকোক লৈকোয়রেন, মুয়াপালীনচিংব অসিসু তোঙানতোঙানবা চক্তা কৌরম্বা লৈবাক অসিগী মমিং ওইখিনি।[৩] মোগলী, মিকলী, মেখলী দেশ, কতেনচিংবা অসিসু মনুম্বা লৈবাকশিংনা থারিবা খ্রীষ্টাব্দগী লৈবাক অসিগী মমিং ওইখিনি।[৪] অতুবু যুম্লোম্বা লৈবাকশিংগী মীওইশিংনা মখোয় মখোযনা থোনবা মমিংশিং অসি কৌববসু খ্রীষ্টাব্দদি কৌদে। খ্রীষ্টাব্দ খ্রীষ্টাব্দগী লৈবাক অসিবু মশিনা কৌজবা মমিংদি মৈত্রবাক নত্রগা মীত্রবাক, কংলৈপাক, পোইরৈ মীতৈ, মণিপুর হায়বা মমিংশিং অসিনি। হৌজিক্তি চাংমী-তম্মী পুম্নমক্কী লমদম অসিবু মণিপুর হায়না কৌনরে। কংলৈপাক, মৈত্রবাক নত্রগা মীত্রবাক, পোইরৈ মীতৈনচিংবা মমিংশিং অসি মীওই থরগী মচীন্দা হায়নবা

১, ২, ৩ শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী— “অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস” —বাক্তৌ— লা০ ২।

৪ শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী— “অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস”,— বাহৌ— লা০ ৯।

নত্তনা লৈবাক শীনবা থুংনদি হায়নত্রে। কনাগুম্বা চীংগী ইচিন ইনাউশিংগী মীৎযেংদা মমিংশিং অমি হায়রগা লমখৈ য়াম্না পিক্না তমগী লমদমদবু খঙনবগুম ত্তৌবে। মণিপুব হাযরগনা চীং তম অপুনববু খঙনবা লমখৈ চাউবগুম খল্লে। অদুনা মণিপুব হায়বা মমিং অসিনা হৌজিক হৌজিক্কী লমদম অসিগী চৎনবিবা মমিং হায়বত্থ ওইবে। লোয়ননা মীরম মচা পুম্নমক্কসু লৈবাক অসিবু মণিপুর হায়রগা খঙনরে। হান্না কৌরম্বা অত্তৈ মমিংশিং অমি হায়বদদি শূকখঙ খঙদবগুম ত্তৌবে, খঙদবা কাঙবুনসু য়াম্লে। মরম অসিনা মণিপুর হায়বা রাহৈ অসিনা লৈবাক অসিগী হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা অচুম্বা অশেংবা মমিং ওইনা অস্তম লৈরে। চীং তম পুম্নমক্কসু চপ মান্ননা য়ানবিবদি 'মণিপুব' হায়বা মমিং অমিনি।

১৯১ ঐখোযগী লৈবাক অসিগী মমিং নযামকম লৈরিবসি মতম অমদা কৌরম্বনা লৈবনি। মমিংশিং অসি কৌরম্বগী য়ারী ত্তোঙান ত্তোঙান্না লৈ। হৌজিক হৌজিক কৌনবিবা 'মণিপুর' হায়বা অসিমক থোনখিবগী য়ারীসু অহুম-মবি থোক্না লৈ। খরগী মোৎনা অর্জুন্না বভ্রুবাহনগী মখুত্তা তুয়বদা শ্রীকৃষ্ণনা পাতান্দগী মণি লোহল্লুরগা অর্জুনবু হিংগৎহনখিবদগী মণি অদুনা লৈবাক অসিদা ঙাদুনা লৈখি হায়দুনা লমদম অসিবু মণিপুর থোনখি হাযবা অসিনি। খবগীনা মহাদেবনা ব্রজবৃন্দাবন্দা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং শ্রীমতি রাধিকা অনীনা শান্নখিবা রাস অদু পার্বতীগা লোয়ননা লমদম অসিদা মতৌ তমদুনা শান্নবদা লমদম অসিবু মণিনা লৈত্তেংদুনা পূমঙান ঙালহনখি হায়বদগী মণিপুর থোনখিবনি হায়বসিনি। অত্তোপ্পা মোৎ অমনা "শক্তিং শাকোক" কৌবা পূয়াগী মতুং ইন্না নুংগোইবীগী মনাক তাইবোং থোংগী মরক অহৃদা মণি কৌবা মত্তিক মঙান লৈবা নুং অমা লৈ হায়দুনা

লমদম অসিবু মণিপুর কৌবনি।[৫] মবিশুনা মোংনা সিন্নেংকী নরসিংহ টিল্লাদগী লাকপা শান্তদাস গোসাইনা লৈবাক অসিদা মহাক্না পুরকপা ৱামায়েং ধর্ম্ম শন্দোক্লবা নতুদা লমদম অসিগী ফজবা, চাকহোংবা, ঙাকোংবা অসিদা অরাং অপা লৈতবা মণিগী লৈবাকি হায়দুনা মণিপুর থোনখিবনি হায়বা অসিনি। অস্ুম্না তোঙান তোঙানবা মওংদা ৱারী পুথোক্লববস্তু ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মমিং "মণিপুর" কৌই হায়বসিদি ঐখোযনা যাদবা ঙমদে। মরমদি মণিপুর হায়বা মমিং অসি হৌজিক হৌজিনস্তু কৌনরিবা, চৌং-তমগী মীওই শূদিংমক্না যানরিবা অমদি মপান লমগী মীওই-শিংনস্তু মমিং অসি হায়রগা লমদম অসিবু খঙনরিবা ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মমিংনি।

১৯২ "মণিপুর" সংস্কৃতকী ৱাহৈনি। মণি + পুর = মণিপুর হায়বা ৱাহৈ অসি শেমখিবনি। ৱাহন্দি মণিগী লম নত্রগা মণিগী লৈবাক হাযবনি। ৱাৰীগী মতুং ইন্নদি ঐখোয়গী লৈবাক অসি ৱাহন অসিবু খঙনদুনা মণিপুর কৌবিবান। অড়বু হৌজিকী মতমদদি ৱাহন অসিনা লৈবাক অসিবু খঙনদ্রে। চুম্না লৈবাক অসিগী মমিং মণিপুর কৌই হায়না অস্ুম খঙনরে। মমিং অসি ৱাহৈ অনীনা পুনশিল্লগা শেম্বা ৱাহৈ অমা ওইরবস্তু অনীমকী নত্রগা অনীগী মতুংদা অমগী ৱাহন খঙহন্দনা অনীমকা পুল্লগা অতোপ্পা অতম্নবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈ (Conventional word, যোগরূঢ় শব্দ) অমা ওইনা লৈরে। অদুনা "মণিপুর" হায়রগা মণিগী লম নত্রগা লৈবাক হাযবা ৱাহন খঙহন্দদুনা লৈবাক অমগী মমিং অমা ওইনা লৈবে। "মণিপুর" চৌং তমগী ওইবা লৈবাক অসিগী মমিংনি।

---

৫ (ক) Near Nunggoibi and between Taibongthong there is a stone with supernatural power as Mani or Precious Stone on account of which the place is known as Manipur— W. Yumjao Singh গী Report on Archaeological Studies in Manipur Bulletin No. 1— page 75.

(খ) শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী— "অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস",— ৱাহৌ— লা০ ২/৩।

১৯৩ ‘‘মণিপুব’’ হায়বা ৱাহৈ অসিদা সংস্কৃতকী ‘‘ইন’’ নীংতপ তপ্পগা ‘‘মণিপুরী’ হায়বা ৱাহৈসি শেম্মি। মণিপুর হাঁয়রগদি চুম্না লৈবাক অসিগী মমিংতম্বু খঙনৈ। ‘ইন’’ নীংতপ তপশিল্লগা ‘‘মণিপুরী’’ হায়বা ৱাহৈসি শেম্লকপা মতমদদি ৱাহন অহুম লৈরে। অহুমদু মথং শীংনা (১) মণিপুর কৌবা লৈবাক অসিগী ওইবা খঙহনবা অমা, (২) মণিপুরগী মী খঙহনবা অমা অমসুং (৩) মণিপুরগী লোন খঙহনবা অমা অসিনি। ৱাহন অহুম্মক মণিপুর কৌবা লৈবাক অসিগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। মণিপুবগী ওইবা খঙহনবদা— মণিপুরী জগোই, মণিপুরী ঈনাৎ, মণিপুরী কাঙলুপ অসিনচিংবা। থূদম অসিদা শীজিন্নরিবা ‘‘মণিপুরী’’ হায়বা ৱাহৈ অসিনা থোইতাক (Adjective) ওইনা লৈদুনা পোৎশক অদু মণিপুরগীনি হায়বা তাকই। অতোপ্পা ৱাহন অমনা মিংশক (Noun) ওইনা লৈদুনা য়েলহৌজৈদগী মণিপুর কৌবা লৈবাক অসিদা লৈরক্লবা মীওই পুম্নমক্কী অপুনবা মিং ‘‘মণিপুরী’’ হায়বা অসিনি। ‘‘মণিপুরী’’ হায়বা অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা চাংমী তম্মী পুম্নমকপু শুপ্না খঙনৈ। ‘‘মণিপুরী’’ না খঙহল্লিবা অহুমশুবা ৱাহন্দি লোনবুনি। মখম অসিদসু ‘‘মণিপুরী’’ হায়বা ৱাহৈ অসি মিংশক ওইনা লৈ। মতাং অসিদদি ‘‘মণিপুরী’’ হায়রগা মণিপুরগী লোন মণিপুরীলোনবু খঙনৈ। মণিপুরীলোন হায়বদা লোন হায়বা ৱাহৈসি লৌথোক-খ্রগা ‘‘মণিপুরী’’ তনা লোনবু অদুম খঙনবগী ৱাফম্নি। লোনগী মতাংদা ‘‘মণিপুরী’’ না মণিপুবগী লোনবু খঙনরিবসি মাণপুবদা ঙাঙনলোন্নরিবা লোন অমদি ফুরূপ-রা পুম্নমকপু নত্তে। মণিপুরী হায়রগা মশানা তাকবা ৱাহন (Derivative meaning, ব্যুৎপত্তি অর্থ) মণিপুরদা ঙাঙনবিবা লোন পুম্নমকপু খঙনদুনা অতোপ্পা অতম্নবা লোন অমথক্তবু খঙনৈ। অদুনা লোনগী ৱাহন লৈবা ‘‘মণিপুরী’’ না অতম্নবা লোন অমবু খঙনরিবসি মাতৈলোনবু-তনি। মণিপুরীলোন মাতৈলোনগী অতোপ্পা মমিং ওইনা লৈববনি অমসুং শাজিন্নরবনি।

২০

মীতৈলোন্না মণিপুরীলোন



২০.০ মণিপুর চীং অমসুং তম অনীমক্তা পুনশিল্লগা অমত্তা ওইনা খঙনবা লমদম অসিগী মমিংনি। মণিপুরী হায়বনা চীংগী অমসুং তম্মী অনীমকী অশূপ্পা মমিংনি। লোনগী রাহন্দা "মণিপুরী" মণিপুরগী লোন হায়বনি, মণিপুরী হায়না খঙনাবা চীংগী তম্মী পুম্নমকী লোন্নি। রাকন অসিমক মশানা তাঙবা মবোন্নি। অদুবু মণিপুর হায়বা লমদম অসিদা মখল মখলগী মীওই-কাঙলুপ কযামকম লৈ। লৈশাবোনগী লৈমায় (Geographical surface) মতুং ইন্না অচৌবা মওঙদা চীংগী তম্মী হায়না থায়রবসু চীংগীসু তমগীসু তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ ফক্ঙপ মচা মচা কয়া লৈরি। চীংগী কাঙলুপ্তা ঐখোয়না খঙা চাউবা কাঙলুপ ওইনা তাংখুল, খোংজাই, কবুই, মাওনচিংবা কয়াম্বক খাযবা থেংনৈ। হায়রিবা কাঙলুপশিং অসিগী মনুংদা অমুক ফুক্ঙপ মচা মচা কয়া লৈখ্রে। অসিগুম্বা কাঙলুপ ফুক্ঙপশিং অসিগী রাঙাঙ অমগা অমগা তৈনৈ। থরা থবতমক তৈনবা মথৈদি অমগী রাঙাঙ অমনা হাইফৎ খঙদি। য়াম্না তৈনবশিংগী মরক্তদি সুকখঙ খঙনদবা ঙাক্তনি। লৈমায়-লৈশা তায়নবসু অমগা অমগা রাঙাঙ তৈনবা অমদি খঙনদবগী মরমসু ওইরি। মীওই-ফুক্ঙপসু লেম্নরি। রাকম অসি তনগী লমদমদসু অদু মঙায়। তমদসু মীওই-ফক্ঙপ মখল কয়া লৈ। মসিগী খুদম শলাই তরেৎ অসিনি। শলাই তরেৎ অসিদা নঙনা অঙ্গোম, সেকমাই, চাইরেন্মচিংবা কয়া লৈরিবা অসিনসু লেঙত্রবা খুদম অমা ওইরি। চীংগী লমদমগুম তমগী ফুক্ঙপশিং অসিগীসু রাঙাঙ তৈনৈ। মাগী মাগী ওইবা তোঙানবা রাঙাঙ ঙাঙন শক্তরকই। অদুম্না চীং অমসুং তমমী তোঙান তোঙানবা মীওই-ফুক্ঙপ খুদিংমকী

তোঙান তোঙানবা মাঙাঙ লৈ। মাঙাঙ পুন্নমক অসি মণিপুরগী ওইবনা "মণিপুরী" হায়বা মাহৈ অসি লোনগী থাক্তা পুন্নমক্তা অপুন্না মশানা তাক্তবা য়াহল্লি। মরোন অসিগী মতুং ইন্না লম অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরূপ-রা খুদিংমক মণিপুরীনি। অদুবু মণিপুরগী মীওই-ফুরূপ খুদিংমক্কী মাঙাঙ পুন্নমক লোনগী থাক্তা কাদবনা লোনগী মাহন লৈবা "মণিপুরী" মা লমদম অসিদা লৈরিবা মাঙাঙ পুন্নমকপু খঙহনবা য়াদে। "মণিপুরী" মণিপুরগী ওইবা অতম্বা মাহম (Conventional meaning) লৈবা লোন অমত্তবু খঙনব্রম থোকই। হায়বদি মণিপুরগী মীওই ফুরূপ খুদিংমক্কী ওইবা অমতা ঙায়রবা অতম্বা লোন অদু মণিপুরীনি।

২০.১ মণিপুর অসিদা চীং তম পুন্না মীওই-ফুরূপ মাল্লা লৈবনা তোঙান তোঙানবা ফুরূপ-রা কয়া লৈজরবসু মফম খুদিংমক্তা চন্নবা অমদি চৎনবা মাঙাঙদি মীতৈগী ফুরূপ-রানি। ফুরূপ-রা অসি তমগীনি। মতম অমদা কংলৈ হায়না খঙনবা তমগী মরোল ওইবা নিংথৌজা শলাইনা পাল্লম্বা লমদম অদুগী ফুরূপ-রানি। ফুরূপ-রা অসি মপুং ফাবা লোন অমা ওইবগী শারেপ ফংলম্নি। অদুনা লোনগী থাক্তা কাহুনা মীতৈলোন কৌরবনি।

মীতৈ ফুরূপকী ফুরূপ-রানা লোনগী থাক্তা কাহুনা মীতৈলোন হায়না খঙনবগা লোয়ননা লোন অসি চীং তমগী মফম পুন্নমক্তা লমদম অসিগী অমতা ঙায়বা লোন অমগুম শীজিন্নরি। তোঙান তোঙানবা মীওই- ফুরূপকী ফুরূপ-রা কয়া লৈজরবসু অমগা অমগা ঙাওন শরুককপা, পুক্কীংগী রা কোঙলোন্নকপদদি মাগী মাগী ফুরূপ রানা কোঙলোন্নবদা খঙবা ঙমদবনা খঙবা ঙমনবা লংলাইদি মীতৈলোন অসিনা ওইরি। অদুনা লমদম অসিগী মীওই খুদিংমক্তা লোন অসিবু খঙদবা য়াদবা মরম অমা ওইরি। হৌজিকী মতমদা মীতৈ (মৈতৈ) হায়রগা নিংথৌজা শলাইনা পাল্লম্বা লমদমক্তা লৈবা মীওইনা নত্তনা তময়া লৈবা মীওই পুন্নমকপু পুন্না খঙনবগুম

তৌরে।[১] মীওই খরনদি মীতৈগা মৈতৈগা খেন্নবা থমজনা মীতৈ-হায়বগা চৌংমী তম্মী অপুনববু খংদনে হায়নস্তু মোং পীরি।[২] অদুম ওইনমক লমদম অসিগী মীওই পুম্নমকপু খংনবগুম্ব, [illegible] করিগুম্বা মীওই যুক্ষপ অমতবু খংনম্ববস্তু মীতৈলোন হায়বা লোন অসি ঐখোংগী মণিপুর কৌবা লৈবাক অসিগীদি য়াম্না মক ওইবা অমনি। অদুনা মীতৈলোন মণিপুরগী লোন্নি। লৌনসিনা লমদম অসিগী মীওইশিংগী মরক্তা লৌরিবা থোদাং অমদি শায়োন অতৈ ফুকপ-ৱাশিংনা ওইথোক্কে, ঙমদে। মরম অসিদগী মীতৈ-লোন মণিপুর কৌবা লমদম অসিগী মীওই পুম্নমকী লোন ওইনা লৈরে। অদুনা মণিপুরীলোন কৌবদা করিস্তু কায়দে। লোনগী ৱাহন্দা মণিপুরীনা অতম্বা লোন অমবু খংহল্লিবস্তু মীতৈ-লোন অসি ওইবে। মরম অসিনা মীতৈলোন মণিপুরী লোন্নি, মীতৈলোনগী অতোপ্পা মমিং মণিপুরীনি।

---

১. "হুউজিক্কী মৈতৈ অসী মৈতৈ, অংঙাম, লুরাং, খুমন, মোইরাং, থাব-ঙানব, শবাং-লৈশাংথেম অমদি নোংপোক-নোংচুপ হারক্ম থায়ন থাযন থাযনবগুম অদুম মপোই মবহ্মদি শক চু, রাঙাং শাংঙ, শাজং মুংজং লাইনীং লাইশোল অমও ওইথিবন কনান কনানা হাপব খঙবদ লুবে, লুবদ নত্তে. পুমথঙু খংদবনি। পোংলহ্ম কপা কযানা মশাহ্ পুম্নাপ লুপমিন্নজন অতোপ্প পোচ্ছশক অম তাবগন মথক্কু পাংখ্রব ফুরপ যুঙ্গা অমদি শাহ্গই শলাইশিং অসীন পুম্নাপ লুপ্তিনিংকন হুউজিক্কী মৈতৈ অসি থোকপনি।" অশাংবা মোনাকেতন সিংগী—'ভারতকী হোজাঙ্গী মরক্ক মণিপুরীগী মফম"— লা ৩।

২ মীতৈ হায়বগা চৌংমী তম্মী অনীমকপু পুন্না খংনে হায়বসি ছৌনক-ফম শাংফম তিংবনা হায়বনি। লৈশেম্ব মীশগইগী ৱাবীদা মপা ইবু ঙো অতিয়া শিদবী যাথং তুংইগা কোনশন তুংইশবা সনাহৌনা নমু তাইবঙ মী শাবদা ইহান হায়া নমু মিতমঙা ঙমু শাই। মতম থং কয়া শাদগু নমু তাইবঙ মী ওইদ্রবদা অতিয়া শিদবগী শান্দা তারিবা মিরেনবু মেংলগা শাবা [illegible] অদু তাইবঙ মী অসি ওইখি। অসুম্বা মিদা শাযোন তৌজনা শাথিবা থবায়পানবা অতৈদগী তেপ লোপ্পা মী হাযবা অদুনি হায়জুনা মী+অতৈ=মীতৈ থোনখিবনি। (পা, হেংম্বা মীতৈগী—"মীতৈ য়েক-সালাই"—লা ৩/৪।) ৱাফম অসিগী মতুং ইন্দি চৌংমী তম্মীদা নজনা মালেমসিদা লৈরিবা মী হায়বা পুম্নমক শংস মীওইনি। অদুবু থায়নতৈ লৈশেমগইগী মকমতু মীংয়েং পিকপদগী নগপুব অসিতনা তাইবঙ পান (World) ও[illegible] পায়রা তারবনি চৌং-তম্ব মীতৈ হায়না খঙনবদা করিস্তুকায়দে, অতোপ্পা ৱাফম অমনা মালেমসিদা লৈরিবা মীওই পুম্নমকী

মীতৈগী ফুরূপ-য়ানা লোন অমা ওইরবদুদি মশাগী য়াকুইতরা লোনগী যুমফম ওইদ্রে। লোন অমিদা অতোপ্পা ফুরূপকা অমদি লোন কয়াগী য়াইহ তিন্নগা লোন্সিংগী অরাংবা শক্তম অমা ওইরবনি। অশেংবদি মীতৈলোন অসি মাহৈক মরিনগী লাকপা ঈ কয়াগী মীরূপ কয়াগী মরোন পুন্‌শিন্নদুনা থোকপা লোনফম্নি। লোলম কয়ানা তিন্নদুনা পোকপা লোনফমদি ওইবগা লোল্লম তয়াদগী পোকপা তুরেল্লা মনীং তম্না মশাগী থোকপা মরম অমা চেঙবগুম লোল্লম কয়ানা লোনখোঙ ওইবা মীতৈলোনসু মনীং তম্না মশাগী থোকপা মরম অমা চৎচবনা লোনফম্নি।[৩] হায়বদি মীতৈলোন লোন কয়াগী য়াইনা পুল্লবসু মশাগী তোপ তোপ্পা মশক অমা লৈজবা লোম্নি। মীতৈ ফুরূপগী পোক্লকপা ওইরবসু লোনথোঙ থিরগদি মীতৈলোন হায়বা লোন অসিগী চেংলৈ ফুরূপ-য়াগা অতোম ফুরূপ-য়াগা অনীনা ফেজিন্নদুনা থোকপনি হায়না শ্রীমীনকেতন সিংহনা মশাগী ওইনা য়েংলি।[৪] অদুবু হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা মীতৈ-লোনগী মশক অসিদি মতম অসিগী অতৈ ফুরূপ-য়াগী য়াওদা

ত্রিথোম্নগী লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই (চীংমী-তম্মী) অসিনা ইতোপ্ তোপ্পি হায়দুনা মীতৈ কৌবনি। লমদম অসিগী চীংমী তম্মী অনীমক্কী মী অসি মালেমসিদা লৈরিব অতৈ মীওইশিংগী মমী'কা শূকমান মান্নদে। লমদম অসিগী মীওইশিংগী মীং অসি হেক য়েংবদা কুংশিবা পোকই। লাইবেন মমী'কা হাইথেং মদুদা। অদুনা মী ওইরবসু মীদগী তোপ্পবা নত্রগা লৈবা হায়বদি লাইগী নত্রগা শবোয় ভাবোয়গী মচা মশুনি হায়বদগী মীতৈ কৌবান হায়রে। অতোপ্পা মোং অমনা পোইরৈতোনা শুন্তোয় কপদা লোয়'রকপা মাগী মী পূন্নমক চীং অমসুং তমদা তোলান তোঙান্না লৈখি। তমদা লৈনশিংগী মতম্‌ অযাম্বনা লুরা' অমসুং হুরন খুথি, থরন মোইবাংদা শিনাথি। চীংদা লৈরিবশিংনা তাংখুল (উত্তরলগী), মরিং (অনৌবা), কবুই (অনৌবা) অসিনা চীংদা তিনখি। লোইরংথেম শাহৈগী ইহান ফাংদবা শিবা অমসু তমদা লৈশাংদা হায়দুনা চীদা চিংখুলগা কবুই ওংখি। অদুগা চীংগী মীওই কয়াসু তমদা লাকদুনা তমগী শাগে শনাই কয়াদা লৈনখি। অনীদ লমদম অসিগী মীওইশিংসু তোঙান তোঙানবা ফুরূপ ওইনা লেনববসু হৌরকফমদি অমত্তন, ময়া মীতৈনি। (অকোনবগী মোং অনীসি শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ, পণ্ডিত অচৌবগী মফমদা মীতেগী য়াওল ও অয়বদা তাকপিরকপ'ন।)

৩ অশাংবা মীনকেতন সিংহগী—"ভারতকী লোহ্‌লীঙ্গী মরক্ত মণিপুরীগী মফম"—লা ৩।

৪ অশাংবা মীনকেতন সিংহগী—"ভারতকী লোহলীঙ্গী মরক্ত মণিপুরীগী মফম"—লা ২৯।

[illegible] থিরবনি।—অসিগুম্বা থাক্তা ফারবা [illegible] মতম অদুদি মণিপুর কৌবা লমদম অসিগী [illegible] লোন অমা ওইবনা মণিপুরীলোন কৌবদা য়েংলনীং- [illegible]রে। মীতৈলোন-মণিপুরীলোন ওইরবনি।

২০.২ মীতৈলোনবু মণিপুরীলোন হায়না কৌরিবসি মালেম লৈশাগী মতুং ইন্ননি। মণিপুর কৌবা লৈবাক্কী লোন মণিপুরীনি। লমদম অসিগী অতৈ কুকপ বানদি মণিপুরীলোন ওইহ্নগা মীতৈগী কুকপ-রাজনা মণিপুরীলোন ওইবগী মরমনি মসি লোয়েপ ফারবা লোয়ি। করিগুম্বা লোন অমনা লোয়েপ ফাবদা থাক মরি চঙি। মীওইবগী বাঙাঙ পুন্নমক অহানবদা রাইহে-মরু (Root) হায়না পোকই। রাইহে-মরুসিদগী রাইহে (Word) শেম্মি। রাইহেসিদা অতোপ্পা রাইহেগা পকশিন্নরগা রাপুন (সমাস, Compound) শেম্মি। মথংদা রাইহেদা রাতপ (Affix) তপ্লগা রাইহেনা রাইহে মরোন পোকথোকহল্লি। থাক মরি অসি মথং শীৎনা মরুগী থাক (ধাতুগত অবস্থা), রাইহেগী থাক (শব্দগত অবস্থা), রাপুনগী থাক (সমাসগত অবস্থ) অমসুং রারোন পোকপা থাক (প্রত্যয়গত অবস্থা) কৌই।[৫] হায়রিবা থাক মরি অসি মীতৈলোন্দসু মপুং ফানা লৈরে। অদুনা মীতৈলোন লোয়েপ ফারে হায়বদা থোইনা লাম্নীংঙাই মরম লৈতে। মীতৈলোন্দা থাক মরিসি লৈবগী খুদম—মরুগী থাক্তা করিগুম্বা রাখন অমা কোঙদোক্লবা হোৎনবদা চা, থক, চেন হায়বনচিংবা রাইহে অমমম ওইরক্লবগী মরুসি হায়না পোকই। মথংদা মরুশিংসিনা চাবা, থকপা, চেনবা অসিনচিংবা রাইহে অমমম ওইরকই। মসি রাইহেগী থাক্নি। রাপুনগী থাক্তা রাইহে অমগা অমগা পুনশিন্নরগা চাবা অমসুং থকপা=চা-থকপা, চেনবা অমসুং চোংবা=চেন-চোংবা অসিনচিংবা শেম্নকই। রাতপ তপশিল্লগা রারোন অমা পোক-হনবগী থাক্তদি "ম" মাঙতপ (Prefix) তপ্লগা মচাবা, মথকপা,

৫ [illegible] মীনকেতন সিংহগী—"[illegible] লোহ,লীগী মরক মণিপুরী [illegible]"—[illegible] ।

মচেনবা ; "ব্রাই" মীংতম্ (Suffix) [illegible] চেনবরাই অমদি "ন" য়ায়তম্ (Infix) [illegible] চেন্নবা অসিনচিংবা কয়া কয়া শেম্বা য়াই । [illegible] লোল্লেপ ফাবে । লোন অমা ওইবগী য়াওন পুন্নমক [illegible] মীতৈলোন্দা মপুং ফানা লৈরে ।

মীতৈলোন চুম্না লোন অমগী য়াওন পুন্নমক শুদুনা লোল্লেপ কাবদা নত্তুনা 'লোন মশাগী ফজবা মশক অমদি তৌবা ঙম্বা মতিক অমম্লং মথোদাং চপ চানা লৈরে । করিগুম্বা ব্রাকম অমবু পান্থে পাউবৌনা ব্রাতমত্তুনা ফজবা মশক উৎপা ঙম্বগী মতিক অদু মীতৈলোন্দা লৈরে । অপাম মুংশিগী থোঙকমদা শাবী শানেংগী হেঞ্জিল্লুবা অরোনবা থোঙথাং অমসুং মতুদগী ওইরকপা মহৈবু ব্রাতন্বদা মীতৈলোন্না ফজবা মতিক নীংথিনা ফোঙদোকপা ঙম্মি । "হৈব্রাং লোঙ্গা চামিম্নবা, লৈবাং লোঞ্জিন চিনমিম্নবা তাউজিং হৈক্ক পান্দুনা খোইজী মিহুন লাং চরৈ ফিদোন কাঙ-লক্লে ।" ব্রাফম অসিবু 'অস্তক নীংথিনা থ্বায় মীয়ামগী মমাঙদা হায়দোকপদা হাঙ্গাইবা পোক্লনা ব্রাতম্বা যাবা মওঙদা শেম্বা ঙম্বসি মীতৈলোনগী থোংইদোকপা মতিক অমনি হাযবদা হায়মলবা থোক্রু । অমুকস্ত মী[illegible]নগী [illegible]গী মক ওইবা কায়াৎপু শীংথাদা—" তাইবঙ পুন্সী থুমথোইবা, নমু তাইবঙ শেম্ন-হৈ, তাই[illegible]ং ব্রাবেপ ফ[illegible]ন-হৈ" হায়বা অসিমক কয়াদা ফঙখ্রবা মীতৈ[illegible]নগী [illegible]ক্রম্নো । অদুম্না মীতৈলোনগী ফজবা মশক অমদি পুবা ঙম্বা থোদাং অমমুং [illegible]ক অতৈ লোন্দগী করিস্ত ওবা নত্তে ।

২০ ৩ ব্রাফম অমনা মীতৈলোন অসি নিংথৌ পাল্লিঙ্গে থায়না-হৈডোংগী হৌনা লমদম অসিগী লৈবাকী লোন (National lang-uage[৭]) অমদি ব্রাযনলোন (Court language) ওইদুনা

[৬] ও, ভোগেশ্বরগী—"মতৈ পুয়ানা সাহিত্যদা য়াবা থোদাং"—"মীংয়েং", অহানবা চহী, অহানবা মশীং, দিসেম্বর ১৯৭১—লা ২৭ ।

[৭] মণিপুরনা ভারতা তিনবদগীদি মীতৈলোন অসি মণিপুরগী লৈবাকী লোন ওইরে ।

লাক্লবনি। [illegible] [illegible] [illegible]-কুমুন খুদিঙ্মকী অমুনা অমম্বা, [illegible] বা কোকমোকলবরু লোন অমিত্তনা শাবে ওইহনা, লৈরক্নিবনি। ওসি কাওবদা লোন অসিনা লমদম অসিদা, লোরক্লিবা অমদি তৌরিবা থৌদাং অসি লমদম অসিগী, অচৌ-কুম্নপ-বা অমত্তনা তৌবা ঙমদ্রি। লোন অসি-না লোন অমা ওইবগী থৌদাং ভৌবশা লোয়ন লোয়ননা লমদম অসিগী নাং (Culture) পু লায়না মশক তাকপম্ভু ঙম্মি। লোন্সিগী মশাগী ওইবা মরেকশু লৈ। মরেক্লুদা ইবা অরিবা লাইরিক কয়া পুরক চোম্না লৈ। মতুদা শীংথাবা য়াবা মমন লৈরবা লাইরিক কয়া য়াওরি। পাম্বোইবী থোঙুন, খোংজোমনুবী নোঙ্গা-রোন, নোংবান পোম্বী লুবাউবা, পোইরৈতোন খুম্বোকপা, সনামহী লাইকন, পাখংবা নোঙ্গাবনচিংবা পুয়াশিংসি লম অসিগী নাং মরেক শেংনা তাক্লিবা মশক নাইবা সাহিত্যগী মচাক নীংথিনা য়াওরবা লাইরিক ঙাক্তনি। সাহিত্যগী লাইরিক্তা নত্তনা রায়েন পথাপকী লাইরিক—লোইয়ুম্বা শিনয়েন, পাম্বৈ পাউবৌ অমদি পাটমেনগী লাইরিক্তা—লাংলোন শীংথাবা য়াই। মরম অসিনা মীতৈলোনবু ইচম চম্বা লোন অমা ওইনা তরায়না লৌবা য়াদে। লমদম অসিদদি মীতৈলোন মতিক লৈবা, থৌদাং য়াম্বা লোন অমনি।

মীতৈলোন লোন অমা ওইবগী মীৎয়েংদা লোন-কাঙলোন (Grammar) গী পথাপ পুম্নমক অমতা য়াত্তনা লৈরবা লোন অমনি। হৌজিক ফাওবদা লোন-কাঙলোনগী লৈফম থোকপা মমিং মথাক্তু লোন অসিগী ওইনা লৈত্রগম্ভু পথাপশিংদুদি করিমত্তা কায়দনা লৈ। লোন অমগী লোন-কাঙলোনগী পথাপ মশাগী মহৌশাগী ওইবা মওঙ অমা অদুম লৈজবনি। লোন-কাঙলোন মপুং ফাবনা মরম ওইদুনা মীতৈলোন্না য়াওন মরিগী থাক য়ৌদুনা লোয়্রেপ কারবা লোন অমা ওইহৌরবনি। মরম পুম্নমক অসি লৈবদগী মীতৈলোন্না মণিপুর কৌবা লমদম অসিগী অশুম্না লোন অমা ওইহনি। মীতৈলোন মণিপুরীলোন্নি। মণিপুরীনা অতম্বা লোনগী-বাহন লৈবা লোনিক মীতৈলোন্তনি।

২০. [illegible] কনাকনা মণিপুরীলোন [illegible] লোনেন্দা তৌরবা মীতৈলোননি হায়রবনি য়াবা [illegible] খোয়রী লোন্দা অতোপ্পা লোনগী মাইকৈ মাললিনবা লোন্দু অমক মচু শেংজবা লোনশুম খনি অমসুং মচু অতোপ্পা লোন অমনি হায়না লৌই। অদুনা মণিপুরীলোন মীতৈলোনগা বাঙলা অমসুং সংস্কৃতকা য়ান্নবগা শেম্বা লোনৈ (অপভ্রংশ) নি হায়।[8] অদুবু মাকম অমদি তশেংনা হায়রবদা লোন হায়বসিদি অমগা অমগা লৌথোক লৌশিন, চঙথোক চঙশিন তৌনদুনা পূকৈ পাকথোক চাউথোক-হল্লবতদা ফজনা হিংদুনা লৈগদবনি। অদুনা মীতৈলোন্দা মী-য়োনগী মাইকৈ চঙলগা মীতৈলোন মক্রে হায়না লৌবা অয়াম্বা মাথক্নি। মশাগী লৈজবা মাইকৈ থরদুনা মপুং ফাবা লোন অমা ওইবা য়াদে। হায়না লৈরম্বা লোনগা কোন্না লাকপা লোনগা তিন্নবগা লৈবাক অদুগী লোন ওইবনি। অদুমদি ওইরগা হায়গী লোন্দা য়ুমদাংবনা কৈনাবা য়াদে; মণিপুরী কাঙলুপ অসি কাঙলুপ অমতনা ওইরকপা নত্তে। থাগী, ওরা, কবো, ময়াং, তখেন, তেখাউ, পাঙন অমসুং ভারতকী মফম অতৈ অতৈদগী লাকপা মী কয়াগা লোনগা লোয়নননা মীতৈ ওইরগা ওইথিবা কাংলুপনি।[9] মীতৈলোন অসিমক্তা লমদম অসিগী ফুরুপ-রা কয়াসু অদুম তিন্নবনি। মতম অমদা লৈরম্বা তমগী ফুরুপ-রা কয়া—অঙোম, সেকমাই চাইবেন, চকপা অমদি শলাই শলাইগী য়ুমাঙ কয়া মীতৈলোন্দা তিনখ্রবনি। চৌংগী ফুরুপ-রা কয়াগী মাইকৈশিংসু মান্নবা মওংদা চঙথোক চঙশিন কয়া কয়া তৌনরবনি। খুদম ওইনা মীতৈলোনগী অরিবা মাইকৈদা চহীবু কুম[10], খোংজাইগীদসু কুম; তাংখুলদা য়িগ, মীতৈলোন্দা যুম। মীতৈগী মাইকৈ নৌ অমদি পাৎপু খুন্নু মথং শীৎল ও উতেক অমদি কোন; মোইরাংনা কংফানবু কোং ঔশিংবু লোগৌ; শেলোই লংমাই

---

৮ এস, কে, ক্ষেত্রীয়ুমগী—"মণিপুরীলোল মীতৈরোল"—লা ৩৬। লোয়নন লাইরিক মশা অপুম্বদা মণিপুরীলোল মীতৈলোন নত্তে, অতোপ্পা লোন অমনি হায়না উৎনবা তোংনরি।

৯ শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্র সিংহগী—"মৈতৈলোনগী বা ান"—"সাহিত্য" ৪শুবা মশীং, জানুয়ারী ১৯৬৫—লা ৩৫।

১০ হৌজিক তৌজিকসু চহীগী মরী লৈনবা মাইকৈ থরা—কুমসী, কুমজা, কুমৈ, কুমওন, কুমগা [illegible] তোয়না শীজিন্নরি।

(অঙোম) শ্রী কুরম-য়ানী লৈবা ফ্রেঙ্কবু কোকে আসনাচবা।[illegible]
অসিগুম্না ফুরূপ-য়ানী য়াথংশিং অসি শৌজিন্নবা মতমগী মীতৈলোন্দা
অদুম শীজিন্নখ্রে থেংনৈ। মীতৈলোন্দা হৌজিক হৌজিক্কী
শীজিন্নরিবা য়োং, কৌদোঙ হায়বা য়াথং অনীসিমক চাইরেন-
গীনি।[12] অসুম্না মীতৈলোন অসিদা লমদম অসিগী ফুরূপ-য়া
কযাগী য়াথংসু তিল্লবনি। অদুদা নত্তনা মনিপুরদা লৈবা, পোকপা
অমদি মণিপুরগী য়াংমদা থুন্দাত্তুনা লৈথিবা মণিপুরীশিংনা
অদুগা থোইদোক্না মণিপুরগী চাংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা
কাঙলুপকী গীনা মথোয় মশেন অমগা অমগা য়া ঙাঙনবদা
শীজিন্নবা মণিপুরী লোন্দি মীতৈলোন্নি। মরম অদুনা মীতৈ-
লোনবু য়েংনবা লৈতনা মণিপুরী লোন হায়না খঙনৈ।[13] মরম
কয়াসি লৈবনা "মণিপুরী" না অতম্নবা লোনগী বাহন পুরিবত্ত
মীতৈলোন্না ওইরবনি। অসুম্না অতম্নবা লোন অমথক্তনা লমদম
অমমমগী মপুং ওইবা অশুপ্পা লোন ওইবসি মফম খুদিংমক্তা
থোকই। বেঙ্গলগী বাঙ্গলা লোন কলিকতাগী অদুরাইদা ঙাঙনবা
ফুরূপ য়াদা য়ুম্ফম ওই। মহারাষ্ট্রগী মরাথী লোন্দি কোঙ্কনী,
কাথবী, ররারীনচিংবা ফুরূপ-য়া কয়া লৈনা লৈনা পুনাগী মনাক
অদুরাইদা ঙাঙনবা ফুরূপ-য়ানা লমদমদুগী অশুপ্পা লোন ওইরি।
আসামগীসু অকোমশিংগী অহমিয়ানা অসামিযা লোন ওই।
হিন্দী কায়রিবা ভারতকী লৈবাক্কী লোন ওইনিবা লোন অসিমক
মৈথিলী অবধী, ব্রজনচিংবশিং অসি লৈনা লৈনা দিল্লী অমসুং
মেরথকী মনাক অদুরাইদা ঙাঙনবা খড়ীবোলী কৌবা ফুরূপ-
য়াগী য়ুম্ফম ওইরি। ফ্রেঞ্চ অমসুং ইংরেজী হায়বা ইউরোপকী
অচৌবা লোন অনী অসিমকসু মথং শীংনা পেরিস অমসুং লন্দনগী
অদুরাইদা ঙাঙনবা ফুরূপ-য়া ওইনা লৈরম্বা অতৈ মাগী মাগী
লৌবা ফুরূপ য়াথংদগী হেন্না চাউখৎলকুনা অমদি চাওখৎলক্কুনা
লোনগী থাক্তা কাবরগা ফ্রান্স অমসুং ইংলণ্ডগী অশুপ্পা লোন
[illegible] ওইরি। অসুম্না মণিপুরগীসু মপুং মীর ফাবা থোলাং য়াম্না
পুরা মীতৈলোন্না মণিপুরীলোন ওইফম লোক্নি অমসুং তশেংনা
ওইরবনি। অদুনা মীতৈলোন মণিপুরীলোন্নি।

---

১১ শ্রী নংথোম্বম খেলচন্দ্র সিংহগী— "[illegible] মণিপুরী [illegible]
ইতিহাস"- [illegible] ১৭-১৮।

১২ শ্রী নংথোম্বম খেলচন্দ্র সিংহগী— "[illegible] মণিপুরী [illegible]
ইতিহাস"- [illegible] ২০।

[13] শ্রী নংথোম্বম খেলচন্দ্র সিংহগী— "অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী
ইতিহাস"— [illegible] ২০/[illegible]।

২১
মীতৈলোনগী রাহৈ-পুক্কে



২১০ করিগুম্বা লোন অমা ঙাঙবা ইবদা মশাগী অশেংবা শক্তম অমদি রাহৈ অদুতা শীজিন্নগনি হায়বা রাক্তম লৈতে। ঙাঙলি হৈরিবা মী মীদুগী খুদোংচাবা অমদি মুংঙাইগদবা মওঙ মতুং ইন্না শীজিন্নবা হায়বসি মশানা তাবনি। অদুগা লোন হায়ব-সিমক কনাগীসু মবনাইগী ওইবা পোংশক নত্তে। মীয়ামগী ওইবা অপুনবা খুনাইগী ওইনা লৈবনি। অদুবু মীওইবগী খুনাইদা তোঙান তোঙানবা মীওই-ফুরূপ কয়া তিনবনা লোনগী শক্তম অরেপ্পা শক্তমদা লৈতে। মতমগী ঈচেনগা ঈবে য়ননা লোনগী ঈচেন অমদি শক্তম হোংই। তোঙান তোঙানবা ফুরূপকী মীওই খরা রাবী রাতাই শাবদা অমগী লোনগী রাহৈ অতোপ্পগী লোন্দা মমি তাবা অমদি চঙখিবা থোইনা লুনা থোক্তে। নক্কবা অমসুং তিন্নরুবদি খরতা ওইরবসু লোন অমগা অমগা মমি তানবা, রাহৈ চঙশিন্নবা হায়বসি মহৌশানি। অসুম্না চঙশিন্নবা অমদি মমি তানরিবসি মীয়োনবু তঙ্গীংবা অমদি খঙনীংবা, মীয়োন রাহৈ থেত্তুনা ঙাঙথোকপগী মুংঙাইবা অমসুং মশা মশাগী মবোন্দা ফোঙদোকপা ঙমদবা রাফমতু ফোঙদোক্ক-বগীদমক মীয়োন রাহৈ শীজিন্নবনচিংবা মরম কয়া অসিদগীনি। মসি অথম্বা লোন খরদতা তোবা নত্তে। তাইখঙপান্সিদা লৈরিবা লোন পুম্নমক্কা থোকপা রাফম্নি। লোনগী থাক য়োক্রিবা ফুরূপ-রা কাওবদা অমদা অমগী মমি তাবা অমদি রাহৈ চঙশিন্নবা হায়বসি থোকই। চঙশিন্নরিবা রাহৈ অসি হৌজিক হৌজিক্কী অহিংবা লোন্তগী রাহৈশিংদা নত্তে। হিংহুনা লৈরিবা লোন্দুদা হিংলিবা অমদি শিথ্রবা অত্তে লোন অমদি ফুরূপ-রা কয়াগী রাহৈ অদুম ফজনা চঙই। অসুম্না লোন মশাগী রাহৈগা

লোয়নবা অতোপ্পা লোন্দগী চঙলকপা ৱাহৈগা পুল্লগা লোন্দুদা শীজিন্নরিবা অমদি চৎনরিবা ৱাহৈ পুন্নমক অদুবু লোন্দুগী ৱাহৈ পুক্কৈ (Vocabulary) কৌই।

ৱাহৈ পুক্কৈগী মীৎয়েংদা লোন থূদংমক্লি মওং অমদা ময়ান তুমানগী শক্তম্নি হায়বা য়াই। মীতৈলোনগীসু শক্তম অসিমক্কি। লোন্সিগী ৱাহৈ-পুক্কৈদা মশাগী অশেংবা ৱাহৈশিং অদুদা নত্তনা শিত্থবা অমসুং হিংলিবা অতৈ যূৎপ-রা অমসুং লোন কয়াগী ৱাহৈ কয়ামক্তম য়াওরবনি। অদুগুম্বা ৱাহৈ কয়ামক্তমশিং অদুনা পূনশিল্লগা মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পুক্কৈ শেমগৎলি। চাউরাকপা মওংদা মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পুক্কৈ মথন অনা থোক্না থায়দোকপা য়াই।

১। মশাগী ৱাহৈ,

২। মীরোন্দগী চঙলকপা অপূবা লোন্তোপ ৱাহৈ।

২৯.১ **মশাগী ৱাহৈ** — মথন আসগী নমুংদা মীতৈলোনগী হৌরকফম ওইবা লোন অমদি যূৎপ-রা কয়াগী ৱাহৈ য়াওই। শম্না হায়বদা লোন অসিগী ৱাহৈ পুক্কৈদা লমদমসিগী ওইবা চাং অমসুং তমগী যূৎপ-রা কয়াগী ৱাহৈ পুন্নমক য়াওরবনি। মীতৈলোন্না লোন অনা ওইবদা নতেং পাংবিবা যূৎপ-রাসি— চাহরেন, অন্দ্রো, সেকমাই, লুৱাং, খুমন অঙোম, মঙাং, খাবা, মোইরাং, চেংলৈ, হৈরেমখুঞ্জান, তাংখুল, মাও, খোইরাউ, কবুই, অনাল, মরিং, থাদো, মার, পাংতে, কোম, চোথে অসিনাচংবা কয়া অসিনি। মখোয়শিংসিগী মরক্তা তমগী যূৎপ-রা অয়াম্বদি শিত্রে। অদুবু মখোয়গী ৱাহৈশিংদি মীতৈলোনগী ৱাহৈ পুক্কৈদা য়াওদুনা লৈহোই। মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পুক্কৈদা য়াওরিবা ৱাহৈশিংসি হৌজিক করম্বনা মীতৈলোন মশাগীনে, করম্বনা কয়া যূৎপ-রাদগী চঙলকপনো হায়বসি থিবা অমদি কায়বা লুনা থোক্লে। হৌজিক হৌজিক চীংদা লৈরিবা অহিংবা যূৎপ-রাশিংগী ৱাহৈ কয়াগা মীতৈলোনগীগা মান্নবা য়াম্না য়াওই। অসিগুম্বা ৱাহৈশিংসিসু করম্বগী করম্বনা চঙবনো হায়বা লুরে।

তৌরগীবুদি খূদিংমক্কী হৌফম লোন-কাণ্ডলূপ অমত্তদগী ওইবনা ফূব্ধপ-ৱা অমমম ওইনা শক পোক্লকপদগী মশা মশাগী অদুম ওইরক্লম্বস্তু য়াই। খূদম ওইনা মীতৈলোন অৱিবদা চহীবু কুগ হায। হৌজিকস্তু ৱাহৈসিগা মরী লৈনবা ৱাহৈ খরা চংনবি— কুমসী, কুমজা, কুনওন, কুম্ম অসিনচিংবা। চীংগী ফব্ধপ ৱা খরদস্তু চহীবু কুম হাযনা শীজিন্নে। মীৎপুস্তু চীংগী ফব্ধপ ৱা কয়াদা মীৎ অদুম হায়। অস্তুম্না লৈ (Tongue) বুস্তু লৈ, খুৎপুস্তু খুৎ, মীবুস্তু মী চীংগী ফব্ধপ-বা অযাম্বদা অদুম হায়। মসিদা মত্তনা হাইফেৎ মান্নবা খজিক থরাক্তুমক তৈনবা ৱাহৈ কয়াস্তু লৈ। খূদম ওইনা মীতৈলোন্দা য়ুম, তাংখুলদা য়িম। অৱিবা মীতৈলোন্দা যিম হাযনা তাংখুলগীগা মান্ননা শীজিন্নবস্তু থেংনৈ। মতৌ অসিগুম মচা নিঙ্ঙোনবু মীতৈলোন্দা চন্মু হায়, থাদৌ, মারনচিংবা ফব্ধপ-ৱাদস্তু চন্মু অদুম হায়। জৌ, পাইতেচিংবা ফব্ধপ-ৱাদনা তন্মু হায়। অস্তুম্না মীতৈলোনগী ৱাহৈ পূক্কেদা মনাক নকপা ফব্ধপ-ৱা কযাগা মান্নগা বাহৈ কয়া য়াওবি।

মীতৈলোন্দা ৱাহন মান্নবা ৱাহৈ (Synonym) কয়া লৈরিবসি অয়াম্বনা অতোপ্পা ফব্ধপ-বা কয়াদগী মীতৈলোন্দা চঙলকপনি। মতমগী মতুং ইন্না লোনগী অরি-অনৌগী থাক লৈবনা লোন মশাগী ৱাহন মান্নবা ৱাহৈ কয়াস্তু লৈতবদি নত্তে। অতোপ অতোপ্পা ফব্ধপ-ৱাদগী মীতৈলোন্দা চঙশিল্লকপা ৱাহৈশিংসি করম্বা মতমদা করম্বা ফব্ধপ-বাদগী চঙশিল্লকপনো হায়বদি লুরে। অস্তুম্না অতোপ্পদগী চঙশিল্লকপা ৱাহৈগা মীতৈলোন মশাগী ৱাহৈগা অমদি অৱিবা ৱাহৈগা অনৌবা ৱাহৈগা ৱাহন মান্নবা ৱাহৈ অনী অনীগী পুংবা শীজিন্নবা মীতৈলোনগী মহৌশাদা থায়নচৈদগী চৎনরকই। খূদম ওইনা— তাউবা-হুই, য়াঙ্গোই-শামু, লাঙ্গোই-শগোল, মী পোং, নমু-তাইখঙ, লাইজ-ঈশিং, মযোম-ল্যাংল্লেন, মালং-থমগোন, কৌরৌ-মুমীৎ, তাউতেক-নৌ, উনবী-পূক্লীং, পায়মা-পূক্লীং, তিল্লাং-পায়মা, চরৈ-ক্রি, [illegible]-কৌ, থাম্বী-মৈ, থাম্বী-মৈত্রেং, মোংবা-[illegible], মোংবা-[illegible], [illegible]

ৱাঙৌ-শা, ভোংজেং-হি, ৱাকয়ে-হি, কোংয়াঙ-ৱা, ৱাইবী-থৱায়, লোইরী-চৌং, পামেন-উ, ভলা-পামেন, পাম্বা-কৈ, লেম্নে-ঙা, পম্বো-ইপা, পলেম-ইমা, খোইয়ুম-লাই, চীংঙু-খোইয়ুম, কোংপোয়-সিং, কোক-লু, তাউজিং-হৈবাং, শীঙেন লৈরাং, শয়েঙ-পাম্বোম, চারা-পৌরোন, থম্মুং-শৱা, শরি ৱাশকপা, ভরেং-লেঙ্গা তরা-চাক লমজা-শবা, চন্নু-নিঙোন অসিনচিংবা অসিনচিংবা।

মীতৈলোন্দা ৱাহন মান্নবা ৱাহৈগী পুংবাদি নত্তনা ৱাহৈ অনী অনী পল্লা শীজিন্নবা ৱাহৈ-লৈতেংগী মওঙ অমস্থু খোইদোকপা শক্তম অমা ওইনা লৈ। অসিগুম্বা ৱাহৈ-লৈতেংসি অয়াম্বনা মিংশক (Noun) দদা ওইনা তোই। খূদম ওইনা— থুম্মোক-তাইরুক, শুমাঙ খেল্লোং, ফিজেৎ চাকচা, চাকচা-য়ুথক কোল-লীক, শীং-য়েন, য়েনখা-লূকখা, ইংখোন শংবন, খোংবান-লুক্লাং, লমহাঙ-তুহাঙ, চীংয়া-তময়া, শম-না, মায় মীৎ, মীৎ-না, নূপী অঙাং হন্নু-হস্থী, নুপা-নহা, শা-শন ভীন-কাঙ, নাপী-শীংবী, য়েঙ্গাং-নাপী, লম-তু, ৱাই-ৱম, মহৈ-মরোঙ, অৱা-অনা, মুংঙাই য়াইক, য়ূম-কৈ, নারক-শীংলক, শা-কৈ, মক্ত-মরাং, থবক-থৌরম, থবক-ইনখাং, শেন-মুং, উমং-ৱামং, চীং-মান তু-খোং, শা-লান, মোরোক-হৈরোক, চেঙ-চাক, লৌ-শীং, ফৌ-চেঙ, ঙা-থুম, মচী-ময়া মুংশীং-মুংশা, চৈ-লাং, ঈমু-নাইমু, মওঙ-মখিন, মওঙ-মতৌ, মহী-মনায়, মীংয়েং-নায়েং, মেন-মান, লৱায়-থৱায়, উৎ-ৱাই, ঈ-নাই, ঈহিং-নাইহিং, চে-চাং, চে-মুং, অশি-অনা, লাইরিক, লাইঙ মখিং-মথা, মকম-মরাং, লাইশোন-তীনশোন, মথোঙ মরম, অওক-অথোং, ৱা-লাং অসিনচিংবা অসিনচিংবা।

মীতৈলোনগী ৱাহৈ পূকৈদা ৱাহন মান্নবা অমদি ৱাহৈ লৈতেংগী ৱাহৈ পূংবা শীজিন্নবসি নত্তবা অতোপ্পা মওঙ অমনা মশাগী ৱাহৈদা শকহোংবগী শক্তম লৈবা অসিনি। হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা মীতৈলোনগী ৱাহৈদা হান্নগী মশাগী শক্তম অদু মশক হোংহনা শীজিন্নবা কয়া য়াওরি। মতাং অসিদা লোলগী অশেংবা শক্তম কান্নগীদবা নত্রগা অকোনবগীসিরা [illegible] [illegible] ৱনা লুনা ৱাকরি। মসি [illegible] মতমগী অমদি

শীজিন্নবগী মতুং ইন্না অশেংবা শক্তম্নি হায়না লৌবা ঙাই। থুদম ওইনা তৌপা, তমপা, চৎপা, চাপা, কাপা, তুমকনি, কপকনি হায়বা ৱাহৈশিং অসি মতম অমদা মীতৈলোন্দা শীজিন্নরম্বা অমদি খোঙ্হোক্রম্বা ঙাক্তনি। হৌজিক কাওরক্না মীতৈলোনগা নক্লবা ফূক্কাপ-ৱা থরদদি শীজিন্নরি অমসুং খোঙ্হোক্রি। মসি মতমমতুংগী অমদি লোন্দুগী অশেংবা শক্তম্নি। হৌজিক্কী মীতৈলোন্দদি তৌবা, তম্বা, চৎপা, চাবা, কাবা তুমগনি, কপকনি হায়না শীজিন্নরি অমসুং খোঙ্হোক্লরি। অকোনবগী অহোংবা খোঙ্হোক অসিগী য়ুম্ফমদি অহানবগী অসিনি। অদুবু অকোনবগীসিসু অশেংবা শক্তম নত্তে হায়বা য়াদে। মহৌশাগী ওইবা অহোংবা অমদি চীঞ্চাক্না হোংহল্লিবা খোঙ্হোক অসিমক হৌজিক্কী লোনগী অশেংবা শক্তম্নি। হৌজিক্কী হোংলক্লিবা খোঙ্হোক বা, গনি অসি খোঙ্হোক্লিবা "চৎপা" অমসুং "কপকনি" হায়বা অসিসু হৌজিক্কী লোনগী অশেংবা শক্তম অদুম ওই। অদুগা তুমকনি, তৌপা, চাপা, হায়না হৌজিক্কী মীতৈলোন অসিদা শীজিন্নরবদি ৱাহৈশিং অসি মতম অমদদি চৎনরম্লবসু হৌজিক্কী মীতৈলোনগীদা চৎনরিবা অশেংবা শক্তমদি ওইদে। অদুনা মীতৈলোনগী ৱাহৈ পূকৈদা লৈরিবা মশাগী ৱাহৈগী শকতোংবা শক্তম অসি মতম মতমদুগী মতুং ইন্না চৎনরিবা অমদি শীজিন্ননিবা শক্তমদুমক অশেংবা শক্তম্নি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা মীতৈলোনগী খোঙ্হোক্তা হায়দোক্কবা ময়েক য়াওবা ৱাহৈ মখে মীতৈলোনগী মশাগী ৱাহৈ নত্তে। হায়বদি ঋ, ছ, ঞ, ট, ঠ, ড, ঢ, ণ, য, শ, ষ, ড়, ঢ়, অসিনচিংবা ময়েক য়াওবা ৱাহৈশিং মীতৈলোনগী মশাগী ৱাহৈ নত্তে। ময়েকশিং অসিগী খোঙ্হোক মীতৈনা মহৌশাগী ওইবা মওঙদা মওঙ চুম্না হায়দোকপা ঙমদে। করিগুম্বা মীতৈলোন মশাগী ৱাহৈদা মওঙ চুম্না খোঙ্হোক্কবা ময়েকশিংসি য়াওরম্লবদি ৱাহৈদু তশেংনমক মীতৈলোন মশাগী ওইনা বানান লায়রবনি। অদুবু অদুম চৎনবা অমা ওইনা শীজিন্নখিবদগী অচুম্বা বানান অমা ওইনা লৌনিংঙি।

অদুগা মীতৈলোনগী খোম্হোক, কঙনা হাংদোকপা মহৌশাদগীদি লৈরক্লবা মখেক থরা লৈ। ময়েকশিংশুনা মকোক হৌনা ৱাহৈ মথৈদি মীতৈলোনগী মশাগী ৱাহৈ নত্তে। ময়েকশিং অসিদি— গ ঘ, জ, ঝ, দ, ধ, ব, ভ, র অসিনি।[১]

মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূকৈদা থোইদোকপা শক্তম অমনা খোনহায় (Tone) নাইবা ৱাহৈ লৈবা অসিনি। খোম্হোককী অনেম-অৱাং, অচিং-চিংদগী মতুং ইন্না বানান চপ মান্নবা ৱাহৈ অমগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল অমসুং ৱাহন লৈ। খুদম ওইনা "কনবা" হায়বা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন খোনহায়গী মতুং ইন্না পাঙ্গল কনবা, ফি কনবা, খুদোংথীবদগী কনবা, শব্দক যাবা অসনচিংবা কয়া লৈ। বানান মান্নদবদসু খোনহায়গী অৱাং অনেমগী মতুং ইন্না নিংশা খোম্হোক অকন্বা অমসুং অয়াংবা শীথিল্লদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাহন পুই। মদুদি— শিং, শীং।

মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূকৈগী অতোপ্পা শক্তম অমনা ওন্ন-থৈনবা (Antonyms) ৱাহৈ অসিনি। খুদম ওইনা— কপ্পা-নোকপা, অৱাবা-নুংঙাইবা, কাউবা-নীংশিংবা, কোনবা-তিংবা, কোনবা-হানবা, মনীং-মমাঙ অকুৎ-অতোঙ, কাবা-কুম্বা, ঙনবা-থেঙবা, লাওবা-খূবা, চোপ্পা-লেম্বা, চাউবা-পিকপা, চম্বা-য়াকপা,

[১] মীতৈলোন্দা "জগোই" হায়বা ৱাহৈ অসি "জ" না হৌই। "জ" দি মীতৈলোন মশাগী য়েলহৌউদগী লৈরবপা খোম্হোক নত্তে। অদুনা "জ" না মকোক হৌবা ৱাহৈ অসি মীতৈলোনগী মশাগী ৱাহৈ নত্তবরা হায়না চিংনননীংঙাই ওই। অরিবা মীতৈলোন্দা জগোই শাবদু "মোয়বা" জগোইগী মরম লৈনবদু "অনোয়রোন" হায়। "জগোই" হায়বা ৱাহৈ অসিমক্তি অরিবা মতমগী লাইরিকশিংদা থেংনদে। অদুনা "জগোই" হায়বা ৱাহৈ অসি অতোপ্পা ফুরূপ-ৱা অমদগী চঙলকপা অমা নত্রগা অরিবা মতমগীদি নত্তনা মযায় ওইবা মতমদা পোকপা ৱাহৈ "চকোই" হায়ন লৈরকপী লোন নৌথোকনা "জগোই" ওইবা অমা—অমী অসিগী মতুংদা অমা ওইগনি। কয়িত্তদা লোম নৌথোরকপা ৱাহৈ ওইরম্লবদি মীতৈ-লোন্দা "জগোই" হায়বা ৱাহৈসি নত্তনা হায়রিবা খোম্হোকশিংসিনা হৌবা ৱাহৈ অতে লৈতে।

মক্সা-ঙানবা, তাঙবা-হোঙবা, ঙোবা-মুবা, হমাকথুমবা-লাকহনবা, কৌবা-চোনবা, কনবা-থোংপা, কনবা-শোনবা, উগ্গা-লোংবা, থোয়বা-চুম্বা, খাবা-থুম্বা, অবানবা-অচুম্বা, মাঙবা-তোংবা অসিনচিংবা অসিনচিংবা।

অসুম্না মওঙ মওঙগী থোইদোকপা শক্তম কয়া লৈববস্থ মীতৈলোনগী রাহৈ-পূকৈদা মশাগী রাহৈগী শক্তমসি মীতৈলোন মশাগী অমদি নক্রব, ফুক্পপ-রা কয়াগী রাহৈনা চঙথোক-চঙশিন তৌদুনা ওইবানি। চঙথোক-চঙশিন্দা নত্তনা অমদস্থ অমদস্থ মাম্নবা কয়া যাওবি। অসুম্না মাম্নবা অমদি চঙথোক চঙশিন তৌদুনা মীতৈলোনগী মশাগী রাহৈ-পূকৈ শেম্লিবসি ফুরূপ-রাশিংগী কৌবকক্ষম তিম্নবা অমস্থং নক্রবা, মখোয়বু লোনবা মীওই-ফুক্পশিংগী মরক্তা অমগা অমগা শা-লান, ললোন-ইতিক, চারৌ-মোরৌনবনচিংবগী মরী কয়া লেনরকপা মবম কয়া অসিনি।

২১২ মীবোন্দগী চঙলকপা অপুবা লোন্তোপ রাহৈ—

মসিগী মমুংদা অমুক মথন অনী থোকই – (ক) লোন-কাঙলূপ তিম্নবা লোন-শিংদগী চঙলকপা রাহৈ অমস্থং (খ) তোঙানবা লোন কাঙলূপকী লোনশিংদগী চঙলকপা রাহৈ।

২১২ লোন-কাঙলূপ তিম্নবা লোনশিংদগী চঙলকপা রাহৈ – তিব্বত, চীন, ব্রহ্মানাচিংবগী লোন্দগা মীতৈলোন্দা চঙশিল্লকপা রাহৈ পূম্নমক মথন অসিগী মমুং চম্না লৈ। হায়বিবা লোনশিং অসি মীতৈলোনগা লোন-কাঙলূপ অমত্তনি। হায়বদি সিনো-তিবেতান (Sino Tibetan) নত্রগা তিবেতো চাইনীজ (Tibeto-Chinese) হায়না খঙনবা লোন কাঙলূপ অদুগী লোন ওাক্তনি। লোনশিং অসিদগী মীতৈলোন্দা চঙলকপা রাহৈ শঙয়াম য়ামদে। খরা চঙশিল্লক্লিবা অসি লোন-কাঙলূপ তিম্নবা অমদি য়েনহৌতৈগী মতমদা শা-লান, ললোন-ইতিকী মরী লৈনরম্বনি। মতম অমদা মীতৈগা অৱা অমস্থং থাগীশিংগা শা-লান য়াম্না তোয়না তৌনরম্মী। অদুনা মীতৈলোন্দা অৱা (ব্রহ্মা) অমস্থং থাগী

(চীনা) গী য়াৱৈ খরা চঙলা মশানা তাবনি। তিব্বতকী য়াৱৈ করাম্তু মীতৈলোন্দা য়াওরি। মসি ওশেংনা চঙশিল্লকপ, য়াৱৈরা মত্রগা হোৎনকপম তিন্নবনা মান্নবা হায়বসি থওবদা ফনা লুই। য়াৱৈ খরদি চঙলকপা ওইরন্নবস্তু অয়াম্বদি লোন-কাওলুপ তিন্নবদগী মান্নবা য়াৱৈ ওইনা লৈরবা ওইরবা য়াই। অরা অমসুং থাগীগী য়াৱৈসু অয়াম্বদি মান্নবা য়াৱৈ ওইগনি। অদুবু চঙলকপবু ওইরবস্তু মান্নববু ওইরবস্তু মীতৈলোনগী য়াৱৈ-পুক্কেদা য়াওবা হায়রিবা লোনশিং অসিগী য়াৱৈ খরা মখাদা পীরি।

থাগীগী য়াৱৈ— মীৎ, চে, মুক শেন, চেক, মিংশেন, পাউ অসিনচিংবা।

তিব্বতকী য়াৱৈ— মী, শা, শীং, লাই, য়ুমথক, ঙাসু, থংকোং (থংগোদগী), থরো, থারিকথা, লম্বী (লমদগী) অসিনচিংবা।

অরাগী য়াৱৈ— চকপিয়া, অমিয়াকাবা, কেপ, তাপ, হোডবা (হোঙদৈদগী) ফুরা, (ফায়াদগী), মৈ, চাউবা (চৌফাদগী) অসিনচিংবা।

থাগী, তিব্বত অমসুং অরাগী লোন্দগী চঙলকপা অমদি মান্নবা য়াৱৈ খরা খুদম ওইনা পীবিবসি মসিদগী কেন্না লৈরম্বস্তু য়ারি। লোনশিং অসিগী য়াৱৈগা মীতৈলোনগী য়াৱৈগা চাংদমদুনা থিরথিরগা য়াৱৈ কয়া অমসু থোরকখিগনি। অদুবু অসিগুম্বা য়াৱৈশিং অসি ওশেংনা লোনশিং অসিদগী মীতৈলোন্দা চঙশিল্লকপনি হায়বদি ঙমদে। য়াৱৈ খরদি লোনশিং অসিবু লোনবা মীওই-শিংগা নক্ক তিন্নরুবদগী চঙশিল্লকপা ওইরবস্তু অয়াম্বদি লোন কাওলুপ তিন্নবগী য়াৱৈগী শক্তমদা মান্নবা মশক লৈবা ওইরবা য়াই।

২১.২.২ তোঙানবা লোন-কাওলুপকী লোনশিংদগী চঙলকপা য়াৱৈ— মথন অসিদগী চঙলকপা মীতৈলোনগী য়াৱৈ পুক্কৈ অমুক (১) হিন্দুগী লোনশিংদগী চঙলকপা, (২) মুসলমানগী লৈবাকী লোনশিংদগী চঙলকপা অমসুং (৩) ইউরোপকী লোনশিংদগী চঙলকপা হাপ্না অমম থোকপা য়াই।

(১) হিন্দুগী লোনশিংদগী চঙলকপা— [illegible] মশুং চনবা মরু ওইবা লোন্দি সংস্কৃত অমস্তুং বাঙ্গলানি। মমাঙদা নিংথৌ পাম্হৈবদা বেঙ্গলদগী ব্রাহ্মণশিং মরক মরক্তা মণিপুরদা চঙশন্কুনা খুন্দারৈ। মমদমসিদা মখোয়না খুন্দাহুনা লৈরবদা মথোয় মশাগী বাঙ্গলা রাহৈ থরা মখোয়না ভাঙবদগী মীতৈলোন্দা চঙশিল্লকপা কায়বসি মহৌশানি। মীতৈলোন্দা বাঙ্গলাগী রাহৈ রাম্না চঙশিল্লকখিবদি মৈদিঙ্গু পামহৈবগী মতমদা মীতৈগী পুরা মৈ থাহনা রামান্দী লাইনীং-লীচৎ চৎনবা হৌবদগীনি। মতমসিদা বাঙ্গলাগা লোয়ননা সংস্কৃতগী রাহৈস্ত ঈশিং ঈচাওগুম অতৎ-অথম লৈতনা চঙলকপা হৌখি। অস্তুম ততনা চঙশিল্লকপদগী মমৈথঙদদি মীতৈলোন অসি বাঙ্গলা, সংস্কৃতকী রাহৈ ভাক্তা ভায়দুনা মীতৈলোন মশাগী রাহৈ শীজিন্নখিদে, কাউথোক্লখি। অদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী ময়ায় চনবা মতমগী লোনগী শক্তমদি মীরোনগী রাহৈ যাম্না চাং হেন্না য়াল্লি। মসিনা মীতৈলোনগী মশাগী রাহৈ কয়া মীতৈ মশানা কাউথোকখি। মসিগী চৈথেংসি হৌজিক ফাওবদা ফংলি। মীতৈনা মীতৈলোনগী ওইবা রাহৈ কয়াগী চপ চাবা রাহন অমদি শীজিন্নফম খঙদবা য়াওনরি। অস্তুম্না অতোপ্পা মীওই চঙশিল্লকপা অমদি লাইনীং-লীচৎকী ইথিম্না রাহৈ চঙশিল্লকপসিদা মতুনা লংফে চথোক চৎশিন, ললোন ইতিরচিংবা তৌনবদগীস্তু বাঙ্গলা অমদি সংস্কৃত লোনগী রাহৈশিং থরদি মীতৈলোন্দা চঙশিল্লকবগী মরম ওইখি।

হৌজিকী মতমদদি মণিপুর অসি ভারতকী মচুং চনবা লমদম অমা ওইরবনা ভারতকী লৈবাক্কী লোন হিন্দীগী রাহৈস্তু মীতৈলোনগী রাহৈ-পুক্কৈদা য়াম্না চঙলে। অদুবু হিন্দীদগী চঙশিল্লক্লিবা রাহৈশিং অসি সংস্কৃত অমস্তুং উর্দুগীনা মপুংনি। লোনশিং অসিগী রাহৈনা হিন্দী লোন কাখন্দুনা নাকোইননা চঙলকপগী রাদনি।

মীতৈলোন্দা সংস্কৃতকী রাহৈগী চঙলকপা হৌবসি অথঙ-অহৈ থরনা খৃষ্টমাঙ চহী ৫০০গী মমাঙদগীনি [illegible][২] খৃষ্টগী চহী ৭০৯দা

২ নন্দলাল শর্মাগী— "মৈতৈলোন", ১ঙা নম্বা, ১৯৬৫—সা° ৬৪।

[illegible] [illegible]চাগী অনাহাক্তা ইকন্দুনা থম্লস্থ কোবী কোম্পাক [illegible] সংস্কৃত রাহৈ য়াওবা থেংনৈ।[৩] মোদিঙ্ নোংদা লাইরেন পাখংবমী মঙমদা চঙলবম্বা শেন মহেন্তম্ভ সংস্কৃত রাহৈ হু কায়।[৪] মৈদিঙ্ থোঙ্তেক্চাগী মতমদা ওকোইজম তোম্বোহনা ইরম্বনি হাখবা "পাম্বোহপী খোংকুল" কোবা লাইবিক্তুসু "কংকা" অমসুং "জটা" সংস্কৃতকী শকহোংবা (তদ্ভব) বাহৈ অনীথক য়াওবা থেংনৈ।[৫] অহুনা মথক্তা পল্লিবা মতমশিং অগদি হায়রিবশিং অসিনা চুম্লম্লবদি মীতৈলোন্দা সংস্কৃতকী রাহৈ চঙাশিল্লকপসি মতম ফনদি কুহরে।

মীতৈলোনগী রাহৈ-পুকৈদা চঙলকপা লোন্তোপ রাহৈশিংসি শকহোংবা অমসুং শকহোংদবা হায়বা শক্তম অনীদা চঙলকই। করিগুম্ব রাহৈ খরদি শকহোংবা অমসু শকহোংদবা শক্তম অনী-মক্তা শীজিন্নবা য়াওই। মথাদা বাঙলা, সংস্কৃত অমসুং হিন্দীদগী মীতৈলোনগী রাহৈ-পুকৈদা চঙলকপা রাহৈ খরা পীবি।

শকহোংবা — থ্রেচি, জুরাব, শোরাৎ, বোর্তান, খেব, নিয়োম, কেতুকী, ঐগ্যা, ঈশোর, কৈনা অসিনচিংবা।

শকহোংদবা — মায়া, মাতা, পিতা আকাশ, অমৃত, গুণ, আশা, ইতিহাস, ঈশ্বর, উপায়, কৃপা, গুরু, মহারাজ, মহারানী, ব্রত, বজ্র, যন্ত্র, মন্ত্র, তন্ত্র, যজ্ঞ, সাধন, সমস্যা, পূজা, মন্ত্রী, প্রজা, শাসন, শ্রাদ্ধ, প্রকৃতি অসিনচিংবা।

মীতৈলোন্দা বাঙলা, সংস্কৃত অমসুং হিন্দীদগী চঙশিল্লকপা রাহৈ য়াম্না য়াম্মি। মথক্তা অসি খুদম খরনা পরতমক পীবনি। অসিগুম্বা চঙশিল্লকপা রাহৈশিংসিগী রাহন মান্নবা মীতৈলোনগী মশাগী রাহৈ লৈনা লৈনা লোনশিংসিগী রাহৈ কয়াহৌজিক হৌজিক্কী মীতৈলোন্দা চংনবী অমা ওইনা য়াম্না শীজিন্নরি।

৩ (ক) নন্দলাল শর্মাগী—"মৈতৈলোন" ১বা নম্বা, ১৯৬৫— লা০ ৬৪।
(খ) নন্দলাল শর্মাগী—'মৈত্রবাক',—লা০ ৫৮—৬১।

৪ নন্দলাল শর্মাগী —"মৈতৈলোন", ১বা নম্বা, ১৯৬৫—লা০ ৬৪।

৫ মোইরাংথেম চন্দ্রসিংনা সম্পাদক তৌবা—"পাম্বোহৈপী খোংকুল" লা০ [illegible]

(২) মুসলীম লৈবাক্কী লোনশিংদগী চঙলকপা রাইহেং—মীতৈলোন্দা মুসলীম লৈবাক্কী লোনশিংগী রাইহেংশিং চঙবা হৌখিবা খৃষ্টীয় চহী ১৬০০ কী অদুরাতদগীনি। মুসলীমশিংনা পঞ্জাব কাওদুনা ভারততা চঙলকলগা বেঙ্গল ফাওবা থোরকখি। মৈদিঙ্গু খাগেম্বগী সনাহাক্তদা মনাউ ইবুঙ্গো শানোংবগা থংনবদা শানোংবগী মীচঙদা বেঙ্গলদগী মুসলীমশিংনা লান পাংখি। শানোংদগী মাংথোরবদ লানফা মুসলমশিংখে মপোকনা হায়রিবদগী মীতৈ লৈংথোননা মীতৈ লৈপাক্তা খুন্দাহনখি। মসিগী মনা খুন্দাদুনা লৈখিবগা লায়নবা মপোকগী লোনগী রাইহেংশু মুংলংগী ওঙ্ঘলদগী মীতৈলোনগী রাইহে-পূকৈদা চঙবা হৌখি। মীতৈলোন্দা রাইহে চঙশিনলকপা মুসলীমগী মক থুংবা লোন্দি আরবী অমসুং ফারসীনি। তুর্কীগী রাইহে খরসুং ফারসীগী মতেংনা চঙলকই। মুসলীমগী লোনগী রাইহে খরদি বাঙ্গলা লোনগী মতেংনা চঙলকপসু য়াওই। তৌজিক ফাওবদা মীতৈলোনগী রাইহে-পূকৈদা চঙলকলবা মুসলীম লোনগী রাইহে খরা—

আরবী— খবর, উকিল, আমিন, জামিন, খুরমা, জিলা, কলম, তহসীল অসিনচিংবা।

ফারসী—তারিক, চাদোর, খিজুর, পাইজামা, তেক, নোমনা (নমুনা), অঙ্গুর, অন্দাজ, কিসমিস, দাগ, দরকার, দরবার, জাদু (যাদু), গঞ্জ, চামচ অসিনচিংবা।

তুর্কী — কাতি, বাবু, বুগী, তোপ, দারোগা, বহাদুর অসিনচিংবা।

মখন অসিদা চঙলকপা লোনতাপ রাইহেংশিংসু শকহোংবা অমসুং শকহোংদবা হায়বা শক্তম অনীদা চঙলকই।

(৩) ইউরোপকী লোনশিংদগী চঙলকপা রাইহে—ইউরোপকী লোন খরগী রাইহেংসু মীতৈলোনগী রাইহে-পূকৈদা চঙলকই। মদুগী মনুংদা ইংরেজীগীনা মপুংনি। ইংরেজীগী রাইহেনা চঙলক্লিবদগী পোর্তুগীজগী রাইহে খরদি হায়রিবা বাঙ্গলাগী মতেংনা মীতৈলোন্দা চঙলকই। [illegible]

[illegible] । ইংরেজী লোনগী ৱাহৈনা মীতৈলোনদা [illegible] হৌরকপা খুষ্টগী চহী ১৭৬০গী মতুং হায়রবদি [illegible] ভাগ্যচন্দ্রনা ইংরেজশিংগা মরী লৈনবা হৌবদগীনি। অদুবু য়াম্না কাংলা হকথেংনবা চঙলকপাদি খুষ্টগী চহী ১৮৯১দা ইংরেজশিংনা মণিপুরবু লৌশিল্লুনা লৈবাক অসিগী ৱায়েল চৈথাক মখোয়না পায়বা হৌখিবদগীনি। মতম অদুগী মৈহৈ-মশিং তম্বগী থৌরম ইংরেজী লোন্না মপুং ওইনা তৌখিবনা হৌজিক ফাওবদসু অসুম মপুং ওইদুনা লোন অসিগী ৱাহৈ কয়া মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূরৈদা হৌজিক ফাওবা চঙবগী লোইবা নাইদ্রি। পোর্তুগীজ অমসুং ইংরেজীগী ৱাহৈদা নত্তনা ফ্রেঞ্চ অমসুং দচ লোনগী ৱাহৈ অমা অনীসু পোর্তুগীজগীগুম্না ব জলা অমসুং ইংরেজীগী মতেংনা চঙলকপা থেংনৈ। মখাদা ইউরোপকী লোনশিংদগী মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূরৈদা চঙলকপা অপূবা লোন্তোপ ৱাহৈ খরা পীরি।

পোর্তুগীজ— অম্বারী (অলমারীদগী), অচার, আলপিন, ইস্পাৎ, ইস্ত্রী, কেপ্তেন, খুষ্টান, গম্লা, গারদ, গীর্জা, কোবী (গোভীদগী), গোদাম, চাবী, নীলাম, পাদ্রী, পিষ্টোন, পীপা, ফর্মা, ফীতা, বালতিন (বালতিদগী), বিস্কুট, বোতল, মস্তুল, মিস্ত্রী, মেজ, বারান্দা অসিনচিংবা।

ফ্রেঞ্চ—কূপন, অঙ্গ্রেজ।

দচ—বম (গাড়ীগী)।

ইংরেজী— ইংরেজীদগী চঙলকপা ৱাহৈদি মশীং য়াম্মি। জুমীং তরেৎনিগী মমিং, থা তবানীথোইগী মমিং, শীজিন্নবা পোৎ-চৈ, খুৎশু-খুৎলাই; বিজ্ঞানগী অনৌ অনৌবা পোথোক, থবক থৌরম কয়াগী মমিং, থৌদোক ৱাথোক কয়া অসিনচিংবা কয়াদা ইংরেজী লোনগী ৱাহৈ মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পূরৈদা চঙভি। অয়াম্বা ৱাহৈদি শকহোংলবা ওইনা চঙলকপনি। শকহোংবা ওইনা চঙলকপসু য়াওই। ৱাহৈ খরা অমদি শকহোংবা শকহোংদবা শক্তম অনীমক [illegible] য়াওই। খুদম ওইনা—

[illegible] ।

মীতৈলোনগী ৱাহৈ পুরকপা লোন্তোন্ ৱাহৈ চঙলকপগী বাঙলা সংস্কৃত অমসুং ইংরেজীগীনা থাক্কদ্রী মশীং য়াম্মি। ইংরেজীগীদি তৌরিক কাওবা চঙবা লেপ্পা লৈরে। নোংমা নোংমগী ৱাহৈগী মশীং হেনগৎলক্লি। অশুম্বা অতোপ্পা লোন্দগী চঙলকপা অপূবা ৱাহৈ অমসুং মীতৈলোন মশাগী অমদি নক্কবা কুপ্পপ-বা কয়াগী ৱাহৈগা ৱাহৈ ময়ামসিনা পুল্লগা মীতৈলোনগী ৱাহৈ-পুরৈ শেম্মি।

[illegible] ৱাহৈ শেম্নবগী ৱাতেন

২২ ৷ লোন অমগী লোনগী শক্তম অমদি মতৌ থোক্নবা অমদি চাউথোকহনবা হায়বসি লোন্দগী ৱাহৈ অমত্তুং ৱাহৈ শেম্বা (Word formation) মঙ্গলগী মথা পোল্লি। ৱাহৈ শেম্বা হায়বসি লোন অমগী মহুংদা তৌরবা ৱাত্রবা মচাক অমনি। ৱাহৈ অমদগী ৱাহৈ মথং মথং কয়া শেমগৎনা পোকথোকহল্লগা তোঙান তোঙানবা ৱাহৈন লৈবা ৱাহৈ কয়ানা লোন অমগী পুক্কে ওইরিবনি। অদুগা ৱাহৈ অমদগী ৱাহৈ অতৈ মথং মথং শেমগৎনা পোকহনবা অসিগী পাথেং অনীথক লৈ। পাথেং অনী অসিনা ৱাহৈদগী ৱাহৈ পোকহনবা অমত্তুং শেম্বা য়াই। অহানবনা ৱাহৈদা ৱাহৈ মচেৎ তপশিনগা শেম্বনি। অতোপ্পনা ৱাহৈদা ৱাহৈ পকশিনগা হায়বদি ৱাহৈ অমদা ৱাহৈ অমা পুনশিন্দুনা তিন্নরগা অতোপ্পা ৱাহৈ অমা শেম্বনি। অহানবগী পাথেং অসিবু ৱাতপ (Affix) হায়না খঙৈ। অনীশুবা অসিনা ৱাপুন (Compound) হায়রগা খঙৈ। অনী অসিমক অমা নত্রগা অমদি লোন অমগী ৱাহৈ শেম্বা চঙদবা য়াত্রবা পাথেংনি।

ৱারেং অসিদা নৈনগদৌরিবা শক্তমদি ৱাতপ হায়বা পাথেং অসিগী মরমদনি। ৱাতপ্পা কয়া মওংদা অমদি কদায়দা তম্লগা কয়া অমদি কয়া ৱাহৈ শেম্বা শায়বদু ৱারেংসিগী মপুং ওইবা নৈনফম্নি। ৱাহৈ অমদা ৱাহৈ মচেৎ অমা নত্রগা অমদগী হেনবসু মমাঙদা, মনাক্তা নত্রগা মরক্তা লাক্তুনা তম্মরগা শেম্বা ৱাহৈ অদুগী থোইদোকপা ৱাহৈন অমা পীবা নত্রগা হায়বগী ৱাহৈন অদুমক হেন্না চেৎশিনহনবদি তপাশিনখিবা ৱাহৈ মচেৎ অমদি তপশিনবগী পাথেং অদুবু ৱাতপ (Affix) হায়না কৌই।

ৱাহৈ মপুংফা ওপশিলকপা ৱাহৈ অচেৎপা ... [illegible] ... ৱাহৈ খেন্দোকপা ৱাতপ মখন থুম থোক্লা লায়বা লাই— (১) মাঙতপ, (২) মীংতপ অমসুং (৩) মায়ৈতপ।

মখন অহুম অসিগী ৱাতপ ওয়াগা ওইনা ৱাহৈ শেমগী মওং মথাদা নৈনরি।

২২.১ মাঙতপ— ৱাহৈগী মমাংদা ৱাহৈ অচেৎ তপশিনপা থোইদোকপা ৱাহন লৈবা মতমগা মোন্না চেংশিনবা ৱাহন পীবা অনৌবা ৱাহৈ অমা শেমগদবা মতুংগী ৱাতপ অদুবু মাঙতপ (Prefix) হায়না কৌই। তপশিনক্রিয়া মাঙতপশিং অদুগী মথাগী ৱাহন অমমম লৈরে। অদুবু মাঙতপশিং অদু কপা মতোমতা লৈবা মতমদদি ৱাহন অদু নীংশিংনা চুবা ওইদে অমসুং মতোমতদি শীসু শীজিন্নদে। ৱাহৈ মপুংফা তপশিনবা মতমদা মাগী থোইদোকপা ৱাহন লৈবনি। মীতৈলোন্দা লৈবা মাঙতপ খরা মথাদা পীরি— অ, ই, চ, ত, থ, ম, ডি, খং, পুম, পাং, কোয়, শূক, হা, হী।

মাঙতপশিং অসিনা তপশিনবগী মওং অমদি অদুদা থোকপা ৱাহন মথাদা নৈনরি।

অ—"অ" হায়বা মাঙতপ অসিনা ৱাহৈ মপুংফা তপশিনবা মতমদা তৌবা মতমগা লোয়নববগী ৱাহন পী। খুদম ওইনা—চৎপা, কবা, নাবা হায়বা ৱাহৈশিং অসিদা "অ" মাঙতপ তপশিনগা— অচৎপা, অকবা, অনাবা হায়বা ৱাহৈশিংসি শেম্মি। ৱাহৈ মপুং ওইনা লৈরিঙৈদদি ৱাকম অমগী মওং— চৎপা, কব, নাবা, ... চুনা থোকনেকপনি, থৌওান (Verb) ওইনা থবকী ... তাকপনি। "অ" মাঙতপ তপশিনকপুবদি অচৎপা হায়বা অসিনা চৎপা থবক তৌরিবা মতমগা লোয়নবিবা ৱাহবগী ৱাহন পুই। মতৌ অসিনা অকবা হায়বনা কবদু তৌরবা মতমদা লোয়নবা, অনাবা হায়বনা নাবা তৌরবা মতমদা লোয়নববগী ৱাহন পীরে। অদুনা হায়না থৌওান ওইনা লৈরম্বা ৱাহৈশিং অসি মাঙতপ তপশিনগা

[illegible] ৱাহৈশিংদা (পোইজাক Adjective) ওইবদি মিংথক (Noun) ওইবা লৈ। "অ" মাঙতপ শপ্লবা ৱাহৈ খরা— অইবা, অচাবা, অথুবা, অকৌবা অনেংবা, অপেংপা অসিমচিংবা।

ওন্না তৈনবা ৱাহৈ (Antonym) অনীমক পুন্না শীজিন্নবদা অনীমক্তা "অ" মাঙতপ ততি। মসিদগী "অ" না পীরিবা ৱাহন তৌরবা নত্তনা লোয়নবনি। ৱাহৈগী লৈরিবা মশক্তা মিংথক (Noun) ওইননি। খুদম—অনেম-অৱাং, অচোপ-অয়েম, অরাং-অপা, অরি-অনৌ, অমাঙ-অতোং, অনোপ অতিং অসিনচিংবা। করিগুম্বা ওন্না-তৈনবা ৱাহৈ খরদি "অ" মাঙতপ অসি অনীমক্তা তপ্তুবস্তু লৈ। খুদম—অৱা-নুংঙাই, অচৌ-পিশক। মসিগুম্বদদি মমাঙ থংবা ৱাহৈদমক "অ" মাঙতপ ততি। মতুং থংবা ৱাহৈদদি তপ্তে।

অওইবা থঙনবা (Affirmative) অমসুং নত্তবা থঙনবা (Negative) ৱাহৈ অনী পুন্না পুংবা-পুংবা শীজিন্নবদা মমাঙ থংবা অওইবা থঙনবা ৱাহৈদুদা "অ" মাঙতপ ততি; কোন্না লাকপা নত্তবা থঙনবদদি মাঙতপ অসি তপ্তে। খুদম— অচৎ-চত্ত, অক-কত্ত, অউ-উদ, অরৈ-রৈদত, অৱা-ৱাদ অসিনচিংবা। মসিদা ৱাহৈগী ওইরিবা মশক মিংথকনি।

ৱাহন পুংমান মাম্নবদি নত্তবা থাইকেৎ মাম্নবা তৌবা ৱাহৈ অনী পুংবা পুংবা ৱাহৈ লৈতেং শেম্বদা ৱাহৈ অনীমক্তা "অ" মাঙতপ ততি। লৈরিবা ৱাহৈগী মশক্তা মিংথকনি। খুদম—অথাক-অরাঙ, অতেক-অনৌ, অশং-অমান, অৱা-অনা, অথুম-অহাউ, অচৌ-অশাং, অথোই-অহেন অসিনচিংবা। অসিগুম্বা মথনগী ৱাহৈ পুংবা খরদি অনীমক্তা "অ" মাঙতপ তপ্তুবস্তু লৈ। খুদম—অশাম-মুংশি, অক-নুংঙাই। মসিগুম্বসিদা অহানবা ৱাহৈদমক "অ" মাঙতপ ততি।

"অ" মাঙতপ তপশিন্নগা মিংথক ওইনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অসি করিগুম্বা ৱাহৈ-পায়েং অমনী মথুংবা মথোয়না লৈবা মতুংগী মতুং ইন্না পোইজাক ওইবস্তু লৈ।

ই—"ই" হায়বা মাঙতপ [illegible] শিনবা মাঙমদা ৱাহৈ মপুংদুগী হায়া [illegible] শিনহনবা থোইগৎ হেনগৎপগী ৱাহন নী। খুদম— ইকং কংবা, ইতৌ-তৌবা, ইকম-কমবা, ইঙান-ঙানবা, ইক-কবা অসিনচিংবা "ই" মাঙতপ তমবা ৱাহৈশিং অসি মতোমতা লৈবা ঙমদে। মমাঙ থংবা ৱাহৈ মপুংদা "ই" মাঙতপ তমগা ৱাহৈ মপুং অতুমক অতুংদা মাঙতপ তপ্পনা অমুক হল্লকই।

অওইবা খঙনবা অমসুং নত্তবা খঙনবা ৱাহৈ অমী পুংবা শাহুনা শীজিন্নবদা মমাঙ থংবা অওইবা খঙনবদা "ই" মাঙতপ তম্মি। মতুং থংবা নত্তবা খঙনবা ৱাহৈদদি তপ্তে। মদুদা ওইবা ৱাহয়া খরদি ওইরগা মপুং ফানা ওইদবা খঙহনবনি। "ই" মাঙতপ তপশিল্লবা ৱাহৈশিং থোইতাক ওইনা লৈ। করিগুম্বদা মিংশক ওইনসু লৈবা য়াওই।

চ—"চ" মাঙতপ অসি ৱাহৈ মপুংদা তম্লগা শীজিন্নবদা থোইদোক হেন্দোকপা অমদি থোইদোক হেন্দোকপনা মরম ওইরদুনা মফম মরাং খঙদবগী ৱাহন নী। খুদম ওইনা— চদংনবা, চরাম্নবা, চরাঙনবা, চনৈনবা. চমম্নবা অসিনচিংবা। "চ" মাঙতপ তম্লবা ৱাহৈ অতুমক অনীরক হল্লগা থোতাক (Adverb) ওইনা শীজিন্নৈ। খুদম— চবাক-চবাক, চরাঙ-চরাঙ অসিনচিংবা।

ত—"ত" মাঙতপ্না ৱাহৈ মপুংদা তপশিল্লবা মতমদা থোই-দোক হেন্দোকপগী ৱাহন নী। খুদম—তরুবা, তশোংবা, তহেনবা, তথকপা, তনৌবা অসিনচিংবা। মসিদা "ত" মাঙতপ তম্লবা ৱাহৈশিং অসি থোইতাক্নি। করিগুম্বদা ৱাহৈ মপুং অদু অনীরক হল্লা শীজিন্নবদসু অনীমক "ত" মাঙতপ তম্মি। খুদম—তখি-তখি, তনৌ-তনৌ, তশোং-তশোং, তথক-তথক অসিনচিংবা। "ত" মাঙতপ তম্লবা অনীরক হনবা ৱাহৈশিং অসি থোতাক ওইনা লৈ।

[illegible] মাঙতপ্তা রাইহ মপুংদা তপ্পবা মতমদা থবা কেজ্রন-[illegible] রাহন শী। খুদম—থবেৎনবা, থরাক্রবা অসিনচিংবা। "থ" মাঙতপ তপ্পবা রাইহেশিং থোইতাক ওইনা শীজিন্নে। করিগুম্বদা রাইহ মপুং অদু অনীরক কল্লগা শীজিন্নবদা অনীমক্তা "থ" মাঙতপ তল্লি অমত্তুং থোৗতাক ওইনা লৈ। খুদম—থবেৎ-থবেৎ, থরাক-থরাক, থমোন-থমোন অসিনচিংবা।

ম—"ম" মাঙতপ তপ্পবা মতমদা মওঙ মতৌ নত্রগা থরগী রাহন পীবা ওম্মি। মওঙ মতৌগী রাহন পীবদা— মথক (থকপগী মওঙ নত্রগা মতৌ), মচা (চাবগী মওঙ নত্রগা মতৌ), মঙাঙ (ঙাঙবগী মওঙ নত্রগা মতৌ) অসিনচিংবা। "ম" মাঙতপ তপ্পবা মওঙ মতৌগী রাহন পীবা রাইহেশিং মিংশক ওইনা লৈ। থরগী রাহন লৈবদনা—মকবা, মচাউবা, মচৎপা, মথকপা অসিনচিংবা। মসিদনা "ম" মাঙতপ তপ্পবা রাইহেশিং পুন্নমক থোইতাক অমদি মিংশক ওইনা লৈ। "ম" মাঙতপ তপ্পবা কবিগুম্বা রাইহ থরদি মপুং কাদবগী রাহন লৈ। খুদম— মকক, মতৎ, মকুপ অসিন-চিংবা। মসিদা লৈরিবা "ম" মাঙতপ য়াওবা রাইহেশিং অসিমু থোইতাক অমদি মিংশক ওইনা শীজিন্নে।

তি—"তি" মাঙতপ তপ্পগা রাইহ মপুং মশাগী রাহন অহু থোইদোক হেন্দোকপা থঙহল্লি। খুদম— তিঙক-তিঙক। "তি" মাঙতপ তপ্পবা রাইহ থোৗতাক ওইনা শীজিন্নে। মীতৈলোন্দা "তি" মাঙতপ তপ্পগা শেম্বা রাইহ য়াম্না তাঙই। "তি" গী মহুত্তা অয়াম্বা রাইহদা "ত" তন্নে; "তি" গা "ত" গা মাঙতপ অনী অসি রাহন-দম্ভ করিমত্তা খেন্নদে। খুদম—তিঙক-তিঙক নত্রগা তঙক-তঙক।

থং—"থং" মাঙতপ তপ্পগা রাইহ মপুংগী ফোঙদোক্লিবা রাকম অহু থঙহৌদনা ওইবগী রাহন পী। খুদম—থংকপ, কপ্পা, থংলাউ লাউবা, থংলোক লোকপা, থংজৌ জৌবা অসিনচিংবা। "থং"

মাঙতপ তপ্নবা ব্রাহ্মণগী মতুংদা বাহৈ মপুং [illegible] হনগদ্রি। মাঙতপ অসি তপ্নগা লোয়না ব্রাহ্মণশিং মিংশক অমদি থোইতাক ওইনা শীজিন্নৈ।

পুম—"পুম" মাঙতপ্পা বাহৈ মপুংদা তপ্পবা মতমদা লোই-থোকপা নত্রগা করিমতা থাক্কবগী বাহন পী। খুদম—পুমহৈ হৈবা, পুমচা চাবা, পুমখঙ খঙবা, পুমই ইবা, পুমতৌ তৌবা, পুমৈ লৈবা অসিনচিংবা। "পুম" মাঙতপ তপ্পবা ব্রাহ্মণশিং মিংশক অমদি থোইতাক ওইনা শীজিন্নৈ।

পঙ—"পঙ" মাঙতপ অসি বাহৈ মপুংদা তপ্পা মতমদা মঙঙ কয়া তাদবগী বাহন পী। খুদম—পঙচা চাবা, পঙতৌ তৌবা, পঙচৎ চৎপা, পঙলৈ লৈবা অসিনচিংবা। "পঙ" মাঙতপ তপ্পবা ব্রাহ্মণশিংমু মিংশক অমদি থোইতাক ওইনা শীজিন্নৈ।

কোয—"কোয়" মাঙতপ্পা তপ্পবা বাহৈ মপুং অদু মশাগী হান্না লৈজবা বাহন অদুদি পাঙথোক্লগা পাঙথোক্লিবা অদু অমদমু অমদমু ওইবা মথোঙ মরম খঙহন্দবগী বাহন অমা পী। খুদম—কোয়চৎ চৎপা, কোয়কৌ কৌবা, কোয়লাউ লাউবা অসিনচিংবা। "কোয়" মাঙতপ অসি মমাঙথংবা বাহৈদা তপ্লি। মাঙতপ অসি তপ্পবা ব্রাহ্মণশিং মিংশক অমদি থোইতাক ওইনা শীজিন্নৈ।

শুক—"শুক" মাঙতপ তপ্পগা বাহৈ মপুংগী মশানা হান্না লৈজবা বাহন অদু চেৎশিনহল্লি। অদুগা মসিনা নত্তবা ওইদবা বাকমমু খঙহল্লি। হায়বদি নত্তবা খঙহনবগী বাহন লৈগদবা বাকমদা "শুক" মাঙতপ অসি তপ্লি। খুদম—শুকচৎ চত্তবা, শুকৌ কৌদবা, শুক্লোক লোক্তবা, শুকপ কপ্তবা অসিনচিংবা। মাঙতপ অসি তপ্পগা লোয়না ব্রাহ্মণশিংমু মিংশক অমত্তং থোইতাক ওইনা শীজিন্নৈ।

[illegible] তম্লগা বাহৈ মপুংগী মশাগী বাহন অদু [illegible] কনশিনহল্লি। খুদম— হাকিং-হাকিং, কাপু-কাপু। "ঙ্গা" মাঙতপ তম্লবা বাহৈ অদু অনীরক হন্না শীজিন্নৈ অমসুং থৌতাক ওইনা মথৌ পাঙথোকই।

হী—"হী" মাঙতপ তম্লগদু বাহৈ মপুং মশাগী বাহন অদু কেন্না কনশিনহল্লি। খুদম—হীকোম-হীকোম, হীনোপ হীনোপ। "হী" মাঙতপ তম্লগা শেম্বা বাহৈশিংসু অনীরক অনীরক হন্না শীজিন্নৈ অমসুং থৌতাক ওইনসু মথৌ পাঙথোকই। করি করিগুম্বা "হী মাঙতপ তম্লবা বাহৈবু মিংশক অমদি থোইতাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াওই খুদম— হীকোম হীকোম্বা, হীনোপ হীনোম্ন।

২২.২ নীংতপ—বাহৈ মরু নল্লগা বাহৈগী মতুংদা বাহৈ মচেৎশিংনা তপশিল্লগা অতোপ্পা বাহৈ শেমদুনা অতোপ্পা বাহন অমা পীবা নল্লগা হান্নগী লৈজবা মশাগী বাহন অদু হেন্না চেৎশিনহল্লবাদ তপশিনক্রিবা বাহৈ মচেৎশিং অদুবু নীংতপ (Suffix) হায়না খঙৈ।

তপকম ওইবা বাহৈ মপুং থেন্নবনা মরম ওইদুনা নীংতপ মখল অনী থোক্না থায়দোকই— (১) বাহৈ মরুগী নীংতপ অমসুং (২) বাহৈগী নীংতপ।

২২.২.১ বাহৈ মরুগী নীংতপ—বাহৈ মরুগী মতুংদা করিগুম্বা বাহৈ মচেৎনা নীংতপ ওইনা তপশিল্লগা মপুং কাবা বাহৈ অমা শেমদুনা থোইদোকপা বাহন অমা, পীরবদি তপশিনক্রিবা বাহৈ মচেৎ অদুবু বাহৈ মরুগী নীংতপ (Primary Suffix, [illegible]) হায়না [illegible]। খুদম— চা + বা = চাবা, থক

+পা = থকপা অসিনচিংবা। ৱাহৈ [illegible]

থবং শীংনা "বা" অমসুং "পা" নীংতম তপশিন্নবা ৱাহৈ [illegible]

লৈখি। অদুনা "বা" অমসুং "পা" অসি ৱাহৈ মরুগী নীংতমশিনি। ৱাহৈ মরুদা "বা" "পা" নীংতম তপশিন্দুনা লেপ্পা ৱাহৈ মথৌ থৌপাব্বা মিংশক (Verbal Noun) ওইনা লৈ।

"না" নীংতম্মা ৱাহৈ মরুদা তপ্লগনু মপুং ফাবা ৱাহৈ শেম্বা য়াই। খুদম—চৎনা, কপ্পা, চানা, শাউনা, ৱানা, অসিনচিংবা। অসুম্না "না" নীংতম তপশিল্লগা শেম্বা ৱাহৈশিং করিত্রুমদা অনীরক অনীরক হয়া শীজিন্নগনি, অদুগা মতোমতনু অদুম শীজিন্নৈ। নীংতম অসিনা তম্লবা ৱাহৈশিং থৌতাক ওইনা মথৌ লাওথোক্কই।

মীতৈলোনদা লৈবা ৱাহৈ মরুগী নীংতম থয়া অমসুং নীংতম-শিংদুনা তপশিল্লগা শেম্বা ৱাহৈশিং—

বা— চাবা, তুবা, তৌবা

পা— চৎপা, লোকপা

না— ৱানা, শাউনা, লোন্না

তক— শাংতক, পিক্তক, পাক্তক

রোক— তৌরোক

শঙ— ৱাংশঙ

শিন— য়ুশিন

ত্রিক— শংত্রিক, লংত্রিক

কক— য়েকক, লৎকক

থুক— য়ুথুক

লীক— খুপলীক, খুৎলীক

[illegible]

[illegible]

[illegible]— সোকিচুক

বকুং— তুবক

থ্রোক— চাউথ্রোক, পাকথ্রোক

কুম— চংকুম, সোকম

[illegible]— চা[illegible], তো[illegible]

[illegible]— [illegible]

পাক— কৈপাক

থাক— সোংথাক

রুম— চারম

[illegible]— [illegible], চংলুম

হুম— চাহুম, তোহুম, শিহুম

ফুম— [illegible], নোফুম, তোফুম

মক— চামক, চংমক

মু— সোকমু, চংমু

তৈ— চাতৈ, চংতৈ, থকতৈ

দি— চাদি, তৌদি
ত্তি— চত্তি, কপ্তি, নোক্তি
দা— তৌদা, নোগদা
ত্তা— চত্তা, নোক্তা
পু— চংপু, নোকপু
বু— হুবু, তৌবু, চাবু

অস্নিনচিংবা অসিনচিংবা।

"বা" "পা" নত্তনা রাহৈ মরুগী নীংতপ তপুনা শেম্বা রাহৈশিং থোৌতাক ওইনা লৈ। থোৌতাক ওইনা শীজিন্নবা রাহৈ মরুগী নীংতপ তপ্পগা শেম্বা রাহৈ থরদি অনীরক হজিন হজিনা শীজিন্নগ্রবদি মুংঙাইতবা য়াওই। খুদম—

খি— নোকখি-নোকখি
মি— নোকমি-নোকমি
শি— মুংশি-মুংশি
লি— কপ্লি-কপ্লি
রং— হাইরং-হাইরং
রুম— কারুম কারুম
বুং— খাইবুং খাইবুং

অসিনচিংবা।

২২.২ ২ রাহৈগী নীংতপ।—রাহৈ হায়রবদি মিংশক (Noun), মিংতুং (Pronoun), থোইতাক (Adjective), অমদি করিগুম্বা শক্রেপ (Indeclinable, অব্যায়) অমগী মতুংদা তপশিন্নকপা নীংতপ অদুবু রাহৈগী নীংতপ (Secondary Suffix, তদ্ধিত প্রত্যয়) হায়না খঙনৈ। মথন অসিগী নীংতপ তপ্পবা রাহৈশিং অদুগী থোইদোকপা য়াহল অমমমন্থ লৈ।

রাহৈগী নীংতপ তপ্পবা রাহৈগী খুদম খরা—

(ক) মিংশকতা—হি + রোয় = হিরোয়, নিংথৌ + রেন = নিংথৌরেন
(খ) মিংতুংতা—নঙ + দি = নঙদি, [illegible]

[illegible] [illegible]তা — মতা + থক = মতাথক, তরেং + মক = তরেংমক

(খ) শকেন্না —

(১) থৌতাক (Adverb) — থুনা + মক = থুনমক, ঙসি + গুম
= ঙসিগুম

(২) মরী তাকপা (Postposition)[1] — মথক্ + কুম্ = মথক্কুম,
মবম + দি = মবমদি

(৩) রাতাই (Conjunction) — অদুগা + দি = অদুগাদি, নত্রগা
+ সু = নত্রগাসু

(৪) নুংঙাইতাক (Interjection) — মুংঙাই + দা = মুংঙাইদা !,
খী + দা = খীদা ।

মীতৈলোন্দা লৈবা রাহৈগী নীংতপ থবা অমসুং নীংতপশিং-
দুনা তপশিন্নগা শেম্বা রাহৈগী শব্দশিং —

লেন — চাক্লেন, ফক্লেন, পোৎলেন

রেন — নিংথৌরেন, লাইরেন, ফিরেন

লোয় — শজীক্লোয়, খোঙলোয়

রোয় — হিরোয়

মক — মঙামক, মামক, লোইনমক

থক — মরিথক, অদুথক

লক — তরেৎলক, মাপলক

রক — চামরক, মঙারক

ত্তি — ঐঁত্তি, ঙত্তি

দ্বি — মচুদ্বি, নচুদ্বি, পৈশাদ্বি

না — খাঙনা, ঐনা, অদুম্না

পু — চাকপু, পোৎপু

বু — মীবু, নচবু, রাবু

---

১ মীতৈলোন্দা Preposition লৈতে, Preposition গী মহুতা Postposition ওইবা লৈ । মাখনাহি মরী তাকপা মাইরুং তাকুমনা মাইরুং-দুগী মথক্তা লৈতে, মতুংদা লৈ ।

মীতৈলোনগী রাজপ

স্তু — নঙস্তু, চাকস্তু, মীস্তু

ত্তা — পোত্তা, মীত্তা, তকাত্তা

দা — মঙাদা, কাদা

কুম — ঙংকুম, মীংকুম, চাকুম

ঙুম — মীঙুম, নুপাঙুম

কী — উংকী, তরাকী

গী — মাগী, নঙগী, পৈশাগী

ঙৈ — অতুঙৈ, মমাঙঙৈ

রোন — নিংথৌরোন, চাবোন, শূরোন

বাই — লুমিদাংবাই, হোমেনবাই

নি — তরাক্নি, মরিনি

থোয় — ঐথোয়, নথোয়

ঙোন — নঙোন মঙোন

হাক — ঐহাক, মহাক

কোক — চেঙকোক, মীকোক, যুমকোক

কোন — লৈকোন, উকোন, নিংথৌকোন

থৈ — লমথৈ, পনথৈ

দম — লমদম, চাংদম

ত্তম — খুত্তম

থোঙ — মায়থোঙ, যুমথোঙ

রা — ঈরা, মৈরা

লা — লংলা

রাং — থৌরাং, লৈরাং

লাং — থোল্লাং

লুপ — কাঙলুপ, শমলুপ

রূপ — কৈরূপ

শা — অঙাংশা, ইচাশা

শিং — ইচাশিং, অঙাংশিং

[illegible]— মড়াৱেংঅ, অয়িবোম
[illegible]— তরেৎলোম,

অসিনচিংবা, অসিনচিংবা।

২২.৩ য়ায়তপ —ৱাহৈ মক অমসুং নীংতপকী মরক্তা অতোপ্পা ৱাহৈ মচেৎ অমা চঙশিনক্তুনা অমবা অচৌবু য়ায়তপ (Infix, আগম) হায়না খঙনৈ। খুদম—চাজবা, চৎচবা। মসিদা চা+জ+বা, চৎ+চ+বা হায়না লৈরিবসি "চা" অমসুং "চৎ" হায়বা ৱাহৈ মকুগা "বা" নীংতপকগী মরক্তা মথং শীংনা "জ" অমসুং "চ" চঙশিনক্লগা তপশিনবনি। অদুনা "জ", "চ" অসি য়ায়তপনি।

অঙৌবা খঙনবা য়াফম্ নত্তবা য়াকম খঙহনবদা "ত" অমসুং "দ" য়ায়তপ তপ্পি।

মীতৈলোন্দা লৈবা য়ায়তপশিং থরা— জ, চ, ত, দ, ন, জিন, শিন, কন, গন, র, ল, হন, রক, লক, তু, দু, রম, লম, গদ, কদ অসিনচিংবা।

য়ায়তপশিং অসি তপশিনলগা শেম্বা ৱাহৈশিংগী খুদম—

জ— তৌজবা, নিজবা

চ— নোকচবা, চৎচবা

ত— কত্তবা, উত্তবা

দ— য়াদবা, শাউদবা

ন— চৎনবা, তৌনবা

জিন— হজিনবা, কুজিনবা

শিন— তৌশিনবা, চাশিনবা

কন— চৎকনবা, কপকনবা

গন— চাগনবা, তৌগনবা

র— তৌরবা, ফুরবা

ল— [illegible]লবা, কপ্লবা

[illegible]

রক— ত্তোয়রকপা, ফুরকপা
লক— চৎলকপা, কাল্লকপা
তু— চন্তুনা, লোক্তুনা
হু— কাহুনা, ফুহুনা
রম— চারম্বা, ফুরম্বা
লম— থল্লম্বা, চৎলম্বা
দব— চাগদবা, ত্তোগদবা
কদ— চৎকদবা, কপকদবা

অসিনচিংবা অসিনচিংবা।

য়ায়তপ ওইনা তপকদৌরিবা য়াহৈ মচেৎশিং অসি মত্তোমত্তা তপ্পুনা লৈবদা মশাগী য়াহল সিনি হায়বা থোইনা লৈতে। য়াহৈ মরুদা য়ায়তপকী য়াহৈ মচেৎশিং তপশিল্লগনহ মতুংদা নীংতপ অমা লাক্তবদি মপুং ফাবা য়াহল পীবা ঙমদে। য়াহৈ মক অমম্ভুং নীংতপকী মরক্তা চঙশিন্দুনা তপ্পগদা মপুং ফারবা য়াহৈ অহুগী থোইদোকপা য়াহল অমা লৈবনি।

২২.৪ করিগুম্বা য়াহৈ মরু নম্রগা য়াহৈগী নীংতপ অমা নম্রগা অমাদগী হেনবনা তপশিন্দুনা য়াহৈ শেমলবদি তপশিল-লক্লিবা য়াহৈ মচেৎশিং অহুবু অতাইবা নীংতপ (Folded Suffix) হায়না থগুনৈ। খুদম— ত্তো+বা+মক+না=ত্তোব-মক্না, পৈশা+গী+দা+মক+তা=পৈশাগীদমক্তা, নঙ+না+বু+দি = নঙনবুদি অসিনচিংবা। মসিদা মথংশীৎনা "বমক্না" "গীদমক্তা" "নবুদি" হায়বশিং অসি অতাইবা নীংতপনি।

মীতৈলোন্দদি অতাইবা নীংতপ য়াম্না লৈ। অহুকী মতিক মশীং য়াম্না তপশিল্লিবমথৈ খেনবা য়াহল পী। তপশিল্লিবা মশীংগী মতুং ইন্না অনী তাইবা, অহুম তাইবা, মরি তাইবা অসিনচিংবা কয়া লৈ।

অনি তাইবা নীংতপ—

বা+বু—ত্তোববু, চাববু

মক+না—ঐমক্না, নঙামক্না

রক+তি—নঙাবক্তি, অনীরক্তি

অসিনচিংবা।

[illegible] তাইবা নীংতপ—

[illegible]+বা+দি—[illegible]বদি, নতগবদি

বা+মক+ত্তি—তৌবমক্তি, চারমক্তি

গী+দা+মক—য়ুমগীদমক, মাগীদমক,

অসিনচিংবা।

অরি তাইবা নীংতপ—

গী+দা+মক+তা—শেমগীদমক্তা, মাগীদমক্তা

গুম+চু+না+দি—অচুগুমচুনদি, শাগুমচুনদি

অসিনচিংবা।

অহুম তাইবা নীংতপ—

গী+দা+মক+তা+দি—মাগীদমক্তদি, অচুগী দমক্তদি

অসিনচিংবা।

তরূক তাইবা নীংতপ—

বা+গী+দা+মক+তা+দি—রাবগীদমক্তদি, তৌবগী-

দমক্তদি অসিনচিংবা।

অপুম্বা মীতৈলোনগী রাহৈ মরু নত্রগা রাহৈ অমদা নীংতপকী রাহৈ মচেৎ কয়ামক্তম অতাইবা নীংতপ ওইনা মথং মথং তপশিন্দুনা রাহৈ কয়ামক্তম শেম্বা য়াই।

২২.৫ নীংতপ্তা অতাইবা লৈবগুম য়ায়তপুম্ব অতাইবা লৈ। রাহৈ মরূ অমসুং নীংতপকী মরক্তা য়াযতপকা রাহৈ মচেৎ অনী নত্রগা অনাদগী হেনবনা চওশিন্নক্রপা রাহৈ শেম্ববদি চওশিন্নক্তুনা তপমিন্নররিবা রাহৈ মচেৎশিং অতুব অতাইবা য়ায়তপ (Folded infix) হায়না খঙৈ। খুদম—তৌ+জ+ গদ+বা =তৌজগদবা, চৎ+চ+রম+গদ+বা =চৎচরমগদবা, কপ+কন+লক+ত+ন+বা =কপকন্নক্তনবা অসিনচিংবা। অতাইবা য়ায়তপস্তু তপশিন্নররিবা মশীংগী মতুং ইন্না অনী তাইবা, অহুম তাইবা, অরি তাইবা অসিনচিংবা কয়া লৈ। তাইশিন্নরিবা মশীংগী মতুং [illegible] ওই লৈ।

২৩

মীতৈলোনগী শক্লেপ

২৩.০ লোন-কাণ্ডলোনগী পথাপ্তা পুক্তগা ফিদোক্নবা লোন খুদিংমক্কী মাহৈ মথন (Parts of Speech) নীপান ওই। মসি লেপ্তুবা যাকপি। অদুনা মীতৈলোনগী লোন-কাণ্ডলোনদসু মাহৈ মথন নীপান লৈ। মাহৈ মথন নীপান অদু মীতৈলোনদা— মিংথক (Noun), মিংহুৎ (Pronoun), মোইতাক (Adjective), থোপান (Verb), থোতাক (Adverb), মাতাই (Conjunction), মরী তাকপা (Post position), অমসুং মুংওতাক (Interjection) অসিনি। মাহৈ মথন নীপান অসিগী মন্নুংদা অহানবগী মরি অসি মফম মতম অমদি শীজিন্নবগী মতুং ইন্না মশক হোংবা নাই। হায়বদি মাহৈপরেং অমগী মন্নুংদা লৈবদা লৈবগী ফম্ফম মগুণ অমদি মশীজিন্নগী মতুং ইন্না মশক ওনবা, তম্মি, তহাক লৈতনম্না ওমি। অহগা অকোনবগী মরি অসিমদি করিগুম্বা মফম অমতদম্রু মশাগী মশক ওনবা তমদে। হায়না লৈপ্রবা মশক অদু মফম মতম পুন্নমক্তা লেপ্তদনা লৈ। মশক হোংবা লৈতে। অদুনা মরি অসি হায়বদি থোতাক, মাতাই, মরী তাকপা অমদি মুংওতাক অসি মফম মতম পুন্নমক্তা মশক হোংবা লৈতবনা শক্লেপ (Indeclinable) হায়না থুডৈ।

মথাদা শক্লেপ মথন মরি অসিগী মরমদা তোঙান তোঙানা নৈনরি।

২৩.১ থোতাক—থোপান্না করিগুম্বা থৌ অমা পাঙথোক পদা পাঙথোক্লিবা থৌদুগী মতৌ মওং তাকপা মাহৈ অদু লোন-কাণ্ডলোনগী পথাপ মতুং ইন্না থোতাক (Adverb) হায়না কৌই।

খুদম—থাথু থাথু চাগম্লু, অমা চাও।

মাহৈপরেং অসিদা থোপ [illegible]
মিনি। 'চাবা' [illegible]

[illegible] অহানবা তাকখবা খোপান [illegible] 'হাথু হাথু' তৌগদবা হায়বনি। অকোনবদা [illegible] 'তপ্পা' তৌ হায়বনি। অদুনা ৱাহৈপরেং অসিদা খোপান্না তৌবগী মওং তাক্লিবা 'হাথু হাথু' অমদি 'তপ্পা' হায়বা ৱাহৈশিং অসি খৌতাক হায়না শক্লেপ অদুনি।

খৌতাক্না শক্লেপ ওইবগী মরমদি খৌতাক ওইনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈ পুন্নমক কবিগুম্না মরম অমদি মওং অমদা মশক শূকহোং হোংদে। খুদম ওইনা 'তপ্পা' হায়বা খৌতাক ৱাহৈ অসি 'চৎপা' হায়বা খোপান অসিগী খৌতাক ওইনা তোঙান তোঙানবা বাহৈ পরেংগী মথন থরদা শীজিন্নদুনা য়েংসি।

১। ঐ তপ্পা চৎলি।

২। নঙ তপ্পা চত্তে।

৩। মহাক তপ্পা চৎলম্মী।

৪। চাউবা তপ্পা চৎকনি।

৫। ঐখোয় তপ্পা চৎলোই।

৬। তোম্বা তপ্পা চৎলমগনি।

৭। ভুগনি তপ্পা চৎলু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহৈপরেংশিং অসি তোঙান তোঙানবা মতম (Tense) দা অমদি দৌওং (Mood) দা শেম্বনি। অদুবু ৱাহৈপরেং খুদিংমক্তা "তপ্পা" হায়বা খৌতাক ৱাহৈ অসিগী মশক শূকহোং হোংবা লৈতে। অদুনা খৌতাক মওং হোংবা লৈত্রবা শক্লেপনি।

২৩.১.১ খৌতাক মথন — খোপান্না পাঙথোকপা নত্রগা পাঙথোকদোরিবা থবক অদু তোঙান তোঙানবা খেন্নবা মওংদা তাকপগী খৌতাকী মথন মরি খোক্না শায়দোকপা য়াই। মদুদি— (১) মতম খৌতাক, (২) মকম খৌতাক (৩) চাং খৌতাক অমসুং (৪) মওং খৌতাক।

(১) মতম থোৌতাক—থোৌপান্না [illegible] মতম তাক্লিবা থোৌতাক বাহৈ অদুবু মতম থোৌতাক (Adverb of Time) হায়না কৌই। খুদম—ঐ ঙসি চৎলরোই।

মথকী খুদম অসিদা 'চৎলরোই' হায়বা থোৌপান অসিগী মতম 'ঙসি' হায়বা অসিনা তাকই। অদুনা 'ঙসি' হায়বসি মতম থোৌতাক্লি।

মতম থোৌতাকী বাহৈ খরা—ঙসি, হয়েং, হংচিৎ, ঙরাং, নহান (ঙহান, লহান). মশেম, মরৌ, মতাপ, কুমলি নোংমৈ, হাকুম; হৌজিক, হোরেন, থায়না, ঙন্তা, থেঙনা, অদুঙৈ, কদৌঙৈ, মমাঙঙৈ, মমৈগঙদা, হন্দক, হন্দকমরক, মুংশাংনা, মুমীৎচুপ্পা, মতম পুম্নমক্তা, করিগুম্বদা, অয়ুক, মুমিদাং, মুমিদাংবাই, মুংথিন. অহিং, মরক মরক্তা, মুমীৎ খুদিং, তোয়না, অয়াম্বা মতমদা অসিনচিংবা।

(২) মফম থোৌতাক—থোৌপান্না পাঙথোৌক্লিবা থবক অদুগী মফম তাক্লিবা থোৌতাক বাহৈ অদুবু মফম থোৌতাক (Adverb of place) হায়না খঙনৈ। খুদম—নঙ সোমদা লাকউ, ঐ অদোমদা লাকে।

পীরিবা খুদম অসিদা 'লাকউ' অমদি 'লাক' হায়বা থোৌপান অসগী মফম মথং শীৎনা 'সোমদা' অমদি 'অদোমদা' হায়বসিনা তাকই। অদুনা মফম তাকপা 'সোমদা' অমসুং 'অদোমদা' হায়বা বাহৈশিং অসি মফম থোৌতাক্লি।

মফম থোৌতাকী বাহৈ খরা—সোমদা, অসোমদা, অদোমদা, মাঙদা, তুংদা, আদা, সিদা, অদুবাইদা, অতুদা, অসিদা, কদায়দা, কদায়বাইদা, মথক্তা, মখাদা, কদোমদা, য়েক্তা, ওয়দা, নাকন্দা, নাক্তা, মপান্দা, মপুংদা, মসু'লোমদা, মনীংলোমদা, আয়াইদা অসিনচিংবা।

(৩) চাং থোৌতাক—থোৌপান্না পাঙথোৌকপা থবক অদুগী চাং তাক্লিবা বাহৈ অদু চাং থোৌতাক (Adverb of Quantity) হায়না কৌই। খুদম—ঐ য়াম্না চায়।

খুদম অসিদ, 'চায়' হায়বা থোৌপান অসিগী চাং 'য়াম্না' হায়বসিনা তাকই। অদুনা 'য়াম্না' হায়বা বাহৈ অসি চাং থোৌতাক্লি।

[illegible]— য়াম্না, মীক্তা, থজিত্না, থরা, থুরক্, [illegible], [illegible], থরা থরুপমক, থরা থজিক, থজিক্ থরাক, হায়থরা, হামকাক্তনা, খুত্থক হাক্না, অতুক্তা, অত্থুপ (অত্থুক), য়াংনা, লুম্না অসিনচিংবা।

(৪) মওঙ থৌতাক—থৌপান্না পাঙথোকপা থবক্কী মওঙ তাকপা অদুবু মওঙ থৌতাক (Adverb of Manner) হায়না কৌই। খুদম—ঐনা তপ্না চায়।

খুদম অসিদা 'চায়' থৌপানগী মওঙ 'তপ্না' হায়বসিনা তাকই। অদুনা 'তপ্না' হায়বা রাহৈ অসি মওঙ থৌতাক্নি।

মওঙ থৌতাক্কী খুদম থরা - তপ্না, থুনা, হাথু-হাথু, ফিংনা, শাউনা, লোম্না, ফোংনা, অশূন্না, হাইফেৎ, হাইরপ, নীংথিনা, তশেংনা, শোয়দনা, যাঙনা, শোথ্না, করম্না, চুম্না অসিনচিংবা।

২৩ ১.২ থৌতাক মশেম— মীতৈলোন্দা থৌতাক রাহৈশিং শেম্বগী মওঙ মথন অহুম থোক্লি লৈ। অহানবা মথন্না মশানা অদুম থৌতাক ওইনা লৈজরবা থৌতাক রাহৈনি। অনীশুবনা রাহৈ অদুনা রাহৈপরেং অমগী মমুংদা লেরিবা ফম্ফম অদুনা নমহনা থৌতাক ওইরবনি। অহুমশুবনা রাপুন নত্রগা রাতপ্না শেম্বা থৌতাক্নি। মথাদা মওঙ অহুম অসিগী মরম নৈনরি।

(১) হাইফেৎ ফজে। পাক থাজিল্লুরা? থক ঈনখল্লু। কোক হায়দোকউ। পীরিবা রাহৈপরেংশিং অসিদা লৈরিবা থৌপানশিং অসিগী মতৌ, মওঙ মমাঙদা লৈরিবা রাহৈশিং "হাইফেৎ, পাক, থক, কোক" হায়বশিং অসিনা তাকই। অদুনা রাহৈশিং অসি থৌতাক্নি। অদুবু রাহৈশিং অসি করিগুম্বা মওঙ অমদা শেম্লুবা নত্তে। মশানা অহুম থৌতাক ওইনা লৈরবনি। ঙসি, ঙরাং, হোয়েন, হয়েং, হৌজিক অসিনচিংবা রাহৈশিং অসিসু মশানা অদুম ওইজরবা থৌতাক্নি।

(২) [illegible] [illegible]। [illegible] কায়রবনি। মরমচঙ্না [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] অসিদা 'চাদবনা',

'তৌরবনা', 'মরমচত্নবা' অমদি [illegible] লৈকম কম্ফম অসিদা খোৗপানগী মওঙ তাকপনা থোৗতাক ওইরমদি। অসুম্না কম্ফমদা থোৗতাক ওইনা লৈরবা ৱাহৈশিংদি মশক শূকহোং হোংলোই। করিগুম্বা হেক হোংবদা থোৗতাক ওইরে। হোংবু হোংলবদি মশাগী হায়গী ওইরম্বা ৱাহৈ মথন অদু নত্রগা অতোপ্পা মথন অমা ওইদুনা লৈগনি। থোৗতাক্তি শূকওই ওইররোই।

(৩) অঙাংনা নূমীৎচুপ্পা শায়ে। থবক্তু য়েংনা তৌ। ৱাহৈপরেং অনী অসিদা 'নুমীৎচুপ্পা' অমদি 'য়েংনা' হায়বা ৱাহৈ অনী অসি অশেম্বা থোৗতাক্তি। অহানবনা 'নুমীৎ' অমসুং 'চুপ্পা' হায়বা ৱাহৈ অনী অসি। ৱাপুন তৌরগা শেম্বনি; অকোনবনা 'য়েং' ৱাহৈ-মরুদা 'না' ৱাতপ তপশিল্লগা শেম্বনি। অসুম্না শেম্লবা মতমদা মশানা হায়া ওইরম্বা ৱাহৈ মথন অদু ওইদদুনা থোৗতাক ওই অমসুং অসুম্না শেম্বদগী ওইবা থোৗতাক ৱাহৈশিং অসি থোৗতাক ওইনা লৈরিমথৈ করিগুম্বা মওঙ অমদা মশক শূকহোং হোংবা লৈতে। (অনীশুবা মওঙগী থোৗতাক মশেম অসিসু ৱাপুন অমসুং ৱাতপ্পা থোকহনবনি। অদুবু মওঙ অনী অসিদা থেম্নবা থরদি লৈ।)

অতোপ অতোপ্পা ৱাহৈ মথনশিংদগী ৱাপুন অমসুং ৱাতপনা মথাগী অসুম্না থোৗতাক শেম্বা য়াই;

১। মিংশক্তগী শেম্বা:—(ক) ৱাপুন্না শেম্বা— নুমীৎচুপ্পা, অহিং-নুংথিন, য়ুমথোঙ-খুদিং, অহিং-অহিং, অহিং-খুদিং অসিনচিংবা। অসুম্না ৱাপুন্না শেম্বা থোৗতাক ৱাহৈদা করিগুম্বদা 'দা' নীংতপ তম্মসু য়াওই। খুদম—অয়ুক নুংথিলদা, য়ুমথোঙ খুদিংদা অসিনচিংবা। (খ) ৱাতপ্পা শেম্বা— মৈমুক, ইম্ফালদা, অহিংদা অসিনচিংবা।

২। মিংহুত্তগী শেম্বা:—অসি—অসিদা, অম্বাইদা, অম্বায়দা, অসুম্না, অসুক (অসুপ) অসিনচিংবা। অদু—অদুদা, অদুম্না, অদুক, অদুরাইদা, অসিনচিংবা। করি—করিনী, করমৌনা, করম্না, করাম, করামুক, করায়দা, করৌঙৈ অসিনচিংবা।

[illegible] শেম্বা :— থোইতাক ৱাহৈদা "না" [illegible] অমগা থোৌতাক শেম্মি। খূদম— ফজনা, ঙৌনা, তপ্পা, [illegible]না অসিনচিংবা। করিগুম্বা থোইতাক ৱরদি অনী পুম্বা লৈমিন্ন-ৱগা "না" তপত্রবস্থু থোৌতাক শেম্বা য়াই। খূদম—তরু তহেন, অক-ন অসিনচিংবা।

৪। থোৌপান্দগী শেম্বা :—চারিডৈ, চৎলিডৈদা, তৌরমদাইদা, কপ্লগুম, লোকপদি অসিনচিংবা। মশেম অসি থোৌপানগী ৱাহৈ-মরুদা য়ায়তপ অমদি নীংতপ তপশিল্লগা শেম্বনি।

৫। থোৌতাকুগী থোৌতাক শেম্বা :— মশানা অদুম ওই জ-রল্লবা অমদি অতোপ্পা ৱাহৈ মখন অমদগী শেম্নবা থোৌতাক অদুদা অতোপ্পা নীংতপ অমুব ৎপশিল্লগস্থু থোৌতাক অৎম ওই। খূদম—ফজনদুম, কদৌডৈকাও, হাইফেস্থি, হয়েংমক অসিনচিংবা।

২৩.১৩ থোৌতাকী থোৌতাক— থোৌপানগী মতৌ মওঙ তাক্লিবা থোৌতাক্লী মওঙ অমুক তাক্লিবা থোৌতাক ৱাহৈ অদুবু থোৌতাকী থোৌতাক হায়না খুঙনৈ। খূদম ওইনা—য়াম্না তপ্পা চৎলু। খরা থুনা চাও। করিগী অদুম তৌবনো ?

মথকী ৱাহৈপরেং অহুম অসিদা 'তপ্পা', 'থুনা' অমসুং 'অদুম' হায়বা ৱাহৈশিং অসি মথং শাৎনা "চৎলু", 'চাও" অমসুং 'তৌবনো' হায়বা থোৌপানশিং অসিগী মওঙ তাকপান। হায়বিবা মওঙশিং অসিগী মওঙ মথংশীৎনা 'য়াম্না', 'খরা' অমসুং করিগী' হায়বসিনা অমুক তাকই। অহুনা থোৌতাকী মওঙ অমুক তাক্লিবা 'য়াম্না', 'খরা' অমসুং 'করিগী' হায়বা থোৌতাক ৱাহৈশিং অসি থোৌতাকী থোৌতাক্লি। অসিগুম্বা থোৌতাকী থোৌতাক অসি মীতৈলোন্দা যাম্না তোয়না শীজিন্নবা থেংনৈ।

২৩.২ ৱাতাই— ৱাহৈগা ৱাহৈগা, ৱাহৈ পরেংগা ৱাহৈ-পরেংগা, ৱাহৈগা ৱাহৈ পরেংগা তাইশিনহনবা অমাদি তিন্নহনবা ওম্বা শক্লেপ ৱাহৈ নত্রগা ৱাহৈ মচেৎ অদুবু ৱাতাই (Conjunction) হায়না খঙনৈ। খূদম— নঙমা এগা চৎলুসি। খবক চিঙ্গে, [illegible]লা তমজে। তোম্বা কনবনা খবক্ক মহৈ য়ানবনি।

মথক্কী খুদমশিং অসিদা অহানবগী [illegible] অমসুং [illegible] ৱাহৈ অমী অসিবু 'গা-গা' না ; অমীগুবা ৱাহৈপরেংগীদা [illegible] চিন্নে' অমসুং 'চখোরকপ উমত্রে' হায়বা ৱাহৈপরেং অমীদসু 'অদুনা' হায়বা ৱাহৈসিনা, অহমগুবগীদদা 'হোংলবা কনবা' হায়বা ৱাহৈ অমীসিদা 'থবক্তু মহৈ য়ানবনি' হায়বা ৱাহৈপরেং অসিগা 'না' হায়বা অসিনা ত্তাইশিন্নহল্লে। অসিগুম্বা ত্তাইশিন্নহনবগী থৌদাং য়াৱিবা ৱাহৈশিং অসি করিগুম্বা মফম অমদা অমদি মওং অমদা কোয়থাং থাংহনা শীজিন্নরবসু মশাগী মশক কায়বা (হোংবা) লৈতে। অদুনা মথক্কী খুদমশিং অসিদা 'গা গা', 'অদুনা' অমসুং 'না' হায়বা ৱাহৈ অমসুং ৱাহৈ মচেৎশিং অসি শব্দপ ওইবা ৱাত্তাইনি।

ৱাত্তাই থবা— গা কা, না, সু, বসু, বদি, অমসুং; অমদি, তোইগুম্বসুং, অদুগা, অদুনা, অদুবু অমত্তিকসুং, অদুবুদি, অদুনাদি ওইরবদা, মরম অসিনা, মরম অদুনা, নত্রগা, নত্রবা, নত্রে, নত্রবদি, রা, লা অসিনচিংবা।

ৱাত্তাই ওইবা ৱাহৈ নত্রগা ৱাহৈ মচেৎশিং অসি মশানা অদুম ওইজবা অমসুং অশেম্বা হায়না অনী থোকই। গা, কা; না, সু, বসু, বদি, লা, রা অসি মশানা ওইজবা ৱাত্তাইনি। অমদি, অমসুং, অদুগা, অদুনা অসিনচিংবশিং অসি অশেম্বা ৱাত্তাইনি;

২৩২.১ **ৱাত্তাই মথন**—ৱাত্তাইগী মরু ওইবা মথন অনী লৈ— (১) তিন্নৱাত্তাই (Copulative Conjuuction) অমসুং (২) তোপ্নাই ৱাত্তাই (Alternative Conjunction)।

(১) **তিন্ন ৱাত্তাই**— ৱাহৈ নত্রগা ৱাহৈপরেং অনীগী মরুংগা ঙৈচেন তিন্নবা থওহনবা ৱাত্তাইবু তিন্ন ৱাত্তাই (**Copulative Conjunction** সংযোজক) হায়না খঙই।

খুদম— এসু নঙসু চৎলি।

পৌৱিবা খুদম অসিদা 'সু-সু' অসিনা 'ঐ' অমসুং 'নঙ' হায়বা ৱাহৈ অনী অসিবু তাইশিন্নবা [illegible] 'ঐ' অমসুং 'নঙ'

অদুগা অদি মতুংদা (লোইননা) চংমিন্নবগী ৱাহন তাকই। অদুনা 'অমসুং' তিন্নহাইবা ৱাতাইনি। মু, গা, কা, না, যদি, অমসুং, অমদি, অদুগা, অদুনা, মরম অসিনা, মরম অদুনা অসিনচিংবা শব্দশিং অসি তিন্নহাইবা ৱাতাই ওয়াকনি।

(২) তোপথাই ৱাতাই— ৱাহৈ নত্রগা ৱাহৈপরেং অনীবু তাইশিন্নহন্নবসু মতুংগী ঈচেল্দি তোপথাইনহনবগী ৱাহন তাকপা ৱাতাইবু তোপথাই ৱাতাই (Alternative Conjunction, বিয়োজক) হায়না খঙনৈ। খুদম—মহাক নত্রগা ঐ চৎকনি।

পীরবা খুদম অসিদনা 'নত্রগা' হায়বসিনা 'মহাক' অমসুং 'ঐ' হায়বা ৱাহৈ অনীসিবু তাইশিন্নহল্লি। অদুবু মতুংগী ঈচেল ওইবা ৱাহন্দি তিংশিন্নবা নত্তে, তোপথাইনবনি। 'ঐ' অমসুং 'মহাক' অনীগী মতুংদা অমা হায়বনি, অনীমকপু নত্তে। হায়বদি অনী অসি ৱাহন্দা তোপথাই তাহল্লি। অদুনা 'নত্রগা' হায়বা শব্দ ৱাহৈ অসি তোপথাই ৱাতাইনি। তোইগুবসুং, অমহিকসুং বসু, বদি, অদুবু, অদুবদি ওইরবদা, নত্রগা, নত্রবদি, নত্ত্রে, নত্রবা, য়া, লা অসিনচিংবা অসি তোপথাই ৱাতাই ওয়াকনি।

২০.২.২ ৱাতাই ৱাহৈশিং অসি মাতৈলোন্দা ৱাহনগী মতুং ইন্না কাগুলুপ মরি থোক্না থাযদোকপা য়াই।

(১) লোইনা পুনশিনবা থোমজিনবগী ৱাহন পীবা কাগুলুপ। খুদম ওইনা— নঙগা ঐগা চংকদবনি।

(২) থাইদোক্নবগী ৱাহন পীবা কাগুলুপ। খুদম ওইনা— নঙ নত্রগা মহাক্না লাকদবনি।

(৩) অমনা অমগী মায়োক্তা লৈবা খঙহনবা কাগুলুপ। খুদম ওইনা—কনা কন্না পাবগি অদুবু কেল ওইরে।

(৪) মহৈ (ফল) খঙহনবা কাগুলুপ। খুদম ওইনা—নোং তানবন্না লৈথোম থোক্লে।

২৩.৩ মরী তাকপা—রাহৈপরেং অমগী মতুংদা লৈরিবা মিংশক, মিংহুৎ, থোইতাক, থোংপাল অমসুং থোংতাবী রাহৈ চেংশিনহনবা অর্থাদ রাহৈ অমগা অতোপ্পা রাহৈ অমগা লৈনবা মরী তাকপা রাহৈ নত্রগা রাহৈ মচেৎ অদুবু মরী তাকপা (Post position or Preposition) হায়না কৌই।

খুদম—ঐ নঙগা লোয়ননা চৎকনি।

রাহৈপরেং অসিদা 'ঐ' অমসুং 'নঙ' অনী অসিনা লৈনবা মরী অদু 'লোয়ননা' হায়বা রাহৈ অসিনা তাকই। অদুনা 'লোয়ননা' হায়বসি মরী তাকপা রাহৈনি।

২৩.৩.১ মীতৈলোনগী মরী তাকপা রাহৈশিং অসি Post Position তাকুনি, Preposition অমত্তা নত্তে। হায়বদি মীতৈলোনদা Preposition লৈত্তে, Post Position দমক লৈ। রাহৈপরেং অমগী মতুংদা রাহৈ অমগা রাহৈ অমগা মরী লৈনবা তাকপদা মথং লেনে তারিবা রাহৈ অদুনা লৈনহনগদৌরিবা রাহৈ অদুগী মতুংদা কপ্পি। মমাঙদা লৈবা থক থেংনদে। অদুবু কনা-গুম্বনা মীতৈলোনদা মরী তাকপা রাহৈ অসি মিংশক নত্রগা মিংহুৎকী মমাঙদসু ফংবা য়াওই হায়না হায়।' মদুগী খুদম্না—"অা অা কলিকতা য়োংগ্রে।' হায়বা অসিতনক পুথোকই। খুদম অসিদা 'অা' হায়বা অসি Preposition নি, 'কলিকতা' হায়বা মিংশককী মমাঙদা ফংঙ্গ আসনি। মত্তাং অসিদা ঐথোয়না খঙগদবাজ 'অা' অসিনা 'কলিকতা' গী থোইদোকপা মশক অমা তাকই। অদুনা 'অা' হায়বা রাহৈ অসি 'কলিকতা' গী থোইতাক (Adjective) নি, রাহৈনা অথাপ্পদা লৈবা কলিকতা হায়বগী রাকম অমা পুই। মরম অসিনা মত্তাং অসিদা শীজিন্নরিবা 'অা' অসি মরী তাকপা রাহৈ Preposition নত্তে। 'অা' অসি নত্তবা অতৈ খুদমদি

(ক) শ্রীকালাচান্দ শাস্ত্রীগী—"মণিপুরী ব্যাকরণ কৌমুদী"—লা০ ১৪১/১৪৩।

(খ) নারায়ণ শর্মাগী—"মৈতৈলোন ব্যাকরণ" (৩ শুবা শকক)—লা০ ২১২।

[illegible] Preposition লৈ হায়বা কাওবুনা পুখোকুনা উৎ-[illegible] অমসুং পুখোক্লোংঙাই লৈতে। মসিনা তাকপদি মীতৈলোন্দা Preposition লৈতে, লৈরিবা মরী তাকপা য়াহৈ অমসুং য়াহৈ মচেৎ পুম্নমক Post Position ওাকুনি

২৩.৩.২ মীতৈলোন্দা লৈবা মরী তাকপা য়াহৈ নক্লগা য় হৈ মচেৎশিং অসি মরী লৈনহনগদবা য়াহৈদা পকশিনবা অমসুং পক-শিন্দনা তোঙান্না তাবা হায়বা মওঙ অনী থোক্লা লৈ।

পকশিনবা—"মসি ঐগী ফিনি।" হায়বা য়াহৈপবেং অসিদা 'ঐ' অসি 'ফি' গা মরী লৈনৈ হায়বহ্ন 'গী' না তাকই। মসিদা 'গী' অসিনা মরী লৈনহনগদবা য়াহৈ 'ঐ' দা পকশিন্দুনা হায়বদি পুনশিন্দুনা য়াহৈ অমত্তা ওইনা লৈ।

তোঙান তাবা—"নঙ নত্তুনা কনানসু ঙম্লোই।" হায়বা য়াহৈপরেং অসিদা 'নঙ' অমসুং কনা' গী মরী 'নত্তুনা' হায়বা অসিনা তাকই। মসিদা মরী লৈনহনগদবা য়াহৈ 'নঙ' অসিদা 'নত্তুনা' হায়বা মরী তাকপা য়াহৈ অসি পুনশিন্দে; তোঙানবা য়াহৈ অমা ওইনা তোপ্না লৈ।

২৩.৩.৩ মরী তাকপা য়াহৈশিং অসি য়াহনগী মতুং ইন্না মথন কয়ামুক থোক্লা থায়দোকপা য়াই।

(১) মতম খঙহনবা— মথং-মথং, বোম, লোম, তুং মাঙ, তুংথ-মাঙথ, মাঙদা, তুংদা অসিনচিংবা য়াহৈশিং অসিনা মরী তাক-পদা মতম খঙহল্লি। খুদম নঙগী তুংদা মা লাকই।

(২) মফম খঙহনবা— থক থা, ময়া, মনাক, নাক-থেৎ, মপান্দা, মতুংদা অসিনচিংবা য়াহৈশিং অসিনা মরী তাকপদা মফম খঙহল্লি। খুদম—টেবল মনাক্তা চৌকি লৈ।

(৩) মায়কৈ খঙহনবা— থংবা, [illegible] [illegible] পাংমা, য়াংমদা, অসিনচিংবা য়াহৈশিং অসিনা মরী তাকপদা মায়কৈ খঙহল্লি। খুদম—মহাক মথা পাংনা চৎখিবা উরকই।

(৪) পাইখ থঙহনবা— মত্তেংনা, ডনা, ৱনা, মা অসিনচিংবা অসিনা মরী তাকপদা পাইখ থঙহল্লি। খুদম— মহাকত<u>না</u> ঐবু কমবিরকপনি।

(৫) মরম থঙহনবা— দমক, গীদমক, বনা, দনা, ডনা অসিনচিংবা অসিনা তাকপা মরীদা মরম থঙহল্লি। খুদম— নঙ-<u>গীদমক</u> ঐ কয়াদা ৱারবা।

(৬) ওন্থোক্লবা থঙহনবা— মহুত্তা, মখমদা, গা, কা অসিন-চিংবা অসিনা মরী তাকপদা ওন্থোক ওনশিন থঙনৈ। খুদম— রামগী <u>মহুত্তা</u> মহাক লাকই।

(৭) তোঙানবা থঙহনবা— নত্তনা, যাওদনা, ভন্থ, দন্থ অসিনচিংবা অসিনা মরী তাকপদা তোঙান তাবা থঙনহল্লি। খুদম— মহাক <u>যাওদনা</u> নঙতমক লাক্লবোইরে।

(৮) লোয়নবা থঙহনবা —গা, কা, ন্থ লোয়ননা অসিন-চিংবা অসিনা মরী তাকপদা লোয়নবগী ৱাহন থঙহল্লি। খুদম— নঙ ঐগা <u>লোয়ননা</u> চৎসি।

(৯) মান্নবা থঙহনবা —গুম, কুম, গুম্না, কুম্না, মক অসিন-চিংবা অসিনা মরী তাকপদা মান্নবা থঙহল্লি খুদম— মচা অসি মপা<u>গুম্না</u> হৈ-শিংই।

অসিনচিংবা অসিনচিংবা।[২]

২৩.৩.৪ মরী তাকপা ৱাহৈশিং অসি অনী নত্রগা অনীদগী হেনবনা পূনশিল্লগা অতাইবা মরী তাকপা (Folded post position) শেম্মি। খুদম—

অমী তাইবা —নঙ ঐ<u>গীদা</u> লাউ।

মসিদা 'নঙ' অমস্থুং 'ঐ' অনী অসি 'গীদা' হায়বা অসিনা মরী লৈনবা তাকই। 'গীদা' হায়বসি 'গী' অমস্থুং 'দা' অনী অসিনা তাইশিন্নদুনা শেম্বনি।

২ ৱাহনগী মতুং ইন্না থাবা মরী তাকপগী মথক য়াম্না লৈ। ৱারেং অসিদা পাইখবা মথক্তি মক ওইবা পাইখনি।

[illegible] —[illegible] ঐ[illegible] কৈ।

[illegible] 'লোং'[illegible] 'ঐ' [illegible] 'মীদম্ব' [illegible] [illegible] 'মীদম্ব' হায়বসি মী+[illegible]+দু তারবা অতম [illegible] [illegible]
[illegible] লেখ্রনি।

মথক্কী অন্দুম্মা মবী তাকপা রাহৈ নক্তগা রাহৈমচৎ অমুগা থাময়া মথং মথং কয় তাইশিন্দুনা মীৎকৈলোন্দা অতাইবা মবী তাকপা রাহৈ কয়া লেখা য়াই।

২৩ ৪ নুংঙৈতাক—অঙকপা, অকিবা, অবাবা, নুংঙাইবা, তুক্কচবা, অশাউবসচিংবা পুক্নীংগী ওইবা থাখনগী মওঙ্গ শংথায় হায়দুনা ফোঙদোকপা বাহৈ অদুবু নুংঙৈতাক (Interjection) হায়না কৌই।

খুদম —এঃ! থাজদনা লাক্লেদা!

খুদম অসিদা 'এঃ!' হায়বা অসিনা পুক্নীংগী ওইবা অঙকপা থাকম শংথায় হায়দুনা ফোঙদোকই। অদুনা 'এঃ!' অসি নুংঙৈতাক্নি।

মীওইবগী পুক্নীংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা মওং মতুং ইল্লা নুংঙৈতাকী মখল মখাগী অন্দুম্মা খায়দোকপা য়াই।

(১) অঙকপা —হা:! করি!, ই :!, এঃ!
(২) অবাবা —ইস!, ও:!, আ!
(৩) অকিবা —হি :!, চ :!
(৪) নুংঙাইবা —বা! ব-বা!, সাবাস! নুংঙাইরেদা!
(৫) অয়াবা —হোয়!, করে!, উম!
(৬) তুক্কচবা (হঙ্গোইবা) —অচ্চা!, খাঁদা!, থুহ!
(৭) অশাউবা —দূৎ!, হৈস!, করি!
(৮) থৌওইদবা —হেরা!, চরোদা!, চরোদবে!

২৩ ৫ মথক্তা কৈনখিবা থোক্তাক, রাতাই, মবী তাকপা অমসুং নুংঙৈতাক হায়বা রাহৈগী মখল মরি অসি [illegible], মওং অমা নক্তগা অমদা মশক শুকনোং কোংবা লৈতবনা মীৎকৈলোনগী শক্তেকি[illegible] [illegible] হায়বসি কবিডগী মকমদস্তু মশক শুকনোং কোনবে। [illegible] [illegible] মশক [illegible] [illegible]।

২৪

মীতৈলোনগী শক্তাক অমসুং শীংতাক



২৪.০ তাইবঙপান অসিদা মখল মখলগী পোৎশক কয়ামুক লৈরে। পোৎশকশিং অসি অচঙবা (অহিংবা) অমসুং অশিবা মখল কয়ানি। অচঙবশিংগী মরক্তসু অচেৎপা চত্নবা কয়ামুক লৈরি। পুম্নমক অসিনা তাইবঙপান অসি শারিবনি। অসিগুম্বা পোৎশক ময়ামশিং অসি এখোয়না এমিং অমমম থোন্দুনা মশক খঙনবা হোৎনরি অমসুং মখুবু শীজিন্নকম চানা শীজিন্নদুনা মখুদগী কান্নবা কয়াসু লৌরি। পোৎশকশিং অদুবু মমিং মথং লেপ্নকপদা মীওইবা এখোয়না এগী এগী ইরোলনগী লোন-কাঙলোন্দা পুশিন্নগা (চিংশিন্নগা) য়াম্না কুপ্না নৈনলবগী মচাকসু অমুক ওইরি। মর্ক ওইনা মিংশক্তচিংবগী মতাংদা এখোয়না য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনদুনা পোৎশক অচুগী অকুপ্না মশক-মওংতোনচিংবা অমুক পুথোক্কনা হোৎনরি। মিংশকী মতাংদা য়াম্নমক মরু ওইনা খন্ন-নৈনরিবসু শক্তাক (Gender) অমসুং শীংতাক (Number) হায়বসিনি। অসিনা পোৎশক অমবু কুপ্না খঙহনবদা য়াম্না মতেং ওই। অদুনা লোন অমগী লোন-কাঙলোনগী মসুং চম্না শক্তাক অমসুং শীংতাক হায়বসি নৈনদবা য়াদবা অমসুং নৈননীংঙাইসু ওইবা মতাং অমনি। মখাদা হৌরম অনী অসিগী মরমদা চাউরাক্না থরদং নলি।

২৪.১ শক্তাক—তাইবঙপান অসিদা লৈরিবা তাইবঙ মপুগী থংলেমদা লৈংলা অমসুং চত্নবা হায়বা পোৎশক অসী অসি লে হায়বা এখোয়না খঙলে। মসি অহিংবশিংগী মরক্তনি, অশিবা হায়বা পোৎশক অদু মখেদি চত্নবা (লেৎপবা) ঙাক্তনি হায়নসিনু এখোয়না খঙনবা হায়রি। [illegible]

[illegible] নুপা-নুপী নত্রগা লাবা-অমোম তৃবনা অমুক থায় । [illegible] পোৎশক নত্তবা হায়বদি, অশিবা অমদি [illegible] [illegible] চত্তবা পোৎশকশিংদদি মখল অসি থাবে । অচৎপা [illegible] পোৎশকসু অমুক লাবা অমোম নত্রগা নুপা নুপী খঙদবসু লৈ । অদুগা করিগুম্বা পোৎশক খরনা পোৎশক অতগী মমিং অচু হেক হায়রকপদা নুপা নুপী নত্রগা লাবা-অমোম তৃনা খঙলবা হায়-বদি মমিং অচু লায়রকপদা অনৌমকী ৱাহন লৌবা য়াবা শীজিন্নবা মখলসু লৈ । অসুম্না ক য়ক্তবা পোৎশক অমগী মশক য়ুম্না খঙনবা লোন-কাঙলোনগী মসুংচম্না লৈমরিবা মতাং অচু শক্তাক্নি । মসি তাইবঙপান্নিগী মীওই মুক্রপ খুদিংমক্কী লোন-কাঙলোনশিংদা লৈবা বাকন্নি । অদুনা মীতৈলোন্দসু শক্তাক লৈ, করিগুম্বা পোৎশক অমবু নুপানি, নুপীনি নত্রগা লাবনি, অমোম্নি ; নুপা-নুপী, লাবা-অমোম তৃনা খঙনবনি নত্রগা লাবা অমোম খায়দবনি হায়বা মশক য়ুম্না খঙহল্লিবা ৱাহৈগী শকম অদুবু মীতৈলোনগী লোন-কাঙলোন্দা "শক্তাক" (Gender লিঙ্গ) হায়না কৌই ।

২৪.১.১ শক্তাক্কী মখল — তাইবঙপানবদা লৈরিবা পোৎশক-শিং পুম্নমক অসি লোন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না য়েংবদা শক্তাক মখল মরিগী মতুংদা লোইনা লৈ । অদুনা শক্তাক্কী মখল্জি মরিনি । করিগুম্বা লোন খরদদি শক্তাক অহুমদমক লৈ ; লোন খরদনা অনীদমক লৈবসু য়াওই । মীতৈলোনগীদসু শক্তাক্কী মখল মরি লৈ । (১) পা শক্তাক, (২) পী শক্তাক, (৩) পা-পী নত্তবা শক্তাক অমম্বুং (৪) অপুন শক্তাক । মথাদা মখল মরি অসিগী মরমদা লৈনবি ।

(১) পা শক্তাক — নুপা নত্রগা লাবগী মুক্রপ মখেবু খঙনবা ৱাহৈগী মশকপু পা শক্তাক (Masculine Gender, পুংলিঙ্গ) কৌই । খুদম — মচানুপা, নিংথৌ, য়েনবা, [illegible], [illegible], ইপা অমসুং [illegible] । পীরিবা খুদমশিং অসি হায়রিবা নুপা নত্রগা লাবসু খঙনবা [illegible] পা শক্তাক [illegible]বনি ।

(২) পী শক্তাক—নুপী নত্রগা অমোনগী [illegible] খুঙনবা বাহৈগী মশকপু পী শক্তাক (Feminine Gender, স্ত্রীলিঙ্গ) কৌই। খুদম—ইমা, লৈমা, হেনবী, শনবী, খুমাকপী ইমা অসিনচিংবা। পীরিবা খুদমশিং অসি নুপী নত্রগা অমোমু খঙনবা মরম্না পী শক্তাক ওইরিবনি।

(৩) পা-পী নত্তবা শক্তাক—করিগুম্বা পোৎশক অমবু নুপানি, নুপীনি নত্রগা লাবনি, অমোমনি খায়দবা খঙনবা রাহৈগী মশকপু পা-পী নত্তবা শক্তাক (Neuter Gender, নপুংশক নত্রগা ক্লীবলিঙ্গ) কৌই। খুদম—যুম, উ, বা, লাইরিক, চকু, গিংশেন, নুং অসিনচিংবা। পীরিবা খুদমশিং অসি নুপানি, নুপীনি খঙদে; নত্রগা লাবনি, অমোমনি খঙদে। হায়বদি পোৎশকশিং অসিগী মশাদা লাবা অমোম নত্রগা নুপা-নুপী খায়দে। অদুনা অসিগুম্বা পোৎশকশিং অসি পা-পী নত্তবা শক্তাকনি। মথন অসি অচিংবা (থবায় পানবা) পোৎশকশিংগী মবক্তা, লেঙদবা হায়বদি উপান-রাপান, নাপী-শীংবীগুম্বা অমদি হিংদবা (অশিবা, থরায় পান্দবা) পোৎশক মথৈনি। অচৎপা (অরেঙবা) পোৎশকশিং হায়বদি তাইবঙ মীগুম্বা নত্রগা শা-উচেক-কুম্বদা তাইবঙ মপুগী থৃৎশেমদা কায়রকপা হায়বদি মশানা নুপা (লাবা) নত্রগা নুপী (অমোম) অমদি ওইগদবদা শোযদুনা পোক্লক-পদগী হৌনা অমস্ত অমস্ত ওইদবা মরক্তা লৈবা ফীভম অদু মথন অসিদা থমৈ। মতুঙশমতুগী ওইবা পোৎশকশিংগী তোঙানবা মমিংশিং মীতৈলোনগীদা কয়া লৈতে। মিংশকশিংগী মনুংদা অপুনবা খঙনবা মিংশক (Collective Noun), গুংখন খঙনবা মিংশক (Abstract Noun), অমসুং পোৎশক খঙনবা মিংশক (Material Noun] মথৈ শক্তাক মথন অসি চাঙনি।

(৪) অপুন শক্তাক—করিগুম্বা পোৎশক অমগী মমিংদা নুপা-নুপী নত্রগা লাবা-অমোম [illegible] রাহৈগী

[illegible] শক্তাক (Common Gender, উভয়লিঙ্গ) [illegible]। [illegible]—মী, শন, অঙাং, উচেক, শা, ঙা অসিনচিংবা। পীক্কিবা খুদমশিং অসি হায়বদা নুপানি, নুপীনি নত্রগা লাবনি, অমোম্নি তাকে ; খঙবসু ঙমদে। পোৎশকশিং অসি নুপাসু নুপীসু অনীমক অর্মতা নত্তবদি নত্তে ; নুপা [লাবা] সু ওইবা য়ারা, নুপী (অমোম)সু ওইবা য়াবা—অনীমক তুনা খঙনবা পোৎশকী মমিং ঙাক্তনি। অদুনা অসিগুম্বা পোৎশকশিং অসি অপূন শক্তাক্নি। মথন অসি থরায়পানবশিংগী মরক্তসু অচৎপা পোৎশক ঙাক্তনি। ফুরূপ খঙনবা মিংশক [Common Noun] তা থরায়পানবা অচৎপা পোৎশক মখৈ শক্তাক মথন অসিগী ঙাক্তনি।

২৪.১.২ কনা কনাগুম্বা লোন-কাঙলোন শূবশিংনা মরিগুবা মথন "অপূন শক্তাক" অসি য়াম্না মরু ওইবা শক্তাক অমা ওইনা লৌনদে। মরমদি অপূন শক্তাক খঙনবা পোৎশকশিং অসি অমুক লাবা-অমোম, নত্রগা নুপা-নুপী খ যবা য়ারি। অদুবু অসিগুম্বা অপূন শক্তাক ওইরিবা পোৎশকশিংগী মমিংশিং অসি হেক হায়দোকপা নত্রগা পন্নরুকপদা নুপা-নুপী নত্রগা লাবা-অমোম খঙদনা অমদি অনীমকী মহুংদা অমা ওইবা য়াবা, তাংদাংবা পা শক্তাক্নি নত্রগা পী শক্তাক্নি হায়বা খঙদবা, ময়াম শীংতাক (Plural Number) ওইরবদি অনীমক ওইবা য়াবা হায়বদি অদুগুম্বা পোৎশক অদুনা নুপা-নুপী নত্রগা লাবা অমোম অনীমক তুনা খঙহনবা অমসুং অনীমক পুম্না লৈবা খঙহনবা মরম্না মথন অসি শক্তাকী মরু ওইবা মথন অমা ওননা লৌবদা করিস্ত কায়দে। অদুগা থোইদোক্নসু মীতৈলোন্দদি মথন অসি য়াম্না মরু ওইবা শক্তাক অমা ওইনা লৌফম থোকই। মরমদি অতৈ লোনশিং খল্লা হায়বদি হিন্দী, ইংরেজী, রাজস্থানীগুম্বা লোনশিংদদি শ.-উচেক, ভীল-কাঙনচিংবগী মমিংশিংসি লাবনি অমোম্নি খঙনবা তোঙান তোঙানবা রাইগী মশক লৈ। অদুগুম্বদু মীতৈলোন্দদি লৈতে। মীতৈলোন্দা [illegible] তাকে হায়রবদি 'লাবা' অমসুং

অমসুং 'অমোম' হায়বা বাহৈ অনী অসিগী মরুওইবা অমনা থুমিং অহুদা বাতপ তম্না তাই। বাতপ অসি তপশিন্নবা লৈবা পোৎশক-শিংগী মমিং অয়াম্বা শন, য়েন হায়বগুম্বা পোৎশক অমা-অনীদং নত্তনা অতৈগীদি তোঙান তোঙানবা মশক লৈতে; লাবা অমোম অনীমক তুম্না খঙনবা মমিং ঙাক্কনি। অহৌনা মীতৈলোন্দদি অপূন শক্তাক অসি কয়া মরু ওইদবা শক্তাক অমনি হায়না লৌবা য়াদে।

২৪ ১০৩ শক্তাকী মখনগী মতাংদা খেন্নবা হায়বদি মশীংদা মান্নদবা লৈরিবসি লোন লোন্দুগী ওইবা মকোশা মান্নদবনি। তাইবঙপান্সিগী লোন অয়াম্বদা মপুং ওইনা লৈরিবা শক্তাকী মখল্সি মরিদা লৈবা অমা, অনীদা লৈবা অমা অসিনি। অহুমদমক লৈবা লোন য়াওরিবসি তশেংবদি মরি লৈবনি। অদুবু "অপূন শক্তাক" অসি কয়া মরু ওইনা লৌদবনা মখন অমা ওইনা থাবনি। শক্তাকী মখল অহুমদা লৈ হাযবা লোনশিংদি মরু ওইনা সংস্কৃত, প্রাকৃত, অমৌবা মরাথী, সিংহলী, গুজরাটিনচিংবনি। লোনশিং অসিগী শক্তাকী মখল্সি মরি লৈ হায়না লৌবদা কনিস্তু কায়দে। মরমদি শক্তাকী থুদমদা 'অপূন শক্তাক' লৈতবা নত্তে। অদুবু লোনশিং অসিগী লোম্নাং মায়চৌ খবনদি অহুমদা ওইনা লৌই। ইংরেজীন-চিংবা ইউরোপকী লোন অয়াম্বদি শক্তাকী মখল মরি লৈ। অনীদা লৈবা লোনশিংনা হিন্দী, পঞ্জাবী রাজস্থানী, সিন্ধীনচিংবা অসিনি। অসিগুম্বা লোনশিং খরা অসিদা শক্তাক অনীদমক লৈ হায়বিবগী মরমদি লোনশিং অসিগী লোন-কাঙলোন্দা থরাব পানবু-শিংগী মনক্তা চত্তবা অমদি থবায় পান্দবা চিংবা তাইবঙপানবসিদা হেক লৈরিবা পোৎ থুদিংমক অসি 'পা শক্তাক' নত্রগা "পী শক্তাক" অনীগী মনুংদা অমদা লোইনা থম্মি। পোৎশকশিং অহুগী মথৌ অমদি মতিকী মতুং ইন্না শক্তাক মখল থায়। য়াম্না মতিক মথৌনা লৈবা, ইচঙ থোবা, অকনবা উৎপা চত্রগা অকপা তুম্বা পোৎশকশিং অহু "পা শক্তাক" কী মনুং চন্না থম্মি। খরা শোননবা, মতিক খরা য়াংপা, থোং-নৌবা, মেঙ্গবা [illegible]

[illegible] অসিগুম্বা মরক্তা অসি মীতৈলোনগী শব্দাঙ্গা তোদে। অদুনা মীতৈলোনগীদদি শব্দাংকী মথন মরী লৈ।

২৪.১.৪ মথক্তা নৈনখ্রিবা মতেক খরা অসি মক্ক ওইনা মিংশব্দ, মতাংগীনি। কৈরি কদ্রিগুম্বা লোন খরগীদি মিংছুৎ, থোইডাক অমসুং থৌপালনগী মতাংদসু শব্দাংকী মশক ফজনা উৎপা য়াওই। হিন্দী লোন্দা শব্দাক খেন্নবগী মতুং ইন্না মিংছুৎ, থোইডাক অমসুং থৌপালনগী মশক হোংলোক হোংজিন হায়বদি খেন্নবা শব্দম লৈ। কদ্রিগুম্বা লোন খরদসু মসিগুম্বসি অদুম লৈ। মখাদা মীতৈলোনগীসু হীরমশিং অসিগা মরী লৈননা লৈবা শব্দাংকী শব্দম খরা লৈনরি।

মীতৈলোন্দা লৈবা মিংছুৎশিং শব্দাক খেন্নবগী মতুং ইন্না ৱাহৈগী মশক হোংদে। মতাং অমদি শীংজিন্নফমগী মতুং ইন্না শব্দাক খায়। ঐ, ঐখোয়, নঙ, নখোয়, মা (মহাক), মখোয হায়বা মীতৈলোনগী মীশক খজনবা মিংছুৎ (Personal Pronoun) শিং অসি অপুন শব্দাক ডাকনি। নুপাসু নুপীসু হংঙইদা ওইবা যাবা ফীভমদা লৈ। ইংরেজীদা "মহাক" হায়বসিগী He অমসুং She হায়বা ৱাহৈ অনী লৈ। He না পা শব্দাক শীজিন্নে, She না পী শব্দাক্তা শীজিন্নে। মসিগুম্বা মশকী খেন্নবা মওঙ লেরিবসি মীতৈলোনগী মিংছুৎদি তোদে। মসি, অসি মদু, অদু, হায়বনচিংবা অরেপ্পা তাকপা মিংছুৎ (Definite Pronoun) শিংদি মখোয়না মছুৎ শিল্লিবদু খরায়পানবা অচৎপগী ওইরগনা অপুন শব্দাক; অদুগা খরায়পান্দবা অমদি খরায়পানবা ওইরবসু চত্তনা পেৎশক্কী ওইরগনা পা-পী নত্তবা শব্দাক ওইনা লৈ। মতৌ অসিগুম্ব অতৈ মিংছুৎশিং হায়বদি অরেপ্পা তাক্তবা মিংছুৎ (Indefinite Pronoun), অহংবা হংনবা মিংছুৎ (Interrogative Pronoun), মৱী তাকপা মিংছুৎ (Relative Pronoun) মশামক তাকপা মিংছুৎ (Reflexive Pronoun) নচিংবগী ৱাহৈশিংসু খরায়পানবা অচৎপা ওইরগনা [illegible] খরায়পানবা ওইরবসু চত্তবা [illegible] অপুন শব্দাক

ওইনা লৈরিবা মিংচুং বাহৈশিং অদু বাহৈ অমুম মতুং মিংশক অদু মশক খণ্ডনবাদি মিংশক অদুগী মতুং ইন্না মিংচুং বাহৈ অদুগীদু শব্দাক মশক লেপ্পি। পী শব্দাক ওইবা মিংশকী মতুং শিল্লগনা পী শব্দাক, পা শব্দাক ওইবা মিংশকী মতুং শিল্লগনা পা শব্দাক ওই। খুদম ওইনা—"নুপীমচা অসি মশক ফজে; মহাক তোঙ্গী মচানি।" অমদি "চাউবা মশা ওমত্রে; অদুনা মহাক লাক্তবনি।" হায়বা অসিদা অহানবগী "মহাক" অসিনা পী শব্দাক্নি। অকোনবগী "মহাক" অসিনা পা শব্দাক্নি। মরমদি অহানবনা মতুং শিল্লিবনা "নুপীমচা" হায়বা পী শব্দাক খণ্ডনবা মিংশকী মতুং শিল্লি। অকোনবনা "চাউবা" হায়বা পা শব্দাক খণ্ডনবা মিংশকী মতুং শিল্লি। অতোপ্পা অমনা বাহৈপরেং মশা অমগী মতুংদা য়াওবা মহাক্না মরী লৈনবা অতৈ বাহৈগী মতুং ইন্না মিংচুংকী মশক লেপ্পগদু য়াওই। খুদম ওইনা—"ঐগী কনেম্নি ফজদ্রা?" "মহাক্কী নুপী ওঙওরে।" হায়বা বাহৈপরেং অনী অসিদা অহানবগী "ঐ" অসি পী শব্দাক্নি, অদুগা অকোনবগী "মহাক" অসিনা পা শব্দাক্নি হায়বসি বাহৈপরেং মশা মশাদা য়াওরিবা "কনেক" অমদি "নুপী" হায়বসিনা তাকই। অসুম্না মীতৈলোনদা মিংচুংকী শব্দাক মতাং অমদি শীজিন্নকপা লেপ্পি; অতৈ লোন খরগীদা লৈবগুম তোঙান তোঙানবা বাহৈ ওইনা অতাক্না পা শক পী-শক উত্তে।

মীতৈলোনদা লৈবা থোইতাক বাহৈশিং অয়াম্বা শক্তমদা পা-গী নত্তবা শব্দাক ওইনা লৈ। অদুবু যাম্না কুপ্পা থোইতাক বাহৈ অমগী শব্দাক লেপ্পা তারবদি বাহৈ অদুনা থোইজোকপা মওঙ মতৌ তাক্লিবা পোৎশক অদুগী মতুং ইন্না বাহৈ অদুগী শব্দাক্কী মশক লেপকনি। অদুগা বাহৈগী শব্দ মদি অয়াম্বনা অদুম হোংদনা লৈ। থোইতাক অমা অমদি পা শব্দাক, পী শব্দাক্কী মতুং ইন্না শক্তম

[illegible] মশক লোনবন্থ লৈ। "কজবা" হায়বা বাহৈ [illegible] পাম্বা লোং অমগা পাম্বন্থ চত্তবা পোংশকী থোই-
| মওঙ তাকপদা পা-পী নত্তবা শক্তাক ওইনা লৈ। অপুন শক্তাকী থোইদোকপা মওঙ তাকপদনা অপুন শক্তাক ওই। পা শক্তাকী তাকপদনা পা শক্তাক ওই। পী শক্তাকী তাকপদা "কজবী" হায়না ওক্কই। অস্থুম্না পী শক্তাক্তা মশক ওনবা মীওইলোনগী থোইতাক থরা লৈ। খুদম ওইনা—চংলিবী, তৌরিবী, ঙাওলিবী, কুম্লিবী অসিনচিংবা থৌপান্দগী শেম্বা থোইতাকশিং অমদি মশানা থোইতাক ওইনা লৈজববা বাহৈ থরা হায়র্বদি কজবী, নীংথিবী, অমুবী, মংগেবী, অপঙবী হায়বনচিংবা। মথক্কী অসিংম্বা খুদমশিং অসি থরায়পানবা অচংপা থওনবা মিংশক নত্রগা মিংচুংকী থোইদোকপা মশক মওঙ তাকপদদা ওইগনি। অস্থুম্না পী শক্তাক্তা বাহৈগী মশক ওক্সিবসি মতিক থোইতাক (Adjective of Quality) কাউনি। অহুবু মতিক থোইতাকী বাহৈ খুদিংমক থরায়পানবা অচংপগী থোইদোকপা মওঙ তাক্লবন্থ পী শক্তাক্তা মশক ওন্দে। মশীং থোইতাক (Numeral Adjective) কী থংম্থ নাউম্থ খওনবা বাহৈশিংদম্থ পী শক্তাকী মতুং ইম্না মশক ওম্ন্নি। খুদম—অনীওবী, অহুমওবী, তরাওবী অসিনচিংবা। অহুগা অস্থুম্না পী শক্তাক্তা মশক ওনবা থোইতাকশিং অসিনা কল্লিওম্বা অপুন শক্তাকী থোইদোকপা মওঙ মতৌ তাকপা মতমদা থোইতাক বাহৈ অহুনা থোইদোকপা মওঙ মতৌ তাক্লিবা বাহৈ অম্থ নুপীনি নত্রগা অমোম্নি হায়বা লায়না খওহল্লি। খুদম ওইনা—অঙাং মীওবী, শন অমুবী, শগোল কাঙবী অসিনচিংবা। চাং থোইতাক (Adjective of Quantity) অমদি থিন্দুনা তাকপা থোইতাক (Demonstrative Adjective) শুদি পী শক্তাক্তা বাহৈগী মশক ওনবসি তৌদে।

শব্দাকী শব্দম অসি মীতৈলোনগী থৌপানগী মতাংদি শূকহোং হোৎদনা লৈ। (হিন্দীগুম্বা লোন খরদীদা শব্দাকী ইন্না থৌপানগী মশক হোংবহু মীতৈলোনগীদদি তৌদে।) মপুং ফাদবা থৌপানবু মপুং কাহল্লবা করিগুম্বা থোইতাক অমনা মপুং ফাদবা থৌপান অতুমকা নপশিন্নহনা (পুনশিন্নহনা) থৌপানগী থৌ পাওবা মতাংদা করি করিগুম্বা মপুং কাহল্লিবা বাহৈ খরদি মশক হোংবসু লৈ। খুদম—মহাক কজবীনি। নওদি পীনহৈবীনি। মসিদা মপুং ফাদবা থৌপান 'নি' অসিগা 'কজবী' নত্রগা 'পীনহৈবী' হায়বা থোইতাক অনীসিগা পুনশিন্নরগা 'কজবী' নত্রগা 'পীনহৈবীনি' হায়বা মপুং ফাবা থৌপান ওইবা মতম্দা পী শব্দাকী শব্দম 'ঈ' বাতপ অসি থোইতাক বাহৈ অতুদা অতুম তপ্না মবন্না অসিগুম্বা মতাংদদি মীতৈলোনগী থৌপান্দা শব্দাকী মতুং ইন্না মশক হোংডি হায়বা তাই। অতুবু মসিগুম্বা অসি মীতৈলোন্দা পক্তয়াম য়ামদে। মশানা থৌপান ওইজরবা বাহৈগী শব্দমদি শব্দাক মখন খুদিংমক্তা মশক হোংদনা লৈ।

২৪.১.৫ শব্দাক ওনবগী পথাপ— শব্দাক ওনবা হায়বসি পী শব্দাক্কী পা শব্দাক্তা নত্রগা পা শব্দাক্কী পী শব্দাক্তা ওন্নবনি। মীতৈলোন্দা শব্দাক ওন্থোক ওনশিন য়াম্নিবসি অয়াম্বনা মিংশক বাহৈশিং অমসুং অথল্লবা থোইতাক বাহৈ খরগী মতাংদদনি। মীতৈলোন্দা শব্দাক ওন্থোক ওনশিন তৌনবা পথাপ অহুম লৈ। (১) মশক পূমওন ওন্থোকপা, (২) পা শব্দাক শক্তনবা বাহৈদা 'ঈ' নীংতপ তপ্পদা পী শব্দাক ওনবা অমসুং (৩) বাহৈগী মথৈদা 'নূপা', 'মচা', 'লাবা' নচিংবা হাপ্তুনা পা শব্দাক শেম্বা অমসুং মতুগী ওন্ন-তৈনবদা 'নূপী', 'চনু', 'নিংওল', 'অমোম' নচিংবা হাপ্তুনা পী শব্দাক ওনবা। পথাপ অহুম অসিগী মথায়বা মখোন মথক্তা নৈনরি।

(৩) [illegible] পুম্নগল [illegible] :—মশক পুম্নণন ওন্থোকপা [illegible] [illegible] অসিগী মতুংদা অমুক শব্দাক ওন্নবগী মথন (মওঙ) অনী লৈ। (ক) ওনগদৌরিবা অতুগী ওন্ন-তৈনবা ফুরূপ থঙনবদা ওনবা অমসুং (খ) ওনগদৌবিবা অতুগী নুপা হায়বদি লোয়নবিবা মরা নত্রগা নুপী হায়বদি লোয়নরিবী মতু থঙনবদা ওনবা।

(ক) ওন্ন-তৈনবা ফুরূপ থঙমনদা ওনবা —

পা শব্দাক	পী শব্দাক
পাথং	লৈশাবী, হুবা
পিবা	নিংোন
লাবা	অমোম
পাঞা	লুথ্রা
নিংথেমচা	সনা
মমহাক	মমৌ
কাও	শনবী
পাথং শরী	মৌ
তাদ	ইচে
মরা	মতু
মপুরোইবা	তালোয়
ইনাউ	ইচন
ইবাই	ইতৈমা
লামচা	হাতম
মপাশা	মপী
ইবুংঙো	ইবেম্মা

অসিনচিংবা।

মীতৈলোনগী শব্দাক অমম্বু মীংতাক

(খ) মরা নত্রগা মতু খওনবদা ওনবা

পা শব্দাক	পী শব্দাক
লাইনীংথৌ	লাইরেম্বা
নিংথৌ	লৈমা
তাদ	ইতৈম্বা, ইলম্বা
ইবাই	ইচে
ইশেন	ইচন
খুরা	ইন্দোন
মমহাক, মন্না	মচানুপী
ইপন	ইমহান
মাম্মা	ইমে
মচা	মশৈ
মকু	মনেম
ইপা	ইমা
মপু	মবেম
পম্থৌ	প্যালেম

অসিনচিংবা।

মরা নত্রগা মতু খওনবদা ওনবা অসি মরী-মতা, ঙাই-শেনবা মিংগোগী মতুং ইন্না ওনবনি।

“ঈ” মীংতেল ঊপগা পী শব্দাক ওনবা :— “ঈ” মীংতেল ঊপশিন্নগা পী শব্দাক ওনবা পা শব্দাক খওনবা মাহৈশিংগী শব্দমগী মথৈদা “আ” না লোন্নি। হায়বদি “আ” না লোনবা পা শব্দাক খওনবা মাহৈবু পী শব্দাক্তা ওনবা মতমদা “আ” অদু “ঈ” ওল্লি। খুদম :—

পা শক্তাক	পী শক্তাক
চাউবা	চাউবী
য়েনবা	য়েনবী
মাইবা	মাইবী[1]
অপঙবা	অপঙবী
অশিংবা	অশিংবী
ঈশৈশকপা	ঈশৈশকপী
ললোনবা	ললোনবা
লুচিংবা	লুচিংবী
সনা শাবা	সনা শাবী
অঙৌবা	অঙৌবী

অসিনচিংবা।

“আ” না লোয়বা পা শক্তাক খণ্ডনবা ৱাহৈবু পী শক্তাক্তা ওনবদা “আ”দু “ঈ” ওননগা শেম্বসি অয়াম্বনা ওন্ন-তৈনবা ফূরূপ খণ্ডহনবদা ওনবা ঙাক্তনি। মথক্তা পীরিবা খূদমশিং অসি অমনা অমগী মতৈ মনাউ খণ্ডনদে, ওন্ন তৈনবা ফুকপফী শক্তম খণ্ডহন বনি। অসিওম্বা “ঈ” নীংতপ তপ্পগা পী শক্তাক শেম্বা পথাপ অসিগী মখুৎদা মতৈ মনাউ খণ্ডনবস্থ লৈ। খূদম—

পা শক্তাক	পী শক্তাক
থাজ্রাকপা	থাজ্রাকপী
লাকপা	লাকপী
পুরেনবা	পুরেনবী
খুল্লাকপা	খুল্লাকপী

অসিনচিংবা।

---

[1] কুপোকপু মাইবী হায়বা মতাং লৈ। কনাগুম্বা নুপা অমা মাইবী ওণ্ডলবদি মাবু মাইবী অহুম হায়। 'মাইবী'গী পা শক্তাক 'মাইবা'দি হায়দুনা নুপা অহুদা 'মাইবা' হায়নদে।

পথাপ অসিগী মথুংদা বাহৈ থম্লদি অপা-তৈনবা নুপাগা শব্দক-বদা ওইনা লৌবসু য়াবা নত্রগা মতৈ মনাউ থগৈনবদা লৌবসু য়াবা য়াওই। খুদম—নুপা-নুপী, লাইবেম্বা লাইবেম্বী অসিনচিংবা।

শা-শন্নচিংবগী মচুদা মমিং থোনবা মতাংদসু পথাপ অসিগী মতুং ইন্না পোংশক অহুগী শব্দাক মশক লেপ্পি। খুদম—

পা শব্দাক	পী শব্দাক
অঙৌবা	অঙৌবী
য়োংমানবা	য়োংমানবী
কাকবা	কাকবী
মংগেবা	মংগেবী
উৎমানবা	উৎমানবী
অঙাংবা	অঙাংবী
অরাংবা	অরাংবী

অসিনচিংবা।

ভাইবঃ মীগী মিংগী মতাংদদি 'ঈ' নীংতপ তপ্লবসু পী শব্দাক ওইগনি হায়বা য়া লৈতে। 'আ' না লোম্বা শব্দাক পা শব্দাক ওইগনি হায়বসু লৈতে। খুদম ওইনা কনাগুম্বা নুপা অমবু চাউবী, তোম্বী, অঙৌবী হায়না কৌবা য়াই। যাম্নসু কৌনৈ। কনাগুম্বী নুপী অমবুসু চাউবা, তোম্বা কৌনবা মরৈ। (নুপীদদি অসিগুম্বা মিংদাসি থম্লদি তাওদ্ৰি।) অদুনা মিংগী মতাংদদি পথাপ অসিনা কোনশিনবা য়াদে।

অতোপ্পা ম্রাকম অমনা পা-পী নত্তবা শব্দাক থঙনবা পোৎকী মমিংদা অমদি লম-তুনচিংবগী মামংদা 'ঈ' না লোম্বা বাহৈবু কনা-গুম্বা মীওইশিংনা পী শব্দাক ওইনা লৌবা য়াওই। অদুগুম্বসু লৌদবনা চুম্বনি। মীতৈলোন্না থম্লায়পাম্বা চত্তবা পোৎশক্না পা-পী খায়দবনিনা মচুগুম্বগী মমিংদা 'ঈ' নীংতপ তপ্লবসু পী

[illegible] [illegible] লোকে। [illegible] ময়াক-শাগৈগী মমিংদা 'আ' [illegible] [illegible] পা শব্দাক, 'ঈ' হাঁংতন তপ্পগনা পী শব্দাক [illegible] লৈ। খুদম—চনবা-চনবী, বাহেংবা-বাহেংবী, সৌগাইজাম্বা-যৌগাইজাম্বী অসিনচিংবা।

(ঙ) পা শব্দাকা 'নুপা', 'মচা', 'লাবা' হাপ্পা অমসুং পী শব্দাকনা 'নুপী', 'ঙু', 'নিঙোল', 'অমোম' হাপ্পা—পথাপ অসিনা পুন্নুনা শব্দাক মশক লেপকদৌরিবসি অয়াম্বনা হাম্মনা অপুন শব্দাক ওইরবা পোংশকশিংগী মমিংশিং অছুনি। মসিগী মথুং চম্না তাইবঙ মী খঙনবা বাহৈংগী মমৈদা 'নুপা' হাপ্পগা পা শব্দাক অমসুং 'নুপী' হাপ্পগনা পী শব্দাক শেম্মি। খুদম—

পা শব্দাক	পী শব্দাক
মানাই নুপা	মৌনাই নুপী
ওজা নুপা	ওজা নুপী
কবি নুপা	কবি নুপী
ময়াং নুপা	ময়াং নুপী

অসিনচিংবা।

ঙাঙথোকপগী সুংঙাইবা মথুং ইন্না করিংম্বা মতাং খরদদি 'নুপা' বু 'নুবা' অমসুং 'নুপী' বু 'নুবী' ওনবসু য়াওই খুদম—

হাওনুবা	হাওনুবী
পাঙনুবা	পাঙনুবী

অসিনচিংবা।

শাগৈ, যুম্নপ, লম, মখমচিংবা খঙনবা বাহৈগী মমৈদা 'নুপা' নত্রগা 'মচা' হাপ্পগা মী খঙনবা পা শব্দাক অমসুং 'চনু নত্রগা 'নিঙোল' হাপ্পগনা মী খঙনবা পী শব্দাক শেম্বা মতাংগু লৈ।

খুদম—

পা শক্তাক	পী শক্তাক
ময়াং মচা	ময়াং নিঙোল
খুমন মচা	খুমন চনু
মোইরাং মচা	মোইরাং নিঙোল
মীতৈ নুপা	মীতৈ চনু
আসাম মচা	আসাম নিঙোল
ইংলিস মচা	ইংলিস নিঙোল
অঙোম নুপা	অঙোম চনু

অসিনচিংবা।

মসিদা পা শক্তাক্তা 'নুপা' নত্রগা 'মচা' অমসুং পী শক্তা-ক্তা 'চনু' নত্রগা 'নিঙোল' হাপ্লিবসি অকক্নবা মতুংদা অসি হাপকনি হায়বা বা লৈতে। অনী অমীমক হায়দোকপদা . মুংঙাইবা মতুং ইন্না ইহাঙা হাপ্পা য়াই। হায়বদি ,মীতৈ মচা, মীতৈ নুপা—মীতৈ চনু, মীতৈ নিঙোল হাযবা অহুম য়াই।

তাইবঙ মী নত্তবা শা-উচেক তীন-কাওনচিংবা থবাক্নপানবা অচৎপা খঙনবা বাহৈগী মমৈদা 'লাবা' হাপ্লগা পা শক্তাক অমসুং 'অমোম' হাপ্লগনা পী শক্তাক শেম্মি। খুদম—

পা শক্তাক	পী শক্তাক
কাক লাবা	কাক অমোম
হামেঙ লাবা	হামেঙ অমোম
কুয়াক লাবা	কুয়াক অমোম
তেনবা লাবা	তেনবা অমোম
শগোল লাবা	শগোল অমোম

অসিনচিংবা।

[illegible] পী মতৌবা শক্তাক ওইরবা উপান রাপানশিংগীদা পোৎশক[illegible] স্বরূপ মশাক্তুগী মতুংদা থরুনা মহৈ পানবা, থবনা মহৈ পান্দবা বাওরবদি অতুগুম্বা পোৎশক অতুগী মমিং থঙনবা রাহৈগী মমৈদা 'লাবা', 'অমোম' হাপ্তুনা শক্তাক মশক লেপ্পা মতাংসু লৈ। অসিগুম্বা মতাংদা মহৈ পান্দবদা 'লাবা' হাপ্পি, অপানবদনা 'অমোম' হাপ্পি। খুদম—

পা শক্তাক	পী শক্তাক
অরাথবী লাবা	অরাথবী অমোম
উরিবোম লাবা	উরিবোম অমোম

অসিনচিংবা।

মীতৈলোন্দা উপান রাপানগী মমিংদা অস্থুম্না 'লাবা' অমসুং 'অমোম' হাপ্তুনা শক্তাক মশক লেপ্পসি থবদি তাওদ্রি; অম্না অনীসি নত্তনা অতৈদি কয়া লৈতে। অতুগা 'অমোম' হাপ্তুনা শীজিন্নবসিসু কয়া তৌনদে।

২৪.১.৬ মীতৈলোন্দা শক হোংদনা চঙলকপা অতোপ্পা লোনগী রাহৈশিংগী শক্তাক মশক লেপ্পদি হান্নগী লোন্দুদা চংনবা অদু অদুম মীতৈলোন্দসু চংলৈ। খুদম—

পা শক্তাক	পী শক্তাক
ব্রাহ্মণ	ব্রাহ্মণী
বাবু	বাবুনী
দেব	দেবী
সাহেব	মেম
ইন্দ্র	ইন্দ্রাণী

অসিনচিংবা।

করিগুম্বা মশক হোংহনা চঙ্গাক্লবদি, ছাক্কী, চংনবী অমসু ইন্দবা য়াওই। খুদম ওইনা — 'ব্রাহ্মণ'গী শকহোংবা শক্তম 'বামন'গী শক্তাক্তা 'থৌরানী' হায়না ওল্লি।

২৪.২ শীংতাক—তাইবঙপান্সিদা। লৈবিবা পোৎশকশিং অসি মশা মশাগী মমিং অতুতনা অকক্লবা মশীং তাকপা ঙমদে। কবিংঙ্বা পোৎশক অমগী মমিং হায়বক-পন্নরকপদা মমিং হংহনা মশীং অমতমক থঙনৈ। অদুগা অপূন শক্তাক ওইবা পোৎশক-শিংগীদি অমদগী হেনবসু অদুম থঙনৈ। খুদম ওইনা "শন চঙলে" হায়বসিদা শন অদু অমথক্তা ওইবসু যাই, অনী অদুম ওইবসু য়াই। অদুবু "শন চঙলে" হায়বগা অদুম মতোকই। অদুনা মমিং অতুতনা পোৎশক্কী অকক্লবা মশীং লেপ্পা ঙমদে। অযাম্বনদি মশাগী লৈজরিবা মমিং অদু মশীং অমা থঙনবদা শাজিন্নবা অসি চৎনৈ অমদগী হেনবা মথৈগীদি কবিগুম্বা য়াহৈ অমা নত্রগা য়াহৈ মচেৎ অমা নপশিন্নগা য়াহৈদুগী মশক হোং-হন্দুনা শীজিন্নৈ। লোন-কাংলোনগী মতুং ইন্নদি করিগুম্বা লোন অমগী মরমদা কুপ্পা নৈনরকপা তাববদি অসিগুম্বা মশক হোংহন্নবা য়াহৈগী মশক অসিনা অচুম্বনি হায়না লৌনৈ। অদুনা লোন অমগী য়াহৈগী মশক্তা অচুম অবান যেংনা নীংথিনা শীজিন্নবা তাববদি মশীংগী মতাংদসু অসুম্না খেন্নবা মশক লৈবিবসি কুপ্না থম্মদবা য়াবক্তে। মশীংগী মতাংদা অসিগুম্বা মশীং অমনি নত্রগা অমদগী হেনবনি তাক্লবা নৈনবিবা মতাংদু শীংতাক্নি। হায়বদি শীংতাক্কী মতাংদা পোৎশকশিংগী মশীংগী মরমদা নৈননবা মকম লৈ অমসুং মদুবু নৈনহনা মশীংগী তাংদাংবা মশক শীংতাক্তা লেপ্পি। অদুনা থরায় পানবা অমসুং থরায় পান্দবা হায়বা তাইবঙ-পান্সিদা লৈরিবা পোৎশক মথৈগী মশীং থত্তহনবা য়াহৈগী মশক

অদুবু মীটৈলোনদা লোন-কান্নলোনদা শীংতাক (Number, বচন), হায়না খঙনবনি।

২৪২। শীংতাক মথন—তাইবঙপান্দা লোরবা পোৎশক-শিংগী মশীং অসি মমিংদা অমা খঙনবা অমা, অমদগী হেনবা খঙনবা অমা— শক্তম অনী লৈ। অদুনা শক্তম অসিগী মতুং ইন্না শীংতাকী মথন অনী লৈবা তাবনি। অদুগা করিগুম্বা লোন খরদদি পোৎশক অমগী মমিংদা মশীং থেন্নবগী মতুং ইন্না ৱাহৈগী মান্নদবা শক্তম অহুম লৈবশু য়াওই। অদুগুম্বা শক্তম অহুম লৈবা লোনশিংদনা শীংতাকী মথলি অহুম লৈ হায়না লৌনৈ। শক্তমশিং অদু অমনা মশীং অমতমক খঙনবনি, অমনা মশীং অনীতমক খঙনবনি, অতোপ্পা অমদুনা অনীদগী হেনবা মশীং হায়বদিময়াম খঙনবনি। মীতৈলোন্দসু মথনগী মতাংদা নৈননীংঙাই ওইরিবসি মিংশক্কী মতাংদদি শীংতাক মথন অনীদনি, অদুগা ঙ্রিংহৎকী মতাংদনা অহুম গুই। অদুনা অনীমক্কী পুন্না য়েংলবদা মীতৈলোন্দা শীংতাকী মথন অহুম লৈ হায়না লৌগনি –
(১) অমা শীংতাক, (২) অনী শীংতাক অমসুং (৩) ময়াম শীংতাক।

(১) অমা শীংতাক—করিগুম্বা পোৎশক অমগী মমিংদা মশীং অমতমক খঙহনবা ৱাহৈগী মশক অদুবু অমা শীংতাক (Singular Number, এক বচন) হায়না কৌই। খুদম— ঐ, নঙ, মা (মহাক), অঙাং, মী, নুপী, উ অসিনচিংবা। মসিদা পীরিবা খুদমশিং অসি মশীং অমতা খঙহনবা ৱাহে ওক্তনি। অদুনা ৱাহৈশিং অসি অমা শীংতাকনি।

(২) অনী শীংতাক— করিগুম্বা পোৎশক অমগী মমিংদা মশীং অনীদমক খঙহনবা ৱাহৈগী মশক অদুবু অনী শীংতাক (Dual Number, দ্বিবচন) হায়না কৌই। খুদম— ইখাক্নী,

নবানী, মবানী। পীরিবা খুদমশিং অসি মশীং অনী অনীদমক থঙহনবা মরম্না অনী শীংতাক্নি।

(৩) ময়াম শীংতাক—করিগুম্বা পোৎশক অমগী মমিংনা মশীং অমদগী হেল্লি হায়বা থঙহনবা ৱাহৈগী মশক অদুবু ময়াম শীংতাক (Plural Number, বহুবচন) হায়না কৌই। খুদম—ঐখোয়, মখোয়, উয়াম, মীয়াম, উচেক ময়াম, অঙাংশিং অসিনচিংবা। মসিদা পীবিবা খুদমশিং অসি মশীং অমদগী হেনবা হায়বদি মশীং ময়াম থঙহনবা মরম্না ময়াম শীংতাক ওইরকনি।

২৪২.২ মীতৈলোন্দা অনী শীংতাক পঙযাম য়ামদে। মশীং অকক্লনা লৈ। মিংচত্তা শুপ্পনী 'ঐ' 'নঙ' অমসুং 'মা' হায়বা অহুম অসিগী 'ইবানী' 'নবানী' 'মবানী' হায়বা অহুম অসি নত্তনা অতৈ লৈতে। অহুম অসিসু অমা শীংতাক 'ঐ' অসি অনী শীংতাক্তা 'ঐ'গা 'অনী'গা পুনশিন্নবা মতমদা 'ঐ'না 'ই' ওন্নগা 'বানী' হাপ্লুনা 'ইবানী' ওই। মতৌ অসিগুম 'নঙ'গীসু 'ঙ' মাঙখ্রগা 'বানী' হাপ্লুনা 'নবানী' ওই। 'মা' নত্রগা 'মহাক' কীসু 'ম' লৈহৌবগা 'মবানী' ওই। করিগুম্বদা 'মা' অহুমক লৈহল্লগা 'মাবানী' হায়না কনাগুম্বনা শীজিন্নবসু ময়াওই। অহুম অসিতবু মীতৈলোন্দা শীংতাক মখল অমা ওইনা থম্লবগী মরমদি অমা শীংতাক্কী শব্দম 'ঐ', 'নঙ', 'মা' হায়বা ৱাহৈশিং অসিগী মশীং অনী থঙনবদা মশাগী মশক ওনবননি। মীতৈলোন্দা মিংশক ৱাহৈশিংদি অনী থঙনবা মতাংদা মশাগী হান্নগী মশক হোংদে। তোঙান্না 'অনী' হায়বা ৱাহৈ অসি হাপ্লি। খুদম ওইনা— অঙাং অনী, নুপী অনী, উচৈ অনী, শন অনী অসিনচিংবা। অসুম্না তোঙান্না 'অনী' হায়বা ৱাহৈ অসি তোপ্না লৈবা অমদি মশীং অমা থঙনবা ৱাহৈগী মশক অদু অনী থঙনরকপা মতমদা হোংদনা হান্না

হায়রিবরম লৈবা মরক্তা অনী শীংতাক্কী খুদম অমা ওইবা য়াদে। মশিকথা খুদম অসিমু অনী শীংতাক অমা ওইনা লৌবা তারবদি 'অহুম', 'মরি', 'মঙা' হায়বনচিংবা মশীং খঙনবা ৱাহৈ কয়া হাপ্লগা অহুম শীংতাক, মরি শীংতাক, মঙা শীংতাক হায়দুনা মথন অতৈ কয়া মরম চাদনা থোকহল্লকপা য়াই। অদুম্না তোঙাম্না অকরবা মশীং খঙহনবা ৱাহৈ অমা হাপ্লগা মপুং ওইবা ৱাহৈদুগী মশক্তি হোৎদনা শীংতাক্কী মথন শেম্বসি চৎনদে অমসুং পথাপশু নত্তে। অদুনা মীতৈলোন্দা মীশক খঙনবা মিংছুৎ (**Personal Pronoun**, পুরুষবাচক সর্বনাম) কী অহুম অসি নত্তনা অতৈ ৱাহৈগীদি অনী শীংতাক লৈত্তে।

২৪.২.৩ ময়াম শীংতাক শেম্বগী পথাপ— মীতৈলোনগী মিং-শক অমসুং মিংছুৎ ৱাহৈশিংগী অমা শীংতাক্তগী ময়াম শেম্বা মথাগী পথাপশিং অসিগী মতুং ইন্না শেমগনি।

(১) অমা শীংতাক ওইবা মীশক খঙনবা মিংছুৎ ৱাহৈবু ময়াম শীংতাক শেম্বা মতমদা 'খোয়' হায়বা ৱাহৈ মচেং অসি নীংতপ ওইনা তপশিনগনি। খুদম—ঐখোয়, নখোয়, মখোয়। অমা শীংতাক 'নঙ' অসি ময়াম শীংতাক খঙহন্নবা 'খোয়' তপ-শিন্নকপা মতমদা 'ঙ' মাংই।

(২) তাইবঙ মী খঙনবা মিংশক ৱাহৈগী মমৈদা 'খোয়', 'শিং', 'ময়াম (য়াম)' হায়বনচিংবগী মরক্তগী চানবা অমা তপ-শিন্নগা ময়াম শীংতাক শেম্বা য়াই। খুদম—তোম্বখোয়, চাউব-খোয়, অঙাংশিং, নুপামচাশিং, নুপীমচা ময়াম, নীয়াম অসিনচিংবা। 'খোয়' হায়বা ৱাহৈ মচেং অসিদি মীগী মমিংগী মমৈদা তম্মি। অতৈদি চান-চানবা য়েন্নগা পুন্নমক্না অহুম তপ্পা য়াই।

(৩) তাইবঙ মী নত্তবা অতৈ থৱায়পানবা অচৎপা খঙনবা

মিংশক ৱাহৈশিংগী মমৈদা 'শিং' 'য়াম (ময়াম)' হাপ্লগা ময়াম শীংতাক শেম্মি। খুদম— উচেকশিং, শাশিং, ডায়াম, শনয়াম, ইরোই ময়াম, উচেক ময়াম অসিনচিংবা।

(৪) খরায়পানবা চত্তবা অমদি খরায়পান্দবা পোৎশকশিংগী মমৈদসু 'শিং', 'য়াম (ময়াম)' হাপ্লগা ময়াম শীংতাক শেম্মি। খুদম—উয়াম, নাপী ময়াম, চীংশিং, নুংয়াম অসিনচিংবা।

(৫) ৱাবী লীবা নত্রগা ৱা অমা হায়বগুম্বদা খরায়পানবা অচৎপশিংগী মমৈদা 'শা' হাপ্লগসু ময়াম শীংতাক খঙনৈ। খুদম— অঙাংশা, উচেকশা, নুপামচাশা, পাখংশা অসিনচিংবা। 'শা' তপ্পা অসি তাইবঙ মীদনা খরা নম্না চৎনৈ। পথাপ অসি অমা শীংতাক্কগী ময়াম শীংতাক্তা ওনবগীদি নত্তে। 'শা' অসি তপ্লগা ময়াম শীংতাক খঙনবগী ৱাদনি।

(৬) অপুনবা খঙনবা মিংশক ৱাহৈশিংগী মমৈদা 'শিং', 'ময়াম' 'কয়া', 'কয়া কয়া' হায়বসিগী মরক্তগী অমা হাপ্পা নত্রগা অপুনবা খঙনবা মিংশক ৱাহৈ অতুমক অনীরক হল্লা শীজিন্নবা নত্রগা অকক্কবা মশীং হাপ্লগা ময়াম শীংতাক ওই। খুদম— শঙ্গুশিং, তেংগোনশিং, তেংগোন ময়াম, মপৈ ময়াম, মপৈ কয়া, শঙ্গু কয়া, মপৈ কয়া কয়া, তেংগোন কয়া কয়া, মপৈ মপৈ, তেংগোন তেংগোন, শঙ্গু শঙ্গু, তেংগোন মঙা, মপৈ অহুম অসিনচিংবা।

(৭) কবিগুম্বা ৱাহৈ খরনা ৱাহৈ মশা অতুমক অনীরক হল্লগা ময়াম শীংতাক শেম্মি। খুদম—কয়া কয়া, করি করি, কনা কনা, অক অকবা, অহাউ অহাউবা, মযুম ময়ুম, নরুম নরুম অসিনচিংবা।

২৪.২.৪ শীংতাক্কী মতাংদা অতৈ অতৈ লোনশীংগা মীতৈ-লোলশীংগা খেন্নবা অবা লৈ। খেন্নবিবা অসি লোন লোনশী

[illegible]য়রম্লি। [illegible] ময়াম শীংতাক্তা [illegible] শীংতাক্তা লৈবক [illegible] মশক [illegible] পুক্লেংগুম, শোয়দনা [illegible] হোংঙি। অদুবু মীতৈলোনদি মশক হোংদবা ময়াম শীং-তাক লৈ। হায়বদি অমা শীংতাক্তু অমদি ময়াম শীংতাক অনীমক্তা রাহেংগী মশক লেওদনা লৈ। খুদম ওইনা—'অঙাং' হায়বা মিংশক অনিগী অমা শীংতাক্তা লৈবা শক্তম অসি ময়াম শীংতাক্তা 'অঙাং-শিং' নত্রগা 'অঙাং ময়াম' হায়না ওল্লি। ইংরেজীদনা 'Child' দগী 'Children' হায়না ওল্লি। হিন্দীদনা 'বচ্চা'দগী 'বচ্চে' ওল্লি। ময়াম শীংতাক্তা খরা কনশিনবা অমদি অকরবা মশীং তাকপদা 'অঙাং পুম্নমক' অমদি 'অঙাং মঙা' অস্মু হায়নৈ। মসিদা ময়াম শীংতাক্তি খঙহল্লিবসি 'পুম্নমক' অমদি 'মঙা' হায়বসিননি। 'অঙাং' হায়বা মিংশক রাহেংদি অমা শীংতাক্কী শক্তম অত্তুমক অত্তুম লৈ; মশক হোংবা লৈতে। অদু ওইত্তুনসু ময়াম শীংতাক্তি হায়বদি খঙি। মওঙ অসি মীতৈলোনগী ওইনদি অরানবা নত্তে। অদুগা অতৈ লোন হায়বদি ইংরেজী নত্রগা হিন্দী লোন্দা হায়বা তারবদি ইংরেজীদা "All Children" অমদি "Five Children", হিন্দী-দনা "সব বচ্চে" অমদি "পাঁচ বচ্চে" হায়গনি। মসিদদি মিংশক রাহেংগী মশক ময়াম শীংতাক ওইবনা "Children" অমসুং "বচ্চে" হায়না হোংঙি। অস্মু রাহেংগী মশক হোংবসি তৌদবা মওঙ খরা মীতৈলোনগী ওইবা মহৌশাদা লৈ। মখাদা ময়াম শীংতাক্তা মিংশক রাহেংগী মশক হোংদবা মওঙ খরা পীরি।

খোইতাক রাহেংনা অনীরক হল্লগা খোইদোকপা মশক মওঙ তাক্লিবা মিংশক রাহে অদু অমা শীংতাক্তা ওইবা শক্তম অদুদগী হোংবনসু ময়াম শীংতাক ওই। খুদম— কক কক্কবা লৈ, অকি অকিবা খোৌদোক, কক কক্কবা পোং, অমুন অমুনবা লকোন

[illegible]

রাহৈপরেং অমগী [illegible] শীজিন্নবা মতাংগী মতুং [illegible]

[illegible]থনবা মিংশক রাহৈগী [illegible] ময়াম শীংতাক থঙহনবা [illegible]

হাপত্রবনু ময়াম শীংতাক [illegible] য়াওই। খুদম—চীংদা কৈ লৈ। শন্না শজীক চায়। পাত্তা উ-রোক চাত্তারি। মসিদা 'কৈ', 'শন', 'উরোক' হায়বা রাহৈশিংসি ফুরূপ থঙনবা মিংশক শাত্তনি। রাহৈশিংসিগী মমৈদা ময়াম শীংতাক থঙহনবা খুদম 'শিং', 'থোং', 'য়াং' গুম্না রাহে মচেং অমত্তা তপ্পে। অহুম্বু রাহৈপরেং মশা মশাসিদা রাহৈশিং অসি ময়াম শীংতাক ওই।

অকনবা মশাং তাকপদা মশাং তাক্লিবা মিংশক রাহৈ অমু মশক হোংত্রবনু ময়াম শীংতাক ওই। খুদম— অঙাং মঙা, কমলা ৎরেং, মী অহুম অসিনচিংবা। মসিদা 'অঙাং', 'কমলা', 'মী' হায়বশিং অসি অমা শীংতাক্কী শক্তম ওইনা লৈজনবনু অকনবা মশাং তাকপা মরম্মা ময়াম শীংতাক ওইনা লৈরে।

করিগুম্বদা পোংশক থঙনবা মিংশক্কা ফুরূপ থঙনবা মিংশকম শাজিনবা মতাংদা রাহৈগী মশক হোংত্রবনু ময়াম শীংতাক ওই। খুদম - মসিদি মথন মথনগী শংগোম্নি। চেংসি কয়া মারনে। ঈশিংগীমু মহাউ লৈ। মসিদা 'শংগোম', 'চেং', 'ঈশিং' হায়বা রাহৈশিং অসি পোংশক থঙনবা মিংশক্নি। অহুম্বু মথোং মথোংনা য়াওরিবা রাহৈপরেংশিং অসিদা ফুরূপ থঙনবা মিংশকনা লৈরক্তা রাহৈ মশাগী মশক অমা শীংতাক্তা লৈবা অমুক্কী শুকহোং হোংদনা ময়াম শীংতাক ওই। মসি রাহৈপরেংগী মওং মওংনা কৌখ্রনি।

২৪.২.৫ ময়াম শীংতাক্তা মিংশক মাইহেগী মশক হোংদবা [illegible] [illegible] শীংতাক্তা লৈবা মশক অদুমক হোংদ্রবী লৈবা মওং [illegible] [illegible] য়াবা মঙ্কু অমদি মশক হোংবা অমসুং হোংদবা [illegible] শীজিন্নবা য়াবা অমদি শীজিন্নবা মওং থরম্ব মীতৈলোনগী ওইবা মহৌশাদা উবা ফংই। মথক্তা পনখিবা খুদ'ক্তা ময়াম শীংতাক "অঙাং পুন্নমক" হায়বসি কন্নিঙয়্রা "অঙাংশিং পুন্নমক" হায়বর্স অদুম চংলৈ। অকক্লবা মশীং তাকপদস্থ "অঙাংশিং মচা" হায়নবা ময়াওই। অদুবু ময়াম শীংতাকী খুদম হাপ্তবা হায়বদি মশক হোংদবসিনা চংনবা হেল্লি। মওং অনীমক অসি অমত্তা অয়ানবা শক্তমদি নত্তে, অনীমক মীতৈলোনগী ওইবা তোপ তোপ্পা মহৌশাগী ওইবা মশক অমনি হায়না লৌগনি।

২৪.২.৬ য়াকম অমনা মীতৈলোনগী ময়াম শীংতাক্তা লৈবা য়াহৈ অদু হেন্না চেংশিনহনগে হায়রবদি 'শিং ময়াম' নত্রগা 'য়ামশিং' হায়না 'শিং' অমসুং 'ময়াম' হায়বা ময়াম শীংতাকী খুদম অনীমক তুনা শীজিন্নবস্থ চংলৈ। খুদম—অঙাংশিং ময়াম, মীয়ামশিং, শনয়ামশিং অসিনচিংবা। মতৌ অসিগুম মীশক খঙনবা মিংথুংকী ময়াম শীং-তাকপু হেন্না চেংশিনহনবা খঙহনবদা 'খোয়' গা লোয়নন। 'ময়াম' অয়েপ্পা মশীং খঙহনবদনা 'খোয' গা লোযনবা মশীং অদুমক হাপ্পা চংলৈ। খুদম—ঐখোয় ময়াম, নখোয় ময়াম, মখোয় ময়াম, ঐখোয় অহল, নখোয় মঙা, নখোয় তরা।

২৪.৩ মথক্তা মীতৈলোনগী শক্তাক অমসুং শীংতাকী মরমদা চাউরাক্লা লৈনগ্রে। শক্তাক অমদি শীংতাক অনী অসি মুন্না লৈনবা অমদি খঙনবা পোৎশক অমমু মঙ্গুং হজিন্না কুপ্পা খঙবদা য়াম্না মক্তে ওই। মরু ওইনা মিংথকী মতাংদদি অনী অসি খংদবা শূকয়া ময়া-ক্লবনি। কন্নিঙবা লোন অমসী লোন কাওলোন লৈনবদা অনী অসি [illegible] য়াম্রবা মতাংনি।

২৫

মীতৈলোনগী বানান

২৫.০ মীতৈলোন হায়বা লোন অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওইবা, চাওখৎলক্লিবা অমদি অসুম অসুম পাকথোক্লক্লবা চাউথোকপা হেল্লক্লিবা লোন অমনি। নোংমা নোংমগী লোন অসিগী চাওখৎ খোঙথাং অরেপ্পা লৈতনা অসুম চেনগৎলক্লি হায়বসি হায়মনবা থোক্তে অমসুং লোন্সিগীদমক হোৎনবসু লেপ্পা লৈত্রি। লোন অসি মতম অমদা লৈনা লৈনা লৈতবগী ফীভম অমদা লৈবল্লবনি। অদুনা মতম অমদা মীতৈ কবি শ্রীথাইরাকপম চাউবা সিংহনা লোন অসিবু চিন্নদনা কেনথিবী শীঙেন ইঙেল্লৈগা পান্দম্লহনা তেংথারখী। অদুবু ঙসিদি ফীভম অদুদগী ফনা লাপথোরক্লে। মপান লমগী মীওইশিংনা শকথঙলবা লোন অমা হৌজিক্তি ওইরে। মরৈ-মশিং তম্বগী লমদা অবাংবা থাক— এম এ কাওবদা লোন অসিগী মফম লৈরে। ভারতকী সাহিত্য একাদেমীনা শকখঙবিহুনা লোন অসিগী পোথোক্তা হ.রাংবা থাক্কী মন। পীবিরে। মসিগী মথক্তা ভারতকী লৈবাক্লানগী পথাপ্না (সংবিধান্না : য়াববা লোন অমা ওইনবা ৮শুবা সেড্যুলদা চন্নবা) হোৎনবসু লেপত্রি। হোৎনববু লেপত্রবদি নোংমদি অনীং-বগী পান্দম অসি শোযদনা য়োররগনি। অদুবু ঐথোয়গী ওইনা অরাংপা অমসুং অরাবদি লোন অসিগী বানানগী মতাং অসিনি। ভারতকী সাহিত্য একাদেমীনা অবাংবা থাক্কী মনামক পীহুনা শকখঙ-বিরবা লোন অসিগী পোথোকশিংদা ৎসি ঐথোয়না উবা মৎলিবা বানানগী অশক অসিদি অঙকপনি। ঐহু মীহু অদু মরাম্ন : অইবা খুদিংমকা বানান অসি মানা মানা-পানা মঙজনা ইনবি। লায়রক

[illegible] মরোনা আরুবহুশদি লৈত্রে। মসিনা মীতৈলোন অসিগী চাওখৎ-[illegible], লোন অসিগী পোখোক - সাহিত্যগী শাংলবা থোঙথাং-[illegible] করামুক য়াম্না অরবকে হাম্বহুদি ঙসি ঐখোয়না [illegible] তৌবি। [illegible]শক্তি নত্তে। অদুবু অমতা ওইবা অপূনবা মোৎ অমা [illegible] ওনখ্রি। মসি ঙসি ঐখোয় ইশাগী অচৌবা ইরান অমা ওইহনবনি। ঐখোয়না য়াম্না খুনা মীতৈলোনগী বানানগী মশক অসি [illegible] নৈনরগা মসি ওইসি হায়বা অপূনবা মোৎ অমা লেপথোক্লহনা [illegible]নবা অমা পুরকপা তঙাই ফত্রবনি। মতম থেঙমত্লবনি।

২৫.১ মীতৈলোন অসি মমাঙৈঙদগী হৌনা হৌরকপদগী বানানগী মশক অসি অতোপ্প মকম মরাং থঙদনা লাকপদি নত্তে। লোন অসিগী মশাগী ময়েক— মীতৈ ময়েক শীজিন্নরিঙৈদদি লোন অসিগী ওইবা বানানগী শক্তম অমা লৈজরম্মী। অদুবু মীতৈ ময়েক্কা শিথখিবা অমদি লোন অসিমক্কা চদী চনারোম্না শিখক্লবদগী ভামুক হিংগৎলকপদা বানানগী মখোঙ থঙবা মশক অমি লাকখিদনি। হান্না মীতৈ ময়েক্কা লোন অসিগী ইননবা শাদোং ওইহন্নিঙৈদদি মীতৈলোনগী ওইবা বানানগী অচুম্বা শক্তম অমা লৈজ-রম্মী। অদুগুম্বা বানানগী শক্তম অদু ঙসিগী মীতৈলোনগী পোখোক্তা লৈত্রে। বাঙ্গলা ময়েক শীজিন্নবা অমদি লোন অসিগী পোখোক্তসু বাঙ্গলা লোনগী অকনবা চৈথেংনা ননখিবদগী ঙসি ওইরিবা মীতৈ-লোনগী বানানগী মওঙ মরিন তাত্রবা মশক অসি ওইখিবনি। মীতৈ অমা ওইনা ঐখোয়না মতম খরা মীতৈলোনবু খোম্লাকপবা, [illegible] মীংখিনা শীজিন্নরকপবা, করিগুম্বা শাজিন্নরবসু বাঙ্গলা লোনগী অকনবা ইথিনা মীতৈলোনগী অনেংবা মশক [illegible] অসিমক বানানা [illegible] চেনবগী [illegible] অমদি। [illegible] হৌজিকসু ঐখোয়না বাঙ্গলা ময়েকপু মীতৈলোনগী ইনবা শাদোং ওইনা শীজিন্নবা অসিনসু অমুক হেন্না বানানগী থুমোংচানবা

[illegible]

অপী [illegible] খোংলনবা খেংনম্বিবনি। খোইদোকচঙ্ [illegible] মীতৈ
লোনগী খোঙ্খোক্তি অরাম অয়াং পুবনি। [illegible] অপাং
অতেনগী খোঙ্খোক লৈবনি। মশিনচু বানানগী [illegible] অদি
খোকহৎনবগী মরম অমনি। অশাং অতেনগী খোঙ্খোক পুবা বাজলা
মরেক্কী অরাম অয়াংগী খোঙ্খোক পুবা মীতৈলোন ইনকপা মতমদা
[illegible] বাংলা শব্দ শতপা [illegible] লাকই। বাঙ্গালীগী ঈ, ঊ অতেনবা
খোঙ্খোক্কি : বাঙ্গালীশিংনা খোঙ্খোকপদা নেম্না হায়দোকই। ঈ, ঊ
না অশাংবনি. বাংলা হায়দোকই। ময়েকশিং অসি মীতৈগী খোঙ্খোক-
তনি ই, উ অয়াংবনি, খোঙ্খোকপা মতমদা বাংলা হায়দোকই।
ঈ, ঊ [illegible] হায়দোকপা খোঙ্খোক [illegible]। মসিদা খেন্নবা
[illegible] চপ মান্নবগে বাঙ্গালীশিংনা নেম্না হায়দোকপচু মীতৈনা
বাংলা, বাজলাগীনা বাংলা হায়দোকপচু মীতৈনা নেম্না খোঙ্খোকই।
[illegible] খোঙ্খোকপি [illegible] [illegible] হায়বচুনি। মখেৎনীচু [illegible]
[illegible] মীওই কাজেংপ কাজেংপকী মশা [illegible]
খোঙ্খোক্কি। মসিদা [illegible]

[illegible]

অসিগী মরিগী খোন্থোক অসি তোঙান তোঙানবা মমকুম্না হেক্লিংহন্নবদি মীতৈলোনগী বানানগী ৱাফম অসি লায়না কোকপা য়াবনি। অদুবু মতম কুইনা থৌওইবিকুনা হন্দোকপিকবদগী নৌনা অমুক খুনগাংপিন্না শেমগনিং শাগংনকপা মতমদা মীতৈলোন অসিদা বাঙলাগী ঈয়াগ ইনিনা কয়া মনখিবনা খুদোংচাদবা অদু ওসি ঐখোয়না থেবনি। বাঙলাগী ঈয়াগ ইনিন অসি তাম্বোকপগী অমায়বা ৱাফম অমা ওইরি। ইনিঙবা, থবোয়দা চুঙবা বাঙলাগী ঈয়াগ ইনিনগী মখি ভাগবা মীতৈলোনগী শতম অসি ওসি অমুক ঐখোয়না শেমদোক শাদোকপা তাবদা অমুক্কা হেক্কা মওঙ তানবা, মথোং মরম খঙদবা অমা থোকপা য়াগনি। অদুনা মীতৈলোনগী বানানগী ৱাফম অসি থক্ক খক্কপা কোইজোম্বা ওক্কবা হায়বদুগী মতাংঙম তৌগনি।

২৫.২ মীতৈগী থর্বোম্না য়াত্তুনা থম্মবা বানানগী পরিং কায়াং অদু হৌজিকী মতমদা শীজিন্নবদা লাক্লি হায়না লৌনবগু মীতৈলোন মশাগী ওইনদি অচুম্বা মশক অমা অদুম মরৈজবনি। ঐখোয়না থর্বানগী পথাপ অদুবু লাক্লি হায়না লৌনখিবসি মতম কুইনা শীজিন্নদবগী হৌজিক্তা লৌনা শীজিন্নবদা মওঙ তাদনা উবগনি। মীতৈলোন অসিদা খোন্থোকী অরাংবা অমসুং অনেম্বগী মতুং ইন্না বানান মান্নবগু তোঙান তোঙানবা ৱাহন লৈ। খোন্থোক থরনা হায়বদি ই, উ গী ঈ, ঊ না অনেম্বা খোন্থোক্কা শীজিন্নবনা ৱাহন তোঙানবা ৱাহৈ লৈহল্লি। আ, এ, ঐ, ও, ঔ গী খোন্থোক্তি খোন্থোক্তা অরাং অনেম থায়জবগী বানান্দি চপ মান্নে। অদুবু মীতৈগী থর্বোম্না লেপ্পা পরিং কায়াংকী মতুং ইন্নদি ঐ অমসুং ঔ হায়বা খোন্থোক অনী অসিগী অরাংবা অমসুং অনেম্বা খোন্থোক্তা ৱাহন থেম্ন-বগী মতুং ইন্না বানান মান্নদে। খুদম ওইনা— ঐ খোন্থোকীদা লৈবা (পুক্নিং থবা), পৈরুঙ্গু (মওঙ চুমদবা); ঔ খোন্থোকীদা

কৌবা (লাউ হায়বা), কওবা (চোঙবা) হাজনা য়ুলে। হৌজিক চৎনরিবা বানান্দুদি পৈবা অমসুং কৌবা হায়না অদুম ইরগা লোন-থোকী অরাং অনেমগী মতুং ইন্না বাহন তৌজনবনি। মীতৈগী খরোনা খোন্থোক থেংনগী মতুং ইন্না বাহনগী থোক্‌বা নীংঙিনা। উথনবা বানানগী শক্তম থেরনা ইর্বাম্নবদি মরম লৈতবা নত্তে। মীতৈগী ওইবা ঐ হায়বা তিল্লরবা নিংশা খোন্থোক অসি অ+ই ন্না ওইবনি। অ+ই দা য়াওবিবা ই অসি অরাংবা খোন্থোক ওইবনিনা মসি য়াওনা শেমখিবা ঐ গী চৈতপ ৈ অসি অয়াংবা (অরাংবা) খোন্থোক্তা শীজিন্নবনি। ই গী অকাপ্পা (অনেম্বা) খোন্থোক ঈ অসি মীতৈলোনগী বাহৈশিংদা মরক্তা লৈবদা য় ওইনা শীজিন্নবদগী তিল্লরবা নিংশা খোন্থোক্ত ওইরবা ঐ অসিগী চৈতপ্তা অনেম্বা খোন্থোক থোকহনবদা অ+য় ওইনা শীজিন্নবা অসি মীতৈলোন্দা চৎনরক-পনি। মতৌ অসিগুম ঔ সু অ+উ না তিল্লরগা শেম্বা ওইবনা অরাংবা (অয়াংবা) খোন্থোকীদমক মশাগী চৈতপ ৌ, অদুগা অনেম্বা (অরাম্বা) খোন্থোকী মতাংদা মীতৈলোন্দা উ গী অনেম্বা খোন্থোক্তা বাহৈগী মরক্তা লৈবদা ও শীজিন্নবা চ নবনা অ+ও অনীগী তিল্লরবা খোন্থোক্তা ঔ গী অনেম্বা (অরাম্বা খোন্থোক ওইনা শীজি-ন্নবনি। মরম অসি লৈবনা পৈবা, পয়্বা; কৌবা, কওবা হায়বা বানানগী শক্তম অসি থায়নগী মীতৈলোনগী বানানগী কাওলোয় লৈরম্বনি। অসিগুম্বা মওং অসি হৌজিকী অনৌবা বানান্দদি চৎনরে। অদুগা সংস্কৃত অমসুং বাঙলাগী য়েক্তিন (সন্ধি) গী পথাপ মতুং ইন্না য়েকনবদি কনাগুম্না লাল্লি হায়গনি।[১] অদুবু মীতৈলোন সংস্কৃত নত্তে, বাঙলা নত্তে। লোন অমী অসিনা মীতৈলোনগা

[১] সংস্কৃত অমসুং বাঙলাগী য়েক্তিন পথাপ মতুং ইন্নদি অ+অ =আ, ই+ই=ঈ, উ+উ=ঊ, অ+ই=এ, অ+এ=ঐ, অ +উ=ও, অ+ও=ঔ অদুগুম্বা লৈ।

হৌরককমন্থু তিন্নদে। চুম্না বাঙ্গলা ময়েকপু মীতৈলোনগী ইননবা শারোং ওইরকপী ৱাদনি। ময়েক শীজিন্নৈ হায়রূনা ময়েক অতুগী চংনবী পথাপ অতু লোন অসিদা মরম চায় চাদে খংদনা হেক্তা নমন্থনা পুশিন্নবা হোৎনবদি য়াদে। মরম অসি লৈরবা মীতৈগী খর্বোন্দা লৈজরম্লিবা মথক্তা বানানগী মওং অসি অচুম্বনি। অসিগুম্বা বানান অসি হৌজিক্কী মতমদা মীওই পুন্নমক্কা শীজিন্নবিরবন্থু থায়নগী অরিবা লাইরিক পুয়ানচিংবা শীজিন্নবা মীওইশিংনা মখোয়না থায়নগী লাইরিকশিংবু মীতৈ ময়েক্কী বাঙ্গলা ময়েক্তা ইথোকপদা অমদি মখোয় মশানা ইজবা ৱারেং অমদি লাইরিক কযাদা শীজিন্নবা থেম্নরি। অসিগুম্বা মীওই খরনা অসিগুম্বা বানান অসি শীজিন্নরুবদি মীতৈগী ওইবা খর্বোনগী ওইবা পথাপ অতু মুন্না খঙবা; অতুগা অতৈনা শীজিন্নদবনা খর্বোনগী পথাপ অতু মুন্না খঙদবা, খবদি অসিগুম্বা মীতৈগী ওইবা পথাপ অমা লৈ হায়বা ফাওবা খঙদবা, খরনা পথাপ অতু খঙলবা ফাওবদা হৌজিক্কী মতমদা চংনদ্রে হায়রুনা শীজিন্নদবনি।

২৫.৩ মীতৈলোনগী বানানগী ওল্লকপা শক্তমগী চাউরাকপা মৈহৌরোন অমা লৈবরা হায়বসি ঐখোযনা যেংবা তাবনি। মতুগী মতুং ইন্না মরম চাবা মওঙদা ঐখোযনা মীতৈলোনগী বানান অসি লৈপ্নবা হোৎনগদবনি। লোন হায়বসি লেপ্পা নাইদবা ঈচেলগী মশক্তি। লোনগী ঈচেল্দা মথং মথং মশক ওল্লকপদা লোন্দুগী ওইবা ৱাহৈশিংগী খোঙ্থোক অমতুং ৱান্নদা অহোংবা মশক লাকপা হায়বসি শম্বোশানি। হৌজিক্কী মীতৈলোনগী থায়নগী অরিবা মীতৈলোনগা মান্নদে। লোন্দি মুশা অমতনি। অদুবু মান্নদ্রি-বসি মীতৈলোন অসিগী অহোংবা শক্তম অমা লৈবননি। মতম অমদা মীতৈলোনগী খোঙ্থোক মশীং য়াম্নমদে। অথম্বা খোঙ্থোক খরদমক শাজিন্নরম্মী। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না অতোপ্পা নক্তবা

লোনশিংগী ঈৱাং ইনিংঙা অনৌবা খোঙ্হোক কয়া পোক্লকখি। মসিমক্তা মীতৈলোনগী বানানগী মশকশু অহুম হোংহল্লকপা হায়বসি মশানা তাবনি। হোংনু হোংহল্লকখি। মাহৈ অমগী বানানগী শক্তম অনৌবা খোঙ্হোক লাকপদা অনৌবা বানানগী শক্তম অমা লাক্লবি। অসুম্না খোঙ্হোক য়াম্লমখ্রিবগী বানানগা য়ামথংলক্লবা বানানগা অমী অসিগী মশক মায়নদে। অহুবু মতম অহু কাওবদা নিংশা খোঙ্হোকী চৈতপ্রচিংবা মতাংদদি থর্বোনগী পথাপ অহু কায়দনা চংলম্মী। মতম খরা চাউরাক্লা চহী চনীরোম মীতৈলোন অমদি মীতৈ ময়েক অনী অসিমকপু থৌওইক্কদবা অমদি বাঙলা অমসুং সংস্কৃতকী ঈৱাং ইনিংঙা কয়া থেংজিল্লকপা মতাংদগী মীতৈলোনগী বানানদা শাথীনা অহোংবা অমা লাকখি। মতম কুইনা থৌওইখিক্লরবা মীতৈলোন অসি নৌনা অমুক খুনগত্তুনা শেমগৎ শাগৎলকপা মতাংদা শেমগৎ শাগৎলিবা মীওইশিং অমু মপানগী ইখিয়া চুখিবা মীওই তাক ওইখিবমা মখোয় মখোয়না হৈনবা মওংদা খুনগৎলকপদগী অমসুং মখোয়গী হৈনবী অমুগী মতুং ইন্না চংলকপদগী ওসি ওইরিবা মীতৈলোনগী বানানগী শক্তম অসি ওইখিবনি। মসিদা অমুক কিগাউ শাহুনা লৌরিবা ঐখোয়না ঐনা ঐনা খোকপা মওংদা লৌনখিবদগী অমুকা হেন্না শাথীবা মওংদা মীতৈলোনগী বানানগী মওং মবিন নাইত্রবা শক্তম অসি লাকখি। অহুবু ওইত্রিবা মওং অসি ওসি ঐখোয়না পূম্নান লান্নে হায়না লৌবদি য়াত্রি।

মথক্তা নৈনখিবা মতেক অসিদগী থংবদি মীতৈলোন্না মশাগী শক্তম থরা হোংলকপগা লোয়ননা বানানগী শক্তমসু অহুম অহুম হোংলকখি। ময়েক অমসুং খোঙ্হোকী হোংলকপা অমদি হাপচিল্ল-কপা মওংনসু বানানগী মশক ওলহল্লি। অহুনা মীতৈলোনগী বানানগী মশক অসি মথং মথং অহুম লেপ্তুনা হোংলক্লি। মীতৈ ময়েক ১৭ তা চংনরিবগী বানানগা থং হনা চংনরবা বাননগা

য়াম্লবা মশানা তাবনি। অদুগী মথক্তা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা বানানগী শক্তম অসিনু মীয়ামগী ওইবা অমতা ওইবা য়ানবা মওংদা লৈত্রি। হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা মীতৈলোনগী বানান অসি চাউরাকপা মওংদা মথন মরি থোক্লা লৈ হায়বনা লৌবা য়াই। অহাংনবনা অরিবা মতমগী মীতৈ ময়েক্না ইরম্বা লাইরিকশিংগী মতুং ইন্না খর্বোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা ইবা বানাদ্রি। মথন অসিগী বানান অরিবা লাইরিক অমদি মযেক শূবা মীওইশিংনা শীজিন্নৈ। অনিশুবা মথনগী বানান্না লমদম অসিগী ওইনা চৎনগদবা ময়ামগী ওইবা যানববা বানাম্নি হায়দুনা স্পেলিং কমিটি অমসুং ইদুকেসন ষ্টেণ্ডিং কমিটিনা লেপ্পখিবা বানান অদুমক অমদি মদুদগী খবা শেমদোক শেমজিন তৌবনি। অদুমত্তুবা মথন্না লোপ্লীৎ-লোম্নম্লোমগী মীৎয়েংদা লমদম অসিগী ওইবা মীওইশিংগী থোপ্থোকী মতুং ইন্না ওইফম থোকই হায়দুনা পুংথোরকপা অনৌবা বানানগী মশক্নি। বানান মথন অসিনা লোন অসিগী মরমদা কুপ্না থিজিন খোংচিল্লিবা অথক অহৈশিংনা শীজিন্নৈ। মরিশুবনা মশা মশাগী ওইবা মানা মানা থোকপা পওই ইনরবা বানান মথন্নি। মথন অসিদা করিনা করি ওইফম থোকপা হায়নগী বা থোইনা লৈতে। বাহৈ অমগী বানান্দা অহানবদা অমা ইরগা অকোনবদা অতোপ্পা অমা ইবা মওংনি। লমদম অসিগী অয়াম্বা মীওইশিংনা অকোনবগী মওং মরিন নাইদবা মথন অসি ইনৈ। মথন অসিবু ইনরিবসি লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈহৌদ্রবা, চুম্না ইবা পাবা খরদমক হৈহৌবা মীওইশিংনি। অদুবু লাইরিক লাইশু নীংথিনা হৈরবশিংগী মরক্তসু অয়াম্বদি হীরম অসিদা কুপ্না পুক্নীং থিংজিন্নবমখৈদি অকোনবগী মনীং তম্বা মসিনি হায়বা অরেপ্পা লৈতবা বানান মথন অসি ইনবা ঙাক্তনি। অহানবা অমসুং অহুমশুবা মথনগী বানান ইবা মীওইশিংসু শঙুম্লাম য়ামদে। অনী অসিদগীদি অনীশুবা মথনগী বানান অসিদি কমিটি অমনা য়ানখিবা অমা ওইবনিনা লেপ্লিকা

পাথাপ-কাঙলোন কয়া অহুনা অরাংপা অমদি অশোয়বা খরা য়াওগ ববস্থ লাইরিক ইবনা শিনকম অমদি হৈনবী ওইবা অইবশিংদি মথৈদি ইকম থোকপনি। অহুবু মহুমকগ মীতৈলোনগী অইবশিংনা তৌদে। মসিমক্কা মীতৈলোনগী বানানগী মশক পন্নেপকম খঙদরকম মওঙ মবিন নাইত্রিবনি। অমগদবা লাইরিক অমদি ওস্নিগদবশিংনা পথাপ অমগী মতুং ইত্রবনিদা ওস্নিবশিংনস্থ পথাপকী মতুং ইন্দনা মনীং তৌবা মথাদা ফুাবনি। অহুনা ওসি ফাওবদা হৌজিকী চংনবিবা মীতৈলোনগী বানানগী অবেপ্পা মশক লৈতে অমস্থং লৈত্রবনি।

২৫৪ মীতৈলোনগী বানানগী শক্তম অসি হান্নদি মওঙ তানা লৈজরক্লবস্থ মপানগী লোন অমদি ময়েক্কী ঈরায ইনিন্না অকনবা চৈথেং পীবকপদগী অমদি লোন অসিবু ঐথোযনা থৌওইবিরুদবদগী অমুক নৌনা শেমগৎ শাগৎলকপা মতমদা বানানগী হান্না লৈরম্বা মওঙ অহু কায়হুনা মওঙ মরিন তাদবা হৌজিক্কী শক্তম অসি ওইখিবনি হাযবা মথক্তা নৈনখিবা মতেক অসিদগী য়াম্না নীংখিনা খঙলে। অসিগুম্বা মওঙ অসি লাকপদা বানানগী খুদোংচাদবা কয়া থোকখি। খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবা মৈদিংঙু-চূড়াচান্দ সিংহ ইনিংথৌগী সনা হাক্তক্তা বানানগী শীংলূপ (Spelling Committee) অমা শেমখি। শীংলূপ অহুনা চহী অনী অহুম চঙনা মীতৈলোনগী বানানগী মরমদা কুপ্পা খন্ন-নৈনখি অমস্থং খৃষ্টগী চহী ১৯২৫ গী মে ৩০ দা বানানগী পথাপ কয়ামকাম শেমখি। শীংলূপ অসিনা শেম্বা অমদি লেপবা বাস্কেপশিং অহুগী মরমদা মতম হুগী মণিপুরগী লাইরিক লাইঙ হৈরবা মীওই কয়ানা মাগী মাগী ওইবা মোহং কয়ামুক কোঙদোক্লরখি। মোৎশিং অহুদা খেন্নবা কয়া লাকপদগী শীংলূপ অহুগী মকোক ওইরিবা ময়ামুং ইবুংঙো রাজা ভুবন্‌ সিংহ, জুদিসিয়েল খেন্নবনা মতম অহুগী মহৈ মশিং লোয়ক্লাঙগী

ডিপুটি ইন্সপেক্টরনা য়াৎনীনবা লৈবা মতুং কয়াগী মরম চেন্না ইহুনা পীখৎলকপা মুমদি অমসুং ডিপুটি ইন্সপেক্টরনসু ইহুনা লানখৎখি। অদুগা ডিপুটি ইন্সপেক্টরগী রায়োন, লাইরিক লাইন্ত হৈরবা অর্থ অদুদি কয়ানা কোঙদোরকপা মোং ময়াম অমু য়েংলগা অমুক হন্না খৃষ্টগী চহী ১৯৩৪ গী সেপ্তেম্বর ৬ তা মণিপুরগী ইহুকেসন ষ্টেণ্ডিং কমিটিনা হান্নগী বানান শীংলুপনা শেমগৎলবা পথাপ অমু খবা শেমদোক শেমজিন তৌখি। খৃষ্টগী চহী ১৯২৫ গী বানান শীংলুপকী রাবেপ খৃষ্টগী চহী ১৯৩৪ গী ইহুকেসন ষ্টেণ্ডিং কমিটিনা শেমদোক শেমজিন তৌখিবা বানানগী পথাপশিং অমু মণিপুর ষ্টেট দরবারনা খৃষ্টগী চহী ১৯৩৫ গী ফেব্রুয়ারী ৬ তা রাবেপ মশীং ১বা, এ দা য়াখি অমসুং মণিপুরগী মৈদিংঙুনসু রাবেপ অমুবু মেমো নম্বর ৭৫০৮ IX—৬ বি দেটেদ ২৬/৩/৩৫ দা য়াখি। লৈঙাক মপুগী ওইবা অয়াবা অসি লৈববা মতুংদদি লেপ্পগৎলবা বানানগী পথাপ অমুগী মতুং ইন্না মতম অমুগী মহৈ-তক্ষমশঙদা তম্মবা লাইরিক মখৈ ইহনখি। কনাগুম্বা অইবশিংগী খুৎই লাইরিকসু বানানগী পথাপ অসিগী মতুং ইন্না শেমদোক্লগা তম্মনবা লাইরিক ওইনা নম্মবা লৌশিনখি। অদুম্না পথাপ অমনা পুন্সুনা শেমগৎলবা মীতৈলোনগী বানান অসি অনীঙবা লাম্নাউগী মতুংদদি পথাপ অমু ইন্দনা মী খুদিংমক্না মানা মানা থোকপা মওঙদা ইনখিবদগী মথোক মরম থঙদবা শঙলম্ অমা অমুক ওইখি। মীতৈলোন তম্বিরিবশিংসু লৈগৎলবা বানানগী পথাপ মুন্না থঙনদে, কনাগুম্বা থরদি পথাপ অমা লৈ হায়বা কাঙবা থঙদবসু য়াওই। অদুনা মথোয়শিংহুন্না তম্বিনা মতুংগী থোরকপা মহৈ তম্বিবশিংগী মখল মখলগী বানানগী খুৎই; অইবা কয়াগী মনীং তম্বা বানান কন্না অসিনা অদি কাওবদা মীতৈলোনগী বানানগী মশুক অসি চবৈ থবৈহুন্না অরম লাক্লি।

অনীশুবা লাঙ্গাউগী মতুংদসু মীতৈলোনগী বানানগী মতাং অমসু খরা নৈনদবা নত্তে। হায়রগী চুংনখ্রবা পথাপ, অতুমক মচ্রপা অমুক হন্না শেমদোক্লবা শক্তমদা মীতৈলোনগী ওইবা চপ মান্নবা বানান লৈননবা অখণ্ড অহৈ কযানা হোৎনবদি লেপত্রি। অতুবু মতম ফংলা। শাংলদি মেন মান তাত্রবা চনৈনবা মওংদা লাকখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা লাক্লি। মণিপুরগী সাহিত্য পরিষদকুম্বা সাহিত্যগী ওইবা শীংলুপসু হায়রগী লৈথ্রবা পথাপ অদু অমুক হন্না য়েংশিন্দুনা অমদি নৈনবগা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা ময়ামগী ওইবা যানববা মওংদা পুবরবা হোৎনদবা নত্তে। শীংলুপ অসিনসু মীতৈলোনগী বানানগী পথাপ শেমদুনা খৃষ্টগী চহী ১৯৬৬ কী ডিসেম্বর ১১ দা যানবগী বারেপ লৌদুনা লৈথ্রবনি। অতৈ শীংলুপ কযানসু মতম মতমগী ওইনা মীকুম কয়া কৌদুনা অমদি কমদুনা বানানগী মতাং অসি হন্না হন্না নৈনখ্রবনি। অদুবু অরাবদি নৈনম নৈনরগা মেন তাংগী মমহৈ। নৈনবদা শক্লক য়ারিবা অখণ্ড অহৈ ওইরিবশিংগী মরক্তা চঙ্গেৎনবা থোকবা মোৎ কয়া থোরক্লুনা ওসি ফাওবদা মথোং মখম খংহল্লি। মসিমদি মীতৈলোন হায়বা লোন অসিমকী ওইনা লাইবক থীবনি।

মীতৈলোনগী বানানগী মরমদা শেম্লিবা পথাপ অসিমু মথং মথং অশুম খবা খরা শেম্নকপনা ১৯৬৯ দসু অমুক হন্না খরা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা চৎননবা মণিপুর সরকারগী মহৈ মশিং লোয়নশিনসু হোৎনখি। লোয়শঙ অসিনা ১৯৬৯ গী জুন ২০ দা গেজেটতা থোনা অমুক শেমদোক্লবা মীতৈলোনগী বানানগী পথাপ ফোঙখি। অদুবু বানানসু থৌওইবিদরকুম চৎননবা হোৎনবা ইউ উদে। অসুম্না মীতৈলোনগী বানানগী শরুম অসি পথাপ-কাওলোন কয়া শেম্নবসু শীজিন্নবিদবদগী মওং তাউ হায়বা উয়া ময়াত্রি।

২৫·৫ অমবু ওইরবস্থু অমবু ওইরবস্থু য়ানরবা পথাপ অমনা পুনবা বানানগী শক্তম অমা থমদবা ময়াত্রবনি। অস্থুম চবক চহিং নাইহুনা থম্বনা তুংদা মীতৈলোন হায়রবা লোন অসিগী অকবা করিস্থু ওইরক্লোই। মথক্তা পনখিবা বানানগী মখন মবি অতু মীতৈলোনগী বানানগী শক্তম্নি হায়হুনা অস্থুম লৈবা যাবোই। মখন অমবুদি চংনবদা কযা জুগোং চাববোইদবা মানা মানা থোকপা পংই ইনবা মওঙ মবিন নাইদবা বানান্নি। ঐথোযনা থম্ম নৈনহুনা যানবা মওঙ অমদা পুররুগা লোন অসিগী ওইবা বানানগী শক্তম অমা লেপক- দৌবিবদি লেমহৌবিবা মখন অহুম অহুদনি। অহুম অংগী মোংশিং অহুদস্থু মাগী মাগীনা মচুম্নবনি হাযনা শিখাঙ খাঙনহুনা মবৈনববদি য়ানবা অমা পুবকপা ঙম্লোই। লোন অসিগী মহৌশদগী লৈজ- রুকপা মওঙ অহুস্থু যেংবা তাই, হৌজিক তৌজিক চংনবিবা মওঙ অসিস্থু যেংবা তাই, লোমীৎ লোল্লম্লোনগী ওইবা মীংযেংদা ওইফম থোকপা অহুস্থু মুন্না যেংবা তাই। মীংযেং অহুম অসিগী অপুনবা শক্তম অমদা যানবা অমা পুবক্রগা মসিদি মসি ওইবা হাযবা অমা লেপ- থোক্লহুনা মযামগী ওইবা চংনগদবা অহুতমক থম্বা তাই। মসি নত্রবদি চহী কযা, চহী-চা কযা নৈনহুনস্থু মীতৈলোনগী বানানগী ৱাফম লোইশিনবা লৈরবোই।

বানানগী শক্তম অমা লেপথোকপা হাযবসিদা ঐথোযনা শম্ভদবা অমদি কাউথোকপা য়াবোইদবদি হান্ননা মীতৈলোনগীনি হায়বা শেমগ্রবা বানানগী পথাপ অমগং মহুবু চংনবসি হাযনা য়ানখিবা অমা লৈগ্রবহুনি। যানখিবা অহুনা মচুম্লে হায়হুনা মহুমক হৈক্তা চংনবসি হায়বগী ৱাদি নত্তে। অমুক্তং হন্না যেংশিনবা (Review) তঙাই ফদনা তৌনীংঙাই মবম অমদি ওইরি অহুনা লোন অসিগী অথঙ অহৈশিংনা য়েংশিনবা য়াবা মখৈ য়েংশিন্দুনা

শেমদোক শেমজিন তৌরগা যামবা অমগী মথাদা মীতৈলোনগী বানান যাম্না থুনা লেপথোকপা অমসুং মতুঙ মীপুম খুদিংদা চংননবা খঙহনবা অথুবা মতমগী মন্নুংদা তঙাই-ফদনা তৌবা ফবনি। হীবম অসিদা লৈঙাক্লোয়শিংগী মীৎযেংসু চিংশিন্নীংঙাই ওই।

২৫৬ যানথ্রবা পথাপ অমা লৈনা লৈনা পথাপ অদু ইক্লিবসি মরম অমদি শৈফম থোকই। খঙদবশিংনা খঙত্রবসু অখঙবশিংদি পথাপ অদু ইনফম থোকপনি। যানথ্রবা পথাপ অদুগী অশোয়বা নত্রগা অৱাংপা খবদি লৈ. মতুনা যানীংদতুনা পথাপ অদুবু ইন্দবা ওইবসু যাই। অদুবু যানীংদে হাযতুনা ইন্দবনদি মীতৈলোন হায়বা লোন অসিগী অকবা কবিসু ওইবোই। যানথ্রবা অদুবু অমুক হন্না যেশিন্দুনা শেমদোক শেমজিন তৌবগা চংননবা হোংনবা তাই। মতাং অসিদা চংনবী অমদি চংনবকপা মওঙসু কুপ্না যেংবা তাই। চংনবকপবু যাবিবমথৈ লৌশিনবা যাম্না শাথীনা কায়দ্রবদি অফবা ওইগনি। মবম চায অমদি চুম্মি হাযতুনসু পুম্নৌ নৌনা হোংবা তাবরদি অঙকপা যংনা অহোংবা অমদি শাথীবা মওঙ অমা লাকপা যাই। চংনবকপা অমসুং পুম্নৌ নৌনা হোংলকপা অনীগী মরক্তা শাথীববা চাযংনবা থোকহন্দবা ফে। যানদুনা লৈথ্রবা বানানগী পথাপ অদু ওইবা যাবা অমদি চংনবকপদা যফম ওইবগুম তৌই। অদুবু চং-নবকপনি হাযতুনসু ওইফম থোক্রুবা অমদি মবম শাথীনা চাবমত্রবদি হো দোকপসু ফে। অতুনা মাঙ তুং পোইবৈ যেংনা য়ানবা মওংদা মীতৈলোনগী বানানগী পথাপ অসি অমুক্তংগা হন্না লেপথোকপা তঙাই ফদ্রবনি।

মীতৈলোনগী বানানগী মতাংদা বানানগী মবংদা হরিবা ঐগীসু ঐগী ওইবা অরেপ্পা মোৎ অমা হায়বা কনা লুই। অদু ওইতুনসু ঐগী ওইবা মোৎ অমা ওইনা হান্নন যানথ্রতুনা লৈথ্রবা পথাপ

...ৰোংশিনবা ওইনা ... হাপ্‌চিনৰা অমসুং থৰা লো-
...লা শেৎদোক-শেমজিন তৌদুনা মীতৈলোনগী বানান
...ওইনা ... মাগজ্রা থনবদু মখাদা উৎলি।

...খোঙ্খোকী অৱাংবা অনেম্বা নক্রগা অযাংবা অৱাম্বা খায়বিবসি
নিংশা খোঙ্খোক্রনি। হক খোঙ্খোক্তি মশাগী ওইবা খোঙ্খোকী অযাংবা
অৱাম্বা লেপ্পা মতমদা চৈতপ ওইদুনা মতেং পাংলবিবা নিংশা খোঙ্খোকী
মখা পোল্লি। ৱাকম অমনা মীতৈলোনগী ইনবা শাদোং বাঙ্গলা
মযেক্তা ওইবনিনা বাঙ্গলাগী অতেনবা (হ্রস্ব) খোঙ্খোকী মযেক্তা
মীতৈলোনগী অৱাংবা (অযাংবা) খোঙ্খোকী মযেক, বাঙ্গলাগী অশাংবা
(দীর্ঘ) খোঙ্খোকী মযেক্তা মীতৈলোনগী অনেম্বা খোঙ্খোকী মযেক
ওইনা লৌগনি।

ওইবা য়াথং মীতৈলোনগী বানানগী পথাপ

১। **অকার অমসুং আকার**—মীতৈলোন্দা অকার অমসুং আকারগী
চৈতপ তপ্পা ৱাহৈশিংগী খোঙ্খোকী অৱাম-অযাং অনীগী খেন্নবা মওং
অসি মযেক শেংনা তাক্‌বা পাঙ্গৈ লৈতে। অদুবু লেপ্পথবা বানানগী
কাঙলোন্দা অৱম্বা খোঙ্খোক শীজিন্নবা মতাংগীদা লোনগৈ Dic
tionary) দদি মখাদা লৈয়্রি চিংবা চৎনগনি হায়বি। খুদম—

	অযাংবা	অৱাম্বা
অকারগী—	নম্বা (মনম লৌবা)	নম্বা (কৈরোং নম্বা)
আকারগী—	তাবা (মথক্তা তাবা)	তাবা (মতুম তাবা)

লোনগী অমগী ৱাহৈগী অশেংবা মশক অমদি ৱাহন্দগী অঙম অয়ান
থিকম ওইবিবা লোনগৈশিংদদি অৱাম অযাং অসি মযেক শেংনা
তাকপা তাবনিনা অৱাম্বা খোঙ্খোকী মখাদা লৈয়্রি চিংদুনা অৱম্বা
খোঙ্খোক্তি ভাবপসি তৌদবা য়াদ্রবনি। পান্নবা অংক্তি তম্বা
ৱাহৈরিকদি মসিংথসি তৌনদে। অদুনা বানান চপ মান্নবা ইরবদু

কৌতা য়াতাগী. য়নুং ইন্না-খোন্থোকী অক্সম অয়াংবি [illegible] লেপ্পা অরুবনি। আকার শীজিন্নবগী মতাংদা মীতৈলো[illegible] ওইনা চয়েৎনবা মোং খয়া লৈ। মীতৈলোনগী অয়াম্বা [illegible] লৈরা আকাব অসিগী খোন্থোক য়াংভি। অহুনা [illegible] মহুত্তা অকাব ওইগনি হাযবা কনাগুম্বা মীওই য়াওরি। [illegible] হসন্ত শীজিন্নবগী মুংঙাইতবা কোক্লবা অকাব ওইবা তারবস্থ আকার শীজিন্নব। ফৈ হাযনা মোং পীবা কাওবস্থ যাওবি। অহুবু মতাং অসিদা ঐখোয়না খন্থকম থোকপদি বাঙ্গলা মযেক্কী অ অমস্থং আ শীজিন্নরবস্থ থোকহল্লিবা খোন্থোক্তি মীতৈগীনি। অ গী অরাম্বা অমস্থং অযাংবা খোন্থোক অনী লৈজে। আ গীস্থ অরাম্বা অমস্থং অযাংবা খোন্থোক অনী অহুম মবৈজে। কবিগুম্বদা মবকী ওইবা খোনহায় লৈবস্থ যাওবিবনি। মীতৈলোনগী অযাম্বা রাহৈগী মমৈগী আ অসি অযাংবনি। অহুগা কনাগুম্বদি লূম্নস্থ হাযদোকপা ময়াওই। অহুনা অকারনা লোম্বগী মহুত্তা আকাবনা অহুম লোমগনি। আকাবগী মহুত্তা অকাবনা শিন্দুনা মতম অম্থক কুইনা চৎরক্লবা পথ্যপ অসি থুগাইহুনা অম্থক হন্না অকার অমস্থং-আকারগী মতাংদা চনৈনবা থোকহন্দবা ফবে। মথাদা অকাব অমস্থং আকারগী শীজিন্নকম ময়েক শেংনা পীবি।

(ক) মীতৈলোনগী অয়াম্বা রাহৈশিংগী মমৈদা লৈবা আকার অসি অয়াংবা খোন্থোক ওইরবস্থ কনাগুম্বদি লূম্নপ হায়দোকপস্থ য়াওবনা য়াংনবু হায়দোক্লবস্থ, লূম্নবু হাযদোক্লবস্থ অহুগুম্বা রাহৈ-শিংগী মমৈদা লাকপহু আকার অহুম ইগদবনি। খুদম—ঐনা, চত্তুনা, তৌবা, মঙোন্দা, ফজব্রা অসিনচিংবা।

(খ) মশানা অরাম্বা খোন্থোক লৈজবনা আকারনা লোম্বা রাহৈশিংদি অকাব ওইগত্রা হাযবগী চিংনবা শূক্লে লৈতে। অহুনা

...লাক্লবদি আকার অমসুং অকার লোমগনি। খুদম—থা, শা, শা, মনা, মামা, মচা, সনা অসিনচিংবা।

(খ) অরাম্বা খোন্থোক লৈবা আকারগী মতুংদা য়াহৈ মচেৎ অমা লাক্লবদি আকার অমসুং অকার ওইগনি। খুদম—চৎপা + দি = চৎপদি, মঙোন্দা + সু = মঙোন্দসু, ঐনা + বু = ঐনবু, তৌরা + নে = তৌরনে অসিনচিংবা।

(গ) মশানা অরাম্বা খোন্থোক লৈরবা আকারদি মতুংদা য়াহৈ মচেৎ হপশিল্লবসু আকার অমসুম ওইগনি; অকার ওইরোই। খুদম—শা + না = শানা, থা + দা = থাদা, মমা + দি = মমাদি, সনা + গী = সনাগী অসিনচিংবা।

(ঙ) কনাগুম্বনা আকারগী মহুৎ : মা শিনরা য়াওই। মহু তৌদবা কৈ। মীতৈলোনদা : গী শীজিন্নবস ইরে লৈতে। অদুম্বা আকারগী মহুৎসু : না শিনবস থোক্তে। খুদম ওইনা কনাগুম্বনা 'নীংথিবঃ' হায়না য়াওনল্লিবসু অদুম্বা শকমদা 'নীংথিদা' ইগদবনি।

২। ই অমসুং ঈ— মীতৈলোনগী বানান্দা ই না অয়াংবা খোন্থোকা; অদুগা ঈ না অরাম্বা খোন্থোকা শীজিন্নগনি।

খুদম— অয়াংবা অরাম্বা

ই (নাপী মখল অমা) ঈ (হুরুচাংগী ঈ)

ইবা (লাইরিক ইবা) ঈবা (হুকচাং ওমদবা)

ই অমসুং ঈ গী শীজিন্নবস মখাদা পীরি।

(ক) অয়াংবা খোন্থোক পুবা ই অসি মাহৈগী মকম খুদিংমক্তা অয়াংবা খোন্থোক ওইনা অদুম লৈবা ওন্নি। খুদম—ইবা, মাইবা ককই অসিনচিংবা।

(খ) অরাম্বা খোন্থোক পুবা ঈ দি খোন্থোক-তাংকক অমগী অহোৌবদদা অরাম্বা খোন্থোক ওইনা লৈবা ওন্নি। অতৈ মকমদদি

অরম্বা খোল্লোক ওইরবস্তা ঈ শীজিন্নয়ে। খুদম—ঈনবা, ঈংপা, অঈবা অসিনচিংবা।

(গ) অরম্বা খোল্লোক পুবা ঈ অসি আকার অমসুং ওকারগী হেক্ মতুংদা লাক্লা খোল্লোক-তাংকক্কী অরোইবদা লৈররবদি ঈ ওয়ি। অয়াংবা খোল্লোকতদি ই অহুম ওইগনি।

খুদম—   অয়াংবা   অরম্বা

হাইবা (পোৎ অমা হাইবা)   হায়বা (হ্ম হায়বা)
কোইবা (অশথা নত্তবা)   কোয়বা (চখোকপা)

(ঘ) উ অমসুং ঊকারনা অরম্বা খওহনবা মতাংদা মতুংদা অরম্বা খোল্লোকী ঈ অমুক লাক্লরোই, য় নত্ত মহুৎ শিল্লোই। ই ওইনা লৈগনি। খুদম—উইবা (তেকন্দবা), হুই (শা মথন অমা) অসিনচিংবা।

(ঙ) 'ঐ' হায়বা মিংহুত্তগী থোকখিবা হায়বদি মবী লৈনহুনা শেম্বা বাহৈশিং মথৈ খোল্লোক থবা শুল্লপ থোক্লবস্তু ই অহুম ওই-গনি। খুদম ইপা, ইমা, ইচা, ইনাউ, ইয়ুম, ইশক অসিনচিংবা।

(চ) বাহৈ-মক্কদা তপ্পা মাওতপ ই ওইগনি। খুদম—ইতৌ তৌবা, ইচা চাবা, ইপা পাবা অসিনচিংবা।

(ছ) থৌপাল্লা থবক অমা চুম্না পাঙথোকই খওহনবদা বাহৈ মক্কী মথৈদা ই শীজিন্নগনি। খুদম—থকই, থোকই, ককই, ককই অসিনচিংবা।

৩। ইকার অমসুং ঈকার—অয়াংবা খোল্লোক্কী ইকারগী চৈতপ অমসুং অরম্বা খোল্লোক্তা ঈকারগী চৈতপ শীজিন্নগনি।

খুদম—   অয়াংবা   অরম্বা

পিবা (শাগৈগী মকোক)   পীবা (পোৎ পীবা)
থিবা (ফংনবা হোৎনবা)   থীবা (ককদবা)

মথাদা ইকার অমসুং ঈকারগী শীজিন্নবগী মচা খায়না তাক্লি।

(ক) থোপাল্লা চুম্না থবক অমা পাঙথোকই খঙহনবদা রাহৈ মরুপ্পী মমৈদা অমসুং হৌজিক হৌজিক তৌরিবা খঙহনবদা ইকার শীজিন্নগনি। খুদম—কম্লি, হীপ্লি, কম্লি, হীপ্লি অসিনচিংবা।

(খ) থোপাল্লা চুম্না থবক অমা পাঙথোকনি খঙহনবদগী রাহৈ মরুপ্পী মমৈদা ইকার শীজিন্নগনি। খুদম—চৎকনি, চাগনি, তৌগনি অসিনচিংবা।

(গ) য়ায়তপ ওইবা রাহৈ মচেত্তা যাওবা নিংশা খোঙ্হোক্তা ইকার শীজিন্নগনি। খুদম—চানিন্নবা, তৌশিন্নবা, হাপচিনবা, তৌবিবা অসিনচিংবা।

(ঘ) অসি অমসুং মসি হায়বা মিংলুৎ রাহৈ অনী অসিগী মমৈগী নিংশা খোঙ্হোক অসি থরা লুম্নপ তৌনা খোঙ্হোক্লবস্থ চৎনরকপনা ইকার অত্তুম ওইগনি।

(ঙ) মবী লৈনবা তাকপা অমসুং হৌভম তাকপা খঙহনবা নীংতপ রাহৈগী মমৈদা লাকপা নিংশা খোঙ্হোক ঈকার ওইগনি। খুদমঃ—মবী লৈনবা তাকপদা— মাগী, ঐগী, নখোয়গী। হৌভম তাকপদা—মতুদগী, ঐঙোন্দগী, মসিদগী অসিনচিংবা।

(চ) পী শক্তাক্কী খুদমগী মমৈদা লাকপা নিংশা খোঙ্হোকসু ঈকার ওইগনি। খুদম—চাউবী, মপী, অঙৌবী, ফজবী, অসিনচিংবা।

(ছ) থোপাল্লা থবক অমা চুম্না পাঙথোকপ্রে হায়না হোৎপবা মওঙ তাকপদা ঈকার শীজিন্নগনি। খুদম—চৎলম্মী, তৌরম্মী, ফুরম্মী অসিনচিংবা।

৪। উ অমসুং ঊ—মীতৈলোন্দা উ অযাংবা খোঙ্হোক্তা শীজিন্নগনি; ঊ না অৱাংবা খোঙ্হোক্তা শীজিন্নগনি।

খুদম —

অয়াংবা	অরুম্বা
উন (ঈশিংগী কমজিনবা শক্তম)	উন (উচেকচাংগী কুবাংবান
উম্বা (য়াম্নুংদা থম্বা)	উম্বা (ফন্দোক্তবা)

মখাদা উ অমসুং ঊ গী শীজিন্নফম তাক্লি ।

(ক) থোদাবা খঙনবা মতাংদা থোপানগী মমৈদা উ শীজিন্নগনি। ককউ, থকউ, ফকউ অসিনচিংবা।

(খ) অয়াংবা খোম্থোক পুবা উ অসি রাহৈগী অহোবা, মবক অমসুং অবোইবা মফম খুদিংমক্তা লৈবা ঙম্মি। খুদম— উ, উবা চাউবা, ককউ অসিনচিংবা।

(গ) অরুম্বা খোম্থোক পুবা ঊ না খোম্থোক-তাংকক্কী অহোবদদা শীজিন্নগনি, অতৈ মফমদদি শীজিন্নরোই। খুদম — ঊন, ঊম্বা, ঊৎপা, মঊন অসিনচিংবা।

(ঘ) আকাবগী মতুংদা লাকপা অয়াংবা খোম্থোক্কীদি উ অতুম শীজিন্নগনি। অতুগা অরুম্বা খোম্থোক্কীদি আকাবগী হেক মথংদদি ঊ শীজিন্নরোই, উ গী মহুত্তা ও শীজিন্নগনি। খুদম—

অয়াংবা	অরুম্বা
কাউবা (নীংশিংদবা)	কাওবা (খোঙনা কাওবা)
লাউবা (রা কম্না লাঙবা)	লাওবা (খুদবা)

৫। **উকার অমসুং ঊকার**— অয়াংবা খোম্থোক্তা উকারগী অমসুং অরুম্বা খোম্থোক্তনা ঊকারগী চৈতেপ শীজিন্নগনি। খুদম—

অয়াংবা	অরুম্বা
শুবা (মকুপ তাহনবা)	শূবা (থবক তৌবা)
লুবা (থেন্নবা)	লূবা (নানবা)

উকার অমসুং ঊকার অনীগী শীজিন্নফম মখাদা উৎনি।

(ক) অখিংবা, থৌদাবা অমদি অনীংবা ফোঙদোকপা থঙ-হনবা থোপানগী মমৈদা উকার শীজিন্নগনি। খুদম - চৎকনু, কৌগনু, চৎলু, উৎনু, পীয়ু, তৌসনু, চাসনু অসিনচিংবা।

(খ) নীংতপ ৱাহৈগী মমৈদা যাওবা নিংশা খোন্থোক থবা লুমপ তৌরবসু মরক্তী খোনহায ওইবনা উকার শীজিন্নগনি। খুদম—মহাকপু, ঐবু, নঙসু, তৌববু অসিনচিংবা।

(গ) অতু অমসুং মতু হায়বা মিংতুৎ ৱাহৈ অনী অসি অমদি অনীসিদগী শেম্বা ৱাহৈশিংগী নিংশা খোন্থোক উকার ওইগনি। খুদম— অতু, মতু, অতুম, মতুম, অতুক।

(ঘ) অসি অমসুং মসি হাযবা ৱাহৈ অনীসিদগী শেম্বা ৱাহৈ-শিংদা যাওবা নিংশা খোন্থোকসু উকাব ওইগনি। খুদম—অসুম, মসুম, অসুক।

ঙ' অসি, মসি, অতু অমসুং মতু হায়বা মিংতুৎ ৱাহৈশিংসিদগী শেম্বা ৱাহৈ ওইববসু খোন্থোক্তী অরুম অয়াংনা ৱাহন্দা তৈনবা মওঙ লৈববদি উকাবনা অয়াংবদা, উকাবনা অরুম্বদা শীজিন্নগনি।

খুদম—

অয়াংবা	অরুম্বা
অসুম (মশানা অসুম)	অস্দুম (অসিগুমথুনা)
অতুম (মশানা অতুম)	অদুম (অতুগী মতৌগুমথুনা)

(চ) থোপান্দা তপ্পা মাঙতপকী ৱাহৈ মচেত্তা যাওবা নিংশা খোন্থোক উকার ওইগনি। খুদম:— শুক— শুকচৎ চৎলোই, শুক্তো তৌদবা, শুরোক নোক্তবা; পুম—পুমতৌ তৌবা, পুমচা চাবা, পুমচৎ চৎপা অসিনচিংবা।

৬। একার, ঐকার, ওকার অমসুং ঔকার—একার, ঐকার, ওকার অমসুং ঔকাব হায়বা চৈতপশিং অসিগী খোন্থোক্তী অরুম-অয়াং তারুবা পান্দে লৈতে। অকার অমসুং আকারগীদা তৌথিবগুম

লোনগীদদি চৈতপশিং অসিগী অরাম-অয়াং তাক্লবা অকঙবা খোঙ্হোক্কী মথাদা লৈগি চিংগনি। খূদম—

অয়াংবা	অরাপ্পা
একার—চেনবা (পাউনচিংবা চেনবা)	চেনবা (লমজেন চেনবা)
ঐকার—পৈবা (খোমজিনবা)	পৈবা (ভামথবা)
ওকার—থোনবা কোকথক্তা শাংগৎপা)	থোনবা (কিনচিংবা শেৎপা)
ঔকার—তৌবা (থবক তৌবা)	তৌবা (লৈপাক তৌবা)

খঙজিনবা য়াবা মতাং অমদি ঐকার অমদি ঔকারগী অরাপ্পা খোঙ্হোক্তা মীতৈ মযেক্তা য় অমসুং ও মথং শীংনা শীজিন্নবা মীতৈলোনগী বানানগী মথং মথং ওইবকথিবা শক্তম নৈনবদা থেংনৈ। হৌজিকসু কনাগুম্বা মীওই থবদি য় অমসুং ও না ঐকার অমসুং ঔকারগী অরাপ্পা খোঙ্হোক পুবা বানান ওইনা শীজিন্নবি। খূদম—কয় (কোৎ), মহয় (পাম্বীগী মহৈ-মরোঙ), লও (কৌ পাম্বী), কওবা (চোন্দবা) অসিনচিংবা। অসিগুম্বা বানানগী শক্তম অসিবু কনাগুম্বনা লাল্লি হায়। তশেংবদি মসি অবানবা নত্তে। মীতৈলোনগী বানানগী শাইয়োন্দা যাওরবা মতম অমদা শীজিন্নরম্বা বানানগী শক্তম্নি। অদুবু হৌজিক্তি বানানগী অসিগুম্বা শক্তম অসি কয়াম্ব চৎনদ্রবা ওইবনা শীজিন্নদবা ফবে।

৭। ং অমসুং ঙ—অয়াংবা খোঙ্হোক্তা ং, অরাপ্পা খোঙ্হোক্তনা ঙ শীজিন্নগনি। খূদম—

অয়াংবা	অরাপ্পা
মংবা (নোং মংবা)	মঙবা (মঙ মঙবা)
থেংবা (য়ৈশিনবা)	থেঙবা (ভন্দবা)

মথাদা ং অমসুং ঙ অনী অসিগী শীজিন্নকম তাক্লি।

(ক) অকার, আকার, একার, ও অমসুং ওকারগী হেক মতুংদা লাক্পা অয়াংবা খোঞ্জোক্তা ং, অরাপ্পা খোঞ্জোক্তনা ঙ শীজিন্নগনি।
খুদম—

অয়াংবা	অরাপ্পা
অকার—পাংবা (তুমদবা)	পঙবা (লৌশিং নৈতবা)
আকার—হাংবা (খোঙ হাংবা)	হাঙবা (কবিমতা নৈতবা)
একার—থেংবা (রৈশিন্নবা)	থেঙবা (ঙন্দবা)
ও—	মওঙ, ওঙবা
ওকার—তোংবা (মথক্তা তোংবা)	তোঙবা (কুপ্পবা)

(খ) ঈ, ঈকার, ঊ অমসুং ঊকারনা অরাপ্পা খোঞ্জোক্ত খোঞ্জোকহল্লবা মতাংদদি অরাপ্পা খোঞ্জোক্তীদমক ঙ অমুক শীজিন্নবরোইদ্র, ঙ গী মহুত্তা ং শীজিন্নগনি। অদুগা ই, উ অমসুং ইকার, উকারগী হেক মথংদা অয়াংবা খোঞ্জোক্তীদমক্তদি ং অদুম শীজিন্নগনি।
খুদম—

অয়াংবা	অরাপ্পা
ইংখোন (য়ুম শাহুনা নৈনবা মফম)	ঈংবা (শাদবা)
তিংবা (খোয়দবা)	তীংবা (ঈশিংদা থপ্পা)
উংবা (তোঙকম থঙদবা)	ঊংবা (খুংগুম্বা ঊংবা)
নুং (মনুং)	নূং (থোহুনূং)

(গ) কনাগুম্বনা ং গী মহুৎপু ঁ না শিনবা য়াওই। খুদম— চাঁঙ, মুঁঙাইবা, লাঁঙোন অসিনচিংবা। মসিগুম্বা বানানগী মওঙসি মীতৈলোন্দদি শূকশী শীজিন্নরোইদবনি। ং ওইনা অদুম চাংঙ, মুংঙাইবা, লাংঙোন হায়না শীজিন্নগদবনি।

৮। ময়েক ভপশিন্নবা— বাঙ্গলা ময়েকপু মীতৈলোনগী ইনবা শাদোং ওইনা শীজিন্নক্নরবনিনা বাঙ্গলা ময়েক্তা লৈবা তপ্পবা ময়েকশিং

মখৈ মীতৈলোনগী খোল্লোক্তা চানরবদি মীতৈলোনগী বানান্দা তম্মক মযেক ওইনা শীজিন্নগদবনি। হসন্ত তপ্পনা ইবনা হুংঙাইবা অমদি হৈনবী অমা ওইনম্মু চংনখ্রবনিনা তপ্পবা য়াবা ময়েক মখোদি য়ারিক্ মখৈ তপশিন্নহুনা ইগনি। মীতৈলোনগী বানান্দা শীজিন্নবা খোল্লোকশিদি চানদবা তপ্পবা ময়েক থম্না লৈ। মতুংগুম্বা ময়েক্ত মীতৈলোনগী বানান্দা শীজিন্নরোইদবনি। মীতৈলোন্দা স্ব হায়বা তপ্পবা ময়েক্সি অয়াম্বা মীওইন যাম্না তোয়না শীজিন্নবা থেংনৈ। বাঙ্গালাদা করিগুম্বা হক ময়েক অমদা স্ব তপশিনবদা ব ওইনা তপ্সি, খোল্লোক্না স্ব গী খোকই। অছুনা স্ব অসি ন অমম্নুং ব গী তপ্পবা ময়েক ওইনা মীতৈলোন্দা শীজিন্নবোইদবনি। কনাগুম্বা বাঙ্গালী মীওই অমবু স্ব যাওবা মীতৈলোনগী ৱাহৈ অমা পাহনবদা ব গী খোল্লোক থোক্লে, স্ব ওইনা খোল্লোকই। মীগী মযেক ৱায়হুনা শীজিন্নকরবনিনা অসিগুম্বা খোল্লোক চুমদবা ময়েক অসি শূকশী শীজিন্নবোইদবনি। মীতৈলোনগী বানান্দা বফলা তপ্পা ময়েক শীজিন্নগদবদি খোল্লোক চুম্ন হায়রোকপা ম গা ব গা তপ্পবা স্ব অসিতনি। অছুনা স্ব নত্তনা অতৈদি ব গী খোল্লোক থোকপনা বফলা ওইনা শীজিন্নবোইদবনি। অতোপ্পা তপ্পবা মযেক অমনা শুমহৎপা, ইবেমহন হাযবনচিংবা ইরদা কনাগুম্বনা হ্ম হাযবা তপ্পবা ময়েক অসি শীজিন্নহুনা শুদ্ধৎপা, ইবেম্মন হায়না হবা যাওই। ৱাহৈশিং অসিদা যাওরিবা বানান্দি ম্ + হ নি; হ্ম দি হ + ম না ওইবনি। অতুনা ব্রহ্মা, ব্রাহ্মণ হায়বগুম্বা অপুম্বা ৱাহৈগী বানান্দা শীজিন্নবা নত্তনা মীতৈলোনগী মশাগী ওইবা ৱাহৈশিংগী বানান্দদি হ্ম গী শীজিন্নকম লৈতে।

৯। **মীয়োন্দগী অপুম্বা ৱাহৈ**—মীয়োন্দগী পূবা মশক, মওং অমদি খোল্লোক কন্নিমত্তা হোৎনা শীজিন্নবিবা ৱাহৈশিংগীদি 'মশাগী হায়গী' বানান অছু অছুম শীজিন্নবা কৈ। থূদম— মন্দির, পণ্ডিত, বিজ্ঞান, যন্ত্র, ব্রাহ্মণ অসিনচিংবা।

মীতৈলোনগী খোন্থোকী ঈৱায় ইনিয়া মশক অমদি খোন্থোক হোংহুনা মীতৈলোনগী ৱাহৈ ওইজবা ৱাহৈশিংগীদি মীবোন ৱাহৈদগী থৈথৱকপা ৱাহৈ ওইরবস্য মীতৈলোনগী খোন্থোকী ওইবা বানান ইগনি। খুদম— তেরসিং (কেরোসিনদগী), বামন (ব্রাহ্মণদগী), ঐগ্যা (আজ্ঞাদগী) অসিনচিংবা।

১০। তনা, ত্না, দনা, দ্না তুনা অমসুং হুনা— ত্না, দ্না, তুনা অমসুং হুনা হায়বা বানান্সি কবিঙ্গবা থবক অমা তৌরবা নত্রগা লোইরবা খঙহনবদা শীজিন্নগনি। হায়বদি অওইবা খঙনবা ৱাফমদদা শীজিন্নগনি। খুদম— তৌদ্না, চংত্না, তৌহুনা, চত্তুনা অসিনচিংবা। দনা অমসুং তনা হায়বসিনা মত্তবা খঙনবা হায়বদি তৌত্রিবা নত্রগা লোইত্রিবা খঙহনবদা শীজিন্নগনি। খুদম— য়াদনা, তৌদনা, চত্তনা, কপ্তনা অসিনচিংবা। দ্না, ত্না অসি কয়াদি শীজিন্নদে।

১১। ল অমসুং ন— ন অমসুং ল অনী অসিনা খোন্থোক তাংকক্কী অরোইবদা লৈবদা খোন্থোক্তা থবা মায়ত্রবস্য ৱাহন্দি চপ মান্নে। ন না মমৈ লোম্বা খোন্থোক তাংকক অমগা অতোপ্পা খোন্থোক-তাংকক অমগা তিন্নহুনা অমতা ওইবদা তিন্নরবিবা খোন্থোক-তাংকক অহুন্গী অহৌবা খোন্থোক অহু ল অমসুং হু ওইরবদি মমাঙগী খোন্থোক তাংকক্কী মমৈ লোন্নিবা ন অহু ল ওন্নি। অতোপ্পা অতৈ খোন্থোক পুবা ময়েক্কা হৌবা খোন্থোক-তাংকক্কা তিন্নবদদি ন অহুম লৈগনি। অদুবু মহৌশানা মীতৈলোনগী ৱাহৈশিংগী খোন্থোক-তাংককশিংগী মমৈ লোম্বসি ল না থন্না নম্মা শীজিন্নে। অহু ওইহুনগ্ন অতোপ্পা খোন্থোক-তাংকক অমগা তিন্নহুনা লৈবদদি ন লৈবনা নম্মি। ল ওইবদি ল অমসুং হু গা তিন্নবদদা ওইনা তৌই। অহুনা বানানগী মান্নবা চাং অমা পুবা ওন্নবা খোন্থোক-তাংকক্কী মমৈ লোম্বসি লগী মহুত্তা ন না লোম্বা চংনবনা কৈ। খুদম ওইনা লোনগী মহুত্তা লোন্, ৱাখলগী মহুত্তা ৱাখন্, মখোলগী মহুত্তা মখোন্

অসুম্না ইবা কৈ। অদুনা খোন্থোক-তাংকক্কী মমৈ লোম্বা মথেঙ্গি ন ওইবা; অদুগা অতোপ্পা খোন্থোক তাংকক অমগা তিন্নরবদি তিন্নরিবা খোন্থোক তাংকক অদুগী অহৌবা খোন্থোক অদু ল অমসুং হ ওইরবদি ন দু ল ওনবা হায়না অসুম্না চৎনবী পথাপ অমা থম্বনা মীতৈলোনগী বানানগী মান্নবা চাং অমা ল অমসুং ন গী মতাংদা পুবকপা ঙমগনি। খুদম— লাল্লক, লোল্লম, ফল্লপ, পলহনবা মলহনবা অসিনচিংবা।

১২। ই, ইকার, ঈ, ঈকার, উ, উকার, ঊ অমসুং ঊকারগী মতুংদা ক্, প্, ৎ (ত্) লৈবা — ই, ইকার, ঈ, ঈকার, উ, উকার, ঊ অমসুং ঊকারগী মতুংদা হেক থংননা ক্, প্, ৎ (ত্) লাক্লবদি অক্রম-অয়াংগী খোন্থোক অসি ইমান মান্নবগুম তৌই। অদুনা ময়েক অহুম অসিনা মশাগী খোন্থোক যাওদনা (হসন্ত তপ্পনা) লৈবা মতমদদি মমাঙগী থংননা লৈবিবা নিংশা ময়েক নত্রগা ময়েকশিংদুগী চৈন্তপ অদু অক্রম-অয়াং থোইনা থিরুদনা ইনীংবদা ইবা মওঙ অমা মীতৈলোনগী বানান্দা চৎনবগুম তৌই। মসিনা মীতৈলোনগী বানান্দা চনৈনবা মতাং অমা অমুক ওইহল্লি। ক্, প্, ৎ অহুম অসিনা হেক থংননা মতুংদা লৈবদা মমাঙগী নিংশা খোন্থোক্কী অক্রম অয়াং ইমান মান্নবগুম তৌরিবসি তশেংবদি খোন্থোক্কী মতাংদা খন্থবা ঙাৎপননি। তৌবগীবুদি হসন্ত যাওরবা ময়েক অহুম অসিনা নিংশা খোন্থোক পুবা ময়েক্কী হেক মথংদা লাকপদা খোন্থোক খরা লুপ্নপ তৌই। অদুনা খরা লুপ্নপ তৌনা খোন্থোক্লিবসি ক্, প্, ৎ না ওইহনবনি হায়দুনা, কনাগুম্বদি অয়াংবা নিংশা খোন্থোক ঙাক্তা মমাঙদা শীজিন্নবা যাওই। অদুবু ঐখোয়না থঙগদবদি খোন্থোকী অক্রম অয়াং শান্নরিবসি নিংশা খোন্থোক্তা ওইব নিনা হসন্ত য়াওবা হক খোন্থোক অহুম অসিনা অক্রগী বানান ওইনা শীজিন্নবা চুমদে। অদুগীদু মথক্তা কুপ্পা খন্থদুনা নৈনবদদি ক্, প্, ৎ হায়রবা অহুম অসিগী হেক মমাঙদা লৈবা নিংশা খোন্থোকী তোঙান তোঙানবা অক্রম-অয়াং লৈবা থেংনৈ। অদুনা অক্রগা অয়াংবা মশক থঙনা ময়েক অহুম অসিগী মমাঙদা লৈবা নিংশা খোন্থোকী ময়েক অসি অয়াংবগীনা অয়াংবা খোন্থোক পুবা, অক্রগীনা অক্রগা খোন্থোক পুবা ময়েক শীজিন্নদুনা ইগদবনি। পঙই ইশিনবদি

কন্ত্রে। ক্, প্, ত্ অসিগুম অসিগী মমাঙদা হেক খন্ননা লৈবা নিংশা খোম্লোকী অয়ম্বা অয়াংবা মথেক শীজিন্নহনা ইবগী খুদম—

অয়াংবদা —মতিক, মহুৎ, অঙ্কুক, মচুং, অপিকপা অসিনচিংবা।

অরম্বদা —মীৎ, লীক, পুক, মকুপ, হুংপা, হুপ, খুকপ, হুকপা, অসিনচিংবা।

১৩। খৃষ্টগী চহী ১৯৩৫ দা অমুক হন্না শেমদোকখ্রবা মীতৈ-লোনগী বানানগী পথাপ কাঙলোন্দা খোম্লোক তাংকক অমতা ওইবা, অদুগা খোম্লোকসু অনেম্বা (অরাম্বা) ওইবা য়াহৈ অদুগী অরাংবা (অয়াংবা) খোম্লোক লৈবা মান্নবা য়াহৈ লৈত্রবদি হ্রস্ব অদুম্বক ইবা যাগনি হায়বা মতাং অদু খবা শেমদোক্লীংঙাই ওই। অয়াংবা খোম্লোক লৈবা মান্নবা য়াহৈ লৈরবসু লৈত্রবসু মশানা খোম্লোক লুন্না হায়দোক্লবদি অরাম্বা খোম্লোকী মহুৎ শিল্লিবা দীর্ঘ শীজিন্নগদবনি। অযাংবগীনা অয়াংবগী মহুৎ শিল্লিবা হ্রস্ব শীজিন্নগদবনি। অদুনা য়ুম, পুং, মীৎ, খুং অসিনচিংবা খোম্লোক তাংকক অমতনা শাবা য়াহৈশিং অসি অয়াংবা খোম্লোক পুবা মান্নবা য়াহৈ লৈত্রবসু অরাম্বনা ইফম খোকই।

২৫৭ মণিপুরগী দরবারনা য়াবেপ তাকুনা যানখ্রবা, নিংথৌনসু মশাগী অয়াবা পীখ্রবা অমদি মতুং অমুক খবা শেমদোক্লুবা মণিপুর সরকারগী মহৈ মশিং লোয়শঙনা সরকারগী গেজেটতা কোঙখ্রবা বানানগী পথাপ কাঙলোনবু অরা- অপানচিংবা হাপচিন্দুনা শেমদোক শেমজিন তৌরবা মথক্কী বানানগী পথাপ অসিদসু অমুক অরাৎ অপা শেমদোক শেমজিন অমদি হাপচিন্নীংঙাই, লৌথোক্লীংঙাই লৈরম-খিগনি। অদুবু মথক্কী পথাপ অসি হান্না লৈখ্রবা বানানগী পথাপ অদুবু মুন্না নৈনরগা অমদি চৎনরিবা অমসুং মমাঙদৈদা চৎনরম্বা অমদি চৎনরক্লিবা মওঙসু য়েংলগা লোমীৎ-লোম্লোনগী মীৎয়েংদগীসু ওইবা যাবা মওঙ অদুগা চাশিন্নদুনা চৎনবা যাবা বানানগী শক্তম অমা ওইবগদ্রা খনবদু পুথোকপনি। মসিমক্তা মচুঙ্গে হায়বদি হ'য়মনবা থোকপসু য়াই। অদু ওইদুনসু মথক্কী বানানগী পথাপ কাঙলোন অসি খরা মথৈদি অচুম্বা মওঙ অমদা চৎনবা য়াবগদ্রা খল্লি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে মীতৈলোনগী য়ানানগী অচুম্বা শক্তম অমা লেপথোক্লুবা য়ান্না খুনা চৎনবা তঙাই কত্রবনি।



ꯋꯥꯍꯩꯗꯣꯀꯄ

মমিং-মথা খরা



অওইবা খঙনবা = Affirmative
অকনবা ঙৌ = Hard Palate
অকনবা হক খোঙ্গোক = Aspirated Consonant Sound
অখেবা হক খোঙ্গোক = Voiced Consonant Sound
অতম্নবা ৱাহন = Conventional Meaning
অতম্নবা ৱাহন লৈবা ৱাহৈ = Conventional Word
অতাইবা নীংতপ = Folded Suffix
অতাইবা মবী তাকপা = Folded Post-position
অতাইবা যাযতপ = Folded Infix
অতাবা মহুৎ শিনবা খুদম = Audible Symbol
অথিংবা হক খোঙ্গোক = Stop Consonant Sound
অথোৎপা ঙৌ = Soft Palate
অনী শীংতাক = Dual Number
অনীকপা হক খোঙ্গোক = Trill Consonant Sound
অপুন শঙ্কাক = Common Gender
অপুনবা খঙনবা মিংশক = Collective Noun
অপুবা ৱাহৈ = Loan word
অমা শীংতাক = Singular Number
অবেপ্পা তাকপা মিংহুৎ = Definite Pronoun
অবেপ্পা তাক্রবা মিংহুৎ = Indefinit Pronoun
অশাবা হক খোঙ্গোক = উষ্ম ব্যঞ্জন
অশিবা লোন = Death Language
অশোনবা হক খোঙ্গোক = Unaspirated Consonant Sound
অহংবা খঙনবা মিংহুৎ = Interrogative Pronoun
অহিংবা লোন = Living Language
ওন্ন তৈনবা ৱাহৈ = Antonym
কোক = Cerebral
কোক্কী হক খোঙ্গোক = Cerebral Consonant Sound
খুনাই = Society
খুনাই পুক্কীংলোন = Social Psychology
খুদম = Example

[illegible]ংশা = Sign

খুদম ময়েক = Symbolic Script

খৃষ্ট-মাঙ = B.C.

খেদবা হক খোঙ্হোক = Voiceless Consonant Sound

খোঙচৎ = মাত্রা

খোঙ্হোক = Sound নত্রগা Phone

খোঙ্হোক্লোন = Phonetics নত্রগা Phonology

খোঙ্হোক উপু = Larynx

খোঙ্হোক উপু শখুম = Epiglottis

খোঙ্হোক উপু মচীন = Glottis

খোঙ্হোক উপু মচীনগী হক খোনখোক = Glottal Consonant Sound

খোঙ্হোক কাযাৎ = Speech Organ

খোঙ্হোক খুদম = Vocal Symbol

খোঙ্হোক তাংকক = Syllable

খোঙ্হোক তাংকক অমতগী ৱাহৈ = Monosyllabic Word

খোঙ্হোক তাংককী ময়েক = Syllabic Script

খোঙ্হোক ময়েক = Phonogram

খোঙ্হোক মরী = Vocal Cord

খোনকুম = Phoneme

খোনকুমশা = Allophone

খোনহায় = Tone

খোনহায়লোন = Tonetics

খৌনাউ তেঙ্খন = Uluva

খৌবী = Guttur

খৌবীগী হক খোঙ্হোক = Velar Consonant Sound

ঙৌ = Palate

ঙৌগী হক খোঙ্হোক = Palatal Consonant Sound

চহী চা = Century

চাং থোইতাক = Adjective of Quantity

চাং থৌতাক = Adverb of Quantity

চাংদম্নবা লোন কাঙলোন = Comparative Grammar

চাংদম্নবা লোনগীৎ লোম্লোন = Comparative Philology

চীন মখুন = Mouth Cavity

চীনবান = Lip

চীনবানগী হক খোঙ্হোক = Bi-labial Consonant Sound

চীনবান য়াগী হক খোঙ্হোক = Labio-Dental Consonant Sound

তাইবঙপান = World

তিন্নববা নিংশা খোঙ্হোক = Dipthong

তিন্ন ৱাতাই = Copulative Conjunction

তোঙাই ৱাতাই = Alternative Conjunction

থিন্দুনা তাকপা থোইতাক = Demonstrative Adjective

থোইদোকপা মমিং মথা থয়া

থোইতাক = Adjective
থৌতাক = Adverb
থৌপান = Verb
থৌপাগ্নবা মিংশক = Verbal Noun
নত্তবা থত্তনবা = Negative
নাক যেংকী হক খোঙোক = Lateral Consonant Sound
নাকোথনা লম্বী = Indirect Way
নাং = Culture
না[illegible]তানগী হক খোঙোক = Nasal Consonant Sound
না[illegible] খুন = Nasal Cavity
[illegible] = Wind Pipe
[illegible]তাক = Vowel Sound
[illegible] মচেংনবা = Semi-Vowel
[illegible] = Suffix
[illegible]তাক = Interjection
[illegible] থত্তনবা মিংশক = Abstract Noun
পথাপ কাঙলোন = Rules and Regulation
পা শক্তাক = Masculine Gender
পানশিল্লবা লোন্মীৎ লোল্লয়োন = Applied Linguistics
পা পী নত্তবা শক্তাক = Neuter Gender
পী শক্তাক = Feminine Gender
পুক্কীংলোন = Psychology
পোৎশক থত্তনবা মিংশক = Material Noun
[illegible] থত্তনবা মিংশক = Common Noun
ফন্নাপগা = Dialect
ফন্নাপরাগ্লোন = Dialectology
ফন্নাপরা লৈগ্যারোন = Dialect Geography
বানানগী শিংলুপ = Spelling Committee
মওঙ থৌতাক = Adverb of Manner
মতম = Tense
মতম থৌতাক = Adverb of Time
[illegible] থোইতাক = Adjective of Quality
মথং মন্না [illegible] = Systematic
মন্নংতবা মওংশা = Arbitrariness Nature
মফম থৌতাক = Adverb of Place
মমালোন = Mother Tongue
মমিং-মথা = Terminology
ময়াম শীংতাক = Plural Number
ময়েক = Script
ময়েক-মপী = Alphabet

মযেক ... = Alphabetic Script
মরী তাকপা = Post-position
মতুংগী মথক্তা = Preposition
মরী তাকপা মিংতম = Relative Pronoun
মরুগী থাক = ধাতুগত অবস্থা, Root stage
মশক লৈবা নাৎ = Material Culture
মশক লৈতবা নাৎ = Non-material Culture
মশানা তাকপা ৱাহন = Derivative Meaning
মশামক তাকপা মিংতম = Reflexive Pronoun
মশীং খোঙ্গথাক = Numerical Adjective
মতুং শিনবা খুদম = Symbol
মতুং শিনবা খোনজেল খুদম = Vocal Symbol
মতৌশা = Nature
মালেম = Earth
মাংতপা = Prefix
মিংলোন = Onamatology
মিংশক = Noun
মিংতম = Pronoun
মীৎনা উবা মতুং শিনবা খুদম = Visible Symbol
মীশক খঙনবা মিংতম = Personal Pronoun

মৈহোৱোন = History
মৈহৌৱানগী ওইবা লোনগী লোনশোন = Historical Philology
মৈহৌৱোনশাগী নাকী যুগশিংদা লোন নৈনবা = Linguistic Palaeontology
য়া = Teeth
য়াগী হক খোন্থোক = Apico-dental Consonant Sound
য়ায়তপা = Infix
য়াৱী = Alveola
য়াৱীগী হক খোন্থোক = Apico alveolar Consonant Sound
য়েন্নিন = সন্ধি, Joining of Letters
য়েৎন-তরুবা হক খোন্থোক = Fricatives or Spirent Consonant Sound
য়েনহৌ মীওই = Premitive Man
লংলা লংজীন ময়েক = Formulatic Script
লনাইরা = Idiolect
লাইনীং লম্বী / লাইনীং লীচৎ = Religion
লাই ময়েক = Pictogram
লেঙ-ওৎপা কায়াৎ = Articulators
লেঙ ওৎকম কায়াৎ = Points of Articulation

থোইদোকপা মমিং মশা থরা

লৈ = Tongue
লৈঙাক্লোন = Politics
লৈবাক্কী লোন = National Language
লৈবাক পুম্নমক্কী লোন = International Language
লৈশাবোন = Geography
লৈশারোনগী লৈমায় = Geographical Surface
লোন = Language
লোন-কাংলুপ = Language Family
লোন-কাংলোন = Grammar
লোনগৈ = Dictionary
লোনগৈবোন = Lexicography
লোঙন Composition
লোইষ্ট = অপভ্রংশ
লোন্মীৎ লোল্লন্নোন = Linguistics নত্রগা Philology
লোয়শঙলোন = Official Language
লোল্লম মখল্লোন = Linguistic Typology
লোল্লম লৈশারোন = Linguistic Geography
রাথন থোঙ্খোক ময়েক = Ideo-phonogram
রাথন ময়েক = Ideogram
রাঙাঙ = Speech
রাংঙলোন = Phylosophy
রাতপ = Affix
রাতাই = Conjunction
রাপুন = Compound
রাপুনগী থাক = সমাসগত অবস্থা Compound Stage
রাপোক্লোন = Etymology
রায়েন্নোন = Court Language
রায়োন পোকপা থাক = প্রত্যয়গত অবস্থা, Affix Stage
রাহন - Meaning
রাহন মান্নবা রাহৈ = Synonym
রাহন্নোন - Semantics
রাহৈগী থাক = শব্দগত অবস্থা, Word Stage
রাহৈগী নীংতপ = Secondary Suffix
রাহৈপবেংলোন = Syntax
রাহৈ পুকৈ = Vocabulary
রাহৈ মরু - Root
রাহৈ মরুগী নীংতপ = Primary Suffix
রাহৈ শেম্বা = World Formation
শত্তন্নোন = Morphology
শক্তাক = Gender
শক্তাকরা = Definition
শন্নেপ = Indeclinable
শকহোংবা = তদ্ভব
শকহোংদবা = তৎসম
শীংতাক = Number
শীংথাবা লোন্মীৎ লোল্লন্নোন = Descriptive Philology নত্রগা Descriptive Linguistics
হক থোঙ্খোক = Consonant Sound
হকথেংনবা লম্বী = Direct Way

●

মতেং লৌবা লাইরিকশিং

অমদি চেফোঙশিং

●

(ক) লাইরিকশিং

MANIPURI

ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং খেলচন্দ্র সিংহ—চৈথাবোন কুম্বাবা

এ তোম্বা মীতৈ—মীতৈ য়েক সলাই

এস কে ক্ষেত্রীময়ুম—মণিপুরীলোল মীতৈবোল্লা

কালাচান্দ শাস্ত্রী—মণিপুরী ব্যাকরণ কৌমুদী

খুল্লাকপা গোপাল—মীতৈ ময়েক মপী

থুমম্মেম মধুমঙ্গল সিংহ—মৈতৈবোনগী ব্যাকরণ ১বা শরুক)

টি বোকুল—মীতৈ ময়েক খন্দোক্লবা পাম্বৈ

থোকচোম থোকচাও পাংকনপা—বাকোক্লোন থিলেল সলাই অমাই-
লোন পুকোক

দ্বিজমণিদেব শর্ম্মা—মণিপুরী ব্যাকরণ

নন্দলাল শর্ম্ম—মৈতৈলোন (১বা খুংনম, ১৯৬৫)

নন্দলাল শর্ম্ম—মৈত্রবাক

নহাবোন সাহিত্য প্রেমী সমিতি—মণিপুরী লোনগী বানান

নারায়ণ শর্ম্ম—মৈতৈলোন ব্যাকরণ

নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ—অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস

ময়েক লুপতিন ইডিটরিয়েল বোর্ড—ময়েক লুপতিনগী রারেপ

মীনকেতন সিংহ—ভারতকী লোহন্সিঙ্গী মবক্ত মণিপুরীগী মকম

মীনকেতন সিংহ—মৈতৈ লোঞ্জন

মোইরাংথেম চন্দ্রসিং—পাম্থোইপী খোঙ্কুল

মোইরাংথেম চন্দ্রসিং—মীতৈ ময়েক

মোইরাংথেম চন্দ্রসিং—লোনগী পথাপ

মতেং লৌবা লাইরিকশিং অমদি চেফোঙশিং

HINDI

উদয়নারায়ণ তিৱারী—ভাষাশাস্ত্র কী রূপরেখা

কামতাপ্রসাদ গুরু – হিন্দী ব্যাকরণ

ধীরেন্দ্র বর্মা- হিন্দী ভাষা কা ইতিহাস

বাবরাম সক্সেনা—সামান্য ভাষাবিজ্ঞান

ভোলানাথ তিৱারী—ভাষা বিজ্ঞান

মনমোহন গৌতম—হিন্দী ভাষা বিজ্ঞান

৬ াশ শর্ম্মা – সামান্য ভাষা বিজ্ঞান

ENGLISH

Aitchison, Jean—General Linguistics

Bloch, B. & Trager, George L.—Outlines of Linguistic Analysis.

Bloomfield, L.—Language

Brown, R Statistical Account of Manipur.

Crystal, David—Linguistics

Dept Of Statistics, Govt. of Manipur—Statistical Handbook Of Manipur (1973)

Dun, E W – Gazetteer Of Manipur

Gleason, H A, Jr—An Introduction To Descriptive Linguistics.

Gouda, K S Gurubasave - Ao-Naga Phonetic Reader.

Grierson, G A. Linguistic Survey Of India, Vol. III, Part III.

Hall, A. Robert, Jr.—Introductory Linguistics.

Hockett, Charles F.—A Course In Modern Linguistics.

Khelchandra Singh, N.—Manipuri to Manipuri & English Dictionary.

O'Connor, J,D.—Phonetics.

Thirumalai, M.S.—Thadou Phonetic Reader,

Yumjao Singh, W.—Report On Archaeological Studies In Manipur, Bulletin No.

[illegible]লিং—

[illegible]নেল লিটারেরী এসোসিয়েশন—মতমগী খোঙথাং (১০ শুবা মশীং)

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি—রাথল (১৬ শুবা মশীং)

মতমগী মঙাল—মালেম (১০ শুবা মশীং)

মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভা—মীৎয়েং (১বা অমসুং ৪ শুবা মশীং)

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ—সাহিত্য (৩শুবা, ৪ শুবা, ১৫ শুবা অমসুং ২৮ শুবা মশীং)